[illegible]

[illegible]

মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা

* কন্চবা *

ঐগী মরুপ শ্রীবীরেনগী মফমদা
লাইরিক অসি কন্চরি।

Where is the Life we have lost in living ?
Where is the wisdom we have lost in knowledge ?
Where is the knowledge we have lost in information
The cycles of Heaven in twenty centuries
Bring us farther from God and nearer to the Dust.

Choruses from 'The Rock', 1, T. S. Fliot

মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা

শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহ
ফেলো
মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য বিভাগ
মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়

ভী আই পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল

MANIPURI SAHITYDA ANOUBA MEETYENG AMA

Critical Essays on Manipuri Literature and Theatre

BY NONGMAITHEM TOMBI SINGH

V. I. PUBLICATIONS, IMPHAL, 1985

অহান্বা ফোঙবা : সেপটেম্বর, ১৯৮৫

ফোঙবা : ভী, আই, পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল

নম্বা : পদ্মা প্রিণ্টর্স, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মখুৎ যেকপা : থোইদিংজম তোম্বী সিংহ

মমল : লুপা কুন্থ্রা (লু: ৩০/-)

হীরম-লামায়

রাহৈ খবা

শকতাকচবা

সাহিত্য

১। মণিপুরী সাহিত্যদা রিনাসন্স :
চাউবা কমল অমসুং অঙাংহলগী মতম/১

২। উপন্যাসকার অমা ওইনা খ্বাইরাকপম
চাউবা/১৩

৩। পাচাগী 'অনৌবা পাউ অমা' :
তাইবঙদগী নাম্থোকখ্রবা আন্থা অমা/৩৫

৪। মণিপুরী বারী মচা /৪৫

৫। ভারতকী নীংতম্বা আন্দোলন অমসুং
সাহিত্য/৬১

৬। মণিপুরী সাহিত্যগী সমস্যা /৭৮

৭। কবি নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী পুন্সি অমসুং
মহাকী মতম/৯৭

৮। সাহিত্যদা রিয়্যালিজম /১১৫

থিয়েটর

১। ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী
খোংজুন লীবা/১৩৩
২। মণিপুরী থিয়েটরদা লোক কলাগী
মচাকশিং কলাগী থৈবা খুৎশেমদা
শীজিন্নবাঃ মাসগী সমস্যা নৈনবা/১৪৯
৩। এসিয়ান থিয়েটরগী শক্তম /১৬৩
৪। সংস্কৃত থিয়েটরগী মশক অমা-
কুড়িয়াত্তম/১৭৯
৫। ভারতকী অনৌবা ড্রামাগী য়াওন্দা
রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী দান/১৯২
৬। মণিপুরী থিয়েটরগী য়াওন্দা
অঙাংহলগী খুদোল/২০২
৭। জি. সি. তোংব্রাগী তাইবঙ /২১৯

ইনডেক্স

অইবশিং তাকপা/২৩৭
হীবম তাকপা/২৪৩

ৱাহৈ থরদং

মীৎয়েং পাক্লা য়েংবা হায়বসি অকুবা থবক অমনি। ঐখোয়গী পীক্লবা লৈবাক, পীক্লবা সহর, পীক্লবা লৈকায়, পীক্লবা যুম, মীৎয়েং পীক্লবা মীয়াম মরক অসিদগী অপাকপা মীৎয়েং য়েংনবা হুংশিং কয়া ফংদে। অদুনা ঐখোয়না য়েংবা মীৎযেংদা পাক্লা য়েংবা ঙমদবগী মওং অমা লৈ। লাইবিক অসিদা ঐনা মণিপুরী সাহিত্যগী হীবম থবদা নৈনজরিবা অসি যাম্না ফজরবা, মরীক চুম্নবা অনৌবা মীৎয়েং ঙাক্তুনি হায়না দাবী তৌবা ঙমজদে। ঐনা হোৎনজখিবদি — ভারত অমসুং মণিপুবগী সংস্কৃতিগী পরম্পরা অদু মাঙদা থমগা পোৎশিং, অসিগী মশাগী তোপ তোপ্পা শক্তম করি লৈবগে হায়বদু পুখোরবা হোৎনজবনি। ঐনা হোৎনজরিবা অসি তশেংনা মহৎ যাম্লে হায়না লৌজবা ঙমজদে। মরমদি থবক অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা ঐঙোন্দা লৈবরিবা অৱাৎপা, অশোনবা, খঙদবা মচাকশিং মযাম অদু ময়েক শেংনা চোঙথোক্লকখি। অদুনা লাইরিক অসি ফোঙনবা মতমদা ঐহাক অসি কয়া য়াম্না নেমনা পাক্লা লৈরম্লিবনো। হায়বসি ইশা ইতোমত খঙজরকই। লাইরিক অসিনা ঐঙোন্দদি ঐগী ইশক খঙজনবা অনৌবা পাডা অমা ওইনা পোক্লরে।

ঐহাক অহানবদা লাইরিক ফোঙনিংবগী নেষা কয়া লৈরমদে। অদুনা লাইবিক ফোঙনবগীদমক্তা হোৎনকনা তৌদে। ঐবু হুংশিনা মকুপ-মপাঙ কযানা (মক ওইনা শ্রীনীরেন্মা) লাইরিক অমা ফোঙনবা তত্তনা হায। অদুদগী লাইরিক অমা ফোঙলসিবা হায়না পুক্লিংদা থল্লকই। মদুগী মহেৎনা লাইরিক অসি ওইরকখিবনি। ঐবু লাইরিক ফোংনবা পাউতাক কয়া পীবিখিবা মকুপ-মপাঙশিংগী মথমদা লমন তোল্লবনি।

লাইরিক অসিদা য়াউরিবা ৱারেংশিং অসি চহী কয়া কাল্ল-কাল্লনা চেকোঙ কয়াদা ফোঙথ্রবা, সেমিনার কয়াদা পাথোকথ্রবা পেপরশিং অতুগা নোংনা ইবা খরসু য়াউনা ময়াম অতুগী খোমজিনবা লাইরিক অমনি। অতুম্নদি ওইরগা ৱারেংশিং অসি চোইখোম খোমজিনবদি নত্তে। ফোঙলবা অমসুং ফোঙদ্রিবা ঐগী ৱারেং ময়ামদগী ঐগী মরুপ শ্রীবীরেনগা ইবাম্নি কয়ারক হন্না পাম্নিন্নতুনা খল্লনৈনরবা মতুংদা মপুং ওইনা ঐগী ইরম্নাই অশেংবা মোত ফোঙদোকপা, চুমগী পাউ পীবা অমসুং খুংথাং ওইনা ইথোকপা নত্তবা, মতম কুইনা পুন্সিগদবা ৱারেংশিং খরা খঙ্গৎ-লগা ফোঙবনা পান্দম ওইজখি। অসুম্না খন্দোকক্লুনা মন্থোকথ্রবা মতুংদা ঐগী ৱারেং ময়ামতুদগী শুপ্নগী মঙাথোকপগী শরুক অমরোম লাইরিক অসিদা য়াউখি। লাইরিক অসিদা খঙ্গৎতুনা য়াউরিবা ৱারেংশিং অসি নৌহৌনা অমুক শেমদোক্লবা, অমুক হন্না ইথোক্লবা, ঐগী অনৌবা ফংলকপা জ্ঞানগা চুংশিন্নরবা ঙাক্তুনি। কনাগুম্বনা হান্ননা থেংনবিখিবা ৱারেং খরদা অহোংবা পোইনা থেংনবিদ্রবদি মতু ঐগী অহোংবা ৱাখল লৈততুনা তৌবনি হায়না লৌবিগনি :

ঐগী ৱারেংশিং অসি 'সাহিত্য' অমসুং 'থিয়েটর' হায়রতুনা শরুক অনীথোক্লা খায়দোক্লি। তোথায় তোখায়বা ৱারেংশিংনা পূনশিনবা ওইরবসু 'থিয়েটর'গী শরুক্তা য়াউরিবা ৱারেংশিং অসিদা ভারতকী থায়নগী পরম্পরাদগীনা হৌজিকফাউবদা চত্থরক্লিবা থিয়েটরগী মশক অমদি থেংনবিগনি। মসিদা য়াউরিবা 'কুডি-য়াত্তম'গী মরমদা ইবা ৱারেং অসি ঐগী মরুপ শ্রীবীরেন্না য়াহনা হাপ্পা নত্তে। ৱারেং অসি হাপ্পবা শ্রীবীরেন্দা হৌদোক্লুবদা মাগী মহৌশাগী হৈনজবী মওংদা মমায় শুকতোক্তুনা, মঙক হাইরতুনা হংলকই— "নঙবু কুডিয়াত্তমগী মরমদা কয়াম খঙলবগে ? নহাক্না ইরিবসিদা পণ্ডিত ময়াম্না খঙনদবা অনৌবা ৱাফম করি হায়বা

ঙল্লিবগে ?" মরুপ ওইরবসু ঐহাক মায় হায়ফেৎ ঙাওই। চুমই, কুডিয়াস্তমগী মরমদা ঐগী ওইবা অনৌবা অমা থোইনা হায়রবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং ঐনা শাগৎচরিবা থিয়েটরগী পরীং অমসুং থৌরাং অসিদা সংস্কৃত থিয়েটরগী মশক অমদি তঙাইফদনা উৎপা পামখি। মসি য়াউরবদি শাগৎলিবা মওং অসিদা অহোবা, অরাৎপা অমা ওইনা থোক্লগত্রা খনখি। ঐনা হাপনিংবগী মওং উবদা শ্রীবীরেন্না তুমিন্না লৈবগী খুদোংচাবা লৌতুনা রারেং অসি হাপখিবনি। 'থিয়েটর'গী শরুক অসিদা মণিপুরগী বৈষ্ণব থিয়েটর (মাণ্ডব লীলা), শুমাং লীলা অমদি হৌজিক্কী মণিপুরী থিয়েটরগী রারেংশিং হাপ্লবা থৌরাং তৌজখি। অতুবু, রারেংশিং অসিনা থরা শাংমনখিবা, চাউমনহিবনা লাইবিক অসিগা চান্নবা অমুক পীবশিন্না ইথোক্কদবতু ঐঙোন্দা অরাবা অমা ওইনা থোক্কদবদগী অমদি তোথায়বা লাইরিক অমা ওইনা কোন্না ফোঙলগে হায়বা রাংখন্দগী রারেংশিংতু হাপচত্রে। পূময়ক অসি মথং মথং ফোঙদোক্লবা হোৎনগে খঞ্জরি। করিগুম্বা ঈশ্বরগী থৌজাল যংজরবদি মতুংদা ফোঙনবা তৌক্ত-রকখিগনি।

লাইরিক অসি ফোঙনবা হোৎনবদা মরুপ-মপাঙ কয়াগী মফমদগী মতেঙ য়াম্না ফংজখি। মখোয়গী মতেঙ অমসুং থৌগৎ-পীবনা লাইবিক অসি পুথোকপা ঙমজখিবনি। ময়ামগী মমুংদা খ্বাইদগী রার্বিখবদি ঐগী মরুপ— কবি শ্রীবীরেন্নি। শন্না হায়রবদা, লাইবিক অসিদা য়াউরিবা রারেংশিং অসি খনবগী অচৌবা পোৎলুম অসি মানা পুবিখি। শ্রীবীরেন্দি মশা শোনবনিনা অয়াম্বা মতমদা ঐনা মখোয়গী য়ুমদা চৎলি। মখোয়-গীদা ইবান্নি ফমমিন্নতুনা কয়ারক হন্না পামিন্নে, নৈনৈ, অচুম-অরান কয়া শেমদোক-শেমজিন তৌই। মহাক রা য়াম্না পেৎলি, তুকা য়াম্না থি, মরৈ ফৈ অমসুং বুদ্ধি য়াম্না থৌই। মাবু য়াহনবা

হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। মাগা ফমমিন্নহুনা ৱারী শাথিবা, খন্ন-নৈনখিবা মীৎকুপশিং অহু ওন্থোক্লা মুংঙাইখি অমস্তুং ঐগী পুন্সিগী তাঙলবা মীৎকুপশিংনি হায়না লৌজে। মসিগী মথক্তা, লাইরিক অসিগী ওইনা শ্রীবীরেন্না য়াম্না শাংলবা ৱাহৌদোক অমস্তু ইবিরি। অহানবদা ইবিয়ু য়াদে। হন্না হন্না হায়বদগী নাম্থোকপা য়াব্রহুনা দঙি ওইনা ইখিবনি। মহাক্কী ৱাহৌদোক্তা ইবাম্নিগী তৌথ্রবা পুন্সিগী থোদোকশিংবু নৌহৌনা মায়খুম হাংদোক্লকপদা পুন্নিংদা মুংশিবা ফাওরকই। ৱাহৌদোক অসি, ময়ামগীদি থঙজদে, ঐভোন্দদি য়াম্না মুংঙাইজে। মরমদি— ঐবু খঙবিহুনা, ঐনা হোৎনজনিবা থরা অসিবু শীংথাবিহুনা থাগৎ-ৱাহৈ অমা-অনীদং ওইরবস্তু হাযবিবদা কলম পাযজরিবা ঐথোয়গী (কলাকারশিং) মসিমুক মুংঙাইজবা অ'স কদায়দা লৈরমগনি ! তশেংবমক, ঐগী মকপ শ্রীবীরেনগী মপান্না লাইবিক অসি পুথোকপা ঙমজবনি। মভোন্দা ঐগী শিংঙমদ্রবা লমন তোল্লবনি।

ঐগী মরূপ-নপাঙ অতৈ কয়াস্তু— শ্রীএ. চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, ইনাউশিং— শ্রীনৃম্লেশ্বম ইবোমচা সিংহ, শ্রীথাংজম ইবোপিশক সিংহ, লমাবম বীরমণি (মরক মরক্তা প্রুফ য়েংবিবা, লাইরিক অসি যঙনবা বয়া হোৎনবিবা) অয়াম্বা মতমদা মহেঙ পাংবিখি। মসিগীদমক থাগৎচরি অনস্তুং তৌবিমল থঙবা উচ্চরি। লাইবিক্কী মথুম অসি ইয়াম্বা শ্রীথোইদিংজম তোম্বী সিংহনা য়েকপীবনি। ঐভোন্দা পোক্লকপা ৱাথং অমা— থায়নগী মৈতৈ ফুঙ্গা ৱানীদা হন্নবীগী শূক্রা থিঙ্গৎখিহুনা সোবারেন অসি ৱাংখৎখিবগী ৱারী অসিদা ঐনা মীগী তৌবা ঙম্বা শক্তি, কলা-কৃষ্টিগী শক্তিনা প্রকৃতিবু জয় তৌহুনা মীওইবনা অৱাংবা সভ্যতাগী থাক অমদা কাখৎপা ঙম্মি হায়বসিগী ভাব অসি থঙ্গরুই। (ঐগী মরূপ শ্রীবীরেন্নদি— মমাঙতৈগী মীশিংনা ইচম চম্না লৈরম্বা, অচুম্বা অমস্তুং মোরেল ভেলুগী ফজবা মশক অহু মতমগী মতুংইন্না নোংম নোংমগী

তাইবঙ মীদগী থাপতোকখি, থায়দোকখি হায়না অর্থ হল্লি।)
তশেংবমক, ঐহাক্না পামজবা বাথল অদু ফোঙদোকপীহুনা লাই
অসি য়েকপীবকই। মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা থোইদিংজম তোম্বী
সিংহবু হন্না হন্না থাগৎচরি। অদুগা মনুংদা যাউবিবা লাইশিং
অসিনা ইনাউ ইবুঙো শ্রীএইচ. কেপেন্দ্র সিংহ কোংবা বাজারদা
লৈবনা য়েকপীরকপনি। মসিগীদমক্তা ইনাউ কেপেন্দ্র সিংহবুসু
হন্না হন্না থাগৎচরি।

লাইরিক অসিগী লামায ৮০ ফাউবা অসি হাওবম মবক্তা
লৈবা নোঙ্গারৈমা প্রেসদা নম্বনি। প্রেসকী মপু তামো কালাচাঁদ
সিংহ লাইবিক অসি নম্বা হৌগৎপীরম্নগা মনুং-মতম চাদনা
তেংবান থাদোকখ্রে। লাইবিক অসিগী অয়োইবা শরুক উবা
ফংদনা শিখ্রবা তামোগী থল্লুবদা পূক্নিংদা মুংঙাইতবা ফাউই।
অকোনবগী শরুক অসিদি পদ্মা প্রিন্টর্স, পাউনা রোডদা নম্বনি।
প্রেসকী মপু শ্রীশামুরাইলাৎপম গোপাল শর্মা শ্রীএল, চন্দ্রমণি সিংহ
অমদি অতৈ ইচিন-ইনাউ কয়ানা থবাথ য়াম্না য়াউনা হোৎনবিহুনা
লাইরিক অসি নম্বিখি অদুগা অয়াম্বা মতমদসু ঐবু তেংবাংবিখি।
মসিগীদমক্তা প্রেসকী ইচিন-ইনাউ পুন্নমকপু থাগৎচরি।

শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহ আগষ্ট ১৫, ১৯৮৫

কৈশামপাৎ, লৈমজম লৈকাই,

ইম্ফাল

শক্তাক্চবা

শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী ঐগী মরূপনি, য়াম্না নক্না মতম কুইনা তিন্নরক্লবা। অদুবু, কদায়দা করিদা মাগা ইহান হান্না থেংনদুনা খঙনখ্রিবনো হায়বদু চপচানা হায়বা ঙমদ্রে। ঐনা জোনষ্টোন হায় স্কুলদা ক্লাস নাইন নপ্রগা টেন তমলিবৈদা ছাত্র ছাত্রীশিংগী অপুনবা থৌদোক অমদা থেংনখিবা ওইরম্বা য়াই। চপচানা নীংশিংদ্রে। (মাসু ঐসু মতমদুদা ছাত্রগী লুচিংবা ওইরম্মী, মানা মখোয়গী স্কুলগী, ঐনা ঐখোয় স্কুল. মহাক আর. ডি. এস. হায় স্কুলগী ছাত্রনি।) ইহান হান্না থেংনখিবদু অচৌবা কাউবা ঙম্মরোইদনা থৌদোক অমা ওইখিদে। নী অমগা মী অমগা অদুক তেঙ্গা ইচল চয় উনখিবা মউনা অদুনি। থোইদোকপা নীংশিংনিংঙাই ওইখিদে। ঐনা ক্লাস টেন তমলিবৈদা লাইরিক তম্মিন্নবা মরূপ মপাং খরগা (তেজেন্দ্র, মধুসূদন, কালা শর্ম্মা, নিলেন্দ্রনচিংবা) সাহিত্যগী সংস্থান অমা লিংখৎসি হায়না ইম্ফালদা লৈবা হায় স্কুলগী ছাত্র ছাত্রীশিংগী অপুনবা মীফম অমা জোনষ্টোন হায় স্কুলগী নোংচুপ হোলদা কৌখি। মীফম অদুগী সভাপতি শ্রীকৈশাম কৃষ্ণবিহারী সিংহ ('ঙসি' খবরগী ইডিটর) না ওইখি। মিটিং অসিগী কনভেনরশিংগী মনুংদা ঐসু অমনি। কনভেনর ওইনিবা ঐখোয়গী মরূপ ওইবা রাখলদি শ্রীকাংজম পদ্মকুমার সিংহনা ই'ডটর ওইদুনা 'শেহৌ মরূপ' হায়বনা লিংখৎতুনা মখোয় কুমগী নহারোল শৈরেং ইবশিংগী শৈরেং লাইরিক 'পোমশাংনবী' ফোঙবা থেংনকুবগী হায়রিবা 'শেহৌ মরূপ' অসি অমুক হিংগৎকন্দুনা ঐখোয়না ইবা শৈরেংশিং ফোঙ্গস হায়বা অশীকপা পান্দম অমদা কৌরুবন। অদুবু ছাত্র ছাত্রীশিং ময়াম তীন্নলক্লবা মতমদদি

ৱাকম অসি কূপা নৈনবদা অপীকপা পান্দম অসি তোকথোক্তুনা ভু'বুইনা লৈহৌগদবা নহারোলগী সাহিত্যগী সংস্থান অমা লিং- খংলসি হায়দুনা 'নহারোল সাহিত্য প্রেমিক সমিতি' কৌদুনা লিংখংলে। মসিনা তুংদা হৌজিক্কী 'নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি' ওইখি। মসিদস্থ শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহস্থ য়াওখি। অদুবু, অরংবা থৱানমিচাকতি ওইখিদে মহাক। সংস্থান অসি লিংখৎলগা থবক তৌদনা তুমিন্না অদুম লৈখি। ঐখোয়না মরু ওইনা পাম্বদি, ঐখোয়না ইবা শৈবেং, ৱারীমচা, ৱারেং থৰৱদনি খঙদে, মেগাজিন্দনি খঙদে, লাইৰিক ওইননি খঙদে, করিনো অমদা অস্থম লেপ্পুনা ফোঙবনি। য়াম্না ফোঙনীংলম্মী মতমদুদা ঐখোয়। ঐখোযনা পাম্বা পূম্নমক হেক্তা ওইবা য়াবা ৭৫ হায়বসি কোম্না খঙলকই। মবক্তা অমুক্তং বীর টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং খোৱম পাংথোকখিবা নত্তুনা করিস্থ তৌদনা তুমদুনা অশিবগা পাংথক ওইনা লৈখি। মরক অসি ৱারী লৈতে।

ঐ মেট্রিক পাশ তৌরে। ডি. এম. কোলেজদা পি. ইউ. দা মিং চল্লে। কোলেজগী ছাত্র ছাত্রী মীয়ামগী সমুদ্রনি—কোইলাং লাংডি, মণিপুরগী ছাত্র ছাত্রী লোইনা শুববোই নীংডি, অমতা চিংথদ্রবোই থল্লি। য়াম্না যাংগ্রে। হান্না খঙনবা কয়া, খঙনদবা নৌনা খঙনৈ, ৱারী কয়া শানৈ। হান্না খঙনবা কযা কৌনৈ, নোক'মন্নৈ। কাবক কাবক খঙনবশিং চেংনা নক্কুনা তিন্নরকই। যামগ্রবা মীযামদুগী মরক্কী তিন্ননীংঙাই ইরৈ লৈত্রবগুম অকক্কবা মী অমা অনীদং করম্বা ময়ায় লৈবনো খঙদে অমনা অমবু চীংশিন্নৈ; নক্কনা তিন্নরকই। সবজেক্ট তিন্নবা ক্লাসতা নুংতিগী ফম্নম্নৈ, ক্লাস লৈত্তবা ওফ পেবেটতা লম্পাক্তা ফম্নিন্নৈ, ফাগি জগাই কয়া তৌমিন্নৈ, কান্তিন্দা চা থকমিন্নৈ, ক্লাস লোইরগা কোলেজদগী হনমিন্নৈ, ছাত্রী কয়াগী মতুং সাইকলদা ইন্নমিন্নকই, লৈশাবী পাখংগী ইরাং কয়াদা য়াওমিন্নৈ— অস্থুম্না মান্ন মান্নবা

ꯂꯤꯡꯈꯤ। ꯃꯁꯤꯗꯥ ꯌꯥꯎꯈꯤ - ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯊꯦꯝ ꯇꯣꯝꯕꯤꯁꯨ ꯑꯩꯁꯨ। ꯑꯁꯨꯝ

ꯇꯧꯅꯥ ꯇꯧꯅꯥ ꯑꯩꯒꯤ ꯄুন্সিনা মাগী পুন্সিদা য়াওরুই, মাগী পুন্সিনা ঐগী পুন্সিদা ভিন্নে। সাহিত্য পাম্বগী মান্নবা অমা লৈবসিনা ওইবা তাই মানা ঐভোন্দা, ঐনা মাঙোন্দা চঙশিন্নখিবসি। সাহিত্যগী বাংমদা, পুন্সিগী থোদোক কয়াদা মাগা ঐগা তিন্নরবসু মাগা ঐগগী মরূপ ওইবগী মক ওইবা বারীদি নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী থবক্কী বারীনি, মণিপুরী সাহিত্যগী বারীনি। ঐখোয় কুমগী মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসকী বারীনি হায়বমক য়াই। ঐখোয় কুমগী অহান্লবা নহারোল অনীমক্কী সাহিত্যগী ইতিহাসতা পুন্না য়াওমিন্নখি, সাহিত্যগী থবক কয়া তৌমিন্নখি, সাহিত্যগী থোদোক বাথোক কয়া থেংনমিন্নখি, সাহিত্যগী মীওই কয়া উনতুনা বারী কয়া শামিন্নকই। ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নহৌই, সাহিত্যগী লাই ওইগুবা পণ্ডিতরাজ অতোম্বসু শর্ম্মা, লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল, মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহনাচংবা অহল কয়া। সাহিত্যগী সভা কয়া, অধিবেশন কয়া য়াওমিন্নরকই। ঐখোযগী মতমসি মনিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা য়াওন কয়া লাকপা মতমনি। সাহিত্যগী ঈতৌ কয়া থোকই। ঐখোয়গী মতমসি খুইদগী নোংলৈ ঋংশিং কনবা মতমনি হায়বা য়ায়— বারীমচাগী, লীলাগী, শৈরেংগী উপন্যাসকী জগৎতা। শ্রীশীতলজিৎনা মণিপুরী বারীমচা পোকপিরমতুনা অমুক শ্রীবজনীকান্তনা য়োকখৎপিরকলবসু মপূং মরৈ ফাবদি ঐখোয়গী মতমদনি (শ্রীমতী বিনোদিনী, শ্রীকুঞ্জমোহন, শ্রীপ্রকাশনচিংবনা বারীমচা ইবা কাঙবু অমা ওইনা ইনবকপা মতমনি।) শৈরেংদসু অতু মভায়, শ্রীনীলকান্তনা অনৌবা কবিতা পোক্লয়বসু আধুনিক কবি ময়াম চেংপোরকুনা শারেপ ফাবদি ঐখোয়গী মতমদনি; উপন্যাসসু কমলনা পোকলমবসু পাচা মীতৈগী মথুংতা মীওই চপ চানা শুবনি। পরিষদকী অধিবেশন্দা তৌবা কবি সম্মেলন অমদা কবিতা পাবা কবি অমদা,

ত্তারিবা সাহিত্যগী অহল অমনা মুংভাইমনখিত্রনা লুপা চৎপী অমা লৌথোক্লনা থাখিবদা কয়া নোকমিন্নখি। ঐখোয়না য়াম্না নহা ওইজরবস্থ মণিপুরী সাহিত্যগী মচাক কয়া শাগৎপদা শরুক য়ামিন্নখি, কোইচেন চেন্দুনা নোংজ্ঞুংশা খঙদনা, কুম্বী কালেন নাইদনা অহল্লোন কয়াগী মতুং ইন্দুনা। মতমত্তুদা সাহিত্যগী অহল্লোন পুম্নমকসি লাই ওইনা উখি, য়াম্না হৈববোই, য়াম্না খঙলবোই মীংখি নৌরিনা ঐখোযগী রাখন্দা।

কোলেজদা পি, ইউ, তমলিইদনি। নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা অমুক চঙ চঙ লাউনা হিংগৎলকখি। মতমসি-দদি তোম্বীসু সমিতিগী অচঙবা থরানমিচাক অমা ওইবকই। মতম কুইনা ভুম্নবদগী হৌগৎলকপ'সদা কোলেজদা নৌনা থেংনবা মণিপুরী সাহিত্যগী ওঝা রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎ সিংহ (কবি) না সভাপতি ওই। থনক হৌরে। অহানবা থবক্তি কৈশামপাং থোকচোম লৈকাইদ' লৈবা মাঙব অমদা তৌখিবা চহীগী মীফমনি। উজোম য়াম্ন' চাউনা লাউভি, মাঙবকী লৈমায়দা আলপনা চাউনা য়েকই, লৈতেং কয়া শেম্মী (মসি ওঝা সুরেন্দ্রজিৎকী অপাম্বনি) কবি অহল্লোন, নহাবোল কয়া শৈরেং পাবিনবা বাত্তন তৌই, আধুনক ঈশৈ শকপিনবা মমিং চৎলবা কলাকার (শ্রীপহারী, শ্রীমধু শর্ম্মা, শ্রীসনসম ইবোপিশক, শ্রীশ্যাম শর্ম্মা, শ্রীতোম্বীসনা শর্ম্মানচিংবা) কয়াদা হায়জকই ঈশৈ শকপিযু হায়না। মুংশিবি-ত্তুনা লোইনা লাকপি। কবিতা পানবা কবিশিং (নহারোলনা অয়াম্বনি) যাম্না লাকই। কবি থরা পারবা মতুংদা নোংমাইথেম তোম্বীনা মাইত্তা "হৌজিক, মতম লৈত্রে, লেংহৌববা কবিশিংদ কবিতা পাহল্লরোই" হায়না লাউথোক্লবদগী কাব কয়ানা শাউখি। অত্তুবু, কুইনাদ শাউনখিদে। সাহিত্যগী মীফম অসিদা ঐখোয় লোইনা কৈজোম শেৎলি, পুময়াৎলিংলি, লাইবক্তা চন্দোল থিল্লি, লৈপরেং অমমমসু পুনরকই— হোরেল সভাপতি ওইবা, রা ভাঙবা,

কবিতা পাবশিংদা লৈপরেং হুক্কনবনি। মসিগী মওংসি তোপ্পীনা হৌদোকখিত্রা খল্লি। মীকমদা ছাত্র ছাত্রীশিং, পাখং লৈশাবী কয়া বার্জন তৌই; মফি নাম্না নাম্না শেংতুনা য়াম্না লাকনৈ। অচৌবা থৌদোকনি নহারোলগীদি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ওাল্লিবৈগী ইতিহাসতি তোপ্পীখোইগী ইমুংগা তংন-থানবা লৈতনা লোয়নরকই। সমিতিসি মখোয়গীদা চাউরকপনি। মতমত্তুগী সমিতিগী কাউবা য়াত্রবা মমিং য়াম্না চংখিবা থবক্তি 'থাগী সাহিত্য সভা' কম্বনি। থা খুদিংগী কম্মী। মসিদা নহারোল ঐখোয় লেংগানা ইবা শৈরেং, বারীমচা, বারেং মাংজোননা লৌশিল্লি; মহু অমুক অখণ্ড অহৈ (মিং অমতং পল্লবদা শ্রীপদ্মকুমার সিংহ) দা পীহুনা অশোয় অঙাম য়েংহল্লি। সভাদা খুংইশিংহু অমুক অইবা মশা মশানা পাখোকই। খুংইশিংতু পাবা লোইবগা মাংজোননা পাহল্লবা অখণ্ড অহৈশিংহুনা মখোয়না থনবশিংহু অমুক পাথোকই, কমডিং লমতাকই। ইবা তম্বগী মওং অমনি। মহুদা তোপ্পীসু মানা ইবা বারীমচা, বারেং কয়া পাখি; ঐসু শৈরেং, বারীমচা কয়া পাখি। পাচা মীতৈ, খিয়াম ইবোহল, কালা শর্ম্মা, তেজেন্দ্রনচিংবা কয়া মানা মানা ইবশিং পানখি। মতম অসি ঐখোয়গী কুয়েটিভিটিগী শেমগৎপগী মতাংনি। মতম অসিদা ঐখোয় খুদিংনা সাহিত্যগী মচন শুনা— বারীমচা, শৈরেং, বারেং ইনহুনা পানরবস্ত মনৈখংদদি মাগী মাগী অকক্কবা লম্বীদা চংনখি — পাচা মীতৈনা উপন্যাস ইবা অমা ওইখি, ঐনা বারীমচা, শৈরেংতমক ইখি। তোপ্পীনা সমালোচনাতমক ইখি। মতমহুদগী তোম্বীগী লম্বী থোনবা হৌরবনি। নহারোলনা ইবা শৈরেং, বারীমচা সমালোচনা তৌনবা সমিতিনা মাঙোন্দা শীমৈ মতমহুদগী হৌনা। ঐনা ইব— 'বসন্তরাস' কৌবা শৈরেং অমসু মানা সমালোচনা তৌহুনা সভাদা পাথোকখি। অস্থুন্না তুংদা সমালোচক অমা ওইরক্কবগী যুক্ষম

থোনবা হৌথি। অসুম্না ফম্বা থাগী সাহিত্য সভা অদু য়াম্না কাম্নখি ঐথোক্নগী সাহিত্যগী থোঙচৎতা। সভা মমুংদা, মরক থৎতুনা আধুনিক ঈশৈ কষা শকই— চোকথরবা হকচাং তেখৎহল্লি, চাক লাম্বা থাঙনৈ (অযুক্তা যাম্না থেংলবা ফাওবা সভা লোইদে।) ঈশৈ শৈকপী কযাদা মেদল শ্রীপদ্মকুমারনা পীখি। অসিগুম্বা সমিতিগী থাগী সভা অসি নোংমাইথেম তোম্বীখোইগীদা থা খুদিংগী ফম্মী। মখোয়গী অরাং শঙ্গোইদা লৈমাযদু শেংনা রাই তৈথোকতুনা হৈকক শেমদুনা থেনগৎলি, ধপ থাউমৈ থাই, হৈনৌ মনা পরেংনা কোযনা থাজিল্লি— পূজা তৌবা, নত্রগা যজ্ঞ লিংথৎপগী মওংনি। হেক চঙবদা, হেক উবদা পুক্নিংদা ইশেং শেংবগী রাখল অমা পোকহল্লি। পুক্নিংসি ইইং ইংঙি। মওংসি কনাগী মকোক্তগী থোকলকপনো, কনানা তৌরিবনো থোইনা খল্লুদে। ঐথোযনা মখোযগীদা যৌখিবা মতমদ। হান্না শেমদুনা অদুম লৈবম্মী। মসি তোম্বীথোই ইমুংগী বাথলদগী পোরকপনি হাযবসি কোম্থংদা থঙলকই। (মসুম্না ধর্ম্মগী থৌরম মানবসি পামদবা কাঙবুনা সমালোচনা তৌদুনা রারী শাথিবগী পাউস্ত অদুম তাখি।) অমুথক্তি, অযুক্তী ওনৌ ওনৌবা মুমিৎ নঙালদা তোম্বীখোইগী গোবর্দ্ধন মমাঙদা সভা ফমখি। (তোম্বীখোইগী ইংখোন্দা রাংনা থোনগৎতুনা চীংদুম মচা অমা শেনদুনা মতোন্দা চেৎকী মন্দির মচা অমা শাদুনা, তোমান, হৈনৌ, বোকুলনচিংবা উপাল কয়া, হৈলৈ কযা থাদুনা বৃন্দাবনগী গোবর্দ্ধন শেমদুনা লৈ। মদুদা চহী খুদিংগী হিযাঙ্গৈগী নোংমা পানবদা গোবর্দ্ধন পূজা তৌদুনা চাউনা উৎসব কৎলি।) উনা মরক ফাওদুনা ওনৌ ওনৌবা কোরৌ নহা অঙানবগী মশেরা চৎলকপদা শেঙলবা মঙাম্না ফুদোংলবা নীক নীক লাউরবা মালেমগী শক্তম উকবদা শ্রীশঙ্খেরম নাদীযা সিংহ অমসুং সুরেন্দ্রজিৎ কবি অনীগী থম্মোয় 'পৎথরক্কনা মমিৎতগী পি তানা কপখি, কাউবা ঙমদবা থোদোক

অমা ওইখি।' সভাদা শীজিন্নখিবা মাইকী অরাইমন, মাইক পুরকপগী রিক্সা ভারা পীনীংঙাই পৈশা লৈতহ্নুনা লাকলিনা মরূপ মপাংশিংদগী কোইনি নীবগী সুংশিরবা রারী কয়া রেকোর্ডতা লাচন্দবা ইতিহাসকী শরুক ওইনা লৈখ্রি। সভা লোইরবা ফাওবদা থবায় য়াওবা কয়াদি চোঙ্গনা ফমথহ্নুনা মথা তানা নৈনহৌবা, রারী শাহৌবা কয়ানি। মহুদা থকখিবা চা, (সভা ফমলিঙৈ মহুংদা লাক্লিবা পূম্নমক চা পীথকপসু য়াওখি) সভাদা থেনগৎনবা হৈরুক লৈবগী পৈশাগীদি কয়া রাখিদবগুম তৌখি। খরচ অয়াম্বা (মরক মরক্তা ঐখোয়না পুথোকখিবা য়াওরবসু, মমিংতা ওইনা পুথোকখিবনি, মহুনা ওকপা নত্তে) তোম্বীখোই ইমুংনা পুথোকখিমাল্লে খল্লি। সিদা নত্তে; মী তিনবগী চাইথোক্লম্বা কয়া লোইশিনবা, অতৈ অতৈ মথী মকুম কয়ামরুম থা খুদিংগী নৈববু খাঙবা হায়বসি অরাইবা নত্তে; অমুক্তসু নত্তবা থা খুদিংগী লেপ্পা নাইদনা নৈরকপবু অমুক্তা শুক্তোকপগী ইঙ্গিৎ মচা অমতা উখিদে। মতমহুদা অঙাং ওইবগী ইঙাও ঙাওহুনা খল্লুদ্রবসু, হৌজিক্তা খল্লকই— পূম্নমকসি সাহিত্য, সংস্কৃতিবু থম্মোয় শেংনা পামজবননি; তৌশিন্নবা মচেৎ অমতা য়াওদবগী খুদমনি। সমিতিনা নোংমাইথেম তোম্বীখোইগী ইমুং মহুংদা য়াম্না ওৎখি, য়াম্না নৈখি। মসিগীদমক সমিতিনা মখোয়গী লম্মন য়াম্না তোল্লবনি।

মতমহুদা ঐখোয়না অঙাং ওইবনিনা থেংনরবসু থোইনা খন্নরুদে, থোইনা খঙহ্নুদে। কোম্বংদা খঙলকই— মখোয়গী ইমুং অসিদি হান্নদগী হৌনা তংনা থানদনা মণিপুরী সংস্কৃতিগা ইরোয়নরকই। তোম্বীবু পোকপা পাবুং ৺ব্রজবিধু লৈবাক্পা খঙনরবা মনোহরশাইগী পুং য়ৈবা ওঝানি। তবলা হৈবা, পখ্বাজ হৈবা, ওঝা গুরু নাইনা তম্নকপা, ঘাবানা মশক থঙনা হৈরকপা, নৈনরকপা লৈবাকী ওঝা অমনি (মতম থরা শান্তিনিকেতন্দা

লৈছুনা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগা লোয়নরকপগী ৱারোইশু লৈরি। তশেংনমক সঙ্গীত কলাদা মপুঙ্গি কংথোকপ্রবা পাবুংনি। মসিদনা লোইবা নত্তে; তোম্বীগী ইচে ইস্কুল হনবী শ্রীমতী বিমলা দেবীসু শাস্ত্রীয় সঙ্গীত হৈবা, ফজনা শকপা কলাকারনি। ইমুংসিদা পাশখেলা কন্না, রাশুব লীলা কয়া লিংখৎতুনা ভারতকী, থোই-দোক্লা মণিপুরগী ট্রেদিসনেল থিয়েটর কয়াগা শম্নরক্লবা ইমুংনি। মণিপুরী থিয়েটরগী অশুনবা মতমদা ষ্টেজদা থোক্লুনা লীলা কয়াদা কুমথিবা, শ্রীগীতচন্দ্রগী লীলা কয়াগা শাগোম্নরকই। মসিগী মথক্তা, বৈষ্ণবকী অচেৎপা যুম্ফমদা লিংবা ইমুংনি। পুম্নমক অসিনা উৎলিবদি ভারত সংস্কৃতিগী, ধর্ম্মগী (থোইদোক্লা হিন্দু ধর্ম্মগী) অমদি পুং ঈশৈ জগোই লীলাগী, (থোইদোক্লা মণিপুরী সংস্কৃতিগী) পরম্পরাগী অচেৎপা যুমফমদা চাউরকপা তোম্বীনি। হায়রিবা পরম্পরাগী মীৎয়েং অমদি ৱাখল অসি মশা খুঙনবু ওইরবসু, খুঙদনবু ওইরবসু মাম্বী ঈদা তোংদা য়াওপ্রবনি, শা-গোম্নপ্রবনি। অদুনা ৱাকম অসি মানা লাইরিক লাইশু তম্নু-বদগী ফংলকপদু নোনা চার লিংদুনা থারবা, হৈনত্রিবা অমা নত্তে। লাইরিক লাইশু তম্নবা, পারুবদগী ফংলকপা জ্ঞান অদুনা হান্না মঙোন্দা লৈরম্নবা মশক থোক্লুবা ৱাখলবু মচু লেঙ্কুনা মশক থোকহল্লকপদনি।

ঐথোয়গী মতমসিদা সাহিত্যগী, সংস্কৃতিগী লমদা খাদগী ৱাংদগী নোংচুপতগী নোংপোক্তগী মুংশিং কয়া কম্না কম্না শিং-চিন্নকই। মসিদগী সাহিত্যগী, থিয়েটরগী মুভমেন্ট কয়া থোরকই। ঈংহৌশিং অসিনা ঐথোয়খুদিংবু প্রোভোক তৌই; মোত কম্না খেন্নৈ, মীৎয়েং কয়া মান্নদে। মোত মান্নদবদগী, মীৎয়েং খেন্নবদগী মরৈ কয়া য়েংৎনৈ, কম্না শংকৎনৈ; কোইলাং লাংঙি। ঐথোয় খুদিংগী সেন্সিবিলিটিসু মপাঙ্গল কনখৎলকই; এক্তিভ য়াম্না ওইরকই। ঐথোয় য়াম্না মুংঙাইখি। ঐথোয় য়াম্না হিংখি। তোম্বীগা

ঐগা মোত য়াম্না মান্নগন্দে; খণ্ডদি খণ্ডনৈ। মাসু মাগী মোত য়াম্না কন্না লৈবা, ঐসু ঐগী মোত য়াম্না কন্না লৈবা মীতানি। লেপখিবা খোঙকমদগী হন্দোক্লদে।

মাগী অহানবা ওইনা ফোঙলিবা লাইরিকসিগী মতাংদদি, মসিদা য়াওরিবা ব্রারেংশিং অসি মতম মতমগী ওইনা সাহিত্যগী চেফোঙ কয়াগীদমক, সেমিনার কয়াদা পানবা, 'খোল্লাও' হায়বা মুংতিগী ফোঙবা খবরদা য়ুমশকৈশ খুদিংগী 'খোংনাংথাবা' হায়না মিং লোৎতুনা ফোঙনবা ইখিবা ময়ামদগী তুংকুইগৌগদবা খবদং খনগৎলগা পুথোকপনি। মসিদা যাওদবা কয়া অমসু লৈগৌরি মাগী মখুৎতা। অসুম চোইনা চোইনা লৈগদবগী মতুংতা লাইরিক ওইনা অমতংদি পুথোকউ হায়না ঐনা হায়বদা, মানা হান্না ফোঙনীংঙুনা লৈরম্বগা মপা চানকুতুনা লাইরিক অসি নমখিবনি। ব্রারেংশিং অসি ঐগীদা মানা পুরক্তুনা ইতোমতা কয়ারক পাখি। মাগা ঐগা ঐখোয়গী মাঙোলদা অয়ুক কয়া, নুংথিল কয়া ফম্মিন্নতুনা পামিন্নরগা পুং কয়া চঙনা হন্না হন্না কয়ারক নৈনখি। মতু ফনা নুংঙাইখি। ব্রারেংশিং খনগৎপদা ঐগী ব্রাখল ফনা য়াম্না য়াংখি। ব্রাংরেংশিংসি ইরমদাইদসু মরী লৈনবা মীওই কয়া উনবা মাগা ঐগা চৎমিন্নৈ; ব্রারী কয়া শামিন্নরুই; ঐনসু ব্রাহং কয়া হংতুনা মাঙোন্দা মতেঙ কয়া পাংখি। অতুবু, লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মাগী মোতকী মতাংদদি ঐনা করিসু শোক্লদে, মাগী ওইনা অতুম লৈরি; ফোঙদোকপদা, ব্রাখল খনবদা ময়েক শেংলমদবা অতুতং ময়েক শেংনবা ঐনা মতেঙ পাঙজবতনি।

লাইরিক অসিদ', খুৎথাংদা ফংলকপা, হাকথেংনবা ফংলকপা নত্তবা ব্রা কয়ামসু য়াওরি। অতুবু খুৎথাংদা ফংলক্লবসু, ব্রাফম অতুগী মমুং য়াম্না লুথনা লুপথক্লরগা মুন্না খঙনবা হোংনতুনা, মাগী মীৎয়েং অমদা পুথোক্তুনা ময়ামদা শক্তারবা হোংনৈ।

মণিপুরী সাহিত্যদা, মণিপুরী সংস্কৃতিদা মানা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি অনৌবা অমনি। অকক্কবা লেখক অমা মানা নৈনরকপদা, লেখক অহুতং তোথায়না পুথোক্কুনা সমাজদগী নাইতোম তাহন্দুনা তোথায়না নৈনদে। সমাজগী ওইরিবা ফিভম অমদি মশক অমা পুথোরকই— সমাজগী পোৎথোক ওইনা। 'কবি নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী পুন্সি অমসুং মহাক্কী মতম' হায়বা বারেংদা নবদ্বীপচন্দ্রগী সমাজ নৈনক্করগা পুথোরকই— "নবদ্বীপচন্দ্র মণিপুরী বিনাসাঁগী পোৎথোকনি।" (লঃ ১১২) অতোপ্পা বারেং 'মণিপুরী সাহিত্যদা রেনসন্স: চাউবা কমল অমসুং অঙাংহলগী মতম'দা মণিপুরী সমাজ অমদি বেঙ্গলগী সমাজ অনীগী মশক মুন্না নৈনকরগা মণিপুরী রেনাসন্সকা বেঙ্গলগী থেন্নবা মশক পুথোরকই। শ্রীহিজম অঙাংহলবু ঐথোয় থ্বাইনা খঙনবক্লিবা অসি নত্তবা অনৌবা অঙাংহল অমা পুথোরকই— অঙাংহল, মণিপুরী থিয়েটরগী য়াওন্দা য়াম্না মরু ওইবা খুদোন তম্নবা রিয়্যালিষ্টিক ওইবা লীলা ইবা অমা ওইনা। হেন্না রিয়্যালিষ্টিক ওইবা লীলাদি মানা ইবন্মী, ললিতকী 'অরেপ্পা মরূপ'তি বেঙ্গলগী ছাচাদা হৈবনি, অঙাংহলগী লীলানা মতমহুদা হেন্না রিয়্যালিষ্টিক ওই— থিমদা, ত্রিটমেন্টদা। 'সাহিত্যদা রিয়্যালিজম' নৈনবদা নোংচুপকী রিয়্যালিজমতমক নৈনবগা তোক্কে. ভারতকী ধর্ম্ম অমসুং দর্শন (মরু ওইনা হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং হিন্দু দর্শন) দগী চিংথোক্কুনা হিন্দীগী প্রেমচন্দ, বেঙ্গলগী শরৎচন্দ্রগী থুংই নৈনহুনা ভারতকী তোপতোপ্পা রিয়্যালিজমগী মশক পুথোকই। 'ভারতকী ট্রেডিসনেল থিয়েটরগী খোঙজুন লীবা' অমসুং 'ভারতকী নীংতম্বা অন্দোলন অমসুং সাহিত্য' হায়বা বারেংশিংদা ভারতকী অপুনবা শক্তম নৈনবদা মণিপুরনা তৌরিবা দানসু হাপচিন্দুনা হেন্না মপুং ফাবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনৈ। 'উপন্যাসকার অমা ওইনা থ্বাইবাকপম চাউবা' হায়বা বারেং অসিদা ভক্তি অমসুং প্রেমনা মপুং ওইবা

বৈষ্ণব মোরাালিটিনা য়োমহুনা শাগৎপ্রবা উপন্যাসকারনি হায়না চাউববু নৌহৌননা শক্তাক্লকই। ঐতিহাসিক উপন্যাসকার অমা ওইনা চাউবগী অশোয়বা কয়া লৈরিবসিস্থ মাগী মতমদা মরা তানা লৈরিবা বৈষ্ণবকী মীৎয়েং, বৈষ্ণবকী পুন্সি, বৈষ্ণব দর্শন অমদি বৈষ্ণব মোরাালিটি অহুদগী নাম্লোকপা ভমদবদগী থোকপনি। তোম্বীগী রাহৈদা, "লবঙ্গলতা'দা উৎলিবা মতম, সমাজগী চৎনবী, পুন্সি মহিং অসি খাগেম্বগী মতমগী নত্তে, অইবনা হিংলিবা মতম অহুগী সমাজনি। চাউবনা লৌরুবদি ইতিহাসকী রারৌনি, থায়নগী পুন্সি অমসুং সমাজ নত্তে।" (লঃ ১৮) মাগী মীৎয়েংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি পরম্পরাগী রাকম অসিনি। ভারতকী পরম্পরা হায়বসি চহী কয়া চঙনা ধর্ম্মদগী দর্শনদগী (মরু ওইনা হিন্দু ধর্ম্মদগী) শাগৎপা, ভারতমচা খুদিংগী ঈদা তোংদা, থরায়দা চঙপ্রবা, মশা অমতা ওইশিনপ্রবা, অমুক থাইদোক্লবা য়াম্রবা মরা তাপ্রবা অমনি। মশা খঙনবু ওইরবস্থ খঙদনবু ওইরবস্থ থাদোক্লবা য়াম্রবা, নাম্লোকপা ইয়া য়াম্রবা অমনি। অমুকস্থ, ভারতকী পরম্পরা হায়বসি মণিপুরগী পরম্পরানি, মণিপুরী পরম্পরা হায়বসি ভারতকী পরম্পরাগী শকক অমনি। ভারতকী পরম্পরা হায়বসি ভারতকী তোঙান তোঙানবা লমগী পরম্পরা কয়ানা শাগৎখিবনি; তোঙান তোঙানবা পরম্পরাগী মনুংদা চেল্লিবা অমতা ওইবা পরম্পরাগী মশক অহু পুথোক্লবা মানা হোৎনরি। (তৌবদি, হিন্দু পরম্পরাগী মশকতনি মানা পুথোকলিবসি।) ভারতকী পরম্পরাগী চেৎলবা য়ুমফমদা খোঙকম চেৎনা লেপ্লগা নৌহৌননা মণিপুরী সাহিত্যদা, সংস্কৃতিদা য়েংলকপনি। মীৎয়েং অসিমক অনৌবা মীৎয়েংনি। য়েংলকপদা পাকশন্না, মীৎয়েং পাক্লা য়েংবা, থিজিনবদা মনুং হুঞ্জিন্না খিজনবা মশং অমদি মাগীদা য়াওরি।

মানা লাইরিক যাম্না পাকবদগী খোমজিন্নবা জ্ঞানগী চাউরবা পূক্কদা ঐগী কবিস্নু হাপনীংঙাই লৈতে। মানা পাবনা ঐনা পাবদগী য়াম্না তেল্লি। অতুনা, লাইরিকসিদা যাওরিবা জ্ঞানগী চাউরবা পূক্কি, ৱাখল, পাক্লবা মীৎযেং, কল্লবা মাগী মোত পূম্নক অসিদি খণ্ডহৈববা অপাবশিংনা কুপ্না শোযদনা নৈনরক্লনি নীংজৈ। ঐনা ইবিবসিদি তোপ্নীবু ঐনা খণ্ডজবা শকক অমতংনি। মসিনা লোইবা নত্তে।

লাইরিক অসিবু ঐঙোন্দা কংথোকলিবা অসি ঐদি পামজদে, যাম্না ইকাইজৈ। অতুবু মাগীদি অপাম্ননি মসি। চঙী কযা যাম্না কম্না হোৎনজুনা ইবল্লবা ৱারেংশিং অতুনা চোইনা চংইনা তাতুনা লৈবম্নদগী মতম কুইনা লৈতৌরগদবা লাইরিক অমা ওইনা থোববপসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজৈ। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মাগী মোংশিং অসিগী মপুন্সি শংবা তেনবগী ৱাদি মাগী পুকচেল শেংবা অমদি ৱাখলগী মযেক শেংবদা লৈরে।

—নোংথোম্বম শ্রীবীরেন
উরিপোক, ইম্ফাল

১০ আগষ্ট, ১৯৮১ ইং



সাহিত্য: মিলক: মিত্রজা মল্ল স্ব-লোকেন:

মণিপুরী সাহিত্যদা রেনাসন্স ঃ চাউবা, কমল অমসুং অঙাংহলগী মতম

রেনাসন্স (Renaissance) ফ্রেন্স অমসু লাটিন ৱাহৈনি। অর্থনা অমুক হন্না পোকপা, অনৌবা মপোক, হিঙ্গংহনবা হায়বনি। শীজিন্নবা মতমদা ৱাহৈসিনা কোল্লিবা অর্থগী পাংথৈদি য়ুম্না পাক চাউই। অয়াম্বনা খঙনরিবদি—১০ শুবা শতাব্দীদা ইটালিদা অরিবা ক্লাসিকেল গ্রীক অমসু লাটিন সাহিত্য, শিল্পকলা, কলাবিদ্যাবু নৌহৌনা অমুক হিঙ্গংলকপা। অদুগা মসিনা খোঙফমন্তুনা য়ুরোপ পুম্বদা ১৫ শুবা অমসু ১৬ শুবা শতাব্দীদা শন্দোকখিবা নৌহৌননা হৌরকপা কলাবিদ্যাগী অচৌবা ঈপৌগী মতমতবুনি। মসি মধ্যযুগতগী অনৌবা য়ুরোপ পোক্লকপগী য়াম্না মরু ওইরিবা মতমতুনি। সাহিত্য, কলাবিদ্যা, লাইয়েকপা, য়ুমশাবা, বিজ্ঞান অমসুং মীওইবগী লাইনিংগী ইরম খুদিংমক্তা ইনৌ নৌবা মশক অমা লাকখি। অরিবা ক্লাসিকেল লিট্রেচরদা কজবা থিবগী খোঙচংনি। থবক অমসু ৱাখল্দা নিংতম্বা, লন্নাই মীওইগী মশক অমসুং মমল লেপ্পা মীওইবগা পুনসিগী শরুক খুদিংমক্তা থরায় হাপ্পুনা মীবু মী মপুম ওইনা য়েংবা, য়াম্না ঈথৌ লাংবা অমসুং মতুং হঞ্জিনবা হীউমনিজমগী ৱাখল উংপা, শাংলবা অনৌবা যুগ হৌবগী মতম অমনি। অদুনা রেনাসন্সবু জোন এদিশন সিমোন্দসনা "রীডিশকভরী অব ৱার্লড অন্দ মেন" হায়। বাইবন্দগী ৱাহৈ পূরগা ইতিহাসকার অমনসু "ডিসকভরী অব এ নিউ হেবন অন্দ নিউ অর্থ" হায়না শীংথানৈ। গ্রীক্কা নরুবদগী অমসুং

রোমানগী ট্রেডিশন লেবদগী ইটালিদগী রেনাসন্সগী হৌরকপা ওইখি। ইটালিদগী ফ্রান্স, ইংলেণ্ড, জর্মনী, পোর্টুগাল, পোলেন্দনচিবা য়ুরোপ পুম্বদা মথ মথ শন্দোকখি।

ইটালিদগী হৌরগা য়ুরোপ পুম্বদা শন্দোকখিবা (মথক্তা শন্না পঞ্জখীবা) রেনাসন্স অসিগী থৌদাং থোক্লগা মান্নবিবশিংবু মতুংদা শন্না রেনাসন্স হায়না অমুম শিজিন্নখি। অদুনা রেনাসন্স অসি খরা মহৌ কপা অর্থদা অমুম্না হনবা যাই— "Any period similarly characterised by enthusiastic and vigorous activity along literary, artistic or other lines, strictly, such a period when distinguished by a revival of interest in the past or a return to old Masters for inspiration as the Irish Renaissance". (Webster's New International Dictionary).

পৃথিবী অমস্তা ভারতকী সাহিত্যদা রেনাসন্স লাকখিবগী থৌদোক অদুগুম্বনা ইতিহাসতা থেংনরি। ব্রিটিশকী শাসন মখাদা ব্রিটিশকা শন্নবদগী ভারতকা নোংচুপকী শিক্ষা লাক্লি। মসিগা লোয়নন অনৌবা ভেংদু, অনৌবা খল্লোন, মীৎয়েং লক্লুনা সমাজগী, ধর্মগী অমস্তা কলাবিদ্যাগী ঈবম কয়াদা অহোংবা লাকখি। অমনা ১৯ শুবা শতাব্দীদা বেঙ্গলদা অনৌবা ভারতকী অনৌবা পুন্সি হৌখিনা ভারতকী রেনাসন্স লাকখি। ই ১৮৯১ দা ব্রিটিশনা মণিপুর লৌশিন্নবা মতুংদা ২০ শুবা শতাব্দীগী হৌরংলকপদা মণিপুরদা রেনাসন্স লাকখি।

ই ১৮৯১ দা ব্রিটিশনা জয় তৌবগী তুংদা মহারাজ চূড়াচন্দনা পানবা (ই ১৯০৭ দগী ই, ১৯৪১ ফাওবা) মতম অসি মণিপুরগী রেনাসন্সগী মতমনি। মতম অসিদা মণিপুরদা "নেটিভ রুল" লাক্লুনা মণিপুরী ইতিহাসতা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। ব্রিটিশনা

পীবা "সানাদ" গী মতু ইন্না মণিপুরদা বৃটিশকী শক্তি লাকপা হৌখি। রাযেন থৌদাদা, চাউখৎ থোবাদা, মহৈ-মশি তম্বদা, রাজনীতিগী রাখন্দা অনৌবা চেতনা অমা লাক্নুনা ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা নৌহৌনন্না অনৌবা মীৎকপ থোক্লকই। ই, ১৮৯০ দগী "লান্নুপ" মুৎথত্নুনা নমথুনা থবক শুহনবা মীনায়গী রাখল লৌথোক্নুনা মী অমগী মমল লেপ্পা, নীংতম্ববু ইকাখথুম্নবা হৌখি। মসিনা মীওইবা মশাগী মনি মথা তম্বা রাখলগী শক্তি হেঙ্গৎহনখি। গোর্দোন, নথলনচিংবা পোলিটিকেল এজেণ্টশিংনা কন্না হেৎনবদগী ই ১৮৮৫ দা জোনোষ্টোন স্কুল লিংথুনা মণিপুরদা নোংচুপকী মহৈ-মশিং তম্বা হৌখি। ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা প্রাইমারী স্কুল ১৭, মিডল ই লিশ স্কুল অমা লৈরে। ই ১৯১০ দা ইডুকেশন ডিপার্টমেণ্ট লিংথলে। মসিগী ফলনা নোংচুপকী সভ্যতা যৌরক্লে, অনৌবা মীৎযেং, অনৌবা রাখলগী ময়োল চোংবা হৌখি। মধ্যযুগকী অমনবা রাখল, পেনথোকপা, চাবোল-শুরোল কয়াদগী চংনরক্লবা রাখল থবদা অনৌবা যাওল লাক্নুনা মীৎযে পাকথোক্লকই, পৃথিবীবু পাক শন্না যেংবা ঙম্লকই।

ই, ১৯২০ অহুরাইদগী রাজনীতিগী চেতনা লাকপা হৌরকখুনা ১৯৩০ গী মতমদা মওং তানা শাবেপ ফারে। 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী' ই ১৯৩৭ গী চীঙা মীফমদা "হিন্দু" হায়বা রাহৈ অসি লৌথোক্লুনা চপচাবা রাজনীতিগী সংস্থান ওইখি। নেতা ইরাবতকী অমজিং মথাদা মণিপুরদা রাজনীতিগী অকনবা ঈহৈ লাকখি। গণতন্ত্রগী শাসন দাবী তৌখি। মণিপুরদা য়ুনিকেমারেল লেজিসলেচর লিংথৎসি হায়বগী ঈহৌ অমা লাকখি। মসি ভারতা যায়া ওন্না গণতন্ত্রগী রাখল লাকপগী মমল লৈরবা ঈহৌ অমনি। ই: ১৯১০ গী অহুরাইদা মণিপুরদা ছাপাখানা লৈরে। 'মৈতৈ লৈমা' অমসুং 'জাগরণ' (মপান্দা ফোঙবা), মৈতৈ চনু (সম্পাদক—হিজম ইরাবত) জ্যোতি, যাকাইরোল, দৈনিক

মণিপুর (গেজেট্টিয়ার চে—সরকারগী মায়োক্তা ই.থি-খি), মণিপুর মতম (নুংতিগী চেকে ৬), অনৌবা যুগ (সম্পাদক—ইরাবত), মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী পত্রিকা, মৈতৈ লৈমা অসিনচিংবা চেফোংও কয়া ফোংনবক্তুনা অওনবা মণিপুরী সাহিত্য শাগৎপা হৌখি। নিংগোলগী খোঞ্জাল মথাদা মী থরতগী ওইরম্বা সাহিত্যতু মীযামগী ওইবা হৌখি। ই. ১৯২৬ দা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যবু পবেশিকাদা থাহনবা হাংখি। মতমসিদা মণিপুরী সাহিত্য অসি ভানকুপাব অমা ওইনা মশক নাইনা চাওখৎলকই। অসুম্না মণিপুরী জগোই অমদি কলাবিদ্যাগী হীরমদসু নৌহৌননা চাওখৎলকখি। অতুনা ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা মতমসি মণিপুরী সাহিত্যাগী অনৌবা যুগনি। যাকায়রেল শকপা মতম্নি। মতমসিদা চাউবা কমল, অঙাংহল, নবদ্বিপচন্দ্র, দলেন্দ্রজিৎ, ইরাবত, মযুরধ্বজ, মীনকেতননচিংবা থুৎমবা কাংবু অমা চাংখোরকখি। মখোয়না অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা শাগৎলম্মী। মতম অসিবু শীখানরত্নন। শ্রীনীলকান্তনা হায—"২০ (কুন) শুবা শতাব্দীগী হৌগৎলকপদা অমুক যাহৌনকই। মণিপুরী সাহিত্যগী রেনাসন্স হায়রমক য়াই।" (অচাইবা লে) অতুনা রেনাসন্স শাংকায়ররকবগী মকুওইবা ঈশিং নুংশিংবা ফিভম ২০ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা চপচানা লৈবে হায়রা য়াই। থুৎমাবা অইবশিং অসিগী মথুক্তা মণিপুরী সাহিত্যগী রেনাসন্স লাকখি হায়না হায়রুবগী মরমদি মখোয়না। য়াম্না ভাব তানা, অকক্কবা পান্দম অমগা লোয়নননা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা শাগৎনবা হোৎনখি।

মমাংদৈগী সাহিত্য অসি জাতি অতুগী অপুনবা রাখল, মীৎয়েং অমসু ভেল্যু অতুগী অপুনবা মশক্তা দান তৌবনি। অরিবা মতমদগী চৎথরক্কিবা রাখল থারাতু য় বনি। থোক্কইদোক্লা প্রতিবাদ তৌদে। অতুনা মশা মশাগী তোপ তোম্না মীৎয়েং

অমদা সাহিত্য ইনরমদে। পানজি, লাইশোন-তিনশোন, সাহিত্য খন্নবচিংবা হীরম কয়াগী মরমদা ইরম্লিবা মমাংঙৈগী লাইরিকশিং অসি হায়রিবা তেংখায় তোখায়বা হীরমশিং অতূগী পন্থেদা লৈত্রনা। হীরম অতূদা হেন্না চাওখংনবা, হেন্না ফগৎনবা পাউ য়াম্না পীবা, নৈনবা নত্রনা অইবা মশাগী মরম্নাইগী ওইবা মত্তা তোপ তোপ্পা রাখল পীবা নত্তে। অতূনা মমাংঙৈগী সাহিত্যদি জাতিত্তগী অপূনবা সাহিত্যগী অপূনবা মশক অমা ওইনা অতূম্মক লৈ। অতূগা অনৌবা য়ুগকী খুংমাবা লেখকশিং অসিদি মীওইবগী পুক্নি-রাখলগী লমদমদা চঙজনা লেখক মশাগী তোপ তোপ্পা মীংয়ে অমা পুখৎরকই। অসুম্না লেখকী অকোয়বদা লৈরিবা এক্স-পেরিয়েন্সগী নেররকপা মীওইববু নৌহৌননা কুপ্পা য়েংলকপা মায়োং অমা অনৌবা য়ুগকী অইবশিং অসিদা থেংনৈ। ঐখোয়না উত্থিবা, হরিবা, থেংনদ্রিবা মীওইবগী পুক্নি-রাখলগী ক্লগী ওইবা অচৌবা ফজবগী মশক অমা উৎলকপা, মীওইবদা য়েংতুনা মীওইবগী সমস্যা কয়া পুথোক্লকপা হৌবসি অনৌবা লেখকশিং অসিগী মতমদগীনি। মখোয়গী মথৌগী সাহিত্যগী ফজবা খুংশেম, মফম মতম পুন্নমক্তা লৈরগদবা ফজবা অচম্বা কয়া পুথোরকই। অনৌবা নমুনা, দিজাইন, অনৌবা সাহিত্যগী মওংশিং, ৱারী মচা, রচনা, উপন্যাসনচিংবা কয়া চায়েংতোতনা ইরকই। মখোয়না অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা শাগৎলম্মী। চাউবা, (রাখল, ফিদম, থায়নগী লৈরা), কমল (লৈ পরেং, মাধবী), হিজম ইরাবত (শৈদম শৈরেং), চিংঙাখম ময়ুরধ্বজ (শৈরেং অনৌবা), পুখ্রম্বম পরিজাৎ (থোগল্লেন), শোরোকখাইবম ললিত (অরেপ্পা মরূপ, সতী খোনাং), অশাংবম মীনকেতন (বসন্ত শৈরেং), নব-দ্বীপচন্দ্র (মেঘনাদ তুবা কাব্য, তোম্বা লাইজিংলেম্বী), অঙাংহল (খম্বা-থোইবী শৈরেং, থম্বাল, শীংজেন ইন্দু, জহেরা, ইবেম্মা, য়াইথিংকোন্থ), দরেন্দ্রজিৎ (খম্বা থোইবী (নাটক), ভাগ্যচন্দ্র,

কশবনি। অসিনচিংবা অইবা থৎম'বশি অসিগী লাইরিক কয়া ফোংডলক্নুবা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শাগৎখি।

রেনাসন্স মতম অসিদা বংসিকেল সাহিত্য নত্রগা অচৌবা লেখকশিংগী পাঙ্গল চংলকপা ঙাম্ববসি মঙৈশানি। বেঙ্গলগী রেনাসন্স লোৎপবী সংস্কৃতিগী শাগখিবনি। স্যর ওয়ালটর স্কোটকী উপন্যাসশিং, টোডকী এনালস ওফ রাজস্থান, মিলটনগী শৈরেংশিং কবি বাইরনগী চাইল্ড হেরোল্ডনা (মসি হৈনা 'নিংতম্বা বাখল') বঙ্গালা সাহিত্যদা অকনবা প্রভাব পীখি। বেঙ্গলগী বৈষ্ণবধর্মগী লৌকনবা পামদা বাংলা সাহিত্য তমনবদগী মণিপুরী সাহিত্যগী য়ুম্ফম বায়না সাহিত্যনা ওইখি। মমাংদগী ই ১৮২০গী মতমদা ইংরাজী শিক্ষা যৌরগা বেঙ্গলী নহারোল-শিংনা সাহেবগী চৎনবী, লিচৎশাজং, বচাতুলনা ফিজেৎ-চাকচেং মতৌ তম্বনা অকুবনি থন্নবগুম শুনা বঙ্গালীগী বাংলা সাহিত্য তম্বকপা মণিপুরী মচাশিংনা বঙ্গালা বারশিংগী মতৌ তমখি। বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাসকী মখল অমসুং চাউবগী উপন্যাস সমা ওই। দবেন্দ্রজিৎকী 'ভাগ্যচন্দ্র'দা দ্বিজেন্দ্রলাল অমসুং সেক্সপিয়রগী মখল লাই। কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা মাইকেলগী অমর ওইরবা মহাকাব্য মেঘনাদ বধ কাব্য মণিপুরী লোনদা হন্দোক্লমই। কালিদাসকী 'শকুন্তলা'গী মতৌদা দবেন্দ্রজিৎনা মাগী 'খম্বা-থোইবী'না য়ুর ঙাখবনি। কালিপ্রসন্ন ঘোষকী বচনা চাউবগী ওয়ারে সাহিত্যগী য়ুম্ফম্নি। অসুম্না শৈরেং, ওয়ারেং, ওয়ারি-ওয়াতা, মফোঙ-দেক বযাদা নল। অমসুং ইংরেজী সাহিত্যগী প্রভাব মযেক লানা ঙথি। সাহিত্যদা প্রভাব তাবা হায়বসি মওংশানি, মসিদা ফওবগী ভাব থোইনা লৈতে। অতুগা মসি শৌনদবা লমচৎ অমসুং নংত। মশা মতোমতগী মপু ফাববা লেগী লৈশাং তম্নবা ফুগাইবকপদা অফবা হার হাপ্পগুম্বনি। মণিপুরী সাহিত্যদা তবিনা প্রভাবকী মপু ওইবা কন্ন অমসুং মশা—১। হেম্না ওয়ারা

মীওইবগী পান্দম্কম অমা থিবগী রাখল পোবহনবা, ২। মজাতি অমসুং মমারোল নুংশিবগী ঈনোং পীবা, ৩। হেন্না পাকচাউনা য়েংবা। চন্নগী মীৎয়েং অমা পীরকপা অসিনি। অসিগুম্বা প্রভাবতগী মাকপা রাখল অমসুং মীৎয়েং অসিগা লোয়নননা খুৎমাবা অইবশিং অসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা শাগৎলম্মী।

নোংচৌনা মীৎকপ থোক্কপগী মতমসিদা মাঙউরবা মপামপুগী মনগী নোংচৌনমা কংবগুম অমদি মংম কুইনা মীরাঙ্গিরুরবা মমারোল অমসুং মজাতিগী সংস্কৃতিগী পুক্কিবু অহানবা ওইনা উনা। কংবগুম য়ায়না থোক্কইরাঙবা থম্মোয়গা লোয়নননা ফজবা থিবগী থোঙচৎ অমদা অইবশিং অসিনা চঙশিনখ। শর্দকিবা য়াকাইরোল ওতি য়াম্না তেংথা নাওইনগী থোকতেংনি থম্মোয় চাবপগী, নীংমেদবগী, তকশী শোনবগী। মাঙউরবা মশক, মগুণ, মঙল চম্না, চংথ খুঙজরকই। অতনা মণিপুরী মশাগী শক্তম—আইদেন্টিটি য়িককই। মমা পোক্কফমগী অনোবা শক্তম উবদা মমালৈবাকদমক্তা থোক্কল রাংনা শৈথাই, মথল-মথ। করাগা লোয়নন লৈচিংসেথোক্নি। অদুনা স্বদেশ প্রেমগী ঈচৌ, নীতম্নগী ঈখেলা বা, থম্মোয় পেম্না অকিবা লৈতনা কাউংথোকপগী থোনজেন্নি। অইবশিং অসিগী প্রতিভাদগী থোক্কপা কল্পনা শক্তিলেমগী ফজবা, চাংলেম্না, মতীকচম্না মথোক্তদোক, মণিপুরী সাহিত্য অসি অরানবা রাখল থোক্তদোকপা চম্না, য়াম্না ইনাক খুল্লবা সাহিত্য ওমা ওইনা শাঙ্গংলকই। অদুনা মণিপুরগী রাখলগী পুক্কিল (ইন্টিলেকচুয়েল হেরিটেজ) অনৌবা মশক অমা শাগৎনা অনৌবা ভেল্যুগী রাখল অমা ওইনা মতোমতা লেপচবা ঙমখি।

মৈরৈবাক, মমারোল অমসুং মজাতি নুংশিবগী ঈহৌ অসি খুৎমাবা অইবশিংনা উৎলম্বা খ্বাইদগী মরু ওইবা সাহিত্যগী শক্তম অমনি। খ্বাইদ চাউবা (১৮৯৩-১৯৪৯) মৈতৈলোনবু থম্মোয়

শেন। নুংশিজখিবা কবিনি। মৈতৈলোন অমসুং মৈতৈ সাহিত্য চাউখৎনবা হোৎনবনা পুন্সিগী মরু ওইরবা থৌদা ওইখি। মাগী খুৎইদা থায়নগী মণি মুক্তা ফজবা লন কয়া মাইথুম হাংদোক্লুনা উইহল্লি। মণিপুরগী অঙনবা সমালোচক অমগী ফিরেপ্তা 'খম্বা থোইবী শৈরেং' অসি মহাকাব্য অমনি হায়ন। ফজনা থাঙ্গৎলমই। 'লবঙ্গ-লতা' দা মণিপুরগী ফজরবা সংস্কৃতি কয়া উৎপগা লোয়নন। মৈতৈ চনুগী চরিত্রব অৱাংবা থাক্তা পুখৎলমই। রাস, শয়ন, খুবাক ঈশৈ মৈতৈলোন্না শরুনবা কন্না হোৎনখি। মসিনা বাংলা লোন্না য়াই থারবা মৈতৈ মচাশিংদা মীৎকপ থোকহনখি। 'মিত্র সমাজ'' লিঙখৎতুনা অমসুং 'মীনাইদগী'. 'জ্যোতি' গী সম্পাদক ওইদুনা, ছাত্রশিংগী তম্নবা টেক্‌বুক কয়া ইদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা তৌখি। মাগী মপুং ওইবা দানি—মণিপুরী শৈরেংগা মশক অমা শাগৎলম্বা অনৌবা মণিপুরী রচনাগী ট্রেডিশন হৌদোকপা অমসুং মৈতৈলোন চাউখৎনবা তৌরম্বা অসিনি। মাগী "মীতৈ কবি" অমত্র ওইনা লৈহৌরগদবা য়াকাইরোল মতমগী শৈরেং অমনি।

ডাঃ কমল (১৮৯১-১৯৩৫) অতৈগীগা খরা থেন্নে। মৈতৈলোন অমসুং মজাতি চংশিবগী রাখল লৈরবসু মওান্দা ছামেৎনাজমগী রাখল্লা হেন্না মপু ওই। স্বার্থত্যাগ অমসুং বিশ্বপ্রেম অসি ছামেৎনাজমগী রাখলদগী শগৎলকপা মা।। সাহিত্যগী দান্নি। অথুবা মীৎয়েং লানবোক্তুনা অপাপা তাইব মীৎয়েংগী রাখল অমা মাগী সাহিত্য খুৎশমনা থনমই। কবিতাগী মহাও চওবা পোইএতিক প্রোজ, পোৎ-মেওলবা ফজরবা বারেংগী শৈলী অমা মণিপুরী সাহিত্যদা লানতৌরমই। প্রকৃতিগী মফমদা চওহনা প্রকৃতিগী ফজবা শরুন কয়া পুথোক্লম্বা মণিপুরগী অহানবা উপন্যাস ইবনি। মাগী 'মৈতৈ চনু' য়াকাইরোল শকপা হাশিরবা শৈরেং নি। অঙাংহলনা (১৮৯২-১৯৪৩) অতৈ সাহিত্যগী প্রভব

থোইনা চওদনা মৈতৈগীতা ওইবা সাহিত্যগী মশক অমা পুথোক-লম্মই। ভর্জিলনা থাযনগী রোমানশিংগী ফজবা মশক খোম-জিন্দুনা পুথোক্লকপগুম অমসুং- সার বালটর স্কোটনা স্কোটলেণ্ডগী হৌখ্রবা মী চংকী মরমদা শকথিবগুম ঐখোয়গী কবি অঙাংহলনা 'খম্বা-থোইবী শৈরেং' অমসুং 'শীতেল ইন্দু' দা মণিপুরগী অরিবা ফজবা খুংশেম কয়াগী মরমদা শকথি। পাকচাউনা কোল্লিনা থৌদোকশিং, রাণী লীবগী মওং, শিজিন্নবিবা ইডিয়ম কয়া অসিদা অঙাহল মশাগী তোপ তোঙা দান যাউবি। মণিপুরীশিংগী অরিবা পুন্সি মওং, ইথোঙ, ভেন্‌দ্য উৎপা অতাঙবা খুংশেম্‌মি। খাদিগী ফিরেল শেংতুনা পুন্সি লেনখিবা কবি অসিনা সমাজিক নাটক 'ইবেম্মা', 'পোক্তবী' ইত্তনা বাংলাদগী পুবা নত্তবা মণিপুর-গীত ওইবা সোসিয়েল ড্রামাগী ইতিহাস শাগংলম্মী। অরাবা দর্শনদগী অনেগ রাখল ফাউবা ইচম চম্না ফোংদোকপা ভম্বা রাগেগী সাহিত্য 'থম্বাল' শনমই। হিন্দু মুসলিম অনী মুংশিনবগী ফজরবা রারীদা শাগংপা 'জহেরা' মৈতৈগী পুন্সি মশক উৎপা অতাঙবা উপন্যাস অমনি।

দরেন্দ্রজিৎ (১৯০৭-১৯৪৪) আদর্শবাদীনি। মাগী 'ইরৈবাক' তা (শৈরেং) স্বদেশ প্রেমগী অয়োবী খুদম উৎলি। সংস্কৃত, বাংলা অমসুং ইংরেজীগী প্রভাব কারবা কবিগী খোংজদগী 'মোইরাং থোইবী', 'ভাগ্যচন্দ্র', 'কংসবধ' (মহাকাব্য) পুথোক্লকই। সংস্কৃত অমসুং মণিপুরী লোন অনী য়ানশিন্নতুনা লোনগা মংফাঙদোক্তা অনৌবা চাংয়েং অমা তৌরমই। নবদ্বিপচন্দ্র (১৮৯৭-১৯৪৬) লাই-রিক-লাইশু অমসুং সমাজ চাউখৎনবা হোৎনবদা শরাঙ লুপ্পখিবা কবিনি। মাইকেলগী 'মেঘনাদ বধ কাব্য' মণিপুরীদা হন্দোক্লুনা মণিপুরী সাহিত্যদা অচোবা দান অমা তৌরমই। যুমদা খুংকা মেচিন শেমগৎতুনা, ছাপাখানা লিংখৎনবা চাংয়েং তৌই। মশাগী লাইরিক ফোংদোকপা "লাকও ইমা মৈতৈলোন। / উংনা খুঙা

মৈগন্বী / অণ্ডাং শৈকে অমম্বা। / থাওমৈগুম্বা ঙালহনবিরো।”
—মমাবোল ম্মশিবগী শৈথা অমনি।

মথক্তা পল্লিবা অষ্টবশিং অসি নত্তবা অতৈ খরম্ম লৈরি। মখোযগী থুংঙই, রাখল অমম্মং সাহিত্যগী দান অপম্বা মথক্কী খুংমাবশিং অসিদগী থোইনা তোপতোক্লে। ঐখোযনা হৌজিক খুংমাবা অষ্টবশিং অসিনা ইরম্লিবা বিষয়, রাখল, মীংযে অমস্মং সাহিত্যগী শক্তমগী অপোবা কান্নাং অমা শাগংপা যাই। মতুদি—১। যাম্না আদর্শ ওইববা মীংযে, রাখল উংপা, ২। বৈষ্ণবকী দর্শন, ধর্মগী মীংযেদা মীওইবগী মমল লেপ্পা, ৩। মণিপুরগী লৈঙ্কপল্লিবা অনিবা জগৎ, মশাগী কৃষ্টিগী মঙাল উংপা, ৪। অরাংবা মথলগী আদর্শ ওইরবা ম্মশিবগী শকোন উংপা, ৫। মমাবোল, মজাতি ম্মশিবগী রাখল ফংদোকপা, ৬। ইতিহাস অমস্মং অনিবা রারীশি না অযাম্বা থুম্মম ওইবা, ৭। অনুবাদ কয়া তৌরম্বা অমস্মং ৮। লোলগী চাযেং কয়া হৌবা অতুগা অনৌবা সাহিত্যগী খুংশেম কয়া পুথে ক্লম্বা অসিনচিংবা অসিনি।

লোইনম শাসন মথাদা হিবগী লৈঙাকলোন্দা পেন্দবগী অমস্ম মাচং মীথায নাইবা সমাজগী পথাপ্তা যু চাইতবা শাউনিবা পোক্লুনা খুংমবা অষ্টবশিং অসিনা থোনা ফনা, ঈচং থোনা রাজ হংত্রা প্রতিবাদ তৌরা? সরকার অমস্মং সমাজনীতিবু শীংনখিবা? পাটখুমদি—তাখিদে। মকাক্কো না, অকনবা আন্দোলনগী মশক ওইনা লানহৌখিদে। মাইকেল মধুসূদননা বাংলা সাহিত্যদা থোনা ফনা যাম্না কনবা লালহৌ অমা হৌখিবত্ত্ মণিপুরী সাহিত্যদা লৈত্তে। মাইকেলদা “দি জেনিযস ওফ দি পোইট রাজ বেবেল্লিযস বাদব দেন ষ্ট্রেন্যুযস” হায়বত্ত্ ওইখিবনি। বঙ্কিমচন্দ্রনা বন্দে মাতরম ইত্তনা দেশভক্ত অমা ওইবা উমখিব—“এ সিযাব এন্দ এ নেসন-বুইন্দর” অতু

মণিপুরদা লৈখিদে। বৃটিশকী শুংশনবা, তমখিবা লিচৎ-শাজং উংপা লাইনিক শ্রীদীনবন্ধু মিত্রগী 'নিল দর্পণ' গুম্বা লাইবিক মতমমত্তুদা থোকখিদে। অতুগা সাহেবকী মতৌ তম্বা বাঙ্গলী মচাশিংবু নোক্কত্তনা ইবা বঙ্কিমগী 'চন্দ্রশেখর' অতুগা রাজনারায়ণ বাবুগী 'সেকতাল' নচিবা লাইবিক মখল অসিম্বু লৈতে। মসিগী মরমদি মতমতুগী বেঙ্গলগী সমাজগী ফিভমগা মণিপুরগীগা থন্নবা লৈ। বেঙ্গলদনা অকনবা ঈহৌ অহুম পুনশিনখিবনি— ১। ধর্ম্মগী ঈহে, ২। সমাজ সংস্কারগী ঈহে, অমসুং ৩। সাহিত্যগী ঈহে। মসিগী মথক্তা রাজনীতিগী অকনবা চেতনা লৈখি। ফিউদেলিজমগী ভেল্যুশিং কাযথবক্তুনা সমাজদা ময়াম ওইবা থাকী মীওই কংচলপ থোক্লক্তুনা অনৌবা মাংযেংদগী শেম্বা সাহিত্য কযা পুথোক্লকখি। মণিপুরদা রাজা রামমোহন রায়খোযগী ব্রহ্ম সমাজগী অকনবা ঈহৌস্থু লৈখিদে। অমাং-অশেংগী, খাজনা কনা লৌবগী পন্নদবা লৈরবস্থু মত্তুদা ঈহৈ। অমা ওইনা প্রতিবাদ তৌখিদে। ইরাবতনাচংবনা সমাজ সংস্কারগী থবক খরদি তৌখি। মতু সাহিত্যালোমদগী, লেখকশিংদগী থোক্লকখিদে।

মণিপুরী সাহিত্যদা প্রতিবাদকী ঈহৌ লাক্তুবগী মবম লৈ। চহী চনী চঙনা শাগৎখিবা হিন্দু ধর্ম্মগী শাক্ত, ঈথিল অহু অস্থুম অস্থুম মণিপুরী কুষ্ঠিগা য়ানশিন্নত্তনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসি মবা চেৎলবা মণিপুরী পুন্সি ওইখি। ভারতকী সংস্কৃতিগী তোপ তোপ্পা মগুণ হায়বনু পুনশিনবা, অমত্তা ওইনা য়ানশিনবা ভম্বগী শক্তিসিনি। অসিগুম্বা মরা চেৎলবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী যুক্ষম অতু করি অমত্তা কাযদনা লৈখি। মসিগী মথক্তা ধর্ম্মদা পূক্তি চঙলবা মহারাজনা ধর্ম্মগী হীবম কযদা চাউথৎনবা তৌখি। অত্তনা বেঞ্চব ধর্ম্মগা মরী লৈননা শাগৎলিবা পুন্সি মহিং, ভেল্যু সিষ্টেম অতু থুগাইখিদে অত্তুগা মত্তুদা প্রতিবাদ তৌনিংবাই মরমস্থু লৈখিদে। অহোয-নহুম ভেল্যুশি অসিগী অনৌবা ফজবা মশক কয়া পুথোকখি।

মসিগী মথক্তা শক্তি পাম্বরিবা, লাইবিক-লাইগু হৈরবা, মথক্তী থাক্তা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা সোসিযেলগী সিষ্টেম অসিদা আন্দোলন তৌদবনা লৈবাক্কী মীচম প্রজাগী ঈহৌ অমা ওইনা লাকখিদে। নো চুপকী শিক্ষা কংবদগী অমদি লৈবাক শাসনগী মওংদা অহোংবা লাকপদগী মযায ওইবা থাক্কী মীওয় কাওলুপ অমা সমাজদা লৈদবসু ফিটুদ্দিযেল ইকোনোমিদা মুক্কবা লৈতবনা মখোযগা অতৈ কাওলুপশিংগা লৈনবা মরীদা খেন্নবা লৈতবনা মখোযগী ওইযা তোপতোন্না ভেল্যু শেমগৎপা ঙম খদে। অদুনা মযায ওইবা থাক্কী কাওলুপতা লৈরিবা অইবশিং অসিনা মখোযগী সাহিত্যদা মযায ওইবা থাক্কী মরমচৎ উত্তুনা ইবা সাহিত্য পুথোকখিদে। ইরাবতনা সমাজগী সংস্কারগী মওংদা, নেশনলিস্ট ঈহৌগী ঈযাংদা ঈপোম খবদি হৌহনখিবা অদুতনি। মদুনা সাহিত্যদা অক্নবা শাফু অমা ওইনা মমি তাবা ঙমখিদে। নিংথৌনা যোকখৎপা, কনখৎপা, ধর্ম অদু মপূং ওইবা মশক্তা চংথরক্লিবা পবম্পাবাদা অকাইবা থোইনা লৈতবনা মসিগী মাইয়োক্তা অইবা অমত্তনা কলম পাযখিদে। অদুনা মণিপুবদা রেনাসন্সকী মপূং ওইবা ঈহৌদি সাহিত্য কলাবিদ্যাদা উবা ফংই। অনৌবা খাথল, অনৌবা মীৎযেংদা, অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শাগৎলম্বা, মৈতৈলোনবু নুংশিনা য়োখৎলম্বা অমদি থায়নগী পুক্তি অমম্নুং সংস্কৃতিবু নৌহৌদনা য়াকায়হনবনা মণিপুরী রেনাসন্সগী মপূং ওইবা মশন্নি।

১৪। হিষ্টরী ওফ বেঙ্গলী লিটেরেচর, ডাঃ শুকুমার সেন, সাহিত্য একাদমী, ইং ১৯৭৪, লাঃ ২১২
১৫। মথক্কী নং ৭ তা য়েংবীয়ু।

পাচাগী 'অনৌবা পাও অমা' : তাইবংগী নাহোংথৌবা অম্মা অমা

হৌজিক্কী অনৌবা উপন্যাসকারনা বাকং অমা হংলি : "Who am I and what is of my experience?" মসি অর্থ য়াম্না চেম্না, মরো লৈবা বাকং নি। বাকম অসি লৈথায়দনা থিবদা হৌজিক্কী পুন্সি মহিংনা পুরক্লিবা উপন্যাসকী অনৌবা মশক অসি ময়েক শংনা চোংথাক্লকই। হৌজিক্কী উপন্যাসতি ফজনা শেমশাদনা পনীনাইনা লুঙ্ঙাইরবা বারা অমা লিবা নত্তে। অদুগা উপন্যাসতা য়াউবিবা মাওহৌশিংগা (চরিত্র) অরা লুঙ্ঙাই, থোদোক বাথাক থনক থৌরমশিং ময়েক লানা উংনা হোৎনবদা পুক্নিং থিংজিনবস্ম নত্তে চরিত্রশিংগী লুংগী মপাউখাল (inner experience) অদু উৎপনি। অদুনা 'experience is flux and the novelist must cummuicate it' হায়বা খোল্লাউ অমা লাক্লি। অদুনা হৌজিক্কী উপন্যাসতা প্লোট, থিম, করেক্টর অসিনচিংবা অসি মচা তানা খায়দোকপা ঙমদ্রে— 'revelation of character is the only plot' হায়নতৌ ওইরে। মরম অসিনা মাহৌশাগী চংরক্লিবা মওংশিং অসিদগী

য়াম্না শাথিনা হোংমনখ্রবা। হৌজিকী নোভেলবু 'এন্টি নোভেল' হায়না শোয়নাইরবা মিথোল অসি থোল্লিবনি। মসি হোংলকপগী মরম কয়ামরুম লৈ। মত্তু মফম অসিনা নৈনফম থোক্তে। থাফম থরসি কোইনা হায়রুবগী মরমদি পাচাগী উপন্যাস "অনোবা পাও অমা" হায়রবা অসি মীংয়োং অশামদগী য়েংবনা ভর্থ থোকপা অমসুং চুশিন্নবা হেল্লি। পাফম অসি মহাক মশামক্তা (তাং ২৭।১।৭৪ ইং. নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী থৌরম অমদা) হায়খিবা পাফমগী মহৈক শেংনা থখবা ভমই,— "অনোবা পাও অমা" পুস্তকদগী হারীনি। অনোবা অম চায়েংবনি—হারী হায়বসি মীংকুপ থুদিংগী থাবী লৈতব্রা? য়ুমদগী বাজার কাইবা লাকপা অসিদা থারী লৈতব্রা?" মসিদগী খঙবা ভস্বদি মহাকনা তৌরবা চায়েং অসি শোয়বা লৈতনা মীংকুপ থুদিংগী কোইশাটে পাইরিবা মীওইবগী লুংগী এক্সপিরিয়েন্স অম উংনবা হোৎনবনি। মাগী কয়দা 'থারী' অসি মথং মনাই নাইবা থৌদোক (chronologically unfolding of events) অসু নত্তে—the flux of experience, the inner impression অত্তবুনি। মসিগী খুদই অসি মণিপুরী সাহিত্যদা অনোবনি। উপন্যাস মচা অসিগী শোয়ননা খঙবা থন্নবা পাচাদগী খংবা থারবা, অমদগী খঙবা ভমন্নবা পাচাগী শাক্লোন অমা লাক্লে।

ইং ১৯৭৫দা ইবা, লমাই ৪১ প নবা (নুমি ২০ নি থোরামদা ইবা লোইখি হায়) উপন্যাস মচা অসি পুং খরতগী থৌদানি। থারী লিরিবা 'ঐ' হায়রিবসিনা য়ুয়োনফম য়ুম অমদা মাগা লৈমিয়রী হাউরবী (কবুই লুপী) ইডোল্লনা কৈথেন্দা চংথ্রিডৈদা থোকপা নীংশিং থৌদোকশিংনি। প্লোট নাইনা থৌদোক পরিং ওম শাগৎতুনা ইবা উপন্যাস নত্তবনিনা মসিগী থারী অমা লৈতে। অত্তবু হায়ফং শাগংপা য়াবা থৌদোকশিং থরদি য়াম্না

শানা লেংশিন্দুনা মখাদা উৎচবি—

১। ববুই হুপী মৌ-নজা ইঙৌল্ল থাদোক্লগে কায়না শাখল থন বগা লোয়নননা মমা গী পুন্সি মতক উংলি,

২। প্রোঃ ইবোচৌ গা লোয়নননা মাগা লৈনবা মর্বা উংলি,

৩। মাগী কৌ লা তপা শিখিবা, মমাগা হেংয়া নিপা অমগা লৈনব মবী উংলি,

৪। ডাইএপি যাক্লোত্তুনা পাদা—

(ক) প্রো ইবোচৌবগা বমলাগা লৈনবা মপী উংলি,

(খ) চক ৭ বা মমাদা দিগুলপা লেবব, গেকী মচনপা নবডানবা কুত্ব মিপাব শামিন্নবা, গুৰি পাৰী শাখং। শনপা প্রো. ই.বা.চাযাগ ইটুবো। চপ্ত যাল চনাবগা লৈনব মপা উংলি,

৫। মুবোনবী ইঙৌল্ল বেপান্দগী কশক্লগা পাগী শাই,

৬। থনা দা পোমলা কু শিনযা নংলি লকই,

৭। চন্দ্র, ইবোতল, তোম্বা বুধকপা চওলকপা, পুং সনা গোনবী পখু যাগ ভীবদা মানা মচৎ শিন্দুন কৈশুমশদা নোমা শবিবা। অতুদগী ইচৌগ্লী মনাক্ল লথা,

৮। অবোইবা ওইনা ইঙৌল্ল থাদোকগে থনবা থল ...।

লোইশিনফম থগদবা, কৈনৌপ্রাগ ঙাকপ (মচিং মচু ক গী চাউবা বাহ অম ওইগা যই। উপন্যাস অনিদা ঐখোয়। ঐখোযগী পুন্সিদা আশা ভৌবা—মন ওইনা যগা নিযম নাইব। পুন্সি মহিং অমসুং চাপ্প-চিপ্পনা হিংবা কায়বদগী ওন্নৈতনবা ফন ফংলকপা মতমদা হিংলিবা ঐগী পুন্সিসিগা ভাবশিন্নবা যাদবা থিভম অত্তু উংলি। মতমগী ফলনা ঐখে যবু নাউকোঙ্গিবা পুন্সিসিবু তুক্কচবনই অতুদগী মনিন মনম ওইত্তনা। তাইবং মীওই পূর্বব নীংবা কায়না তুক্কচনা উবনই। মসিগী থিভম অসি মতম শেনা উৎননবা বাবী লিবিবা 'ঐ' গী (মহাক 'এন্টি হিবো

হায়বতুনি : চরিত্র অমা ঙেয়কলকই। ('ঐ' গী উপন্যাসকার মশামক্না পুস্তিদা কয়া য়াম্না মরী লৈনবগে ? লোভেঙ অসিদা পুস্তিগী মচাং কয়াম য়াউবগে ? নৈনবা য়াবা ঙাকয়ি। অদুবু ঙেহেং অসি উপন্যাসকারগী পুস্তি বারী ইরকদবা তুংগী পণ্ডিতশিংগী মখুত্তা শিন্নজরে।)

বারী লিারবা 'ঐ' হায়রিবা নিপা অসিগী পুস্তিসি মপু পাল-লকত্রবা পুস্তিনি। লিরিকিঙদা মাগী য়াম্না থংশিজরবা মপাঃ কায়-নখি। পোংলোইগী মৈ চুবগী তমখিরবা থোংদোক মহাক্না কাউবা ঙমদে। চহী ৪০ শুদ্রিগী, মো নহা ওইরিবী মমানা অতোপ্পা নিপা অমগা (মহাক্না 'য়েক্রবা' কৌই) লৌমিন্নখি। অনৌবা 'য়েক্রবা' মপা অদুগা মমাগা অহিংদা তুমামরগা, লৈনবা মরাং ' ইমানা থাখুমফিদাউবা লৌশোংকপ, ইমানা কোয়া কোয়া ফিথক চি থংখিবা, ইমানা য়েক্রপগী নাক্তা চঙখিবা, ইমানা য়েক্র-বতুদ তাংজগী চীরী ওইখিদা য়েক্রবতুনা ইমাদ, ইমানা য়েক্রং-তুদা'' অদুগা শিত্রবা মাগী পাবুং নীংশিংতুনা থম্মোয় শোক্না চাং-কংপা—''উই ! পাবুং ঐ উই । ঙাংবা য়েক্ররোই । পাবুং ইমাদা তুগাসিনা লেকবতুনা তাউ । ইমানা মাপু ঈংপোকপী মচিন্না চিনচুপ্পখিবা থাবুংপুং থক চেংজং ফোন্নি অহিং খুদিং। পাবুং ...... ।'') কৈথেন্দা মাপু পুদনা অচা অথক অহাউবা ঙা মতুম পীজবা—ফিভাম য়াতুনা অমুম অমুম পুনশিন্নকপ পুস্তি অসিদা শাথিনা নীংবা কায়খি। অদুদগী মমা অমসুং য়েক্রবগী তুমদা থাদোক্নমতুনা মাগী তুংশিজরবা মরুপ প্রোঃ ইবোচৌবগীদা শাই-দাখি। অতুম্মু চুন্নগী তুমকম, অমা কায়দোকম অমা ফংবগী ৱাতনি। অম্মুন্না লমজা সায়াগী পুস্তি ওইখি। তুমুদা, মোয়েরদা, ওক্রবীশিংগী মরক্তা অদুগা গঙ্গা, কানী, য়ু, শা—ঙা চা-থকতুনা 'সনা লৈবাক অসিগী মকম কয়াদা মশা কোইথাই পাইরুই।' অদুদগী নোংমা, মো নহা ইঙৌলগীদা য়ু থকপা চৎপদা পুস্তিসনা

থাবা লাদথি। মমান্নবাময়াম চেন্নথ্রন্দা মহাক্না যুম্থুগী মহুং শিন্দুনা। কৈশুমশঙ্গা অহিং অমা লৈথি। ("ইঙেই, কাবা হাবামা ঐঙোদা লৈরে। ঐগীদি মহু লৈত্রে কুইবে। ফাদনা নীংতম্বা মহক্ন লৈতে। ফাদক্ন ফাদবক্ন।") অতুদগী ইঙ্গ গীদ কাযদো কম কনা লৈথো। নরা মবী লৈবথি, ম শিনথি। ইঙেম্বিনা চেম্বকম খঙবা বকঙাটনরবা ঈচেন্দা চংজফম পীবিখি, মবুক তম্বী সমুদ্রা ওইখি। মহাক্না ইঙৈম্বেদা হায়খি, "মসিদ পুসিনি, খমুম্না লোযনা নাইদ্রবা কৈশুমশঙ মসিদ পনাগিনি। ... পুলিসনক্ন কায নোং মতংগী, নঙনক্ন ফাব, ম সদি নাপাগনি।"

বাং চমক্তা মহারা সমাজদা 'কংবা ওমবনা মীচেন অমগুম চেপাদেনা? মসিদা পাচানা হায়বা পামই—মাওং-বগী মমল অমক্ন থাইদটিটি খঙনবগী কবদগী হৌরি। পুন্সি অসিগ শমজিন্নবা, যাদনা মাইতাম তারবা পুন্সি ২ইবকই। মতুং অসিগুম্ব গতি লৈবা, নাইতাম তারবা নীংবা কাযরবা মাংইশি অসনা ওশাগী মঙাল অমা থিবা পামই। উপ-ন্যাস পাদ নাইতোম তাববা আখা অমনা মহাক্না মচাপ তমা ইখৌলানা দিবগী খোঙচৎ অমনা। মতুংদা পাচানা অসিগুম্বা অখুবা মঙাল মসি শোযদনা কগনি হায়গী থৌই-দোকপা ইহিংতি চংলমদে।

উপন্যাস অসিদা self defeatism, lost of identity, aleination হায়বিবা মওং অসি যাম্না মযেকশেংনা উংলি। অদুবু হায়বিবা অসি modern exprience অসিদগী ওইবকপা ফিভম্না? নত্রগা অইবা মশামক্কী ববিগুম্বা ইগো নত্রগা তোম্বা পথল অমদগী ওইবকপ্রা? মসিবু কযাম যাম্না অইবগী সীমানা বাংমা লায়া ডাইবং লোনচত্তা পানশিন্দুনা—মীওইপা অংবগী ওইবা সমস্যা ওইহনবা চপাগে? মসিগী পাউখুম চপচানা পীবা রানা থোক্কদক্ন যাম্না নকশিন্নবা পাউখুম অমদি পীনি ই--

—উপন্যাস অসিনা যাম্না শাথিনা নীংবা কায়রবা হৌজিক্কী পুন্সিগী শক্তম অমদি মযেক শেংনা উৎপা ওমই। মসি উপন্যাস অসিগী মমলনি হায়না লৌদবা ওমদে।

অইবগী পুন্সি খোঙচত্তা থেংনরকপ তমথিববা থৌদোক-শিংনা শাথিনা নীংবা থাগৎরকপগী মশক উপন্যাসকী 'ঐ' হায়বা চরিত্র অসিদা উংলি। মরুপ মপাংশিংনা মাবু মরুপ অম ০ হায়না খনবিদে—"যোংনা শিংবা মীগুম থম্না।" মাবু উশিদে, কয়েম্ম। অদুবু "ঐগী ফিলোসফি লৈ। ঐগী সাইকোলোজি লৈ। ঐগী মীৎয়েং লৈ। ঐগী পুন্সিগী ঊফং লৈ।" পুন্নমক অসি কনানস্থ থৌশাদে। অদনা লোমা লোংমগী মতু শোম্বরই। মাগী শক্তম মাঙথি। হৌনা পীখিদে। পুন্সিগী তমথিববা মীৎকুপ নয়ানা যাইথানা নোশিনখি—"মখোয খুদিংমক্কী মফমদা ঐস্থু পুন্সি অসিগী ওংনা মশক তাক্কুনা অনৌবা পাউ বয়া তমনিংখি, অদুবু মখাগনা মহু তাবিদে।" অদুনা পৃথিবী অসিদা মী অমা ওইনা হিংনগী মমল মাগী মফমদা লৈতে। মহাক 'মাগ্রব মী' হায়নকু ওইরে। অদুনা পাচানা হংবা পামই—পুন্সিগী মমল খংদনা সমাজ অসিনা হেবী মমল বরম্না লেপনি? অদুম্বা মশা খঙদনা পুন্সিগী মশক্তি মচেং মচেং তারবা পুন্সি ওইবা মশ না তাবনি। মসি হৌজিক্কী মতমগী শাথিনা নীংবা কাযরবা পুন্সিগী তমথিবা শক্তম অমনি। মীওইবগী মমল অমস্তুং অশেংবা মশক খঙপ্রবা সমাজসিদগী লংদাই তওনা নান-থোকপ্রবা, নাইতোম তাবব আম্না অমনি। নাইতোম তারবা আত্মাসিনা মসিগী মমল, মশক লোইখি থিবা চংলি। মসিগী খোঁচঙা বু মানবী ইন্ডেল্লি থেংনখবনি। মহুস্থ মাগী মনাক্তা ছাইহাদ, ওইনা বাযদোকফম ফংবগী রাতনি—মওান্দগী মাগী মাংপ্রবা পুন্সি অদুদি ফংবা ওমদে। চুম্নগী নোকমিন্নবা,

সুংঙাইমিন্নবা, য়ু থকমিন্নবা। "ঐগী খোঞ্জেল লৈতে। ঐগী লৌশিং লৈতে। ঐগী ইশক লৈতে। মখোয় ময়ামগী মরল, ঐগী ফমফম লৈতে। নত্ত, ঐগী মাংখ্রবা ঈশক হন্না শাবিরিবহুরা?" ইঙেল্লৈদা হংবা মাগী য়াংহংনি। ইঙেল্লৈদা মহুগী পাউখুম ফংবা ঙমখিদে।

অহুনা মহাক ইঙেল্লৈ থাদোক্লনা চংপা তাইঃ মরমদি ঙাইহাক্কী শুদ্ধংয়াইনা পুন্সিবা, মায়াগ্গী মশক ওইরবা তাইবং অসিদগী অশেংবা, অচুম্বা অহু ফংবা ঙমদে। মসিগী রাখল অসি উংননবা পাচানা য়ায়া ফজনা, সিম্বোলিক ওইনা 'অনৌবা পাও" অসি শিজিন্নরি। ইঙেল্লৈনা মঙোন্দা তাইবংগী অমম্নুং পুন্সিগী পাও কয়া ঙমই অহুবু মহু "অনৌবা পাও" নত্তে। মপা শিবা "অনৌবা পাও" নত্তে। নুরজান, রোমীলা, ফোঙ্ক-নরনচিংবগী থোদোকশিং 'অনৌবা পাও' নত্তে। মঙোন্দা শুসিফাউবা মাবু পেলহনবা ঙম্বা 'অনৌবা পাও' অমত্তা তাহনবা ঙমদ্রি। অহুনা মানা ইখৌলাংলিবা 'অনৌবা পাও' অসিদি—তাং নত্রবা, অশেংবা অচুম্বা, মতম পূরগী মমল নায়বা 'অনৌবা পাও' অহুনি। মসি তাইবংসিদা কদায়দা ফংগনি? কনানা পীবা ঙমগনি? মসিগী ইখৌলাংবা অসি লৈরমদ্রবদি মহাক প্রোঃ ইবোচৌবগীদা নত্রগা ইঙেল্লৈগীদা পেন্থোক্লনা লৈরম্বা য়াই। অহুনা উপন্যা। অসি পুন্সিগী অচুম্বা থিবগী হুংগী লোয়নাইদ্রবা খোঙচং অমনি। নাইতোম তারপা আম্বাগী লোয়নাইদ্রবা অরা-শৈহেক অমনি। (ঐনা খঙবদি—পাচা তুংদা মিষ্টীক অমা ওইরকদ্রা নত্রগা ঈশ্বরগী মফমদা চঙজরগদ্রা! মসিদি মাগী তুংগী পুন্সিনা তাকখিগনি। হৌজিক্তি কনানা হায়বা ঙমগনি!) মসি উংনবা হোংনবদা তুংগী মরী-মরী শমজিন্নহুনা লৈগ্রবা এক্সপিরিয়েন্স কয়া মায়খুম হাংদাক্লকই। খজিক্তুংনা কোয়দোকপা, মকক মাক ওইবা

অতেনবা ৱাহৈ-বাতা শিজিন্নদুনা', থম্মোয় শোক্না তেংথাবা, নীংবা কায়না নাহেবা, নীংঙমদ্রবা কয়াগী ফিলি অমসু ই.ম শ. পীদুনা ঐথোযদা যান্নদি চুংশিনবা অতুগা অমানা থুক্কংলবা কবিতা অমা পানগী মহাও পী।

'হংদ তেগম' অমসুং 'হজে' হৈবা পাচানা অপামদু 'শ' ৱারীদা কয়া যান্না ভাউজবা পান্নগে হাযবদু প্রুমনা। ম.থক শোংনা থঙনবগা ৱাফি। মাগী থুংইশিংদা কাংহন চুশিনা, অপামদু শিগী অকনবা ঈচেল, (romantic, ecstasy and exuberance), ঙভাউবা মহাও অমদ ... না ঈ.রাগনৈ। মসিগী মহাউ অমসুং মনম অসি উ...স অসিদসু ঐখোযনা, য ই—থং.গী রোমালাগা দু শিনবগা পোকোক পোইদু পাগী মযেক শেংলবা অহিংগী থাবল থয়াংগী লোক্তী ঈিং, ম... চেক্লোরবা। অদুগা বগমগী মচন.গী ... দ ... কুচুন মিনানদা "... ..., থঙ.হদন। ... শ... মায়া অচেং। থুংনাব, এগী ... চেং ... হুংনাব. ... ম.. ম'নং, ... অমংগী থাক ৱ... কয়া ... ... হসি .ফা... .লৈ. ঈ... ... ...টক এই অসু অযাং। বমনান। মনিং—মখা ত... ... লীলা উবা ... ই। তোইংদ্রসুং উ.ন্যাস অ স।। অ.ন.বা, ইং.পা তোঙ্গা ... অপামদুশিগী ঈরেদা ... ... মাবু ... থম্বা ভমদব। অসিনি। অপাম ... অ.স ম.ভা দ ... ... তাইবং এইদ্রে। মসিদগী মীংনপ পোক্কুনা অচুম্বা অ.শ.বা ... অমা থিরকপনি।

... ... চং গী মতা অসি ... ..., ... চৈ. .থাল অ.. ..., যা.. বজনবা সাহিত্যগী ... অমনি ... ... মহাপ ... ... মপুরিংদা লেংগা ...

ৱাকমসি ই.ঙল্লেনদি খঙদ্রি। ইঙেল্লেগা মবান্নী লৈনখিবা অচেংপা মরী নীংশিংলুবদা থম্মোয় কায়খি—"ঐনা মাবু কোন-শিল্লি 'চ'না। ইথাদা চে না। অহুদগী—হৈ, লৈ, ঈচেল, টৈং-পাৎ, থা থবান্নীচাক, অতিযা, ওইহল্লিংবা খুদিংমক চেং-শিল্লবা খুংকোন অহুগী মহুংদা, ঐখোয'নিতগী ওইবা তাইবংমা শেমথ্রবনি।" অহুদগী পাথরক্লিবা থম্মোয় ফাথে—"পুন্সিগী খোংজেন্দা খুদি কযা থিখি, অহুবু ঐগী পুন্সিনা লৈতবা তারবদি মখোয খুদিংমকস্তু পুন্সিগা লোযননা লৈতবা তারবনি। লৈতবা তারবনি।" অগাবা মযামসি নমথরগা মপুক্লিংদা অকনবা ৱাবেপ লৌখি—"চংপদি শোযদ্রে ঙসি, মহাক মতোমতা লৈহৌবগনি, মীৎকপ থোক্লকপদা ঐহাকপু মহাক্না উবা ফংলরোই। ম.চৎ মকায ঙাক্তুনি অহুবু··মাগী অনৌবা পাওদমফম কযাহু ঐ লৈত্রবদি কনাদা অমুক তমহৌবগনি।" ইংঙল্লে হল্লকত্রিঙৈদা যু থক্লা থক্লা থল্লি—"বোরেল মী ঙম্নমক চংথ্রগা ঐনা মাবু যেংগনি, ঐগী মাংথ্রবা পুন্সি, ঙম্নমক মাগী মীৎয়েংনুংদা লৈরবা হাযনা। ঐগী থম্মোযদা কপ্পকপা যাই হৌক্লা হীক্লা কপ্পক্তুবা যাই, অহুবু···।" অস্তুম থল্লিঙৈ মতোমতা ঙাইহৌরে, মযাম চংথ্রে। ইঙেল্লি শম পুক্তুনা কৈথেন্দগী হল্লক্লে। নুমিদাং মৈ থাঙ্গৎপগী মতম ওইরক্লহুনা ইলেকত্রিক থাউমৈগী মৈঙাল্লা স্না কৈথেল পুমঙান ঙানথ্রে। অহবু ইঙেল্লেগী পীক্লবা মুমসিদা পোঃদোন মচা অমতংগী মুংলিবা মঙাল অমা ঙাল্লি। "·· মৈঙাল মচা অসিমস্তু ঙসিদগী মুৎথ্রগনি ঐঙোন্দগী। মীৎয়েং-দগী, মতম চুপ্পগী, শোযদনা মাংথ্রগদবনি। মাংথ্রগনি, অসি নত্তুবা করিদি লৈরি ঐগী অতোপ্পা লাইবক ? ··· অমম্বা তাইবং !! অমম্বা থম্মোয় !!" ৱাহৈ থরা অসি—ইমুং-মনুং, সমাজ, ধর্ম্মগী লাংদগী নাস্থোক্লবা, তাইশিল্লবা য়াদনা নাইতোম তারবা Stephen না (A Portraid of the Artist as a Young

Man) মাগী পোক্ফম লমদম Ireland থাদাক্তুনা চেনখ্রগে হায়না থনখিবত্রু নীংশিংলবই। মাগী মরূপ Davin না আইরিশমেন ওইদুনা ঙস্সুম লৈশি হায়দুনা থেঙ্বদা মহাক্না হংখি : 'When the soul of a man is born in this country there are nets flung at it to hold it back from flight. You talk to me of nationality, language, religion. I shall try to fly by those nets."

———

মণিপুরী বারী মচা

মণিপুরী সাহিত্যদা বারী মচা য়াম্না থেঙনা চঙলবই। তশেংনমক হায়বা তারবদি মণিপুরী সাহিত্যদা বারী মচা চঙলবপসি অনীশুবা লাঙ্গাওগী মতুংদগীনি। মরমদি মণিপুরী সাহিত্যদা বারী মচাগী ইহান হানবা লাইরিক ওইনা ফোঙলকপদি য়াঃ বুঃ শীতলজিৎ সিংহগী "লৈকোলমুংদ।" হায়বা ইং ১৯১৬ তা ফোঙবা লাইরিক অসিনি। অদুম ওইনমক মসিগী মমাঙদা চেফোঙ, পত্রিকানাচিংবা শরুদা বারী মচা থরদি ফোঙবা হৌখ্রে। অদুনা পৃথীবীগী অতৈ সাহিত্যশিংনা তৌ বগুম্না মণিপুরী বারী মচাশু অহানবা মশক উৎলকপা অসি চেফোঙ, পত্রিকানচিংনা বয়ানা মপান ফগৎলকপগা য়ানা মরী লৈনৈ। অনীশুবা লাঙ্গাওগী মমাঙদা য়াকাইরোল, ললিত মঞ্জরী পত্রিকা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী পত্রিকা, তরুণ মণিপুর, মণিপুর মতম, নহারোল অসিংচিংবা চেফোঙ বয়া ফোঙলমই। চেফোঙশিং অসিগী মরুদা "য়াকাইরোল" (ইং ১৯২৯ দগী ফোঙবা হৌবা অমসুং "ললিত মঞ্জরী পত্রিকা" (১৯৩৩ দগী ফোঙবা হৌবা) অনী অসি থোইদোক্না শীংথানবা য়াই। "ললিত মঞ্জরী পত্রিকা" হায়বা অসিদা মণিপুরগী মমিং চৎলবা অইবা কয়াগী শৈরেং ওয়ারেং বারী মচা কয়া ফোঙখি। মসিদ নত্তনা মণিপুরী সাহিত্যদা মমিং লৈরবা লাইরিক কয়া খাইরাকপম চাউবগী "লবঙ্গ-লতা", দরেন্দ্রজিৎকী "মোইরাং থোইবী", মুতুম বাপোনগী 'বিজয় পঞ্চালী', 'মধু-মালতি' অসিনচিংবা অসি মথং মথং ফোঙলকখি। চেফোঙ অসিমক্তা

ইহান হানবা ওইনা ইং ১৯৩৩ গী ২শুবা মশীং ওক্টোবর ১ দা ডাঃ কমলনা ইবা "ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা" বোবা ৱারী অসি ফোঙখি। মথংগী মশীংশিংদা শ্রীকৃষ্ণমোহনগী 'লমন', অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী 'হেম-প্রভা', বীগী 'লৃংশি লমন', তেলেম অবীরগী 'ফাঁসিগী হুকুম' অসিনচিংবা ৱারীমচা কয়া মথং মথং ফোঙলকই। মসিদগী ঐ:খোয়না থঙবা ঙম্বদি অনীশুবা লানজাওগী মমাংদা ফোঙবা চেফোংশিংদা মণিপুরী ৱারী মচাগী য়াওন লাকখ্রে। ৱাফম অসি খুৎমাবা শীতলজিৎকী 'লৈকোনমুংদা' হায়রা লাইরিক্কী কৈফিয়েৎতা পল্লি—"ঐখোয়গী ইরোল্দা ঙসি ফাওবা ওয়াগী মচাগী লাইরিক অমফাওবা ফোঙদ্রি, পত্রিকানচিংবদা অম অনীথক মূন-মূন মোংবদি মযাঙই।" মসিদা মূন মূন মোংলিবা ৱারী মচাশিং অসি অঙনবা চেফোংশিংদা ফোঙখিবা ৱারী মচাশিং অহুনি।

হায়রিবা চেফোঙশিংগী ৱারী মচাশিং অসি অহানবা খুৎথাব ওইনা তৌবনা মখোযগী খুৎইদা, মফোঙদোক্তা অমদি টৈরিক্কী মরমদা মওং তাবা শকুম অমা শাগৎপা ৱানা থোকই। ভারতকী চংথরক্লিবা বাকোই শুহুনা বারী লৈবগী ট্রেডিসনগী মকুদা শাগ পা ওইবনা ৱারী লৈবদা শানা, শাংনা থাবা, পাঙা ঙাব, মফম মতম শন্দোক্লা তাকপা, অচুম-অরানগী বিচার নত্রগা করিগুম্বা কান্নবা ৱাফম অমা তাকপদোনা তৌবা বিচার নত্রগ করিগুম্বা ৱাফম অমা তাকপদোনা তৌবা ৱারীনা অয়াম্বনি। ৱাবীশিং অয়াম্বা পাউতাক পীনবা হোংনবনা নমই, কল্পনা শক্তি ৱাংলি, আদর্শ ওইবা, বাহেনজিনবা অপাম মুংশি অমদি থম্মোয়গী ঈহুন্না হেন্না উংলি। ৱারী মচাশিংগী মনুংদা ডঃ কমলগী 'ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা', কৃষ্ণমোহনগী 'লমন' অনী অসি চাউৱাক্লা শীংথানবা য়াই। ৱারী মচা অনী অসিনা ৱারী মচা কলাগী ফজবা খুৎশেম য়োনা উৎপা ঙমত্রবস্থ অঙনবা

মণিপুরী ৱারী মচাগী শক্তম অমদি তাকপা ওমই। মখোয়না অনৌবা কলা অসিগী য়ুম্ফম থোনবা হৌখি।

“অস্নুম্না চংথরকপনা, অনীশুবা লান্থাওগী মতুংদা মণিপুরগী অনৌবা পুন্সি অমা হৌগংলকপগা লোয়ননা শ্রীরাজকুমার শীতলজিৎকী মখুত্তা মণিপুরী ৱারী মচাগী মওং তাবা শক্তম অমা লাকখি। মহাকপু মণিপুরী ৱারী মচাগী অপোকপা হায়না কৌবা য়াই। মাগী ইং ১৯৪৬ তা ফোঙবা অহানবা ৱারী মচাগী লাইরিক ‘লৈকোনম্নুংদা’ হায়বা অসিদা ৱারী মচা মঙা য়াওই—য়ুবতী, নক্লবদগী, পেন্নবা, লাইরিক লেংবা! চহী অসিমক্তদা ৱারী মচা মরী য়াওবা (লমন, ইম্থোকপা, থৱাইগী মপু, ‘কমলা কমলা’) “লৈম্নুংশী” অসি ফোঙই। ৱারী মচা অয়াম্বা লান মমাঙদা ইবনি। কবি, উপন্যাসকার অমা ওইনা মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা ভাস্কক শেম্বদা অচৌবা থৌদাং য়াররক্লবা লেখক অসি মণিপুরী ৱারী মচাগী য়ুম্ফম থোনবদা অমদি কলা অসিবু শেমগৎনবা হোংনবদা অচৌবা দান তৌরিবা অথোইবা লময়ানবা অমনি।

শীতলজিৎকী মীৎয়েংদি আদর্শ ওইবা মীৎয়েংনি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অচেৎপা ৱাথন্না য়োমশিন্দুনা লৈরিবা লেখক অসিনা মাগী ৱারী মচাশিংদা, মরু ওইনা সমাজনা য়ানরে হায়না লৌনরবা ‘অচুম্বা’ অমদি ‘থাজবা’ ভেল্যুজ কয়া উৎনবা আদর্শ ওইবা চরিত্র অমদি ফজনা ইৎলবা ৱারী শেমগৎনা মক্ত্রবা তাইবং অমদা হিংহল্লি। মাগী চরিত্রশিং অসি পুকচেল চাউবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, অৱাংবা আদর্শ অমদা হিংবা, ধর্ম্ম চেনবা, চপ মান্নবা চরিত্র ওাক্তনি। মতাং অমদা মানা হায়খি, “রিএলিষ্ট অমসুং আইডিএলিষ্ট হায়রতুনা লৈরিবা অসিদা ঐদি আইডিএলিষ্ট ওইবা পামজে। ঐগী ৱারীদা ওইথোকপা ওইথোক্তবগী থোইনা খল্লুদে। ঐগী চরিত্রশিং অসি থোইদোক্লা

য়াম্না ফজহল্লিই।" এাকম অসি মাগী এারী মচাগী চরিত্রশিং না মংয়েক শেংনা উংলি।– মপুরোইববু লাইদোনা নাবী যুবতী, মাগী মুপা রাধিকাবু কৃষ্ণচন্দ্রদা পীথোক্কে খল্লিবা পুকচেল চাওবা কুমার (পেল্লনবা, মপুবোইবগী নীংবা থু নবগীদমক মপুবোইনা মুংশিজরিবা থম্বালবু মধুমদনগী লৌরুহুনা মনাও মুপী ওননা লৈমিন্নখিবী জাহ্নবী মপুবাইবা, লক্ষ্মণগী চরিত্রদা শাথংপা, লাইরিক লেংবা মযাম্বগীদমক্ত মাগী মুশিবা ত্যাগ তৌহুনা মানা মুংশিজরিবা চন্দ্রানুদেবীবু মতৈমা ওইনা পুরকখিবা মযাম্না নীংলবা, পুকচেল চাউরবা চাউবা (লাইরিক লংব অসিন চংবা কয়া। মীংয়েং অসোমদা যে উরবদি শীতলজিং আসামগী লক্ষ্মীনাথ বেজবাকগাগা চাংদম্নবা যাই। 'যুবতী' নচিংবা আদর্শ ওইবা চরিত্রশিং অসি বেজবরুগাগী "ভান্দারী" নীশি হল্ল। মসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি–"ঐগী বাবী মচা ইনিংবা পোবাখিবদি আসামগী চা বাগানগী মেনেজর এসঃ ফুকনগা উন্নবদগীনি। মানা আসামগী এারী মচাগী লাইরিক খবা পীবমই। মতম অদুদ ঐহাক 'ললিত মঞ্জরী পত্রিকা' গী সম্পাদক ওইরি।" অদুনা মাগী অশুনবা পাবী মচাশিং অসি আসামা এারামচাগী প্রভাব তারম্বা য়াবগী ওইথোকপা যান্না লৈ।

শীতলজিংগী এারী মচাশিং অসি অযাম্বনা ওবজেক্তিব অমসুং ডিসক্রিপ্তিভ ওই। এারীগী খোংজেল তপ্পী, চুম্না এারী অমা লীবা, থোঁদোক অমা য়েকপগী মওংনি। ফোংদোকপদা অমদি চরিত্র য়েকপদা অৱাংপা, অশোনবা কয়া থেংনৈ। এারী মচাগী টেক্নিক প্লোট যান্না রা লি। এারী মচাগী থিম অমদি লেখক্না যেক্লিবা অসি অয়াম্বনা পুন্সিগী ইচম চম্বা থোঁদোক, অপাম মুংশিগী শক্তোন কয়া, সমাজগী অকোয়বদা লৈরিবা থোঁদোক এাংথোক্কী মবমদা ইবনি। 'লমন' নচিংবা এারী মচা থরদদি মণিপুরী সমাজগা চুনদবা য়াওই। অইবগী এারীশিংগী

মতুংদা 'ইঙ্গোকপা', 'নম্নবদপী', 'মপুরোইবা' অসিনচিংবসি শীংথাগা যাই। 'ইঙ্গোকপা' দা শীতলজিৎনা মতম অতুগী সমাজদা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংগী লমচৎ যেকপগা লোযননা অমা অশেং, লৌনবা যাবা যাদবগী মাযযোক্তা অতুম্বা লমজি অমা উৎলি। ৱারী মচাগী ইতিহাসদা শীতলজিৎনা চাউববা মফম অমা কন্নুনা লৈরে।।

চহী মাপনমুক্কী মতুংদা এলাংবম বজনীকান্তগী ৱারী মচা তৱানা পূনশিনবা "চী য়া তময়া" ইং ১৯১৫ দা ফোঙই। মথ না ইং ১৯৫৮ দা "যুমগী মে।" মশক উৎলকই। ৱাপী মচা অযাম্বা লেখরা ই. ১৯৫৩ দগী হৌনা মোতবুং জুনিযার হায স্কুলদা ওঝা ওইবিভদা ইথিবা ওইবনা চীংগী পুন্সি অমদি নহা ওই-বিৎগী অপাম ৎংশিগী ঈথিল মমি তাই।

রজনীকান্ত শীতলজিৎকুম আদর্শবাদী অমা নত্তে। মাগী পুন্সিদা থেংনা থোদোক বযাতু চম্না অমসুং ফজনা যেক-থোকপনি। নুপা-নুপীগী থম্মোযগী মরী উ পদা থোংনৌবা ঈংশাম অমা যাওই। অৱা-অনাগী ইচম চম্বা ৱাবাদসু পুৱিং লিংশিনবা ওমহৈ। মাগী খুৎইদা পুন্সিবু খৱা কুপশিন্না যে শিনবা অমদি মংফাও দাক্ত থৌনা উংপা ডস্বগী শক্তি লে। ৱারশিগী মন্নু দা "থাওগী অই বা মাইথো", "নুশিবা থিবা" 'যাউশ', 'কংনুগী' শীংথাবা যাই। থাজগী অই বা মাইথোংদা নিঙোল ওইবীশিংনা মযুম মকৈ পানবা মতম যৌৱক্ত দা পোক-লবপা ৱাখলগী ফজরবা মশক উৎপগা লোযননা মণিপুরী চত্নবাশিংগী তুংগী যুম্বানগী পুন্সিবু মযেক শেংনা, য়াম্না মুংশিনা উৎলি। 'করিনুংগী' হায়বা ৱারী অসিদা চহী কপ্পা কাযনকরবা মতু দা থম্বাসনা মপুবোইবগী মযুমদা নোংমা লাকপদা পোক-লকপা মমাওঙৈগী মপুবোইবগা লৈমিন্নথিনা মুংঙাইরবা পুন্সি মতেক – শমজিন্নবা যাবৱোইদবা, তৎথ্রবা থম্মোয় অনীগী শক্তম

অত্তু উৎলি। চহী কুনমাথোইগী মতুংদা কোঙলকপা মাগী "কালেন্থাগী লৈপাক্লে" (১৯৭৯) দা অইবগী খুৎই অমস্থং মীৎয়েং থোইনা হোংবা থেংনদে। অকোনবগী লাইরিক অসিদা অইবদা মতমগী হিংবগী মুংশিংনা য়েবগী চৈনা খরা হেন্না য়াউবা থেংনৈ। মৈতৈ মুপীগী অথাও কনবা, অরাবা অমস্থং শেংলবা থম্মোয়গী মশক (কালেন্থাগী লৈপাক্লে); হৌজিক্কী মতমগী তৌশিন্নবা মশক অসি য়াম্না মেঙবা খোংজেন্দা খরা খরা উৎনবা হোৎনবা থেংনৈ।

মথক্তা নৈনখ্রিবা শীতলজিৎ অমস্থং রজনীকান্তগী রারী মচাশিং (চেকোঙশিংদা ফোঙখিবা রারী মচাশিং য়াওনা) অসি মীৎয়েং অমদা মণিপুরী রারী মচাগী ঙল্লিংগী শরূক হায়না খায়দোক্নুনা মতুদা চলহনবা য়াই। মণিপুরী রারী মচাগী ঙল্লিংগী শক্তম খরদি—রারী অয়াম্বনা ওবজেকতিভ অমস্থং ডিসক্রিপ্তিভ ওইবা অসিনি। মতম অসি ফাওবা হায়বদি ইং ১৯৫০ ফাওবদা মণিপুরী সাহিত্যদা রারী মচা কলা অসি মওং তানা, মফম অমা কন্দুনা মশাগী ফিরেপ অমা শাগংপা ঙমখ্রি। চুম্না রারী অমা চন্না লীবা, থৌদোক অমা য়েকপা, অপাম মুংশিগী হেনজিনবা ঈহুল (ইমোসন) উৎপা, মীওই খুদিংদা কাওরিবা অরা-অনাগী থৌদোকশিং উৎপনি। মফোঙদোক্তা অমদি চরিত্র য়েকপদা অশোনবা কয়া য়াওই। রারী মচাগী প্লোট শেম্বা, ক্রাফসমেনসিপ, তেন্না খজিক্তুংনা উৎনিংলিবা ফল অত্তু য়েৌনবা য়াঙনা থৌজিনবা খুৎই অসিনচিংবা রারী মচা কলাগী গুণ য়াম্না রাংলি। শীতলজিৎ অমস্থং রজনীকান্ত অনী অসিগী মথুত্তা মণিপুরী রারী মচাগী মশক অমা শাগং-লবস্থ কলা অসি মওং তানা চাউখৎলকপগী মতাংদদি চহী খরা ঙাইবা তাখি।

চহী কয়ামুক্কী মতুংদা শ্রীমতী বিনোদিনী দেবীনা মাগী "মুক্তায়রক্তা চন্দ্রমুখী" (ইং ১৯৬৫) ফোঙলকপদা মণিপুরী রারী

মচাগী লমদমদা অচৌবা অহোংবা শক্লোন অমা পুরকপদ নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য জগত্তা মথুম ময়াং হৌবা অমা থোকহনখি। যামিনী সুন্দর গুহ গোস্ড মেডল ফংলবা লাইরিক অসিদা অহৈবীগী লোনগী মফোঙদোক অমসুং য়েংশিন্না উংপা ওন্নগী শক্তি অঙকপনি।

বিনোদিনী তম্ফাম্না হায়স্কুলগী ছাত্রী ওইরিঙৈদগী নারী মচা ইবা হৌরকই। অহুবু চহী ১৫ রোম নবদ্বীপতা মহৈ তমহনা লৈখি। অহন্না মাগী 'ইবেন রতী', 'রাস পুর্ণিমা', 'শিন্নরম্বা' 'থৌরাণী' অসিনচিংবা মাগী নারীশিংদা নবদ্বীপকী পুন্সিগী অমসুং এক্সপিরিয়েন্সকী মমি নীংথিনা ভাই। মপানগী সাহিত্যগী প্রভাব তাবগী মতাংদা মানা হায়, "...পুন্সিদা ইমারোলগী সাহিত্যগী শকথঙনফ্রিঙৈগী মমাঙদা বাংলা সাহিত্যগা শক থঙ-নকই। ডাঃ কমলগী 'মাধবী' পাখ্রিঙৈগী মমাঙদা বঙ্কীম, শরৎচন্দ্র, বনফুল অমসুং রবীন্দ্রনাঠকা হান্না থেংনকই। মাঙজিন্দা ইখিবা ঐগী খুৎই খরদা বাংলা সাহিত্যগী মমি ফজনা তাবা য়াওখিদবা নত্তে।" অবু 'লমনদগী লাইমন', 'সুর', 'নংগা উন্নরমত্রবদি', 'ঐগী থাহোদ্রবা হৈতুপ লাসু', 'যুমগী মুপী' নচিংবা নারীশিং অসিদি মপানগী ইথিন চঙদ্রবা, মণিপুরগী পুন্সি অমসুং মণিপুরীশিংগী থম্মোয় ইহুনগী শক্তম তাকপা নারীশিংনি।

লৈমকোন্দা চাউরকপী নাঙ্গোলসনানি। অহুনা সমাজদগী থাগা লৈরবা' অমসুং 'থাজিন্দুনা থম্লবা লৈমকোনগী ভাইবং অমগী পংথখদা মাগী নারী মচা 'ইনবগী' মচাক ওইখি। অহুনা মঙোন্দা, মক ওইনা। ভুল্লিঙৈগী নারী মচাশিংদা লৈম-মকোনগী পুন্সিগা হাকথেংনবা, তত্তনা উব্রিবা তোয়নাথেংনবা তত্তনা নাকোংদা য়োৎরুধা, মীৎনা শংশং উবিবা পুন্সিগী থোদোক কয়া ময়েক শেংনা মাইথুম হাদোক্লকই। অহুনা

ঐখোয়না, মরুওইনা, নুপীশিংগী মরোল কয়া কুপশিন্দুনা লৈরিবা থম্মোয়গী ঈপোমশিং উবা ফংই। বীনোদিনীগী য়াম্না থোরবা মীৎ অমা পাল্লি। মহুনা মীওইবগী পুন্সিবু কাচিন য়েংনা উবা ঙমই। মহাক্কী থোরবা নাকোং অমসু পাল্লি। মহুনা মীওইবগী থম্মোয়গী মপাঙ্গখালবু মনুং ফাওনা তাবা ঙমই। পুম্নমক অসি হৈশিংলবা রারী লীবদোনা ঐখোয়বু মাগী রারীগী জগত্তা পুক্ষ্‌তুনা পুহুনা চংলি। চানা য়েনবা বেসবকা উমহল্লি। কাউঙমম্রবা মেজর শর্ম্মগা শকথঙনহল্লি। মসিগা লোয়ননা হোৎরবা পুন্সিগী নিংঙমদ্রবা স্বর কয়া, নুংঙাই য়াইফবা মীওইগী পুন্সি, থম্মোয়দা লোন্না থুপ্না লৈরিবা অপাম নুংশিগী কাউঙমম্রবা থোদোক কয়া য়েক্লকপদা মাগী কলাগী হৈশিংলবা খুংশেম থেংনৈ। তশেংনমক বিনোদিনী য়াম্না হৈশিংলবা অমসুং শেমজিন শাজিনবা হৈরবা আর্টিষ্টনি। মাগী ষ্টাইল অমসুং মগুণদি কনাগুম্বা কলাকার অমনা মচু খরতনা ফজবা লাই অমা য়েকপা অদুগুম্না মাগী হৈশিংলবা লোল অমসুং খজিক্লংনা ফোঙদোকপা মফোঙদোক্লা মীওইবগী নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা চরিত্র, মচরিৎ অমসুং শাজং অদু ময়েক শেংনা উংপা ঙম্বা অসিনি। মাগী রাইরাতাদা বীণাগী খোঞ্জেলগুম যাহু অমা তভনা ঈরোয়নৈ।

হৌজিক্কী আধুনিক সাহিত্যদা ঐখোয়না তভনা থেংনরি। মতমগী পুন্সি মহিংনা পুরকপা লুরবা পুন্সিগী চময়রবা রাহং খ্যয়। ঈরোয়নরিবা হৌরমশিংদা বিনোদিনীনা মাগী কলম থাদে। মশাগী লোন্দাদা হায়বগা—"কুইনা তারুব্রা স্বর অমা তারগা স্বর অদুগা ঈরোয়ননা ঙাইহাক হাউথরুবনি। পুন্সিগী চাবি হন্থংনা লৈথংপনি।" তশেংনমক বিনোদিনী য়াম্না রোমান্টিক ওই। মাগী থম্মোয়দি থাবলগী ইপোমগুম্বনি। হিহোলবশিংনা য়োঙমম্রবা লমদমদা কোইপাই পাইহুনা লৈরিবা তাইবংনি।

মাগী অযাম্বা ৱরীশিংদা ক্লাসবেক টেক্নিক শিজিন্নত্নুনা। পুন্সিগী অমদি অপাম নুংশিদা নীংবা কায়রবা মীওইশিংগী মশক য়েকই। চরিত্র য়েকপদা বিনোদিনী থোইদোক্না হৈশিংই। ইবেন ৱতী, চরিক পরেং, কেশবকী চানা হাযরিবা ৱারীশিং অসিদা কাউ-ঙমদ্রবা মীওই বযাগী চরিত্র থেংনৈ।

' বিনোদিনীনা "নুঙ্গাযলক্তা চন্দ্রমুখি" ফোঙলকপা চহী ইং ১৯৬৪ অসিনা কোল্লিবা মতম-শন্না ইং ১৯৬০ দগী ১৯৭০ ফাওবগী মতম অসিদা ৱারী মচাগী অকনবা ঈহৌ অমা লাকখি। মসি মণিপুরী ৱারী মচাগী শীংথানবা য়ারবা মতমনি। অইবশিংনা টেক্নিক, ষ্টাইল অমসুং পুন্সিগী মীংয়েং থেন্নবা অনৌবা খুৎশেম কয়া শেমত্নুনা ৱারী-মচা কলা অসি মণিপুরী সাহিত্যগী শীংথানিঙাই ওইরবা লৈচন অমা ওইহনখি। মণিপুরী ৱারী মচাগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা, মরু ওইরবা মতম অসিদা ফোঙলকখিবা তোঙান তে ঙানবা মহাও চেনবা শীংথানবা য়ারবা লাইরিকশিংদি —কুঞ্জমোহনগী 'চেনখিদ্রবা ইচেল' (১৯৬৫), প্রকাশকী 'ইচেগী শম' (১৯৬৫), শ্রীবীরেনগী 'লৈচিল্লকী থাজ' (১৯৬৫), নীলবীর শাস্ত্রীগী 'বসন্তী চরোং' (১৯৬৭), গুণগী 'ফিজও মকমদা' (১৯৬৯). চিত্রেশ্বর শর্ম্মগী 'শান্নবুঙদা' (১৯৬৮), দীনমণিগী 'থক্লবী' (১৯৭০) রনেনগী 'মমিং তরা' চিত্রেশ্বর শর্ম্মগী 'ঙসিদি লাক্লে' (১৯৭০) অসিনচিংবনি। মসিগী মথক্তা সাহিত্য, ঋতু, ৱাখল, ঈরা, মীংয়েংনচিংবা চেফোঙশিংদসু ৱারী মচা কয়া ফোঙত্নুনা কলাসি চাওখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং য়াখি।

অসুম্না চেন্থরকপা ৱারী মচাগী ইচেন্দা কুঞ্জমোহন অমসুং প্রকাশ চঙলকপদা অনৌবা খোঙচৎ (ট্রেন্দ) অমা লাকখি। খোঙচৎ অসিদা শ্রীবীরেনগা অমুক তিন্নখিবদা অঙনবা শকক্তা লৈরম্বা ৱারী মচাগী মশক হোংখিত্নুনা মতমগী পুন্সি অমসুং মণিপুরী সমাজগী মশক য়েকপা ঙম্বা কল্লবা কলা অমা ওইনা

মশাগী চপচাবা ফিːবপ লৌখি ।। সমাজগী অমোংপা, অশোনবা মীচং মীখাই নাইবা, মাঙথরক্লবা পুন্সিগী মশক কয়া ইচঙ থোরনা য়েক্লবা হোংনরকই। হিংলিবা পুন্সিগী লানফমদা চঙশিন্দুনা সমাজগী অরা অনাগী চৈনাথোন অমদি অমোংপা পুন্সিগী মশক মখোযগী থৌববা কলয়া মযেক শংনা য়েক্লকই।

ইং ১৯৬১ দা কুঞ্জমোহন পোক্লকম লমদম কাছাড়গী পশারবন্দগী মণিপুরদা লাকখি। শাংলা সাহিত্যনা যুম্ফম ওইদুনা মাগী অহানবা সাহিত্যগী মঙাল ফঙখি। 'জীবন উৎসবগ', সহবে কেনা এলাম' অমসুং ওইরিঙৈদা বালা লোন্দা ইথিবা শাবী-শিংনি। 'চেনখিদ্রবা ঈːচল' (১৯৬২) অসি লেখক্কী পোক্লফম লমদম কাছাড়, মহৈ তম্লকম শিলং অমসুং গোহাটিগী মফম কয়াদা থেংনরকপা মণিপুবগী মপানগী পুন্সিনা নম্না উংপা লাইরিক্নি। কুঞ্জমোহনদি হৌজিক্কী পুন্সিগী মশক যেক্লবা হোংনরিবা লেখক অমনি। পুন্সিগী মনুং হুনজিনবা রারী কয়া, পুন্সিগী খোঙচত্তা ঙাথু থেংথুরবা অচম্বা থৌদোক কয়া অমদি নাকোংদা, মীৎমাঙদা য়ৌরক্লবা মাঙথরক্লবা মতমগী পুন্সিগী শক্লোন কয়া নীংখিজনা উংলি। মাগী খোইদোংপা মগুন অমমা লৈত-লাইর, অর-অনা অমদি খুঙ্গগী পুন্সি উংপদা মণিপুরী রারী মচাগী লমদমদা তোপ-তোপ্পা ফিরেপ অমা লৌরি। ইচম চম্বা থৌদোকশিং অতু য়াম্না হৈশিংনা রারী লীবা ঙমই। রারী লীবদা অমদি উংপদা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং চেকশিনবা খুংইগা লোযননা ইহৌ। শম্না হায়রবদা কুঞ্জমোহনগী মফমদা গুণ অহুমথক থেংনৈ—১। লৈত-লাইর, খুঙ্গংগী অরাবা পুন্সি উংপা ঙম্বা, ২। মাঙথরক্লবা মতমগী পুন্সিগী মশক ফজনা উংপা ঙম্বা; ৩। রারী ইবা অমসুং লীবা হৈবগী গুণ।

লৈত-লাইর, খুঙ্গংগী পুন্সিগী মরমদা ইবা রারী মচা অয়াম্বা কাছাড়গী পুন্সি উত্তুনা ইবা ঙাক্তনি। কাছাড়দা লৈরিবা মণিপুরী

মচাশিংগী পুন্সি তোপ তোপ্পা ফিবম অমনি। মীশিং য়ামজন্নবা বঙ্গালী অমদি মযাংনা কোম শিদুনা হিংলিবা, লৌউ-শিং উবনা মরুওইব শিনফম ওইবিবা কাহাড়দা পৈরিবা মণিপুরীশিংগী তোপ তোপ্পা অমা-অনাগী সমস্যা লৈ। অসিগুম্বা ফিবমগা হাকথেংনরকপা অৱা অনাগী এক্সপিরিয়েন্সতী ইবকপা মাগী ৱারী মচাশিং অসি মশক নাইনা চোংথোক্লুনা লৈরি। 'বাথর হোংবা', 'কামধেনু', 'লৌথংপা', 'ইলিশা অমগী মহাও' অসি নচিংবা 'অসি মথল অসিগী ৱারীনি। ইলিশা অমগী মহাও' দা থোংননবা চেঙ লৈতবদগী, লাম্বববা চাউবনা ৱানা ফাজবরুনা ইলিশাগী মহাও তংবা ঙমদনা তোকখিবা অমাবগী পুন্সি মচক য়াম্না ফজনা উংলি। অসিগুম্বা লৈত-লাইরগী পুন্সি উৎপদু বাংলা সাহিত্যগী মমি তাবা যানৈ। থোইদোক্নমু শরৎচন্দ্রগী 'মহেশ' বী মম মগী 'কামধেনু' দা তাই। মসিদমু নত্তনা বাংলা সাহিত্যগী মমিং চৎলবা বন্দ্যোপাধ্যায় অহুম-তারাশঙ্কর মানিক অমসু বিভূতি ভূষণগী খুৎইগী মমি মাগী ৱারী মচা শিংদা তাবা থেংনা।

মাগী 'ধানোম্বা', 'ৱাযেল', 'কবি-হৃংগী' ৱারীশিং অসিদা হৌজিক্কী মংমগী অমোংপা, মোরেল যাওরক্লবা পুন্সিগী মশক উংলি। 'বানোম্বা' দা মপু ৱাইংগী প্রমোশন মচা অমগীদমক মশাবু কোম্না লমলানবা ওফিসারদা শিন্নথোকই 'অহিং অমগী পম্মো', 'থাইগী লৈরাং অমনবী' শিংদা লাইরিক তমংলিঙৈদা থেংনরকপা পুন্সিগী মথল মথাগী এক্সপিরিয়েন্স ভাক্তনি। কুঞ্জমোহনদি ৱারী লীবা, লাম্বোকপা, প্লোট শেম্বদা থোইদোক্ন হেশিংই। উচন চেৎপা অমদি মথুৎ নানবগী গুণ মওান্দা লৈ। মাগী 'থবান্থিচাক অমনা কেনখিবা' (১৯৭৯) অসি সমাজগী সমস্যা নৈনবগী মায়কৈদা খরা হেন্না চঙশিল্লকই। লৈত-লাইর, অৱা-অনা, শেন্ত্রাও পায়বা, শেনজা থুমজা অসি

সমাজগী সিষ্টেমগা মরী লৈননা উহনুনা হৌজিক্কী পুন্সিগী অচুম্বা মশক অসি পুথোক্লবা হোনৈ।

খুমন্থেম প্রকাশতি কুঞ্জমোহনগা খেন্নবা খরা লৈ। ছাত্র ওইরিঙৈদা গৌহাটিদা থেংনরকপা এক্সপিরিএন্স অমসু নহা ওইরিঙৈগী থৌদোক রাখোক্লা মপুং ওইনা শাগৎপা 'ইচেগী শম' (১৯৬৬) অসি নুপা-নুপীগী বোমথোকহল্লবা মরী, মাঙ থয়ক্লবা লৈচং-শাজংকী মবমদা ইচঙ থৌনা ইবা লাইরিক অমনি। মসিগা লোয়নননা ইচম চম্বা মীওইবগী থম্মোয় খুদিংদা পানগদবা অনংবগী অৱাবা ৱারী 'পুত্রি মচা' নচিংবসু য়াওরি। 'লমন খুম্বা', 'মচিন-মোম্না', 'মনোরমা', 'ইচা' ৱারীশিংদা লোম্না থুপ্না চেল্লিবা মোংলবা সেংকী সমস্যা নৈনবগা লোয়ননা নুপা-নুপীগী লৈনরিবা মরীগী অরোনবা মশক অমা পুথোক্লই। মসিগী মথক্তা প্রকাশনা হৌজিক্কী সমাজগী করপশনগী অমোংপা শরোনশিং অসি ঐখোয়দা উহল্লি। 'ৱাকং', 'ৱা-নাম শবেং' নচিংবা অসি মখলসিনা ৱারীনি।

শ্রীবীরেনদি অতৈ লেখকশিংদগী খেন্নদা তৌথাইনা লৈরিবা অইবা অমনি। মতাক্তি হৌজিক্কী পুন্সিগী সমস্যা নৈনহুনা ইবা লেখক অমনি। শ্রীবীরেন্দা সমস্যানা হান্না মাঙ থাহনা লাকই। হৌজিক্কী সমাজগী অমোংপা লাযনা, তৌশিন্নবা, ভেঙ্গু য়াম্বরক্লগা নুপা-নুপীগী লৈনবা মরীদা শম্নবা ঙমদনা কোমথাক্লবা, ইতন তনথরবা পুন্সি মহিং কয়া অসি উংলি। হৌজিক্কী মতমগী হিংবগী চৈনাখোল অমসুং মণিপুরী পুন্সিগী শক্রম উৎপদা অচৌবা শকুক য়ারিবা শ্রীবীরেন্নি। মহাক্না হৌজিক্কী পুন্সি অমসুং মণিপুরী সমাজবু য়াম্না বম্না আলোচনা তৌই। কম্না হায়, থীনা চৈ, য়াম্না শাউই, য়াম্না তুকচৈ, য়াম্না নীংবা কায়, ইতন তনথৈ। মহাক "এঙগ্রি য়ং মেন' অমগী ফিরেপ্নি।

মাগী 'লৈচিল্লকী থাজ' (১৯৭৭) অসি ইং ১৯৬০ দগী ইং

১৯৬৭ ফাওবগী মনুংদা ইবা ৱারী মচা ১৪ গী পূনশিনবা লাইরিক্কি। 'নুংশিবা', 'পুন্সি', 'শৈচিল্লকী থাজ' – অনৌবা ঈথক ইরাং কয়ানা মপুং ওইরিবা ওল্লিঙৈগী ৱারীশিংনি। মনোবৈজ্ঞানিক ওইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা হৌজিককী মণিপুরী সমাজগী মশক অমসুং পুন্সি মহিং উৎনা ইবা 'নাঙ্গোকখি' অমসুং 'মসিনা ইম্ফালগী ৱারীনি' হায়বা ৱারীশিং অসি মণিপুরী সাহিত্যদা তোপ তোপ্পা শক্তম চেল্লিবা ৱারীনি। 'নাঙ্গোকখি' ৱারীদা মহৌশাগী নুপা–নুপী (মতৈ-মনাউ) গী অচেৎপা মরী অমু থুগায়ু-ড্রনা শন্নবা ওমত্রবা, যাওনবা ওমত্রবা মরী অমা উৎপগা লোয়ননা পুন্সিগী মহিংনা পুংকপা মরেক-মহাউ য়াওম্বা মহিং অনা উৎলি। অইবগী লোন্দা হায়রগা—"...পুন্সি হাযবসি ভাব ইতা তাদবনি। পুন্সি হায়ববু তৌরিবসিনি। মফম মরাং অমতা খওদবনি। যু ইচা চাদবনি। হৌজিক্তি ঐগী থম্মোযদা খরায় য়াওদ্রে। থরাযদো কদাযদা চংগ্রে? থম্মোয়গা থবায়গা পুনশিন্নু য়াদ্রে।" অসুম্না 'শেগায়রবা কুরাংপান' দসু শমজিন্নবা তাইশিন্নবা যাদ্রবা নুপা-নুপীগী মরী অমা উৎলি।

লোনগী মাইকৈদসু শ্রীবীরেন্না অসুক-নুমিদাং শিজিন্নবা লোন্দা পুদাদা মরক মরক্তা ইংরেজী ৱাহৈ যানশিন্দুনা হৌজিককী পুন্সিগী চপচাবা মশক উৎননবা হোংনৈ। ময়া থৌরবা ব্লেডকুম অকনবা লোন্দা কয়া চাংম্নেং তৌই। পূম্নমক অসি লেখক্কী অকক্নবা অনীংবা অমদা হুমতুনা পুথিবনা ৱারী মচাগী ফজবা কলাগী থুংশেমগী মতাংদা পুক্লিং চওলক্তে। অতুবু শ্রীবীরেন্না পীরিবা তোপ তোপ্পা ৱারী মচাগী মশক, মহাউ অমসুং মীৎয়েং অসি অচৌবা দান অমনি। অসুম্না চৎরক্লিবা ৱারী মচাগী ঈচেলসিদা নীলবীর শাস্ত্রী, গুণ, দীনমণি, চিত্রেশ্বর, বীরমনি; প্রেমচান্দ, শরৎচন্দ্র, সোনামনি নচিংবা কয়ানা অনৌবা ঈনোং হাপ্লি। গুণনা মাগী "ফিজঙ মরুমদা" (১৯৬৯) হায়বা ৱারী মচাগী

লাইরিকসিদা লৈত-লায়রগী পুন্সি অমদি মীওইবগী লোন্না থুপ্না লৈথ্রবা মরী উংলি। মাগী অনীশুবা লাইরিক "লংজিল মাওথ্রবা কিশি" ১৯৮১) অসিদা মাগী তোখায়বা মীৎয়েং অমসুং স্টাইল থোইনা হোৎলকপা থেংনদে। য়াম্না চন্না লৈত-লাইর, অরাবা পুন্সি উংনবা হোৎনবদা মপুং ওইনা মীংয়েং থমই। বারাগী পোলোয়দা পুন্সিগী ওন্ন-তৈনবা মশক অদু অপাবগী মাদা থমই অদুগা পুন্সিগী মনুংদা লোত্তুনা লৈরিবা শক্লোন অদু পুন্সিগী অচুম্বা মশক্তি হায়না উংনবা হোৎনৈ। নীলবীরগী বসন্ত চরোং' ১৯৬৭) গী বারা মচাশিং অয়াম্বা আদর্শ ওইবা অমসুং অরা-অনা, তোল্লবা মীশিংগী পুন্সি উৎপনা মপুংনি অসিগুম্বা অরা অনাগী পুন্সি যেকশংগী কম্বীদা। শ্রীএ. চিত্রেশ্বর শর্ম্মসু চঙশিল্লকই। মাগী "ওসিদি লাক্লে" (১৯৬০) চন্না ফজবা অরা-অনাগী পুন্সি, থোদোক উৎপা বারী কয়া যাউরি। শংৎচন্দ্র নোংথোম্বগী 'অহেনবা ঈ' (১৯৮১), লোইতোংজম প্রেমচান্দগী 'শাহিং চাবা অমগী বারী' (১৯৮২), সোনামণিগী 'জগন্নাথ পজাবী' (১৯৮২) অসিনচিংবা বারী মচাগী লাইরিকশিং অসিনা হৌজিক্কী পুন্সিগী মথল-মথাগী শক্লোন উংলি।

বারী মচাগী চথরক্লিবা ঈচল অসিদা তোখায়বা ঈচেল অনীগী তোঙানবা মশক অমসুং খুৎইগী স্টাইল অনীথক থে নৈ। অমনা লমাবম বীরমনিগী 'পিকপিক' (১৯৮০), 'চেক্লা পাইথ্রবদা' অদুগা অতোপ্পা অমনা এলাংবম দীনমণি—'তিংখংলৈ' (১৯৭৭) 'পিস্টোল তমা কুন্দালৈ অমা (১৯৮১)। শ্রীদীনমণিনা মসিগী মমাঙদা ফাগীনা মপুং ওইবা বারী মচাগী লাইরিক অনী ফোঙখ্রে—'থরুবী' (১৯৭০) অমসুং 'মোরাশী অঙাওবী'। লাইরিকশিং অসিদা য়াওবা—'ঐগী রেডিও', 'পিকনিক', 'ইতাওনা শাবিবা ফৌঙথোঙ' য়াম্না ফজবা, চেকশিন্না ইবা নোক্লিং বারশিংনি। মণিপুরী সাহিত্যদা (তোংব্রাগী মতুংদা) হাস্যরসনা

চঙশিল্লকপা অইবা অমনি। দীনমণিগী খুৎইদা অমসুং পুন্সিগী মীংযেংদা য়াম্না য়াংনা থোকপা, তয়াং-ত.শাই, অয়ুক নুমিদাং শিজিন্নবা মকক ওইবা লোন্দা-পুদা শিজিন্নবা অসিদগী খবা হেন্না লূম্বা, পুন্সিদা খরা মরেপ য়োখনা যেংবা মীংয়েং খরদি মাগী 'পিষ্টোল অমা কুন্দাল্লৈ অমা' অসিদা থেংনৈ। যৌশিনবা থম্মোয়গী মীনুংশি অমসুং মীওইবগী লমচংকী মরুওইবা মচি অদু পুথাক্লুনা ৱাবামচাশিং অসিদা উংলকই। 'দ্রুত বিলম্বিত' 'পিস্টোল অমা কুন্দাল্লৈ অমা', 'ঈচল খকথবা তীর্থ মচা' নচিংবা ৱারী মচাশিং অসিদা ৱারী মচা ইবগী খুৎগী ফজবা পানা থেংনৈ। দীনমণিগী মতাংদা মীৎযেং অমসুং ইহৈল অমনি। মানা হৌজিক্কী মাওথক্লবা পুন্সি, নৈনহংপীবা, হিংবদা পাববা ফিভম, সমাজ অমসুং লৈঙাকলোন্না নৈনহংপীরবা মীওই-শিংগী পুন্সিবু ময়েক শেংনা পুথোক্লকই অপুগা মখোয়বু যান্না শিখোলিক অমসুং এলিগোরী ওইবা মওংদা অচুম্বগী মশক্তু উৎনবা হোৎনরকই। মাগী 'পিকনিক পিকনিক' হায়বা ৱারী মচা অসি হৌজিক্কী পুন্সিগী অচুম্বা মশক উৎলিবা, মণিপুরী ৱারী মচাগী অনৌবা শক্তম তাকিবা ফজবা ৱারী মচা অমনি।

অদুবু হৌজিক্কী মতমগী পুন্সি সমাজ অমসুং হিংবগী সংসা নৈনহুনা ইবা অনৌবা ৱাখলগী মশক, কলাগী খুৎশেম অমা নহারোল অইবশিংগী ৱারী মচাদা থেংনৈ। মখোয়না হৌজিক্কী সমাজ অমসুং পুন্সিগী অচুম্বা শক্তম্বু ময়েক শেংনা ওংলি। মায়কৈ অসোমদা কন্না চিংশিল্লিবা অইনশিং দি—ইং ১৯৭৫ গী ওক্টোবর থাদা শ্রীকুঞ্জমোহননা সম্পাদক ওইদুনা থাৎখৎগী ওইনা ৱারী মচাগীতা ওইবা চেফোঙ পুথোক্লিবা 'মেবক' কী কাওবুনি। মখোয়না হায়, 'চেফোঙ অসিগী পান্দমদি অরোইবা পন্থুং অমা থৌনবা অকক্লবা লম্বী অমদা চংপা নত্তে, ৱারী মচাগী আলটিনেট ফ্রিদম কংনবা লম্বী অমা

থাশিবা লৈতা নীংশিংবা থিংনী শোগচৎনি।" 'মরিক' বী ঈহৌ অসি লালোম্বা হিন্দী সাহিত্যদা লৈরিবা 'সমান্তর কহানী' (প্যারালেল স্টোরী) গী ঈহৌগা লৈনা চাদনা। যাই 'সমান্তর কহানী'গী ঈহৌগী মরু ওইবা নহারোল অইবশিং অসিন নিংহৎ-পীরবা মীচমগী পুন্সি লেহই। হৌজিক চঙ্ফাও অসি অগম শোঙবা থেংনশিনদ। মখোয়গী মরুদা খ পানবা যাবা যুম-জেম্বম ইবোমচাগী মালৈ 'লৈশিং', প্রিয়োকুমারগী 'মীরেনশঙদা', নীলমণিগী 'হুইনা বচন' পুনসিনবা যাবা অসিনি।

অমুক্তা শেরোবা পার্বা মচাগী চৎথ কয়া চংশিল্লি। মরু ওইনা নহারোল অইবশিংনা অর্থ যাওদবা লেঙাক্তানা, তোঙানবা নিংতম্লিবরা, আশা পাইবা হায়মগ, অমোংপা পুন্সিগী মযেক কয়াসি মযেক শেংনা উৎপা হৌবরই। ঐখোয়গী পুন্সি মহিং অসিবু মরু ওইনা লৌগনা লৈবোম কয়াবু ফাক্লোক্লুনা হৌজিক্কী পুন্সিগী অচুম্বা অর্থ থিনবা হোৎনরই। মখোয়গী কলম ময়া থোরই। পিদে, নীললদে, হায়রিংবা কয়া ইচঙ থোনা হায়। হৌজিক হৌবকিবা পার্বী মচাগী ঈহু অসি সাহিত্যগী আন্দোলন অমনি। হৌজিকী পুন্সিদা যাওশিন্দুনা চপচানা শকক যাদনা হিংলি হায়বগী খুদম, দানীনি, খোল্লাউনি। অসিগুম্বা হৌজিক্কী পুন্সিগী মহিংনা পুক্কপা, মতমগী বাথলগী মমি তাবা মোডর্ণ সেনসিবিলিটি উৎপা ঙাম্বী মচাগী মশক অমা নৌখৈনবা মণিপুরী সাহিত্যদা চঙলকপা হৌবে।

ভারতকী নীংতম্বা আন্দোলন অমসুং সাহিত্য

সাহিত্যনা সমাজগী হোংলক্লিবা পুন্সি য়েকই। জাতিগী আশা-ভরোশা, মী কাওলুপকী পুন্সিবোল পুম্নমক সাহিত্যদা নীংথিনা মমি তাই। ভারতনা লাকইবা অনৌবা, জাতিগী ওইনা ওল্লকপা বাখল অদু সাহিত্য অমসুং কলাদা য়াম্না শাফু কন্না ফোঙদোকপা থেংনৈ। কবিতাদা, ড্রামাদা, উপন্যাসদা, থবক্‌-চেফোঙ কয়াদা, পমফ্লেট কয়াদা— অকনবা ঈনিল অমগা লোয়ননা লাক্লিবা ইনিংবগী ঈথিল অদু ফোঙদোক্লকই। অইবশিং অমসুং লাইরিক-লাইশু হৈরবা ইন্টেলেকচুয়েলশিংনা মখোয়গী খুৎইনা মবম ওইদুনা মীয়ামগী বাখল-লমডি' পী, থবায়-পাঙ্গল, লিংজেল-হাম্নী। বিপ্লব খুদিংমক, আন্দোলন খুদিংমক সাহিত্যনা ইনশিনবা ঙাক্তনি। সাহিত্য য়াওদনা আন্দোলন হৌবা ওইথোক্তে। বিপ্লব (রিভো-লুসন) নত্রগা আন্দোলন হায়বসি অইবা অমসুং অঙাঙবা য়াওদনা মথবায় পান্দুনা চৎলু হায়বা য়াদে। ফ্রেন্স রিভোলুসন থোকপগী মরম কয়া লৈবম্বা য়াই। অদু Montesqueu, Voltaire, Rousseau নচিংবা অইবশিং, দার্শনীকশিংগী খুৎইশিংনা' ফ্রেন্স রিভোলুসনগী থৌরাং তৌহনখিবনি। রুশোগী "সোসিয়েল কনট্রেক্ট" না রিভোলুসনগী ব'খলগী মচাক হুনখি অদুগা বিভো-লুসনগী মতমদা বাইবল ওইনা শীজিন্নখি। রুশোগী "Man is born free, but everywhere he is in chain"— বনাগী থম্মোয় য়াকাইরোইদবা য়াউবগে! আমেরিকাগী সিভিল বারদসু সাহিত্যনা অচৌবা থৌদাং য়াথিদবা নত্তে। আমেরিকা মশাগী জাতিগী ওইবা সাহিত্য লৈজরমদে— য়ুরোপতগী লাংজবনি। অদুবু ইং ১৮২৯ দা "দি ইনসাইক্লোপেদিয়া আমেরিকা"

ফোঙলে। Emerson, Howthorne, Fenimo Cooper, Poe, Longfellow, Baneroft, Holmes নচিংবা অইবা কয়ানা আমেরিকা মশাগী সাহিত্য শাগৎপা হৌখি। মসিনা অনৌবা, মশাগী জাতিগী তোপ-তোপ্পা মশক লেপ্পদা তেংবাংখি। হায়নবা লৈ— মীনায় লোয়বগী, ওৎ-নৈবগী মরমদা, ফিউজিটিভ স্লেভ এক্টকী মায়য়োক্না ইবা Mrs. Harriet Beecher Stowe গী "Uncle Tom's Cabin" (১৮৫২) কৌবা লাইরিক অসি ফোঙলমত্রবদি সিভিল বার শোকরমদবস্থ য়াই। লীলা ওইনা চহী ৭৫ চুপ্পা শান্নখিবা, যুগ অতুগী খ্বায়দগী মমিং চৎপা সিভিল বারগী ঈথিল ঈহৌ পীখিবা লাইরিক্নি। অসুম্না গোর্কি তোলষ্টোয়নচিংবা রুসকী অইবা কযানা ওক্টোবর রিভোলুসনদা অচৌবা থৌদাং য়াখি। ভারতকী নীংতম আন্দোলনদসু সাহিত্যনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং যাখি। অইবশিংনা হাকথেংননা আন্দোলন হৌহনবা নত্রবসু মখোয়গী খুৎই কয়ানা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাবোলশিংদা রাখলগী মমুন ফারবা বিচার তৌনবগী শক্তি পোকহনখি। রাহৈ রাতা, নিয়ম, খুজিল-থৌরাং, পোরম পোম্বিং, মরৈ-শক্তি কয়া পীখি। মখোয়গী খুৎইনা থাপ্না অমসুং পাক্না শন্দোকখিহ্নুনা মীয়ামদা ঈরাং হৌহন্দুনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপদা তেংবাংখি। শম্না হায়রবদা সাহিত্যনা আন্দোলনগী রাখলগী চৈশু অমসুং থৌনানি।

১৯ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা বাংলা সাহিত্যগী অনৌবা যুগ অমা হৌরে। ফোর্ট রিলিয়ম কলেজ লিংবা, শ্রীরামপুরদা ব্যাপটিষ্ট মিশন লিংবা, ছাপাখানা লিংখৎপা, টেক্সবুক কয়া ইরকপা অসিনচিংবদগী মতম কুইনা কবিতানা শাসন তৌরম্বা তোক্লুনা "বারেং সাহিত্য" না মপান ফগৎলকখি। চপচাবা বারেং সাহি-ত্যগী কজবদি রাজা রাম মোহন রায়গী মখুত্তগী থোকখি। নোং-চুপকী শিক্ষা ফংলবা নহারোলশিং অমদি অইবশিংনা রিনাসাঁগী

রাখল থাবাগা লোয়ননা অনৌবা বাংলা সাহিত্য পৈমগৎপা হৌখি। খবর অমসুং চেফোঙ কয়া ফোঙলে। খবরশিংগী মমুংদা— "বন্দে মাতরম", "সন্ধ্যা", "যুগান্তর" শীংথানবা য়াই। চেফোঙ-শিংগী মমুংদা সমাচার দর্পণ (শ্রীরামপুর মিশন), সংবাদ কৌমুদী (রাম মোহন রায়), বিবিধার্থ সংগ্রহ (রাজেন্দ্রলাল মিত্র), তত্ত্ববোধিণী পত্রিকা (দেবেন্দ্রনাথ ঠাকুর), সংবাদ প্রভাকর, (ঈশ্বর চন্দ্র গুপ্ত), বেঙ্গল গেজেট (১৮১৬ গঙ্গাধর ভট্টাচার্য্য), সমাচার চন্দ্রিকা (১৮২২-ভবানী চরণ বন্দ্যোপাধ্যায়), বঙ্গদর্শন (১৮৭১-বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায) অসিনচিংবা। খবর অমসুং চেফোঙশিং অসিনা রাজনীতিগী চেতনা পুরকপদা য়াম্না তেংবাংখি। তশেংবমক জর্নেলিজমনা নীংতম-আন্দোলনদা মক ওইবা থৌদাং য়াখি।

সিফাই লালহৌগী মতুং চহী ৩ লৈরগা ফোঙলকপা দিনবন্ধু মিত্র (১৮৩০-১৮৭৩ গী "নীল দর্পন" (1860—The Indigo Planting Mirror) হায়বা ড্রামা অসি নিম থাবা সাহেবশিংনা ভারতকী লৌউ-শিংউবা মীশিংদা তমথিনা ওৎ-নৈবা উৎপা, ফজরবা সোসিয়েল দোকুমেন্ট অমা ওইরবা, বাংলা সাহি-ত্যগী ইহান হানবা প্রতিবাদ (প্রোটেষ্ট) তৌবা লীলা অমনি। ড্রামা অসিনা মতম অদুদা অংবপা ঈরাং অমা থোকহনখি। ড্রামা অদুদা মিঃ রোগনা ক্ষেত্রমনি কৌবী লৌউবগী মচানুপী ওৎপা অসি থম্মোয়দা য়েক্কুনা লৈব্রবা দৃশ্য অমনি। কাউঙমদ্রমা মতাং অমা:—

মিঃ রোগ : মুংশিবী, মুংশিবী, ঐগী নাক্তা চঙশিল্লকউ।

ক্ষেত্রমনি : সাহেব, নহাক্ত ঐগী ইপাগুম্বনি, ঐবু থাদোকপীয়ু (রোগকী মথুৎ পায়রুনা হায়জে); ঐবু চৎহনবিয়ু, থাদোকপীয়ু, নহাক্তি ঐগা ইপামক্নি।

মিঃ রোগ : ঐহাক নহাক্না পোক্দোরিবা অঙাংতুগী মপা ওইবা পামই। লাউ ফমুংদা কাথৎলকউ নত্রবদি নঙগী

নবুত্তা থোঙপাক্লা কাউগনি।

ক্ষেত্রমনি : নত্তে! নত্তে। ঐগী ইচাসি শিবা তাব্রে। ঐহাক নাউপুরিবী,হুপীনি। থৌজানবিয়ু, ঐহাকপু থাদোকপীয়ু। ঐহাক মীরোনবীনি।

মিঃ রোগ : (মাগী ফিরোলশিং অহু শেগায়দুনা) নঙনা ফি শেন্তুনা লৈবা অহু ঐ য়েংগে। অহুদগীদি নঙোন্দগী ইকাইবা মরাইনা চেনজখিগান।

ক্ষেত্রমনি : সাহেব, ঐহাকী ফি লৌথোকপীগনু, ফিশেন্তবী ওইহনবীগনু। সাহেব, ঐদি নহাকী নমানি, নঙদি ঐগী ইচানি। ঐগী ফি লৌথোকপীগনু।

মতুংদা সিন অসিদা তোরাপ কৌবা লৌমী অমগা গোলক বসু কৌবা মচাগা চঙলকই। তোরাপনা সাহেব মিঃ রোগ অদুবু মুই। থম্মোয় কাযরবা দৃশ্য অসি য়েংবদা থাঙবা ঙমত্রদুনা ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগরনা মিঃ রোগ শান্নিবা অবধেনদু সেথর মুস্তাফিদা মাগী থোঙউপ শংলগা লঙশিল্লবখি। থোঙউপ লঙশিল্লিবসি মীয়ামগী থম্মোয়'মুংদা ওমদুনা লৈরিবা ভাতি অসিগী অশাউবগী মৈরীগী সিমবোলনি। লীলা অসি য়ু, পি, দা উৎপা মতমদা ভাবোক ওইরিবা বৃটিশগী লাম্মীশিং অদুনা মিঃ রোগ মুবদা শাউমনগ্রদুনা থাংশাং শংলগা ষ্টেজ মথক্তা কাথংলকখি। লীলা কায়খি। সরকারনা লীলা অসি থিংখি। মধুসূদন দত্তনা ইংরেজীদা হন্দোক্লুনা Rev. James Long না যোঙবগীদমক্তা লোংবু চেন্দ থাঅমা থমখি। "নীল দর্পন" না তুমদুনা লৈরিবা ভারতমচাশিংদা মিৎ পাঙহল্লবখি। লীলা অসি বেঙ্গলগী "Uncle Tomb's Cabin" নি। লীলাসিগী ফলনা কমিশন ওফ হুনক্বারী শেমদুনা নিম থাবগী ফিভম অমদি কারবার অসিগী মরমদা য়েংশিনখি। মসি ভারতকী অহানবা লৌমীশিংগী আন্দোলননি।

মথংদা ভারতকী দেশপ্রেমগী ঋষি হায়না খঙনরবা বঙ্কিমচন্দ্র

খোল্লক্লে। মাগী অমব ওইরবা মন্ত্র, হৌজিক্কী জাতিগী ঈশৈ ওইরিবা "বন্দে মাতরম"-- ভারতকী নীংতম-আন্দোলনগী খোল্লাউ ওইনা শীজিন্নখি। 'বন্দে মাতরম' অসি বঙ্কিমনা ইং ১৮৮২ দা ফোংডবা "আনন্দমঠ" কৌবা উপন্যাসদা সন্ন্যাসীশিংগী লালহৌদা সন্ন্যাসীশিংনা শকপনি। উপন্যাসকী রাৱী অসি ইং ১৭৭০ গী মতমগী বেঙ্গলগী শাথিরবা মতম— "civilization without a mercy" হায়নবা অতুগী যুক্ষমদা ইবনি। নবাব অমসুং ইষ্ট ইন্দিয়া কমপ্যানিগী সাহেবশিং অনীনা প্রজাশিংদা ওৎ-নৈবা, শুমতুনা চাবা, আইন লৈতবা, মযুম-মকৈ মৈ থাদোকপা, চাক ভাঙবা, উনা চাহুনা, মী চাহুনা হিংনবা— য়াম্না তমথিরবা মতমনি। বঙ্কিমনা তমথিরবা অমসুং অচুম্বা লৈত্রবা লৈঙাক অতুগী মায়-য়োক্তা মরৈবাক নীংলবা লালহৌবা সন্ন্যাসী কাঙবু অমা উপন্যাস অতুদা শেমগৎখি। মখোয়গী মচিন্দা 'বন্দে মাতরম' শরই। উপন্যাস অসিনা ইমালৈবাক, মাতৃভূমীদা ভক্তি লৈবা কথোকপগী অকনবা রাখল অমা পী। মসি দেশপ্রেমগী শেংলবা রাখল য়াউরি। ঋষি বঙ্কিমনা দেশপ্রেমগী রাখল রাত্তুনা লৈরম্বা হিন্দুশিংদা নোংহৌনা দেশপ্রেমগী ঈচেল অমা হৌহনখি। নাকোয়-ননা উপন্যাস অসিদা বৃটিশকী মায়যোক্তা হৌবা আন্দোলন মথল অমনি। "আনন্দমঠ" না ভারতকী তুংগী নীংতম আন্দোলনগী লম্বী থোনখি। শ্রীঅরবিন্দনা হায়— "Bankim gave us the reviving mantra, which is creating a new India, the mantra- Bande Mataram". মমিং চৎলবা পণ্ডিত ডাঃ সুকুমার সেননা হায়— "He (Bankimchandra) was something more than a great novalist.' He was a path-finder and a path-maker". বঙ্কিমদি লমতাকপা অমসুং লময়ানবনি।

'বন্দে মাতরম' গী ফল যাম্না থুনা ফংলে। ঈশৈ অসি

ভারতনা নীংতম্বা কংব্রিৱৈগী মমাংগী চহী নিফুমুক্তি জাতিগী ঈশৈ ওইগ্রবনি। ঈশৈ অসিনা মী খুদিংবু অঙাওবগুম য়াই থাহনা গুমহৎখি, অঙাউবা ওইহনখি। ইং ১৯০৫ গী বেঙ্গল অনী থোক্লা খায়দোকপগী অঙকপা থৌদোক অহুদা 'বন্দে মাতরম' না আন্দোলন অহুগী খোল্লাউ অমসুং খুৎলাই ওইনা শীজিন্নখি। বেঙ্গল অনী থোক্লা খায়দোক্লে হায়না লাউথোকপগী নোংঙান-বনি— ওক্টোবর, ১৯০৫ ইং। মুমিং অহুদা রবীন্দ্রনাথনা মীয়ামদা লাউথোকচখি। —"সরকারনা ঐখোয়বু অনীথোক্লা খায়দোকপা হায়না লেপ্লে। অহুবু ঐখোয়গী থম্মোয়দি খায়দোকপা ওইথোক্তে। ওক্টোবর ১৬ দা ঐখোয় রাখী পুনসি, মবমদি রাখীনা অপুনবগী খুদমনি"। মুমিং অহুদা চাখুমদা মৈ হৌখিদ্রে, মী খুদিংমক চাবা হেন্দ্রে। নোংঙাল্লকপদা মী কাঙবু কাঙবু 'বন্দে মাতরম' লাউব লাউরহুনা লম্বীদা চৎলে। মী লাক্ষ কয়াগী অঙকপগী মশক ওইরবা প্রতিবাদ সভা পাংথোকখ্রে। লেপ্টঃ গোভর্নর ফুলরনা 'বন্দে মাতরম' শকপা থিংলে। অহোইনহুম অচাকপা মৈদা থি হৈজিনবগুম বন্দে মাতরমগী খোঞ্জেলনা অতিয়া নিনখ্রে। লাথি, লীচৈ, নোংমৈ গুলিনা নীংতম-আন্দোলনগী ঈশৈবু থিংবা ঙমখিদ্রে। আন্দোলন অসিনা ভারত পুম্বা নীকহনখি— ভারত পুম্বগী আন্দোলনগী ঈহৌ— স্বদেশী আন্দোলন শন্দোকখি।

মথংদা বেঙ্গলগী এন্তি-পারতিসন মুভমেণ্টগী অকনবা ঈহৌদা চোঙথোক্লকই ঋষি শ্রীঅরবিন্দ অমুংবা শঙ্গাইশেনগুম ভারতকী রাজনীতি ক্ষেত্রদা। মাগী তেন্নবা চহী ৫ গী (১৯০৫ দগী ১৯১০) রাজনীতিগী পুন্সিদা ভারত পুম্বা মিং থকহনখি। মহাকী ফিরেপতি— এক্সট্রিমিষ্টনি। মসিদা বিপিনচন্দ্র পাল, তিলক-নচিংবা চাউরবা মীশক কয়া য়াওরি। শতাব্দীসিগী হৌগৎলকপা অঙনবা নীংতম-আন্দোলনগী তাঙকক্তা শ্রীঅরবিন্দনা য়ারিবা থৌদাং অসি য়াম্না মক ওই। প্রতিভা লৈবা, সেনসিতিভ ওইবা,

পীথোক্লকপা শক্তি য়াউবা নিপাসিনা ইরকপা খুৎই কন্নাদা—য়াম্না মম্নুং হুনজিনবা আধ্যাত্মিক্কী মহাও অমদি শেংলবা জাতিয়-তাবাদগী রাখল য়াউরি। রাজনীতিগী মরমদা ইহান হান্না ইবদি "ইন্দু প্রকাশ" কৌবা চেফোঙদা আগষ্ট ৯, ১৮৯৩ দগী ফেব্রুঃ ১৮৯৪ ফাউবা মমিং লোত্তুনা কংগ্রেস অমসুং বৃটিশকী মায়য়োক্ত ইবা আর্টিকলশিংহুনি। অথৌবা বুদ্ধি অমসুং অকনবা বাহৈন মতমহুদা ঈরাং থোকহনখি। মার্চ ১৯০৬ দা "যুগান্তর" দা আর্টিকল খন্না ই। নেসনেলিষ্ট পার্টিগী চে ওইনা বিপিনচন্দ্র পালনা হৌদোকপা "বন্দে মাতরম" দা ইবা আর্টিকলশিংনা মাবু জাতিগী হীরো অমা ওইহনখি। য়াম্না খোরাংনা স্বর খিংবমখৈ শ্রীঅর-বিন্দোনা কবি ইরক্কদগে হায়না "বন্দে মাতরম" বু ভাইনখি। মাগী "ভবন মন্দির মেনিফেষ্টো" অসি নেসনেলিষ্ট মুভমেণ্টকী বাইবল ওইখি। মসিদা মথোয়না তৌগদবা থবক থৌরমগী প্রোগ্রাম কয়া ইরি। ভাবতকী অচৌবা রাজনীতিগী আন্দো-লনশিংগী মকমদা লুরবা আধ্যাত্মিক্কী রাকম কয়ানা যুমকম "ইহুনা লৈবি। গান্ধীজিগী দর্শন অসিসু ভারতকী পরম্পরাদগী দর্শনগী পূর্বৈদগী শাগৎপনি। অসিগুম্বা যুমকম অসিদগী আইদিএলিষ্ট ওইরবা শ্রীঅরবিন্দনা "স্পিরিচুয়েল নেসনেলিজম" গী অরাংবা রাখল অমা দান তৌবীরমই। মতোন্দদি নেসনে-লিজম হায়বসি অখুবা মীৎয়েংদগী য়েংবা চুয়গী মরৈবাক হুংশিবা নত্তে, মসিদি ধর্ম্মনি। মসিগা লোয়ননা ভারতমাতাগী অরাংবা লাইগী শক্তিদা থাজৎপা রাখল অমসু পীরমই।

রবীন্দ্রনাথঠাকুরদি অচৌবা হ্যুমেনিষ্ট অমনি। বিশ্ব মানবনি। মাগী হ্যুমেনিজম অসি উপনিষদ অমসুং নোংচুপকী লিবরেলিজমদগী শাগৎপনি। মাগী নেসনেলিজমদি অপাকপা হ্যুমেনিজমগী রাখলদা শাগৎপা মী অমগা মী অমগা খেন্নবা লৈত্তবা নীংতম্বা (ফ্রিদম) অমসুং মান্নবা (ইকালিতি) হায়বা বিশ্ব

দর্শন অসিনি। মানা হায়বা— "I have believed that the truth of man is in the Greater Man who is linked in the hearts of the greater masses". মসিনি মাগী জাতিয়তাবাদ। স্বদেশী আন্দোলনদা জালিনবালাবাগকী থৌদোক্তা মহাক তুমিন্না লৈথোক্তে— প্রতিবাদ কয়া তৌখি। বৃটিশ সরকারনা পীবা নাইতহুদ ফাউনা লৌখিদে। মীওইবগী চপ মান্নবা থাক্তা পুরকপদা অপনবা পীরিবা অথুবা মীৎয়েং অমসুং সমাজগী চৎনবীশিংবু য়ান্না কন্না নিন্দা তৌই। বেঙ্গল থায়দোকপগী মতমদা ইবা মাগী নোভেল "গোরা" দা রাজনীতিগী নীংথা-তম্বা, হিন্দু মুসলিম খৎনবগী রাফম পল্লি। রবীন্দ্রনাথকী আন্দোলনগী তোথাযবা মত লৈ। বঙ্কীম বিবেকানন্দ, অরবিন্দ দৌনা দেশপ্রেম হাযবসি কথোকপগা লোয়নগদবা অরা রা থাক্কী পোৎশক অমনি হাযবসি রবীন্দ্রনাথকী অচেৎপা মতনি। অহিংসা হায়বসি থম্মোয় কাচিন্দগী থোক্লকদবনি, কান্নবা, দবকার লৈবদগী মপান্দগী নমফুদা অহিংসা লৈহনগদবা নত্তে। মতাং অসিরাইদা অমসুং অতোপ্পা হীরম কয়াদা গান্ধীগা রবীন্দ্রনাথকা খেন্নবা মোত কয়া লৈখি। অতুম ওইনমক রবীন্দ্রনাথকী "শিশু তীর্থ", "অগ্রদূত", "পরিবণ্ড"— শৈরেংশিং অমদি "পরিত্রম", "মুক্তাধারা"— লীলাশিং অসদা গান্ধীবাদকী মমি তাই। মাগী "জন - গন - মন"— জাতিগী ঈশৈ অসি ইমালৈবাক্কীদমক্তা কৎচবা নীংতম রাথলদগী শাগৎপা কবিগী অচৌবা দান অমনি।

অসুম্না নীংতম-আন্দোলনগী মতাংদা বাংলা সাহিত্যদা মরৈবাক নীংবা কবি, সাহিত্যকার কয়া চোঙথোক্লকখি। কবি রঙ্গলাল বন্দোপাধ্যায়গী— "পদ্মিনী", "উপাখ্যাণ", কবি হেমচন্দ্র বন্দোপাধ্যায়গী "ভারত সঙ্গীত"— মরৈবাক নীংবা ঈশৈগীদমক মমিং চৎলি। থোইদোক্না মমিং চৎপা কবি অমদি— মীওইবগী নীংতম্বগী অচুম্বা ধর্ম্ম শন্দোকপা, দেশপ্রেমগী কবি, ওৎ-নৈবগী

মায়কয়াদা লৈবা কবি, অনৌবা যুগকী লৈশকণা, মতমগী বিদ্রোহী কবি হায়না খঙনবা— কাজি নজরুল ইসলামনি। নীংতম্বা বাঙলা চুমবা কবি অমি অমসুং ইতিহাসকী নোংলৈ নুপিশিংকী মরক্তা কাকচিনখৎলকই, নোংলৈ-নুংশিং মরক্তা লৈরমই অদুগা মরক্তা তুংদা শকরবা নোংলৈ-নুংশিং অমসুং কুমহোৎলমই। ইং ১৯২২ দা "ধূমকেতু" হোৎনা থাই-নীংথি অমা কোক্লই। সরকারনা থিংই, জেলদা থমই। মাগী 'ভাঙার গান' সিভিল ডিসওবিডিয়েন্স মুভমেণ্টগী লানগী খোল্লাউ ওইনা শীজিন্নখি— "কাউমেককনো অহুপা পুন্নেকল্লো শো/জেলগী খোঙজাউ লোন্নিবা। থারোককলো মৈ জেলখানা পূম্নমক/কিম্থহল্লো ওমমক মরু মুকা মাঙহন্দুনা।" অদুগা মাগী মমিং চংলবা থম্মোয় মৈ হৌহনবা অসুম্বা "বিদ্রোহী" না আন্দোলনকারীশিংগী থম্মোয়দা মৈ চুখি। থিয়েটরগী জগাদা মমিং চংলবা গীরিশচন্দ্র ঘোস লৈরি। মাগী গ্রেত নেশনেল থিয়েটরদা– দেশপ্রেমগী ৱারীদা ইবা ঐতিহাসিক লীলা কয়া শান্নখি। সত্যেন্দ্রনাথ দত্ত, তরাশঙ্কর বন্দোপাধ্যায়, আনন্দ শঙ্কর রায়, উপেন্দ্রনাথ গঙ্গোপাধ্যায়, মনমথ রায়, বনফুল— অসিনচিংবা সাহিত্যকার কয়ানা নীংতম-আন্দোলনগা মরী লৈনবা রাজনীতিগী ৱাখল চেনবা, মতমচুগী পুন্সিগী মমি তাবা, ইতিহাসকী থৌদোক-থাথোক কয়া ইবা মপান নাইত্রবা সাহিত্য কয়া পুথোক্লকখি। কলিকাতাদা মাংলম কুম্না বৃটিশকী কোম্নং ওইবা, বৃটিশকী হাকথেংনবা শাফু ফত্তবিরা-সংস্কৃতিগী কেন্দ্র ওইখিবগী বেঙ্গলদা নীংতম-আন্দোলনগী হৌকম ওইখি। ভারতকী নীংতম আন্দোলনগী মতমদা বাংলা সাহিত্যদা থোক্লিবা থৌদোক অসিদি ঈরাং অমি থবা য়েন্নরবস্থ ভারতকী অতোপ্পা সাহিত্যদসু অদুম মাৎনা থোকখি।

হিন্দী সাহিত্যদা অসোংবা নেসনেলিজম (জাতিয়তাবাদ) অসি মমিং চংলরা, শক্তি লৈরবা প্রেথক ভারতেন্দু হরীশচন্দ্র

(১৮৫০-১৮৮৪) দা ফংই। মাগী মমিং লৌদুনা মতম অদুবু হিন্দী সাহিত্যদা "ভারতেন্দু পেরিওদ" হায়না খঙনৈ। মহাক অমসুং মাগী মতমগী মতুংইনবা অইবশিং অসিগী রাখল অসি সমাজ সংস্কারগী মপুংওইবা রাখলগী পরিংদগী লাম্লোকপা ওমখিদে। হৌরবা মিংচৎ নীংশিংদুনা শৈথাশা, পরম্পরাগী ফজবা গুণ শকশোনবা, ইমালৈবাকপু শেথাব হিন্দু রিভাইবোলজমগী পরিবর মসুংগী সাহিত্যগী শকতমনি। মতমদুগী সমাজগী সমস্যাশিংনা মখোয়গী সাহিত্যগী মচাকনি।

মতুংদা লাকই পণ্ডিত মহাবীর প্রসাদ দ্বিবেদিগী মমিং লৌদুনা থোনবা "দ্বিবেদি পেরিওদ"। মতমসি ২০ শুবা শতাব্দীগী হৌগৎলকপা চহী ২০ মুক্কী তাঙ্গন অদুনি। গান্ধীজিনী 'লন্দি মথাদা নীংতম-আন্দোলন চঙশিন্দিনা। এ চৌরবা তানফমনি। নীংতম আন্দোলনগী, এইখোমা মঙালগী 'প্রনগীনওবা' মচি চংলবা কবি কয়া চোংথোক্লকই মখোয় শরন গুপ্ত, রাম নরেশ ত্রিপাথি অমসুং মখনলাল চটর্বেদি অসিনচিংনা কবি কয়া মৈথিলি শরনগী "ভারত ভারতী"না মতমদুগী সাহিত্যগী মফম ফজনা তাকই।

মতমসিদা চোংথোক্লকই মশিং প্রেমচন্দ হিন্দী সাহিত্যদা নিংথৌরেল। মহাক্না হিন্দী সাহিত্যদা চৎরেগী অরাংবা থাক অমা পুরকপদ নম্ভুনা অনৌবা যুগ অমম্ব পুরকখি। মহাক রিভোলুসনরী থিঙ্কর অমনি। অদুগা মহাক আইকোনোক্লাষ্টসুনি পুম্নমক্কী মথক্তা প্রোগেসিভ রাইতরশিংগী লুচিংবা যিরাল পাযবা নিপা অমনি। ইং ১৯২০ দা গোরখপুরদা গান্ধীজিনা "নন কো-ওপরেসন মুভমেন্ট" গী মরমদা ডাওবা তাবদা মপুক্কিং ওনখি চহী ২১ চুং। তৌরক্লবা ডিপুটি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুলসগী ফম থাদোকখি। মহুদগী গান্ধীজিগী প্রভাবতগী নাথেদুনা সমাজদা অওনবা থরা পাম্বা রাখলদা চঙশিনবা গোখলেগী মায়কৈলোমদা

চিংশিনখি। মতুংদদি তশেংবা সমাজবাদকী রাখলদা লুপখি। বোলসেবিককী রাখল তশেংনা য়াখি। ইং ১৯৩৬ গী "প্রগতিশীল লেখক সংঘ" (প্রোগ্রেসিভ রাইতরস কনফরেন্স) গী মমিং চৎলবা সভাপতিগী ভাষণ অদুদা প্রেমচন্দগী মার্ক্সকী রাখল পরীং অমদি প্রোগ্রেসিভ লিটরেচরগী রাখল-পোমিং অদু ময়েক শেংনা পনখি। মানা হায়— "ঐনা কলা হায়বসি অতোপ্পা পোৎকুম্না কান্নবগী খন্দা ওল্লি হায়না লাউথোকপসিদি ঐগী করিস্থু চৌংননিংঙাই লৈজদে। ঐখোয়না ফজববু ওল্লিবা লমজৈ অসি হোংবা তাবান ... ... কলা হায়বসিনা তাক্লিবা অদুগা হৌজিক ফাওবদা মসিনা খঙনরিবদি য়াম্না অখুবা ভাবদা ফজবগী মওংবু পূজা তৌবনি। খম থেংবা মীৎয়েং অদু কলানা য়েংবা ঙম্নবা হোৎনজ্রি। ... ... সাহিত্যগী মণ্ডিরদা লনতবু হুংশিবা মখোয়গী মফম লৈতে। ... ... অদুদগী মানা খোঞ্জেল হৌনা লাউথি— "ঐখোয় সমাজগী ফিরাল পায়দুনা চঙশিল্লিবা লাম্নীনি"। মহাক্না শিগদবা থা অনীগী মনাঙদা ইবা, য়াম্না নমিং চৎলবা রচনা "মহাজনী সভ্যতা" দসু হৌজিক্কী সমাজদা অনাবা লায়না পোকহল্লিবসি শেন্দোং তানবা অ'সনা মরু ওইনা থোকহনবনি হায়না ময়েক শেংনা উৎলি।

প্রেমচন্দগী উপন্যাস, ড্রামা অমসুং বারীমচা কয়া অসিনা সমাজদা অনৌবা রাখল— অনৌবা পুন্সিগী মীৎয়েং অমদি পান্দম অমা পুরকখি। মাগী অহানবা উপন্যাস— "সোজ - ত্র - বতন" (লৈবাক্কী মৈচাক) সরকারনা থিংখি, মৈ থাখি। "প্রেমাশ্রম" গী লৌমীশিংদা গান্ধীজিগী অসহযোগ আন্দোলনগী মমি ফজনা তাবা উবা ফংই। ইং ১৯২২ দা লক্ষ্ণৌদা "মুহর্রম" নুমিত্তা হিন্দু-মুসলিম কাঙলুপ মশেল থৎনবা অদুদগী শন্দোকখিবা য়েংথিনবগী মৈ অদুদগী হুংঙাইতদুনা "কর্বলা" কৌবা নাটক অমগা "কায়াকল্প" হায়বা উপন্যাস অসিগা ইখি। পুলিসকী হেক্সিনবা থবকশিংদা

মুংঙাইখিদরুনা "গবন" (১৯২৯) ইখিবনি। "রঙ্গভূমী", 'কর্ম্মভূমী" উপন্যাসশিংদা গান্ধীজিগী থাখলগী মশি য়াম্না কন্না তাই। প্রেমচন্দগী খুৎইশিংনা ভারতকী নীংতম আন্দোলনগী খোঙ্গা দা থুমাং চাউশিন্নবগী অকনবা শক্তি পীখি। ভারতকী লাইরক শেম্মনা অমদি অনৌবা ভারত শাগৎপদা প্রেমচন্দগী খুৎইগী অচৌবা দান অমা যাউরি। অসুম্না হিন্দী সাহিত্যগী কবি কয়াদা, নীংতম-আন্দোলনদা চোঙথোক্লক্লুনা যাওখি। মখোয়গী কন্নমনা লিংজেল, থৌনা হাপ্লদ নত্তনা ৫৩৩ তোখায়বা নীংতম-আন্দো লনগী শক্তম যেক্লুনা ফজরবা সাহিত্য অমা শেম্মই। ভারতকী নীংতম-আন্দোলনগী সাহিত্যগী লৈনবা মরী অসি বাংলা অমসুং হিন্দী সাহিত্যতদ নত্তে — ভারতকী লোল খুদি মক্তা লোল খুদিংগী সাহিত্যদা আন্দোলনগী ঈরাং চুদবা ওত্তগী আন্দোলনবু কারিগুম্বা মবম অমদা মথবায় হাপ্লুনা ইদবা যাডদে। মরাঠি সাহিত্যদা মরুওইনা ঙান্দুনা লৈরি —তিলক, খাদিলকর পারঞ্জপে, সর্ভাকরনচিংবা লেখক, পণ্ডিত কয়া কয়া। পণ্ডিত তিলকপু "giant among men" হায়না হৌই। তিলকনা "কেশরী' অমসুং পরঞ্জপে গী "কাল' চেকোওশিংদা মৈ চৌরবা আর্টিকল কয়া, রাজনীতিগী রাবেং কয়া থাখি। মতমদুদা তিলকনা লেখকশিং, কবিশিংগী রাখল এচাক শেংরক্লম খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক হুপ্পা শোয়রিবা মীশক ওইখি। খাদিলকরগী লীলাশিং, (মরুওইনা "কিচকবধ"), হরি নারায়ণ অপ্তেগী উপন্যাসশিং, সভাকর, বিনায়কনচিংবা কাবশিংনা দেশপ্রেমগী মরমদা অমদি নীংতম-আন্দোলনগী এবী লৈনবা বিষয় কয়াদা লাইরিক কয়া হাখি। গুজরাতী সাহিত্যদা মপুং ওইনা লৈরি— মহাত্মা গান্ধী, অম্বরলাল দকারলাল দেসাই, উমাশঙ্কর জোশী, ঝিনভাই দেশাই, কেঃ এমঃ মুনশি, নন্দলালনচিংবা লেখক কয়া গুজরাট বিদ্যাপীঠ বিশ্ববিদ্যালয় লিঙথংপদা সাহিত্যদা অচৌবা অহোংবা অমা

পুরকখি। মহাত্মা গান্ধীগী খুৎই কয়ানা, চেফোঙ কয়ানা ভারতমচাশিংদা অনৌবা বাখল পোকহনগি অমসুং নীংতম-লানগী বাখল শন্দোকখি। কানাডা সাহিত্যনা অনৌবা থবায়-লিংজেল অমগা লোয়ননা চঙলকপদি ইং ১৯২০ দগীনি। মরুওইনা কবিশিংনা মরুওইবা শরুক য়াখি। অঙনবা পরেংগী কবিনা শান্তকবি, আনন্দকান্দ, গোবিন্দ পাইনি। অদুগা অথেংবা চোঙথোক্লকপা মমিং চৎপা কবিশিংনা—মস্তি, বিন্দরে, কুবেনপুনি। ড্রামা, উপন্যাসনচিংবা হীরমদদি থোইদোক্লা শীংথানবা য়াবা লৈতে।

তামিলনাডুনা ভারতকী রাজনীতি ক্ষেত্রদা রাজা গোপালচারী পুথোক্লকই। মহাক্কি নেতানি। অদুবু সাহিত্যগী লমদদি—অনন্ন ওইরবা কবি—সিঃ সুব্রমনিয় ভারতী লৈরি। নীংতম-আন্দোলনদা মহাক্কী দান য়াম্না চাউই। মহাক্কী শৈরেং, ঈশৈ কয়ানা থম্মোয়দা নীংতম-বাখলগী মৈ চুখৎখি। মাগী মমাংদা রামলীঙ্গ, স্বামীগল, ভল্লালর, ময়ুরাম বিদ্যানয়াগর, গোপাল কৃষ্ণ ভারতীনচিংবা কবিশিং আসনা মরৈবাক নীংবগী শৈরেং কয়া ইতুনা অনৌবা বাখলগী য়ুমফম থোনগ্রবনি। তেলেগু সাহিত্যগী মতাংদদি কন্দুকুরী কুরেসলীঙ্গম অমসুং আরঃ ভিঃ আরঃ নাইডুনা সমাজ শেমদোক্লবা থবক কয়া পায়খৎপা হৌই। মঙ্গীপুদি ভেনকতা শর্ম্মা, আরঃ এসঃ রাওনচিংবা কবিশিংনা মরুওইবা থৌনাং লৌখি। অসুম্না উরিয়া সাহিত্যদা—উৎকলমণি গোপালবন্ধু, ফকিরমোহন সেনাপতিনচিংবা কবিশিং পোকখি।

অসুম্না ভারতকী মফম খুদিংদা লোল খুদিংদা, সাহিত্য খুদিংদা নীংতম-আন্দোলনগী মমি তাদবা লৈতে। ভারতকী নীংতম-আন্দোলন অমদি সমাজ সংস্কারগী থৌদোক কয়ানা ভারতকী সাহিত্যদা মফম মতম থেন্নবস্তু হাকথেংননা অকনবা প্রভাব কয়া পীখি। লম লমগী লোলশিং অসিগী কবি কয়ানা দেশপ্রেমগী ঈশৈ কয়া শকখি। লেখক কয়ানা পোত্রিওতিজম,

সোসিয়েল আইডিএল, নেসনেলিজমগী মরমদা মথল মথা কয়াগী লাইরিক ইখি। সমাজগী অনৌবা যাওল অমা লাকপা মতমদা মী খুদিংগী পুন্সিবু শীংনরকই— মসিগী পাউখুম সাহিত্যনা পীখি ভারতকী সাহিত্যনা তুমিন্না তুমদুনা লৈতেংখিদে – মাংদা, নাক-য়েংও থোক্লিবা থৌদোকশিংগা ঈরোয়নদা চংখি। নীংতম-আন্দোলননা ভারতকী লোল কয়াদা অনৌবা মথলগী সাহিত্য কয়া শেমবদা তেংবাংখি। হায়রিবা, লেখক কয়াগী খুৎইগী থৌইন শিন্না ভারতনা নীংতম্বা ফংখি অদুগা অমরোমদা নীংতম আন্দোলননসু অনৌবা সাহিত্য, আধুনিক সাহিত্য শেমখি।

মণিপুরী সাহিত্যদা ভারতকী নীংতম আন্দোলনগা মরী লৈননা ইবা খুৎই য়াম্না তাঙই। মসিগী মরমদা সাহিত্যগী অকনবা অচৌবা ঈরোল অমা ওইনা লাবগা, মেনদা ২০শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপদা চোঙথোক্লকখিবা খুৎনাবা কবিশিং, অইবশিং অয়াম্বা ভরতকী নীংতম্বা আন্দোলনগী ইবা ফঙখদে মথোয়দা অনৌবা শিংলাক্লবা রাজনীতিগী চেংনা অসি হুংলুবা পাংপা। মরম্না মথোয়না ভারতকী নীংতম আন্দোলনগা মরী লৈনবা সাহিত্য পুথোকপা ঙমখদে। হৌখিবদা, মণিপুরদা চপচাবা, মওং তানা চৎথরকপা রাজনীতিগী ইহৈ অসিদি য়াম্না থেংনা লাকখি— খৃঃ কুঃ ১৯৪৬দা কংগ্রেস পার্টি লিংথৎলি অদুগা মণিপুর কম্যুনিষ্ট পার্টিনা খৃঃ কুঃ ১৯৪৮দা শেমখি। মসিগী মমাংদা নিখিল মণিপুরী মহাসভানচিংবা দল খবা রাজনীতিগী মওংদা থবক তৌবা হৌখি। অদুবু মথোয় অসি চপচাবা রাজনীতিগী পান্দম, আইদিওলোজি অমদি মনিফেষ্টো অমগী মথাদা শেমখিবা নত্তে।

খুৎমাবা অইবশিংগী মথুত্তগী ঐথোয়না ফংলিবা স্বদেশপ্রেমগী সাহিত্য অসিদি মজাতিগী বৃষ্টিবু মুংশিবদগী লাকপা চুমগী মরৈবাক মুংশিজহুনা শৈথাজবা, লৈশি-লৈথোঙবা খুৎইশিংনা

হয়াম্বনি। অতুবু মণিপুরদা নিপা অমা লৈরম্মী। মহাকী থম্মোয়না চোল্ল-তাবরা, লায়রবা লোমী-শিল্পী, মীচম প্রজাবু তশেংনা মুংশিবা ঙমখি। মহাক্না নিংথৌগী শক্তি অমদি বৃটিশকী লাইলম শাসনগী মমুংদা ওমতুনা লৈরিবা ওৎ-নৈবা অমদি ওইবগী শক্তিবু লান্না শিজিন্নবা অহু উবা ঙমখি। মহাক্তি মীয়ামগী অশেংবা নেতা হিজম ইরাবত সিংহনি (১৮৯৬-১৯৫১) লোমী-শিল্পীশিংগী লুচিংবা অসিনা মণিপুর অমসুং ভারতকী নীংতম্বা ফংনবগী আন্দোলনদা চপচাবা রাজনীতিগী ফিরেপ অম খি। ইচত থৌনা নিংথে অমসুং বৃটিশগী মায়োক্তা লেপ্তুনা সমাজ সংস্কারগী থবক কয়া তৌরম্মী। পঞ্চসভাগী অমাং অশে, চন্দন-শেনখায়, পিথন চাকথাক, পোৎথাং বেগার, দোলাইরেং, রেক সন্ত্রি, ঙল সম্বন্ধি অসিনচিংবা ওৎ-নৈবগী চৎনবী, মীয়া মীওৎ মান্নদবগী পথাপশিং অসিগী মায়োক্তা ইরাবতনা আন্দোলন হৌদুনা লান্থেং অমা চঙশিনখি। ভারতকী স্বদেশী আন্দোলন-গী মহৌদা ইরাবতনা মাগী মুপিগা লোয়ননা চেরাপ মমাংদা মীয়াম হৌনা অমসুং থম্নইনা ভাব শানা পায়খৎপা থোকঙ অম... বন্দে মাতরম লাটবদুনা স্বদেশী ফিরোল মৈ থাদোকখি ...দগী খালিগী ফিরোল শেৎপা হৌখি। মনাক ইবুংচো ইরাবতনা ইকাইখুম্নরবা পথাপ্তা মেম্বরগী ফম থাদোক্তুনা মতমতুদা 'পূর্ণ দায়ীত্ব শাসন'গী দাবী তৌরিবা অসি শীংথানবা য়ারবা অমসুং যাম্না মাংজিল থাবা থবক অমনি।

নেতা ইরাবতনা মাগী রাখল অহু মীয়ামগী থম্মোয় খুদিংদা করম্না য়োঙনবা ঙমগদগে হায়না খনখি। ফজরবা পান্থে অমা কংলে। ঈশৈ পামজরবা মণিপুরী বৈষ্ণব সমাজগী দমক্তা ঈশৈ কয়া ইবে, স্বর পাল্লে। মীয়ামগী থম্মোয়বু হৌদোকপা মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ কয়া পুথোক্লে। মাগী ঈশৈনা মণিপুর শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রে— ১। হৌরো হৌরো ভারত মচাশং,

২। হৌরো অরাবা অহিংগী অমম্বা কোক্কুনা, স্বাধিন্তাগী মুমিং থোরক্লে, ৩। চৎলো চৎশি ইচিল ইনাউশা লৌমীগী লৈবাক শেমলুসি, ৪। থাঙ্গোল অহু ময়া থাংউ থৌনা, ৫। চীং-তম পুম্বা লোয়না লাকলো আইন সভা তাল্লুসি অসিনচিংবা। খৃঃ কুঃ ১৯৪৫ দা নেত্রকলাদা (হৌজিক্কী বংলাদেশ) তৌখিবা কিষান সভাদা শকখিবা ইরাবতকী ঈশৈ অহু ভারতকী নীংতম-সাহিত্যাগী ফজরবা খুদোল অমা ওইরি—

অরাবা অহিংগী অমম্বা কোক্কুনা
স্বাধিন্তাগী মুমিং থোরক্লে মাঙদা
মরুপশিংগী থরায়না তত্তনা কৌরক্লে
য়াকায়ররে নঙগী থোঙজিন্দা।
হৌরো হৌরো হৌরো হৌরো লৈবাকপুম্বা
য়োৎহ্লিং চল্লবী ভারত ইমা কপ্পা মুক্তি পাম্মবী
থোঙ লোন্দুনা মঙ তমহুনা
তুমখিদরা তুমথুল হুন্না।
ভারত জাতিগী অচেৎপা রাশক
চহী য়াঙথৈগী মুক্তি সাধন
পোলোইসিদা মাঙখরেনে অরাবগী হাহাকার তেংপাবা।
শিদৌরবা ভারতকী অরাবা মৈনা
শিরবা দেশ প্রেমদা তৌরি অভিশাপ
কোকহল্লু চোপ্পা, কোকহল্লু পাপ
চউথৎলবা একতা খুৎলাইনা।

ভারতকী নীংতম-লানগী অকনবা ঈহৌগী মমি তাখিবা অমসুং দেশপ্রেমগী ঈহৌবু ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবদি মণিপুরী থিয়েটরনি। এম, ডি, য়ু, এরিয়ান, রূপমহল, সোসাইটি থিয়েটর অমদি মফম কয়াদা লৈবা থিয়েটর য়ুনিটশিংনা নীংতম নমাঙদা মখল মখা কয়াগী মরৈবাক নীংবা অমসুং স্বদেশপ্রেম

উৎপা লীলা কয়া হন্না হন্না শান্নখি। মবৈবাক, মজাতি মুংশিবা উৎপা ঐতিহাসিক অমস্থং সমাজিক লীলাশিং অসিদা মরৈবাক মুংশিবগী ঈহৌনা থুমহৎলবা ঈশৈ কয়া মরাং কায়না য়াউই। নরসিংহ (এল. ইবুংঙোহল), ভাগ্যচন্দ্র (দরেন্দ্রজিৎ), মোমু খাঙ্গাল (এস. কৃষ্ণমোহন), টিপু সুলতান, মেবার পতন, পঞ্জাব কেশরী রনজিৎ (অনুবাদ), ইন্দিয়া (জি. সি. তোংব্রা) অসিনচিংবা অসি মরৈবাক নীংবগী ফজরবা থাখল ফোঙদোকপা লীলা চাকনি।

মণিপুরী সাহিত্যগী সমস্যা

(১৯৭৪—১৯৮৪)

মঙং কয়াদগী সাহিত্যগী সমস্যা নৈনবা য়াই। লাইরিক কোঙবা ভমদবগী অৱাবা, শেল ফংদবগী চৈনা, লাইরিক মখল-শুনা অফবা লাইরিক কয়া ফংদবগী, নৈনবা ৱাৎপগী—অসিনচিংবা লোইবা নাইদবা মৱম কয়া অতৎ অথম লৈতনা চাংথোক্লকপা য়াই। তৌইগুম্বস্সুং মসিদি মপাম্থোংগী সমস্যানি। সহিত্যগী সমস্যা নৈনবা হায়বসি চুম্নগী শেল থুমগী হিসাব শুবশিংনা অমাঙ-অতোঙ, অৱাৎ-অপাগী অচৌবা ব্যাল্যান্স সীট অমা পুথোকপগী মহুত্তা অইবশিংনা থেংনরিবা পুন্সিগী সমস্যা, মথোয়না থিরিবা পুন্সিগী অচুম্বগী মিৎকুপশিং, মথোয়না অপাবশিংদা পুথোক্লক্লিবা মতমগী পুন্সিগী অচুম্বা শক্লোনশিং, মথোয়না য়েংলিবা মীৎয়েং অমস্সুং হল্লিবা পুন্সিগী অর্থ, মথোয়গী ক্রিএটিভ এক্সপিরিয়েন্স অহুগী ফজবা অমদি অচুম্বা অসিনচিংবা অসি থিবনা হেন্না পনীং চুম্বা লম্বী ওইগত্রা নীংই। শয়া হায়রবদা সাহিত্যগী সমস্যা হায়বসি কলা কৃষ্টিগী সমস্যানি। অহুনা কলা কৃষ্টিগী মীৎয়েংদগী অইবশিংনা হৌজিক্কী মতমদা থেংনরিবা সমস্যাশিং পুথোক্লবা হোৎনবনা ঐগী মপুং ওইবা পান্দমনি।

মথক্কী মীৎয়েং অসি থম্লগা চহী তরামুক্তা কোল্লিবা (ইং ১৯৭৪ দগী ১৯৮৪ ফাওবা) মণিপুরী সাহিত্যগী সমস্যা খরা পুথোক্লবা হোৎনজরি। নৈনজরিবা মওং অসি করিগুম্বা অকক্লবা অইবা অমগী লাইরিক লৌথৎলগা লাইরিক অহুগী অফ-ফত্ত নৈনবগী মহুত্তা অইবা অহুগী য়াম্না মরু ওই হায়না খঙবা সমস্যা অহুদং লৌখৎনবা হোৎনজে। অইবশিংগী ৱাখল-মীৎয়েংগী

সমস্যা পুথোক্লবা হোংনবগা লোয়ননা মাগী মতমগী অইবশিংগা লৈনবা মরীসু পুথোক্লবা হোংনজে। মসিগা লোয়ননা মতম অসিদা লাক্লিবা সাহিত্যগী ঈচেলশিংগী মশক তাক্লবা হোংনবদসু পুক্লিং থম্লি।

অদুগা থোইদোক্লা মরুওইবা বাকম অমনা হৌজিক্কী মতমদা শিংলিবা মুংশিং অসি থেংনা কাওহুনা মতুবু কূপশিন্না য়েংবা মীৎয়েংদগী লাকপা, অদুগা অশেংবা থম্মোয়, অচুম্বা অমদি মতম অসিগী সেন্সিবিলিটিদগী শাগৎলকপা হৌজিক্কী অনৌবা কলাগী ফজরবা, শীংথানবা য়াৱবা থুৎশেমশিং অসিতনা ঐগী নৈনবগী মচাক ওইরি। শম্না হায়রবদা, মতমগী অনৌবা সাহিত্যগী মচন অমসুং মরমচৎ চেন্দবা সাহিত্যদি ফন ফজবা কলাগী থুৎশেম ওইদুনসু ঐনা নৈনজরিবা পরিবরগী বাংমদা থমজে। মীৎয়েং অসিনা মরুওইবা পাদম ওইরগা হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী মরুওইবা শক্তম অমসুং শুপ্পগী মচঙ ওইবা সমস্যা থরা পুথোরুবা হোংনজরি। মতমসিগী সাহিত্য মশক থঙবদা হেন্না ময়েক শেংনবা হায়দুনা লান মতুংদা ওইরক্লিবা মণিপুরী সমাজ অমদি মণিপুরীশিংদা শাগৎলক্লিবা বাথলগী ফিরেপ অসিগী মরী-মথোঙ, য়ুম্ফম অমসু শম্না উৎচরি।

চীংনা কোয়না পনশাবা, হাউনা কোয়না পনঙাকপা মণিপুর সনা লৈবাক্নি। কেনগনি হায়বগী মীংাইদ, তাগনি হায়বগী কল্লক ঈংনা-তপা পাল্লম্মী। অদুবু লান মতুংদা মণিপুরী পুন্সি খংহোং হোংখি। নোংচুপকী শিক্ষা অমসুং ঈরাং ফংবদগী বাথল মীৎয়েং পাকপা হেন্দোক্লকই।

রাজনীতিগী অচৌবা চেতনা লাকই। অদুনা রাজনীতিগী অধিকার তাল্লকই। ঐথোয়সু রাজ্য অমা ওইগদবনি হায়দুনা দাবী তান্দুনা মণিপুর মপুংফাবা রাজ্য অমা ওইখি। রাজ্য ওইরবা মতুংদা মশাগী লৈঙাকলোনগী থোদাং পুক্লবগী অচৌবা কোকথোং

অমা ননশিল্লকই। চাথুম তোঙান্না চাহনবগী মওংনি হৌফেৎ নিংথা তম্বগী রাখনস্ত লৈ অতুগা অহন্না নাউকোন্দবগী অচেৎবা কয়াস্থু মায়য়োক্লে। রাজ্য অমা ওইববা মতুংদা লমগী যম্না মচি শাংই হায়বগী রাখল খরা খরা পীবশিল্লবই। দিল্লিগা মায়-য়োক্লনা রায়ী শাবা তম্বগী পৌনা লিংচেল ফুদোক্লকই। মীথা থাবা, তোম্ববগী রাখল খরা খরা কোক্লকুনা মশাগী শকচু খরা খরা থোক্লকই। মসগা লোয়নবা মপানগী লমশিংগা শম্নবা অমদি পৃথিবীগী ঈরাং কয়া লাকপদগী মীৎয়েং পাক্লা য়েংবা ঙম্লকপগা লোয়ননা মশাগী ফীবমস্ত খড়জবা ঙমজরকখি।

চূড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা ওইরম্বা সমাজগী অমদি ধর্ম্মগী অচেৎপা চৎনবী, মোং হাদবা পুন্সি অচু বোধচন্দ্র মহারাজগী মতমদা খন্না খন্না লোমথোকপা হৌববখি। অতুদগী নিংথৌগী শক্তি লৌথোকখিবদগীদি ধর্ম্মনা চেংনা যাভিন্দুনা থনম্বা মণিপুরী বৈষ্ণব সমাজ অচু শেং শেং কিন্দবা হৌরকই। লেম শীজ, অচৌ অনৌ নংথৌ মচাশিংগী শক্তি অচু মতমগী গনতন্ত্র শাসনদা মীয়ামগী অপূনবা সাম্যভাবতা তিনখি।

ইং ১৯৬০ গী মতমদা ঈরাং অমা হৌরবই। মতম অসিদা নহাবোলশিংনা অনিবা রাখল, অমনবা থাডনবী, চৎনবীবু, ধর্ম্মগী ভোংশিংবু য়ানিংদবা, থাজদবগী ঈহৌ লাকপা হৌখি। লাইরিক হৈরবা নহাবোলশিংনা অহল্লোনবু শীংনবা হৌরকখি। মতম অসিদা মণিপুর সমাজদা ধর্ম্মগা পুন্সিগা অস্তুম অস্তুম লাপথোক্লবগী মশক ময়েক শেংলকই। হিন্দু ধর্ম্মগী চৎনবী মরু ওইনা আর্য্যগী সংস্কৃতি অসিবু য়ানিংদবগী ঈহৌ লাকখি। রাজনীতিদা তোখায়না তানিংবা, মৈতৈগী অশেংবা মশক অমা থিবগী লম্বীদা চঙশিল্লকই। ঈচেল অসি অস্তুম অস্তুম খরা খরা কনখৎলকই। হৌজিক্তি মৈতৈ রিব্যাব্যালিজম হায়গন্না নত্রগা ফণ্ডামেন্টালিষ্ট রিভোলট হায়গন্না অকনবা ঈহৌ অমা লৈরি।

ঈহৌ অসিগী মরুওইবা মীৎয়েংব্রাখন্দি— হিন্দুগী ওইবা পূন্নমক্কী মায়য়োক্তা লেপ্লা অতুগা মৈতৈগী ওইবা পূন্নমক্লা মতুং শিনবা। ঈহৌ অসিগী মতুংইন্না সনাম্চী লাইনিং মপাঙ্গল বনবা হেঙ্গৎলকই। মৈতৈগী ওইবা লাইনিং লাইশোন অরিবা ইপানাৎ-ইপুনাৎকী পোৎ কয়া পুথোক্লরকই, পাম্নরকই। হৌজিক হৌজিমক মণিপুরী সমাজদা মরুওইনা ধর্মগী লম্বীদা হিন্দু অমসুং মৈতৈ অনীগী খেন্নবা মশক অমা তশেংনা লৈবি। চুম্না খেন্নবত নত্তনা অনী গসি মায়য়োক্নবা য়াদবা য়েক্নবদৌনা হেক হেক চীংখায়নরকই।

হৌজিক রাজনীতিগী মায়কৈদসু অহোংবা অমা লাক্লে। নহারোল কয়ানা নোংমৈ পায়বা, মমুংদা লোত্তুনা লালহৌবগী ঈহৌ অমা লাকই। সরকারনা ফোঙনা শীংনরকই। নহারোল-শিংগী থম্মোয়দা (চুম্নবু ওইরবসু লাম্নবু ওইরবসু) পেন্দবা, শাউ-নীংবা, মুংঙাইতবগী অকনবা ঈহৌ অমদি লৈরি। ঈহৌ অসিনা ভারত পূন্নমক মীৎয়েং চীংশিল্লি অতুগা অমরোমদসু নাকোইননা মৈতৈ মচাগী পৌনা, লিংজেল মৈতৈ মশক তাক্নবা ঈহৌ অমনি হায়না হৌতুনা বাখলগী মশেং কাংনরকই।

হৌজিক্লা রাজনীতিগী লুচিংবদা থাজবা লৈত্রবা, মখোয়গী লমজিংবু চিংনববা, শম্না হায়রবদা লুচিংবা লমজিংবিনবা লৈত্রবা সমাজ অমা ওইবে। শেনজা থুমজানা থল্লবা অফং অফং চোপ চোপ লাক্লরবা নিয়ম ইন্দ্রবা, মশা মশাগীত খনবা, হৌজিক হৌজিক্কীদ য়েংবা, অহুল লমন, অমাং অশেং থকশি খাসিগী লোনচৎ লৈত্রবা মহৈ তম্বনা ফকবা মী শেমগনি হায়বগী থাজবা মাংখ্রবা, মুপা মুপীনা লমচৎ কোম্নবা, কাংথোং চাইরবা, লোৎনা-মাংনা পানবা সমাজ অমা ওইদি। হৌজিক্কী মতম অসি এজ ওফ নন-কনফার্মিষ্ট হায়গদ্রা এজ ওফ ডিসিডেন্ট হায়গদ্রা এজ ওফ এন্টি-হিন্দু হায়গদ্রা, এজ ওফ কেয়োস হায়গদ্রা— অচুম্বা লমচৎকী শক্তি লৈত্রবা,

অচুম্বা হায়বদু মাংখ্রবা, শেম্মা পুম্মমক জয় তৌখ্রবা, মীওইবগী মমলবু মশক খঙনদ্রবা, ইতাউ তাউবা, ইকোম-কোম্বা, ইথৌ থৌশাদবা পুন্সি মহিং অমদা হিবা. লেংং অমসুং শেন-থুমগী মমলনা পুম্মমব য়াই থাবরা, অরাবনা মতাইদা অনৈবনা মযাযদা চৌল্লিবা পুন্সি মহিং অমদা ঈবাররি।

অতুনা হৌজিক্কী সমাজ অমসু সংস্কৃতিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং. ঈরা মযাম অসিনা মবল্লহগী অমদি মীহংগী পকাঁদা থকনবা চৈথেং পীরি। চুম্নগা চৈথেং পীবগা নত্তনা থৌদোকশিং অমদি ঈবা মযাম অসিনা হম্মা হম্মা চৈথেং পীবদগী ঐথোযগী বাথন্দা চঙথি অতুগা বরিগুম্বা মীৎয়েং অমা, মপ্পাফাবা রাখল অমা শুঙনা শাংকাইবকই। অতুবু হৌজিক যাম্মা অববা রাফম অমা ওইনিবদি — "Mass culture" (মীয়ামগী ঈহৌ) হায়বসিদি চপাং রাখল অমনি। মাস কলচরনা সমাজ অমসুং বাজনাতবু নমথখিহনা চমথুনা পুথিহনা সাহিত্য, কলাবিদ্যাগী মমদাদ [illegible] য়াউনা, মচু হম্বা পোৎ ওইহল্লকই। মাস কলচরনদি [illegible] থাক্কী কলচর পুরকপা। উনদে। মাসগী মায়েকদগী হৌজিক্কী লৈবাক্কী ঈহৌ আসনা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিবু চাউখ-হল্লিব্রা, যগাং-হল্লিব্রা। নত্রগা চাউখৎহনবদা অপনবা পাবরা। হায়বন চিংবগী যাম্মা কুপ্পা নৈনবা দরকার ওই। মসিদি রাখল চঙবা অকপা সমস্যা অমনি। নেনথম মতাং থোক্তবনা রাফম অসিদি থৈহনা থমজরি।

শৈবেং : চন্দ্রনদী

শৈবেং— তাম্মা লেগ্রে। শীংপানবা য়ারবা কবিশিং নীলকান্ত, সমরেন্দ্র, শ্রীবীরেন, নীলবীর মধুবীর, ইবোমচা, ইবোপিশকন চিংবগী অনৌবা শৈবেং ফংদবা মতম বুইরে। হুমফু অমদি হুম্ফুতরাগী

অঙনবা মতমদা শিংলকপা মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা মুংশিং, অনৌবা ঈঙৌ অদু তুমিন্না পোথাক্না লৈখে। অদুম ওইনমক অহল ওইরবা কবি অনাগী খোঙ্জেলদি লেপতে। অমনা, কবি মীনকেতন (তোমু লাইতি লেখী, ১৯৭৬, অশৈবগী শৈরোই, ১৯৭৭, অশৈবগী নিত্য ইপদ, ১৯৭৬) অমন। নোঙ্গাওবা কবি সুরেন্দ্রজিৎ (বসন্তগী বাঁশী, ১৯৭৮)। অদুব কবি অনী অসি আধুনিক কবিদা হায়রবদি ইহাক যাজবা ওমোই। শ্রীমীন-কেতনদি পুরাণ অমদি মধ্যযুগতা হিজবমবদি যাম্না পকচনমগনি। অদুগা কবি সুরেন্দ্রজিৎনা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথকী রাখল লৈবেন্দা শংচবা লৈরা অমনি। অদুনা কবি অনীমক এহাক্না নেনতরিবা থাকগী মন্নদা চাংশিনহনবদি খরা লানা পোক্লই।

শৌ পকী শৈরেং “ওপন দ গুলিৎস এ লিটল মোর”
—জোল গিন্স।

শৈরেং হোৎজিক্কী মণিপুরী শৈরেংগী চাক শাগ্রিবা লাইরিক অনীখক লৌখৎনা লৈনরে হায়। অনা চঙী তা মমাঙদা ফোঙ্খিবা, শীংথানবা য়েংবা আধুনিক কবি ১০ গী খঙ্গৎলবা শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক ‘ইমা তাম্বা খোঙ্গেন” (নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ১৯৭৫) অদুগা অতোপ্প লাইরিক অমনা শ্রীবীরেনগী “মসিনা ইম্ফালগা বাবীনি” (য়ুনি-ভর্সেল লিটরেরি এসোসিএশন, ১৯৭৮)। লাইরিক ‘খরজবস্থ লাইরিক অমা অসিনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরী শৈরেংগী চাক অমদি অশৈংনা তাক্ন্রা হায়না লৌবা যাই।

“অতোপ্পা খোঙ্জেল” গী রাহৌদোক্তা মণিপুরগী শৈংলানবা ক্রুটিব মরানা (মখোয়না সম্পাদক মণ্ডলনি— গোবিদাস, যোগেন্দ্র, শ্রীবীরেন অমসুং জয়চন্দ্র) যাম্না বৃপা নৈনদুনা অনৌবা মণিপুরী

শৈরেংগী মশক অমা তাকপদ নত্তনা কবিশিংগী তোখায় তোখায়বা রাখল মীৎয়েং, মখোয়গী ষ্টাইলসু মচা উৎলি। তশেংবমক য়াম্না মরীক চুম্বা রাহৌদোক অমনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না নোংচুপকী মীৎয়েংনা পাদম ওইত্নুনা নাপ ওল্লগা পানশিন্দুনা কন্না য়েংখিবা মরম্না ঐখোয়গী কবিশিংনা পুকচেল শেংনা য়েংজরিবা ঐখোয়গী ফিবমগী শচম্বা মশক খরা পুথোকচরক্লিবা অসি শেরাম্ননা পুথোক্লকপা য়াউই। মখোয়গী মিৎয়েং অসি লাইনাগী হৌরকফম মরু থিবগী মহুত্তা মপানগী লৈথেং ময়াম অত্তুবু নৈনবদৌনা তৌই।

এখোয়গী আধুনিক কবিশিংগী মপুং ওইবা শৈতেক্তি অরিবা ভেল্যু, ফজবা থাজবক্তবা, লমচৎ মাওথবকপগী নীংবা কায়রবা শৈহেক্লি। হিংবগী চৈথেংনা কন্না ফুজিল্লক্কুনা পোথাফম খণ্ড্রবা, অচুম্বা অনদি থাজবা মাওথ্রবা পুন্সিগী মশক অসিনি। সমাজগী তমথিবা, তৌশিন্নবা মশকশিং অত্তু ময়েক শেংনা পুথোক্লকপনি। অত্তুগা নোংচুপলোমদা লৈরিবা মেতাফিজিবেল এংগ্বিশ, লোন-লিনেশ, এলিয়েনেশন, লম্মাংনবা, নাইতোম তাবা অহাওবা, ক্রাইসিস ওফ আইদেন্টিটি অসিনচিংবা ঐখোয়গী কবিশিংনা উৎলি হায়না দাবি। তৌনবসি ঐখোয়গী কবিশিংগী মপুং ওইবা মীৎয়েং রাখল ওইনসু থেংনদে। (অত্তুগা কবিগুম্বা উৎলম্বা তারবসু মত্তু অশেংবা এক্সপিরিয়েন্সদগী থোক্লকপা মশক্লি হায়না লৌবা ওল্লোই)। অত্তুনা ঐখোয়গী কবিশিংনা পূকচেল শেংনা পুথোক্লিবা, মখোয়দা ফাওবিবা, মখোয়না উৎলিবা পুন্সিগী মশক অসি মণিপুরী এক্সপি-রিয়েন্সগী চাশিন্নন, য়েংত্নুনা, মণিপুরী পুন্সিদগী য়েংত্নুনা অমুক্কা কপ্পা নৈনত্তনা অশেংবা মশক অমা অমুক পুথোক্লবা হোৎনবা দরকার ওইবি হায়বসি ঐনা চেৎনা পাজে। খুদম ওইনা "অতোপ্পা খোঞ্জেল" দা শ্রীবীরেনগী শৈরেংশিংনা উৎলি হায়রিবা— "লম্মাঙ-নরকপা পুন্সি মশক, শম্নদ্রবা মচেৎ মচেৎ কায়শিল্লক্লিবা পুন্সিগী

এক্সপরিএন্স, পাউখুন্ন যংদ্রবা ৱাহং কয়া, ক্রাইশিস ওফ আই-দেনতিতি, . হিংনা হিংনা পুন্সিগীদমক মিপাইরকপা, ঈশ্বর শিগ্রবদা মীওইবনা ওইহৌবা অহাঙবা অমসুং নাইতোম তারকপগী মশক, খোঙদাকম অমসুং লৈতাকম খঙদবা পুন্সিগী মূর্ত্তিশিং" (ৱাহৌদোকী লামাই ১০ অমসুং ১১) অসিনচিংবা অসি মাগী শৈরেংশিংদা য়াউব্রা হায়দুনা হন্না হন্না কন্না হুনদুনা খিজবদা ইয়াউ য়াউবা থেংনজদে। ঐনা শ্রীবীরেনগী কবিতাদা উজবদি অচুম্বা অমা থিবদা, হায়বদা তাবিদ্রবা, অচুম্বগী মশক মাঙশিল্লকপা ('চাফদ্রবা লাইগী য়েন'), মতমগী ঈচেন্না অনৌবা সভ্যতানা মীওইবগী ফজবা, হ্যুম্যেন ভ্যেল্যু, ফজবগী মমলবু থোশারক্কবা, ('তাংখুল হুই'), মীওইবগী মরী কোমথোক্লকপা, থাজনরক্কবা ('মেম্বর') মশকশিং অসি মপুং ওইনা উৎপা থেংনৈ। অতুগা পুন্সিগী অচুম্বা, ফজবা পুন্নমক মতমগী মহিংদা লুপশিনখিবা তাবা, বলিদান তৌবা তারকপা পুন্সিগী মশক অসি মাগী 'মসিনা ইম্ফালগী ৱারীনি' হায়বা অসিদা উৎপা থেংনৈ। চুমই, কবিতাগী অর্থ হনবদা খেন্নবা য়াই। অতুগা আলোচক অমগা আলোচক অমগগী মীৎয়েংসু তোঙানবা ওইথোক্কবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং কবিনা হায়রিবা খরদা মোত খেন্নবা নত্তনা কবিনা শুকহায় হায়জদবা পোৎ ময়াম অমা থাংজিল্লভুনা হায়জিনবা তারবদি মতু অরানবা মীৎয়েং ওইবত নত্তনা শেরান্ননা লমজিংবা মখল অমনি। শ্রীবীরেন্না মাগী লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা পল্লিবা "......ঐখোয়গী কবিতাবু ঐখোয়গী কৃতিকশিংনা শক খঙবিদ্রি" হায়বা ৱাকৎ অসিগী অচুম্বা লৈব্রা খল্লি। ঐখোয়গী আধুনিক কবিশিংনা মতমগী পুন্সিবু য়াম্না কুপ্পা য়েংই। মখোয়না উৎলিবা মতমগী পুন্সিবু মশক মুন্না খঙবা ভুম্বদা ফীজংনা কুপ্পুনা থনম্লবা অচুম্বগী অনৌবা মঙাল অমা শোয়দনা উবা যংখিনি। পুন্সিগী অনৌবা অর্থ কয়া শোয়দনা থোক্লকখিগনি হায়বসি চেৎনা থাজৈ।

ড্রামা : মতমগী মখল-মথেল পুন্সি

তোংব্রা : মতমগী ' ওইদবগী মায়খুন

তোংব্রা কিক্তেত্তা মৈতৈ অহল্লি। রাখন্দনা মতমগী ঈরাং চেনবা য়ক লাউবা নহানি। ফেজোম-শেৎপা, রাইসকৎ লিৎপা, লিচৈ পায়বা, মোফলর য়েৎপা, চন্দোন থিন্দবা বৈষ্ণব মানবা অহল অসিমক আধুনিক ওইবা লৈদ্রে। (মহাকবি মীনকেতনগা অমুক্তা চাংদয়বিদ্রে।) মহাক মণিপুরী সমাজগী মতমগী মীহুন শূবিবা মাইবনি। মাগী অনৌবা লীলাশিংগী মনুংদা 'ভবোংখাউ' (১৯৭৫) অমদি 'উপু বাক্সি' (১৯৭৬)— লীলা অনী অসি য়াম্না রাখল-চঙবা লীলানি। অতৈনা 'রাবেং লীলা মথেল' (১৯৮১), 'লীলা মতেক মঙা' (১৯৭৯) নি। ইমং মনুংগী বাথোক, লৈঙাক-লেৎপগী অশোয়বা, সমাজগী অশোনবা, পেন্দন, কয়া নোক্রতুনা, করেম্নতুনা। মমাংগী ঈদা ইবম্বদগী মীওইবগী পুন্সিগ অকবা সমস্যা থরদা তেম্না মনুংহনজিন্না চঙশিনবা খোঙজং অমা থেংনে। মসি অফবা খোঙজং অমনি।

'ভবোংখাউ' দা মুংঙাইববা, পৌদোক্লা, ঈশৈ-নোংমাই, ফাগি-যুগাইনা নমহৎখিতুনা ভবোংখাউ মনুংদা স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লিবা তা তোমাল্লোগী অবাবা দশাবু হেক্'হেক কাউথোকপগুম তৌই। তোমাল্লোগী দশাদি য়াম্না ফজরবা মোর্দন ট্রেজেদি অমনি। মতমগা মহিংনা মথৌরি মেৎলিবা মতমসিগী অরাবা অমনি। 'উপুবাক্সি' দা অহল ওইবক্লবদা মচামগুশিংনা থৌশানিরক্লবা, নীংবা কায়রবা, কাংথথাঙ ওইরবা নিপা অমগী অরা পুন্সি উৎলি। সেক্সপিয়ারগী নিংথৌ লীয়ারগী অরা দশা অদু অহল ওইরকপা মীখুদিংদা থোকপা য়াবগুম 'উপুবাক্সি' গী শেক্সেংগী অরাবদু হৌজিক্কী মীপুম খুদিংদা থোকপা য়াই। ওইদবা, তাৎ তৌবনা অচুম্ববু

নমহত্তুনা শাসন তৌরিবা হৌজিক্কী মতমগী পুন্সি মহিংগী অচুম্বা মশকপু ময়েক শেংনা উৎলিবা ড্রামাটিষ্ট অমনি।

তোংব্রানা মাগী লীলাশিং অসিদা হৌজিক মতমগী পুন্সিগী মন্নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা হিংবগী সমস্যা পুথোকপা ভয়বস্থ মাগী খুংইগী মতাংদা অচৌবা অশোইবা অনীথক থেংনৈ। মাগী অশোইবা অমনা কলাগী খুংশেমদা য়াম্না কোমথোকই, থৌশাদে। অতোপ্পা অমনা— থম্মোয় নৌথবা, থম্মোয় পেৎপা, কপ্পা অসি নামুংবা অইবা অমা ওইবনা মীওইবা পুন্সিগী অরা শক্লোন উৎলকপদা তয়াং-তয়াংনা থোকপা, ইকং কংবা মীওং মানবদোনা তৌই। মানবুদি তত্তনা হায়জে— মীওইবগী পুন্সি অসি কপ্পা নোংপাম্ব অনীগী নংদাহৈনি। কপকদ্রা নোকদ্রা খঙদে। ঐথোয়না তেংব্রাবু অনৌবা রাখল থনবা কোক অমা পুতুনা চংপগা লোয়ননা কোক অদুবুস্থু থাউ তৈবিদুনা ফজনা মশম মনা হাংতোকহল্লিই। আইডিয়াগা কলাগী খুংশেমগা খুংশম্নুনা, খোং মান্নুনা ফজনা। উৎপা ভয়বদি মাগী লীলাদা মাষ্টরপীচ ওইগদবা যাম্না যাউদ্রি নীই।

অবাম্বম সমবেন্দ্র: ভাবনা শাবা মিডল ক্লাসকী সমস্যা

শ্রীঅবাম্বম সমবেন্দ্রগী খ্বাইদগী থেঙনা ফোঙলকপা লীলাদি "য়েম্লীংথাগী ঈশৈ" (১৯৮১) নি। সমবেন্দ্রনা মাগী লীলাশিংদা ইমুং মন্নুংগী সমস্যা কয়া পুথোক্তুনা নৈনৈ। ময়ায় ওইবা থাক্কী মীওইবগী ভেল্যুগা (middle class value) মীচমগী ভেল্যুগা মুকথায়নবগী মশক অমা তত্তনা উৎলি। থেংগাইনহল্লিবা থৌদোকশিংনা ইমুংগী ড্রোয়িং রুমদনি। নৈহৎপীরবা, মশাগী মশক থিজরিবা মীচমগী মায়কৈদা লেপ্পুনা ময়ায় ওইবা থাক্কি তাংতৌবা, মায়াগী পুন্সিবু মুংথং পায়তুনা কন্না থুগাইহিরিবা লীলা ইবা অমনি। "য়েম্লিং থাগী ঈশৈ" দা কলাকার ইমো (মীচমগী

ভেল্যুবু মক্তৎ শিল্লিবা) গা বসন্ত, সনাবৈ (মিডল ক্লাস ভেল্যুবু মক্তং শিল্লিবা) ভেল্যুগা মুনংবা, থেংগাইনবা উৎলি। অইবনা ইনোগী মীচঙ চঙন্থুনা বসন্ত অমস্তং সনাবেগী values শিং অদু অরানবনি হায়বসি উৎনগা হে । ।

অসিদা খন্নবা যাবা লাকপা অমদি – শিনবেন্দ্রনা মাগী লীলাশিংদা পুথোক্লিবা মিডল ক্লাসকী ভেল্যুগী মশক অসি মণিপুরী সমাজদা লৈব্রা? হায়বা অসিনি। ওশেংবদি থংনা ওইবা থাক্কী ভেল্যুগী মশক অসি মণিপুর সমাজদা লৈতে। মসি মণিপুরদা সমাজনা য়্যানরবা মতুংদা। অমস্তং সমাজগী শোংদোকপা অমা ওইনা লৈবা উদে। মতুংনা মনি মণিপুরগী অমসুং শীংচৎ শেংনা লৈতবা পোং অমবু ওইহনবা ভাবনা শেংনা লেপ্পা নংতনা। পুথোকপা অইবগী বাখল ভাব অমনি।

সমাজ্জুনা মাগী লৈবাক্কীদা থিবা – অনৌবা খুনবনা লাযবরবু উশিনবা, হৌখনা খনগা, গপ তৌবা, মী ওইনা উদবা, চহি নিংচনবা নুংশিচং, বাখলগী অসিদি হায়বগী মীওইবগী সংচংনি। মসিদি মী মীতুদা শনগা থানচংনি। মসিগা সমাজ অমগী ভেল্যু সিষ্টেমদগী থোক্লকপা মখল খরা লৈ, মসী অসি চঙয়ুক্লাইদবনি। সনাতনেন্দ্রনা মাগা মিডলক্লাস হায়বদা তৌরিবা মীওইশিংগা লানচং, বাখল, মীয়ৈং অদুদা খুবক ওইবা "ক্লাস" তগী থোক্লকপা ভেল্যু নত্তে।

মণিপুরগী সমাজগী চংনবগী পথাপ্নদি অচৌবা অমাং, লায়ব-ইনাক খুনগা থায়দে। সমাজগী থবক্তা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা উৎসবশিংদসু উবা অমত্তা ওইনা চপমান্নবা শবক য়াও। কবি অমুক হায়গনি লায়রবী ইংলেন্দ্রগা, চেং যোনবী থাবকথা, ওক্তবী কেতুকা শুচংবগী হৈজিংপোট পুরদা ফজনা শেং চাহুনা মকোক থানা লাকই। সমাজগী পুৎসিদা চংনবী কয়াদা পূন্নমক বার্ত্তণ তৌই, পূন্নমক্কী মফম চপচানা লৈ।

য়াফম অসি অমুক্তা ময়েক শেংনবা— লাইরিক খরা লৌখত্তুনা নৈনবা য়াই। ঐখোয়না খঙই থা ভারত্তদি জাতি-ভেদ, হরিজনগী য়াথোক। মসিগা লোয়নননা ব্রামিনিজমগী চাউরবা ঈচেল অমত্তু লৈ। অত্তুনা মখোয়গী সমাজদা খেন্নবা ক্লাস (শাগৈ) অমত্তুং মত্তুগী ভোলু সিষ্টেমদগী থোক্লকপা খেন্নবা ভ্যেলুশিং অত্তু ময়েক শেংনা অত্তুম্মক লৈ। সমস্যা অসি মমিং চৎলবা কনাড়াগী উপন্যাসকার য়ু, আর, আনন্দ মূর্ত্তিগী উপন্যাস 'সংস্কার, দা (১৯৬৫) ময়েক শেংনা উৎলি। উপন্যাস অসি ওর্থোদোক্স ব্রামিনিজম, এন্টি ব্রামিনিজমগী ভ্যেলু অনী অসিগী থেংনবা উৎপা ফজরবা উপন্যাস অমনি। অত্তুম্না কে, শিবরাম করন্থগী কনাড়া উপন্যাস "চোমা ডুদি" দা মীনাই চোমানা শুদ্রগী মাগী পুন্সিদা লৌ উবা নিপা অমা ওইজগে হায়না কন্না হোৎনজখি। অত্তুবু ব্রামিনিকেল ভ্যেলুনা অতোনবা মীনা লৌ উবা থিংই, য়াদে। চোমানা কন্না হোৎনজখি। লাম্হেংনজখি। ঙমখিদে। য়ু ধমাধমদা থকচিল্লগা খোলক থিন্দুনা শিখি। চোমাবু হাৎলিবসি ভ্যেলু সিষ্টেম অত্তুননি। অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক য়াত্তে। প্রেমচন্দগী 'গোদান', মুল্ক রাজ আনন্দগী 'অনটচ্যাবল', টি, শিবশঙ্কর পিল্লাইগী 'স্ক্যাবেঞ্জরস সন' নচিংবা কয়া লৈরি। মথক্কী নৈনরিবা অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্বদি সমরেন্দ্রনা শাগৎলিবা মিডল ক্লাসকী ভোলুশিং অসি মণিপুরগী সোসিয়েল সিষ্টেমদগী শাগৎলকপা নত্তে, অইবনা মশানা শেম-জিন্দুনা পুথোক্লকপা য়াখল, শক্তম অমনি।

নহারোল অইবা খরা : চাংয়েংগী লম্বীদা

হৌজিক হৌজিক লীলা কন্না ইরিবা নহারোল খরা লৈ। মখোয়গী মরক্তগী তোমথিন ওইরিবদি শ্রীঅথোকপম তোমচৌনি। মাগী 'জালী-মী' (১৯৭৫), 'শম্বল' (১৯৭৯) দা মীওইবগী অপঙবা মশোনবা অমদি সমাজগী তৌশিন্নবা তাৎ ময়াম অসি করেম্মনা

উৎলি। লীলা খুৎহই— সমাজিক ওইবা, কাবমবা, ফাগি জগাই— তোংবাগী মওংনি। মহাক মণিপুরগী শানাশুবা তো প্রানি হায়বা যাই। 'জাজী মীদা' মতমগী মহিনা শাফু কপা য়েশিল্লকনা মীওইনবগী মমল খঙলকখ্রবা পুন্সি অমা ওইবে হায়বসি তোনচোন। থবায় শোক্লা পুথোক্লকই। মহাক মীচমগী অবাগদা, সমাজগী অৱাবদা তেংবিবা ড্রামাটিষ্ট অমনি।

ম ব্রউ, কামনী (খোমদোন মেবোবী, ১৯৮০, খোঙ্গমথৌঙ্গ, ১৯৮০), ময়াম বাজেন (লাই খুৎশাবী, ১৯৮০, চেকথাইবী মালেম, ১৯৮১), বোইভম নীবেন (ভোট খোম্বা,) লোলাশিংদা হৌজিক্কী সমাজগী নৈহৎপা, ওইহৎপীবা, শুমতনা চানগী পুন্সি উৎনবা হোৎনে। অতুবু মথক্তা ভাউত্নুনা নোবা মপাঙ্গোংগী সমস্যা থবা হায়নবা হোৎনবা ওইনা তৌই। মখোয়গী চংশাবা মীওয়ে যিরেপ থঙবা ৱানা থে ক্র।

উপন্যাস : খাইনগী লৈবাক লৈনুংশি

লৈবাকগী মতৌঙ্গম মণিপুরী উপন্যাসসু ভুমিন্না লৈগ্রে। খুঃ কুমজা ১৯৬০ দা লাগবা অনৌবা উপন্যাসকী ঈহৌ অতুদগী মখা চত্থবকপা থেংনদে। অদুবু চহী খরসিদা ফোংলকপা পনবা যাগা উপন্যাস অনিখক্ত - শ্রীমতী বিনোদিনীগী 'বড সাহেব ওংবী সনাতোম্বী' (১৯৭৬) অমসুং পাচাগী 'থানিল' (১৯৭৯)। তান চাবডং। ওইবা যাই, মখিং লৈববা উপন্যাসকার অনী অসিগী উপন্যাস অনীমক থিমদা অমসুং বাবীগী য়ুমফমদা হায়রপ নাম্লে। থিমদা হুংশিবা, ৱারীনা মপুবোইবা লৈনা লৈন। মরা ভাঙনবা অতুগা ফংইদোর, খাইনগী ইতিহাসকী হেৎগ্রবা মতমগী ৱারী। উপন্যাস অনীমক শাবা হুংজাইবদা, ৱারী হু ভাইনদা, হুংশবগী শক্লোক উৎপদা, খায়নগী পুন্সিবু মযেক লানা উৎনবপদা ফজবা মশক কয়া থেংনৈ। মসিমক্লা মরম ওইতুনা মখোয়গী চয়ফম শোয়দনা

লে। অতুম ওইনমক ঐখোয়না হংদনই— হৌজিক মতমগী পুন্সিগা চুননা মখোয়না হুংশিনবগী অনৌবা শরোন অনৌবা মনল অমস্তুং অর্থ কনি পুথোক্লবগে? মতমশিগী চংচাবা অইবা অমনা খন্বা পোইবী নওগা শকুন্তলাগী ৱারী ইবা তাববদি, ঐনা খাজনদদি, মতু পুমনমক নৌবা শকুন্তলা নওগা খোইবী ওইগনি হায়না নীংই। ঐখোয়না অনৌবা অমা পাবিননা, মাডাম বোভেরী, অন্না কারেনিনা, থাইজ উবা পানই। মখোয়গী অনৌবা শাইরেনগী ৱারী তানিই। মসিং চংনবা মায়পাকপগী উপন্যাস- দা ভি, এস, খান্দিকরগী [illegible] বার্নার্ডগী শাগৎপা মাগী 'যযাতী'দা (ই লেন্ডী অনুবাদ, ১৯৭৮) যাম্না ফজবরা অনৌবা মাংযেং অমা পুথোকই। ঐখোয়গী [illegible] খোঙাইজনা [illegible] পলম্বী [illegible] মচাপুগী শকুন্তলাদা বন পীবগী [illegible]। [illegible] বাক্লদানা শর্মিষ্ঠানা যযাতী [illegible] (romantic aspcct of the tale) অতুংনবু উবা ফংই। হৌইহনবদা ভি, এস, খান্দিকরনা [illegible] চৎনা ফাজিন্দুনা [illegible] চংনবী, [illegible] অমস্য আধ্যাত্মিকতা [illegible] শাক অমা ওইনা [illegible]। [illegible] মাগী উপন্যাস 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড' (১৯৮৫) অসি নিএলিস্টিক ওইবা মায়কৈদা চংশিনলি। হৌজিক্কী পুন্সিনু ওনসাবন অমা ওইনা য়েংঙই অদুগা [illegible] পুন্সিগী বুয়োম হাংদোক্লগা নতুদা লৈরিবা ইকোক [illegible] শাক অদু উংনবা লাক্লে। অদুবু, মতমগী পুন্সি যৌনা চংপা শীথানা য়াবরা অনৌবা উপন্যাস অমত্তা পোক্লগা উদে।

ৱারী মচা : ইচেল কল্পনা ভুবেল

হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইচেং কল্পা চেল্লিবা সাহিত্যগী খুৎইদি মণিপুরী ৱারী মচানা ওইনি। হৌজিক ৱারী

মচানা জয় তৌরি। মণিপুরদগী নত্তনা ভারতকী সাহিত্যগী ওইনসু ৱারী মচানা লমলমগী পংখৈ লাম্থোক্লুনা য়াম্না মমিং চৎলবা, শক্তি লৈরবা সাহিত্যগী লৈচল অমা ওইনা মায় পাক্লা লেপ্লি। ইং কুমঃ ১৯৬০ গী মতমদা ৱারী-মচাগী অকনবা ঈহৌ অমা লাকখি। ঈহৌদুদা বিনোদিনী, কুঞ্জমোহন, শ্রীবীরেন, নীলবীর, গুণ, দীনমনি, চিত্রেশ্বরনচিংবা থোক্লকখি। মসিগী ঈচেল অসি হৌজিকসু লেপ্তনা চেন্থরি। বীরমণিগী 'পিকনিক পিকনিক' (১৯৮০) অমসুং 'চেক্লা পাইথ্রবদা' (১৯৮১) ; কুঞ্জমোহনগী 'থৱান-মিচাক অমনা কেনখিবা' (১৯৭৯), দীনমনিগী 'তিংখংলৈ' (১৯৭৭) অমসুং 'পিষ্টোল অমা কুন্দাল্লে অমা' (১৯৮১), হিজম গুণগী 'লংজিন মাঙথ্রবা কিশি' (১৯৮১), রজনীকান্তগী 'কালেন্থাগী লৈপাক্লে' (১৯৭৯), শরৎচন্দ্র নোংথোম্বগী 'অহেনবা ঈ' (১৯৮১), লাইতোঞ্জম প্রেমচান্দগী 'শাহিং চাবা অমগী ৱারী' (১৯৮২), সোনামনিগী 'জগন্নাথ পুজারী' (১৯৮২), অসিনচিংবা অসি মতমসিদা থোক্লকপা ৱারী মচাশিংনি। ৱারী মচা ইবশিং অসিগী মনুংদা শীংথানবা য়ানা, তোমথিন ওইনা চোংথোক্লক্লিবা অইবা অনীখক্তি—বীরমণি অমসুং দীনমনিনি।

বীরমণিগী ৱারীমচাশিংনা লৈত লাইরবগী, সিষ্টেমসিনা নৈহৎপীরবশিংগী মরমদা উৎলবসু বাংলাগী শরতচন্দ্রগুম্না নুপীগী থম্মোয়গী মনল অমা পুথোক্লবা কন্না হোৎনৈ। সমাজ অমসুং ফিবম-মতম্না লাকশিল্লক্লিবা পুন্সি মহিং অসিদা ওইরকপা মীওইবগী ফিবমদা কুপ্না য়েংই অদুগা মখোয়গী পুন্সিগী মশক অমা মীচঙ-মীখায় নাইদনা পুথোক্লকই। নীংথিজরবা এলিগোরীগী মতেংনা পুন্সিগী অচুম্বা থিনবা হোৎনরিবা 'পিকনিক পিকনিক' ৱারী মচা অসি অনৌবা মণিপুরী ৱারীমচাগী মশক তাক্লিবা ফজরবা খুৎশেম অমনি। লমচৎ য়াউদ্রবা হৌজিক্কী ইকোম কোম্বা পুন্সি উৎপদা শেলনা, শক্তিনা নৈহৎপীরবা মীচমগী পুন্সি ইঙ্গিংনা উৎপদা,

গত্তি লৈতনা অচৌবা শক্তিবু মীংনবগী মশক উৎপদা ৱারী মচা অসি থোইদোকনা মগুণ য়াম্না লৈ।' শ্রীদীনমনিগী 'পিষ্টোল অমা কুন্দাল্লে অমা' লাইরিক অসিদা য়াউরিবা ৱারীশিং অসি মাগী হান্নগী ৱারীশিংদগী হেন্না লুপ্না, ৱাখল মমুন ফাবা অমদি পুন্সিগী এক্সপিরিয়েন্সবু থরা হেন্না মরীক চুম্না য়েকপা থেংনৈ। 'দ্রুত বিলম্বিত'— য়োশিনবা থম্মোয়গী মশক উৎপা, মীনুংশি অমনা কোল্লিবা মীওইবগী কাউন্ডমন্ত্রবা ৱারী অমনি। 'পিষ্টোল অমা কুন্দাল্লে অমা,' 'ঈচেল থকথ্রবা তীর্থ মচা মচা'নচিংবা ৱারীশিং অসিদা সিচুয়েশন শেম্না হৈনবগী গুণ থেংনৈ। য়ুম্বাল্লবা নুপা-নুপীগী পুন্সিদা অইবনা মীৎয়েং থমতুনা মখোয়গী অচুম্বা মিংকুপশিং উৎলকই অদুগা ঐখোয়দা মীনুংশিগী স্তুর অমা তত্তনা তাহল্লি।

সমালোচনা সাহিত্য ঃ নোংপোক অমসুং নোংচুপ থেংগাইনবা

তাঙলবা হৌজিক্কী মণিপুরী সমালোচনাগী সাহিত্যদা তোক-খায়রবা মীৎয়েং অনী থেংনবগী য়াম্না নুংঙাইরবা অমা লৈরি। সমস্যা অসি থরা কুপ্না নৈনফম থোকই। সমস্যা অসিগী মওং তাকপা য়াবা আলোচনাগী লাইরিক অনীনি—অমনা 'ডাঃ কমল ঃ নৈনবা ৱারেং' (সম্পাদকঃ দামোদর, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইং ১৯৮২) অদুগা অতোপ্পা অমনা 'মহাকবি কালিদাস অমসুং মাগী সাহিত্য' (মণিপুর সংস্কৃত পরিষদ, ১৯৮২)। অহানবগী লাইরিক অসিনা নোংচুপকী সাহিত্য নৈনরোলগী মীৎয়েংদগী কবি কমলবু মশক তাক্লবা হোৎনবা লাইরিক অমনি অদুগা অকোনবগী অসিনা শুপ্নগী ভারতকী আলঙ্কার শাস্ত্রগী মীৎয়েংদগী কবি কালিদাসপু মশক তাক্লিবা লাইরিক্নি। হৌজিক মাঙদা তারিবা অরুবা সমস্যাদি মণিপুরী সাহিত্য নৈনবদা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী ইস্থেটিক্সকী ফিরেপ করি ওইফম থোকপগে? অনী অসিগী মিলন ওইথোকপ্রা?

চমন্নরবা সমস্যা অসিদগী থোক্লকপা ফলনা হৌজিক মণিপুরী সাহিত্যবু শেরান্ননা লমজিংবা অমদি লান্না মশক তাকপা থেংনৈ। খুদম ওইনা ডাঃ কমলবু নোংচুপকী রোমান্টিসিজম মীৎয়েং থান্নুনা য়েংথ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী অমদি ভারতকী পরম্প-রাগী ঈচেন্দা চেন্থরকপা কবিগী রাখল-থাগী মশক অদুদি চুমনা পুথোকপা ঙমদ্রে। অদুগা অমুক, কালিদাসপু শুপ্নগী ভারতকী আলঙ্কার শাস্ত্রগী·মীৎয়েংদগী য়েংখিবা মরম্না কালিদাসকী লাইরিকশিংগী লোনগী অর্থ (সিমান্টিকস) অমসুং রস নৈনবদমক ওইনা থোক্লে। অদুনা কালিদাসপু নৌহৌনা অর্থ হন্দুনা মতমগা চুননা (কনটেমপোরেরী রিলিব্যান্স) পুথোকপা ঙমদ্রে।

পুম্নমক অসি য়েংউরগা হায়নিংবদি— মণিপুরী সাহিত্য নৈনবা অসি মণিপুর অমসুং ভারতকী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী পরম্প-রাদগী শোয়দনমক নৈনফম থোকই। নোংচুপকী পুন্সিগা নোংপোক্কী পুন্সিগা থেন্নৈ। অদুনা মরম ওইদুনা নোংচুপকী সেনসিবিলিটিগা নোংপোক্কী সেনসিবিলিটিগা থেন্নরকই। ভারত্তা রোমান্টিসিজম, রিয়্যালিজমগী মশক ১ লৈরবসু মদু নোংচুপ্তগী থেন্নবা, লৈবাক অসিগী ঈশিং নুংশিত্তগী শাৎলকপা, লমদম অসিগী মহাও, মচু শংলবা মগুং অমনি। মণিপুরী জগোই রাসতা নোংচুপকী বেলেগী অকনবা একশন য়াউদে হায়না মরাল শীরবদি মদু এথোয়না য়াবা ঙম্লোই। জগোই রাস মশক খুঙগে হায়রবদি মণিপুরগী ইস্থেটিক্সকী মীৎয়েংদগী য়েংবা তাই। মণিপুরগী সংস্কৃতি, বৈষ্ণব, ধর্ম্ম অমদি প্রেম, ভক্তি রসকী পরম্পরাদগী নৈনরগা হেন্নাময়েক শেংগনি।

নৌনা খোঙদারকপা ঃ অনৌবা লৈচন

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা নৌনা খোঙদারকপা সাহিত্যগী লৈচন্দি 'লমকোয় রারী' অমসুং 'পুন্সি রারী'নি। অনীমক

য়াম্না তরাম্না ওকফম থোকই। শ্রীএনঃ কুঞ্জমোহনগী 'সোভিয়েৎকী লৈবাক্তা' (১৯৭৭)না মণিপুরী সাহিত্যদা লমকোয় রারীগী (ট্রাবেলোগ) অহানবা খুদোন্নি। বেদ মেহতাগী 'পোরট্রেট ওফ ইন্দিয়া' (১৯৭০) অমদি ভি. এস. নাইপালগী 'অমং দি বিলীভরস: এন ইসলামিক জর্নি' (১৯৮১) অসিনচিংবা ট্রাবেলোগকী থাক য়োৎরবস্তু লাইরিক অসিদা অইবনা নৌনা থেংনবা লমশিং মীওইশিং খংদি পাবা য়ানা পাউতহগী খুৎই অমদা লাম্নোক্লি। কল্পনাগী শক্তি ফজনা শিজিন্নদুনা অইবগী এক্সপিরিয়েন্স অদু সাহিত্যগী ওইবা মনুংতাইগী থাক অমা য়োনা ফোংদোক্তুনা উৎপদি ওনদ্রি।

"পুনশি শক্তম" (লারোল অমা, ১৯৮০) ফোংলকপা শ্রীমীনকেতন্না মণিপুরী সাহিত্যগী Lytton Strachey ওইরে। অসিদগী চহী-খরা মাম্না ডঃ এল ইবুংোহলনা মাগী 'জীবন চরিত' (১৯৭৫) ফোংলবস্তু লাইরিক অসি সাহিত্যগী মহাউ য়াউহনবা হেন্না কলাগী খুৎশেম অমা ওইনা লেপ্পা ঙমদে। 'পুনশি শক্তম' অসিদদি ওশেংনা সাহিত্যগী মহাও য়াওরে। কলাগী খুৎশেম অমা হাযবদু ওইরে। লাইরিক অসিদা মীনকেতন্না মাগী ইনুং মনুংগী রারী, পুন্সি থোৎলোক কয়া লিবদা নত্তনা মতমদুগী তাইবং সমাজগী মশক, জাতিগী ইতিহাসকী মশক অমসু উৎনবা হোৎ-নবকই। খুৎইদা ওত্তুনা শৈরেংগী মহাও অমা পীনবা হোৎনৈ। অইবনা হায়রবা-- 'পিক্তকপা নীংথিরপ্পা কাব্য অমা ওইনা থোক্কনি" হায়বসিগী মায়কৈদা হায়ফেৎ নমশিন্না চংশিল্লি। অদুবু মশাগী পুন্সি রারী ইবগী অচৌবা চাংয়েং অমদি মাগী এক্সপিরিয়েন্স অদু পুকচেল শেংনা উৎপা হায়বসিনি। মতনবু, পুন্সিবু মীনখদি য়াদে। গান্ধী— 'মাই এক্সপেরিমেন্ট রিথ ট্রুথ', নেহরু-- 'এন ওটোবাইও-গ্রাফি', নিরাদ সি. চৌধুরী 'ওটোবাইওগ্রাফি ওফ এন অননোন ইন্দিয়ান', তন্দন—'পঞ্জাবী সেনচুরী'. গান্ধী, নেহরু, নিরাদ চৌধুরী, প্রকাশ তন্দননা পুন্সি রারী ইংদা মমিং চংলিবসু মসিগী গুণ,

পুকচেলমতা অসি লৈবননি। ঐখোয়না মুন্না য়েংবদা শ্রীমীন-কেতনগী লাইরিক অসিদা থওইনা শেমশাবা মানবা, উৎকে তাক্কে হায়বগী মাংওইনবা রাখলগী মমি অমা তারি। মসিনা অইংগী পুকচেল শেংবদা চীংনবা পোকহল্লি। পুন্সি রারী ইবা হায়বসি অরুবা কলা অমনি। মসিদা ভক্তি অমস্তুং সাধনা চঙই।

হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী কলম পায়রিবশিংনা চৎলিবা লম্বী, উৎকে হোৎনরিবা ভেল্যুজশিং অমসুং মথোয়গী মীৎয়েং অসি খরগা হেন্না শেংনা, খরগা হেন্না সিরিঅস ওইনা চঙশিনবা দরকার ওইরি। লাইরিক্কি য়াম্না ইনৈ, য়াম্না ফোংডনৈ। লুরিবদি ইরিবা থুদিংমক শীংথানবা য়াবা সাহিত্যদি ওইদে। হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী মখল মথেল কয়া অসিদা মণিপুরী পুন্সিবু চুম্না, য়োনবা চপচানা মশক উৎপা সাহিত্য য়াম্না হেন্না দরকার ওইরি। তশেংনা হায়বা তারবদি— মণিপুরীশিংগী পুক্নিং অমসুং থম্মোয় মনুংহুনজিন্না চঙদুনা, লমদম অসিগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি সংস্কৃতিগী মহাও অসি মুন্না চুপশিন্দুনা মণিপুরী পুন্সিবু চপচানা মশক তাকপা য়াবা থোইদোক হেন্দোক্লবা, অরাংবা থাক্কী সাহিত্যগী খুৎশেম অমত্তা হৌজিক্কী অইবশিংনা পুথোক্লকপা থেংনদে। অশেংবা অমসুং অরাংবা রাখল, ঐখোয়গী রাখলবু হোংহনবা ঙম্বা শক্তি, কোনশেং ওইবা এক্সপিরিয়েন্সতগী পুকচেল শেংনা উৎথোক্লকপা ফজরবা রাখন্দুনা ঐখোয়বু হেন্না ভাব তাহন্দুনা ঐখোয়না হিংলি-বসিগী পুন্সিগী অর্থ খঙজদুনা হেন্না মীৎয়েং পাকথোকহনবা ঙম্বা য়াম্না চাউবা অইবা অমত্তা থেংনদে। মসি তাবদা খরা হেনজিনবা রাফম ওইনা থোকপীরম্বসু য়াই। অদুবু, নুং মরক্তগী অহেনবা নুং পামনৈ। মণি মরক্তগীসু অথোইনা মণি থিনৈ। মীরক্তগীসু অথোইবা মীবু ঈরাৎনৈ। অসুমনা লাইরিক ময়ামগী মরক্তগীসু ফজবা, মমল য়াম্বা, কলাগী মহাও শুনা পীবা ঙম্বা লাইরিক থিবা তাবনি।

কবি নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী পুন্সি অমসুং মহাক্কী মতম

হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না কল্লা নাখি। লাইথে তৌদুনা (নত্রগা পোলওগুম্বনা নারম্বস্থ য়াই) মহাক্কী ওইথংবা মখোঙ অদু শেকখি। চৎপা মতমদা হেন্না পীকশিল্লবা, শোল্লবা মখোঙ অদুগী খুংউদা ওইগী খুবাক্কা শৌ শৌদুনা শেক্কা শেক্কা চৎলি। করিগুম্বদা লিচৈ অমা পায়দুনা মদুদা শৌদুনস্থ চৎলি। অদুবু, শোইনাইরবা নিপা অসিগী মখোঙ নামা শেকই হায়রবসি কনানা থাজগনি! য়োৎ পায়রগা চাউরবা খোংবান কন চোংই। ইমুং মনুংগী থবক, ইংখোল-শংবল কল্লা শুই। সাইকল অদু খরা চেপথরগা হেক্কা কাখৎতুনা তোংখৎখি। মশা শোইনাইবগী রাখল অমা লৈবনা, পূক্কিংগী অকনবা ঈহৌ অমদি থুংঙাইতবা রাখল অমগা লোয়ননা কল্লা হোৎনদুনা জোনস্টোন স্কুলদা তম্লিঙৈদা থওইনা জিমনাষ্টিক্সকী বিষয় অসি লৌখি। নবদ্বীপচন্দ্রগী হোৎনবগী শক্তি অঙকপনি! মহাক্কা চহী থুদিংগী জিমনাষ্টিক্সদা মনা ফংখি। মখোঙ নামা শেকই হায়দুনা মমাল্লবনা মঙেন্দা হৌরু লাকউবা ঙমদে। নবদ্বীপচন্দ্রনা ওকখি চপথ্রবদি লোয়রে—নোং খোংথ্রিফাউ থাদে। অদুনা মমাম্নবশিংনা নহাকপু য়াম্না কিনৈ। তশেংবমক, নবদ্বীপচন্দ্র মশা য়াম্না কৈ।

মশা-মউ ফরবা, মপান্দোম কৈ তরেৎনা চাবা ঙমগদবা নাদ্রবা, মশা কনবা অমসুং উইরবা, মকোক খরা তাংতক তৌবা, কুচু মুনা পানবা, থাংমৈবন্দ উচ্চ প্রাইমারী স্কুলগী (ক্লাস থ্রি অমসুং ফোর ফাউবা তম্বা) ওঝা হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহনা মাঙ্গোলগী কক্কা ফম্নদুনা মৈতৈগী তোংজৈ পানবা হিদাকফু অদু চীংল-চীংলদুনা হিদাক থক্লি। মনাক্তা ছাত্রশিংনা কোয়না ফম্লি। অনকপদা লৈবা ছাত্রশিং চাক চারগা থুমিদাং লেকপা লাক্লে। অথাপ্পা

লৱাই-থৱাইদগী লাকপা কাঙবু লেক-চাহ্না লৈ। মতম অদুদা পরীক্ষা ময়া নত্রগা অশাংবা ছুটি নত্রগসু অয়াম্বা মতমদা অয়াম্বা ছাত্রশিংনা ওঝাগী য়ুমদা অহিং লেকতুনা মহে-মশিং তম্নরম্মী। ছাত্র শিংগী মথৌনা—অয়ুক ওয়া হৌগত্তুনা শুমাং রাই শিংপা (রাই শিংপা হানবা তাম্নে), মরক মরক্তা ইংখোল-শংবলগী থবক্তা মতেং পাংবা, করিগুম্বদা শীং চনবা, শংবল থাবা, লৱাইদগী লাকপশিংনা মানা মানা ওমজবগী মতুংইন্না ফৌ-চেং পুরকপা, চরু গাড়ী পুরক্তুনা ইংখোলদা পৈরবা। ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রনা ময়ুমদা লাইরিক তম্বিবগী পৈশা অমত্তা লৌরমদে। মহে তম্বিবনা মথৌ ওইবা, মহে তম্বিবদা পেঞ্জবা, হরাউজবা, নুংঙাইজবা ওঝাদা ওঝা ওইবগী তাঙলবা পুন্সিগী মশক অমনি। ওঝা নবদ্বীপচন্দ্র মানা ক্লাস আইট (Class VIII) পাস তৌবদগী (চাউরাক্না খৃঃ কুঃ ১৯১১) পুন্সিগী অরোয়বা তাঙ্কক ফাউবা (খৃঃ কুঃ ১৯৪৮) ওঝা ওইবগী শিনফমদা মপুন্সি কখোকখিবা য়াম্না আদর্শ ওইরবা মীশক অমনি। মথং মথং ওইনা থাংমৈবন্দ উচ্চ প্রাইমারী স্কুলগী হেড মাষ্টর অমদি মমৈথংদা, লান কায়রবা মতুংদা, এস, আই, ফাউবা ওইথি।

ফুগল্লবা অমসুং ছাত্রশিংনা কিবনা মক্লাপ নীক্লিবা হেড মাষ্টর ওইরিবা ওঝা খ্বাইরাকপম নবকিশ্বর সিংহগা (মহাক কাছাড়দগী লাকপনি। বাংলা য়াম্না হৈ। বাংলা তম্বি।) সেকেণ্ড মাষ্টর ওইরিবা ওঝা হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগা খেন্নবা য়াম্না লৈ। ওঝা নবকিশ্বরগী লিচৈ খাঙবা ওমদে। য়াম্না ফুগল্লি। ফুগনবদ নত্তে পাউখোনসু য়ায়া শিগল্লি। অমা নত্রগা অমা থৌদাবনা মাগী হৈনবিনি। পোংজবা, অচাউরম পামজবা ওঝাসিনা ছাত্রশিংবু তত্তনা হকচাং নমহল্লি, হিদাক তোয়না হালহল্লি। করি অমুক হায়গনি— মচিন্না শাইরিবা য়াম্নুংগী পানা-কোদাং ফাউবা ছাত্রগী মখুবাক্তা ওথোক্লগা হুন্দোকহল্লি। ওঝা নবদ্বীপচন্দ্র বা ঙাংবদা চীং লেমই। ছাত্রশিংদা অদুক হাক্না চৈ থাগন্দে। মোইরাংখোম

উচ্চ প্রাইমারী স্কুলগী ওঝা থিয়াম রাধাকিশ্বর সিংহদোনা তম্বিবদা ময়িং চংপা ওঝা অমা ওইরবসু ওঝা নবদ্বীপচন্দ্র অঙ্ক তম্বিবদা মশক নাইনা শীংথানরবা ওঝা অমা ওইখি। যাদবচন্দ্র চক্রবর্ত্তিগী পাটিগণিত লোয়না মচিন্দা পূই। জ্যোমিতি, অলজেব্রা, ক্লাসকী ওইনসু নীংথিজনা তম্বিবা ঙমই। অঙ্কদা নত্তনা ইংরেজী ব্যাকরণ, সাহিত্যনচিংবা বিষয়শিংসু ফজনা তাকপীবা অমসুং তম্বিবা হৈবগী থোইদোকপা গুণ লৈ।

ছাত্রশিংবু করম্না লাইরিক তম্বিগনি? মসিনা মফমে হায়বা নিয়ম (মেথদ) পুথোকপা অরায়বা নত্তে। অতুবু ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রগী মশাগী মবৌশিং মবুদ্ধিদগী পুথোকপা, হাকথেংনবা চান্দগী লাকপা, পোকপদগী লোয়নবকপা লৌশিং অমনা লমচিং-বগুম তৌবা মরম্নাইগী ওইবা লাইরিক তম্বিবগী লৌশিং অমা লৈ। অতুনা মহাক্না ছাত্রশিংদা লাবনা খঙহন্নবা অমদি লাইরিক তম্বিবগী ওং কয়াদা পুক্লিং চংখি। অসি খুন্থা পীথোক্লকপা লৌশিং অসি লৈবনা ওইরম্বা য়াই— মণিপুর পুম্নমক্কী ওঝাশিংগী ওইবা লাইরিক তম্বিবগী মরমদা (শিক্ষা প্রণালী টিচিং মেথদ) শ্রীযুৎ চূড়াচান্দ হাজাজনা রচনা ইবা তান্নহনবদা ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রনা খ্বাইগী কোক ওইতুনা সনাগী মেডল ফংখি। রচনাগী লাইরিক অসি য়াম্না ওনবা মতমদা (বি. টি. লৈত্রিবা মতম্নি) টিচিং মেথদকী মরমদা পুক্লিং চঙনা লৈনবা হৌবা লময়ানবা লাইরিক অমনি। রচনা তান্নবগী অনীশুবা মনানা— মাগী স্কুলদা ওঝা ওইমিন্নবা, পার্দি মাষ্টর ওইরিবা ওঝা থিয়াম ইবোহল সিংহনা ফংখি। ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রনা ইবা রচনা অতুদা মণিপুরী লোন্দা পেসিভ ভোইস (Passive Voice) লৈ হায়বসি প্রমাণ তৌখি। "নঙ কৈনা চাউ" হায়বসি খুদম ওইনা পীতুনা উল্লিখে মতমদা মণিপুরী ব্যাকরণগী মরমদা অনৌবা রাখল কয়া পুথোক্লবা মতাঙ অমনি।

মতম অতুদা তম্নরিবা টেক্সবুকশিং অসি য়াম্না থাবা চাউনা,

অয়াম্বনা বাংলা অমসুং ইংরেজীদা ইবা ভাক্তা ওইবনা ছাত্রশিংনা অরাবা কয়া মায়য়োক্লখি। অরাবা অসি কোক্লবা মত্তেঙ ওইনা ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রনা মখল-মখা কয়াগী ছাত্রশিংবু লমজিংবা লাইরিক কয়া ইনবা হোৎনখি। পারা অনৌবা, পরুরাগী পাদ্বৈ, পাউমেন লাইহনবা, দি চাইলস ব্রার্দবুক অসিনচিংবা অসি ইতুনা ফোঙখি। লাইরিকশিং অসি ইচম চম্বা মমল হোঙবা নোটবুককুম্বা নত্তে। ছাত্রশিংদা লমজিং পীবগী নিয়ম অমগী মথাদা ইবা রচনা অমসুং বা-মচং ইবা, ব্যখ্যা, তৌবা, মশানা রাহৈ পরেং কয়া শেমতুনা ইজবা ওম্নবা অমদি মখল-মখা কয়াগী ছাত্রশিংদা লমজিং তাকপা লাইরিকশিংনি। মশামক লাইরিক তাকপীবা মতমদা পারাগা মরী লৈনবা রামায়ণ, মহাভারত, ফুঙ্গাৱারীনচিংবা কয়াগী ৱারী লিতুনা ভাব তাহম্নবা হোৎনৈ। ছাত্রশিংদা থকসি-খাসি নাইনবা, হীরম খুদিংদা পুকচেল শেংনা থবক তৌনবা পাউতাক তত্তনা পী। 'Honesty is the best policy' হায়বা পাউরৌ অসি পুন্সিগী থবক খুদিংদা পানশিন্দুনা তত্তনা খুদম ওইনা উৎনবা হোৎনৈ। ছাত্রশিংনা তম্নবা লাইরিক রাৎপা, অনৌবা শিক্ষা লাকপগী অরাৎপা কয়া মায়য়োক্লখিবা তাঞ্জা অমা ওইখিবা মরম্না মতম অদুগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীশকশিং, অইবশিং, সমাজ সেবক পুন্নমক নৌনা, লাক্লিবা শিক্ষাগী অরাৎপা মেনখৎনবা হোৎনবদা ৱাখল, থৌনা, লিংজেল শক্তি, পাঙ্গল পুন্নমক শিজিন্নবা তাখি। অদুনা, থুৎমাৱা অইবশিংনা মৈতৈরোন অমসুং মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা যুম্ফম থোনবদা শক্তি লোয়না শিজিন্নখিবা মরমনা যুম্ফমগী মথক্তা অরাংবা, ফজবা যুম অমা শাগৎনবগী তাঞ্জা ফংখিদে।

চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা পাল্লিংউদগী হৌনা মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লাক্লম্বা সাহেবশিংনা মণিপুরদা নোংচুপকী শিক্ষা অমসুং মহৈ-মশিং তম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

খায়নদগী চৎনবী অমা ওইনা লাক্লবা থাং-তা, মুক্কা-কাওজে, পুং-ঈশৈনা হেন্না পান্নথিবনা অমদি অনৌবা লাক্লিবা শিক্ষাগী ঈরাং অহু য়েনা ভাব তাবা ঙমদবদগী মণিপুরী মচাশিংনা মহৈ তম্বদা থরায় য়াউখিদে। শ্রীযুৎ চূড়াচান্দ মহারাজনা পাল্লবা মতম (খৃঃ কুঃ ১৮৯১, আগষ্ট তাং ২১ গী বৃটিশনা পীবা সানাদকী নতুংইন্না চহী ৫ দা ডাইরিবা চূড়াচান্দনা মণিপুরগী নিংথৌনি হায়না লাউথোকই। খৃঃ কুঃ ১৯০৮ দা চূড়াচান্দ মহারাজ অভিষেক তৌই। খৃঃ কুঃ ১৯৪১ দা নোঙ্গাখি।) অসিদা মণিপুরদা মওং তানা নোংচুপকী শিক্ষা লৈবা হৌখি। জোনষ্টোন স্কুল মতমতুগী মণি-পুরগী 'ওক্সোর্ড' নি। মণিপুরগী প্রজাশিংনা 'স্কুল অচৌবা' হায়রগা থওনৈ। মতমতুগী ইংরেজী তম্নবা অমত্তা ডাইরবা, অরাংবা থাক্কী মহৈতম্ফমশংওনি। অহানবদা মিডল ইংলিস স্কুল ওইনা লৈরম্মী। (ডাঃ কমল, চাউবানচিংবা ক্লাস নাইন পাস তৌরগা শিল্লংদা ক্লাস টেন তমখি।) ক্লাস টেনগী পরীক্ষা—প্রবেশিকা (এণ্ট্রেন্স) অসি মণিপুরগী মপান্দা তম্লগা থানরম্মী। খুল্লকী নিম্ন প্রাইমারী পরীক্ষা ঙম্লগা জোনষ্টোন স্কুলদা অহুমশুবা ক্লাসদা চঙলম্মী। মথংদা ছাত্র মশীং য়ামখৎলকপদগী জোনষ্টোন স্কুলদগী অহুমশুবা অমসুং মরীশুবা ক্লাস লৌথোক্লগা থাংমৈবন্দ, মোইরাং-খোম অমসুং চীংঙাদা উচ্চ প্রাইমারী স্কুল অহুম লিঙখৎখি। উচ্চ প্রাইমারী অহুমদগী ঙম্নকপা ছাত্রশিং পুম্নমক্কী ৪০ দমক খল্লগা (কনাগুম্বনা ৫০ হায়) জোনষ্টোন স্কুলদা তমহল্লম্বা মরমন্না ছাত্রশিংনা য়াম্না কম্না হোৎনরম্মী। অহুনা, নিম্ন প্রাইমারী অমসুং উচ্চ প্রাইমারীগী পরীক্ষাশিং অসি মতম অহুদা য়াম্না চাউবা পৌদোক অমা ওইরম্মী। মতুদগী স্কুল মশীং হেঙ্গৎলকপা মতমদা ওবা ওইবিনবা তাঙবগা অমদি ইমুং-মন্নুংগী ফিবম কত্তবা উবদগী সোগাইজম ইবোচৌবা সিংহনা (দরবার মেম্বর, শিক্ষা মন্ত্রী) ক্লাস আইটতমক পাস তৌরিবা নবদ্বীপচন্দ্রবু থাংমৈবন্দ উচ্চ

প্রাইমারী স্কুলগী ওঝা হাপ্লিখি। থাদা লুপা ৩০/৩৫ ফংতুনা য়াম্না ঙম্না ওঝা ওইবগী শিনকমদা চঙখি। ফংলক্লিবা তলব থরা অসিনা য়ুমকৈ শানবা, লৌ-শীং লৈশিন্নবা, মচা মশু মহৈ তম্বিনবা হোৎনবদা পূক্লিং চঙখি। কাহেন্না ইনাক খুনবা মীশক অমা নত্রবসু চাবা থকপা ৱাত্তুবা, মচিঙ্গাক চাজবা মীশক অমা ওইখি। পুন্সিগী লোইরমদাই শরুক্তা মচা-মশু ময়াম (নিপা ৫, নুপী ৪) মহৈ-মশিং তম্নবা অমদি থারুবা হোৎনবদা অৱা-অনা কয়া মায়-য়োরুখি। পুন্সিগা কন্না লান্থেংনখি।

তশেংবমক, ওঝা নবদ্বীপচন্দ্র পুন্সিবু মায়রোং য়াতুনা কন্না লান্থেংনখিবা মীশক অমনি। হোৎনবা য়াম্না কল্লি। য়ুম পানবা হৈ। অখাঙকনবা, উইল কনবা, তন্দবা, পুন্সিগী থবক-থৌরম কয়াদা চাংয়েং তৌবা পাম্বা থবক্কি মীনি। ঙাইহাক্তা তুমিন্ন লৈতে। মখুৎ-মশা য়াম্না য়াউই অমসুং হৈশিংই। হাওবম অমুজাউ সিংহগা তত্তনা থবক তৌমিন্নতুনা অনৌবা চাংয়েংগী থবক কয়া পাঙথোকখি। ইংখোল-শংবল তত্তনা য়েংশিল্লি। চাউরবা ইংখোল অহু ফজনা কোইতুনা কুম-থা কাংদনা মনা-মশীং থাই। মখোঙ নামা শেকপা মরম্না কলিকাতাদগী হারকিউলিস সাইকলগী পার্টশিং চেল্লি। মশানা সাইকল পানথৎলি। ফ্রেম্না হারকিউলিসকী ওইরবসু পার্টশিংদি হমবরগী চেল্লি। মরমদি মসিনা সাইকলগী মপুন্সি কনবা হেল্লি। সাইকল অহু তনান তনান তরু তরু চহী ৩/৪ তোংনরগা অমুক য়োম্থোকই। পৈশাতুনা পার্টশিং চেল্লগা অহনবা অমা অমুক পানথৎলি। ওঝা নবদ্বীপ-চন্দ্রগী অমনবা সাইকল লৈগদবগী হান্নমা ঙাইনতুনা লৈবা মী য়াউই। মসিদা নত্তে। মপান্দগী লাইরিক লাইশু চেন্দুনা নৈনরগা য়ুমদা চিনি অঙৌবা, ফি শুনবা সাপন শুংই। মাগী সাপন অসি য়াম্না পামনৈ। মসিনা অপীকপা আই অমসু ওইখি। মশা মতোমত হোৎনতুনা অতৈ অপীকপা উত্তোগ কয়াসু চাংয়েং

তৌরম্মী। য়াম্না পীকপা খুৎকী প্রেস মেছিন অমা নীলাম তৌদুনা লৌরগা য়ুমদা উগী ছাপাখানা মচা অমা লিঙখৎলি। দরবারগী অয়াবা চে লৌরবা ছাপাখানা অসিগী মমিং "থাবল প্রিন্টিং বার্কস" কৌই। মপাগী মমিং লৌদুনা থোনবনি। ছাপাখানা অসিদা মশানা ইবা লাইরিক কয়া (পাউমেন লাইহনবা, রচনা, শৎজাননচিংবা) ছাপা তৌদুনা ফোঙখি। শ্রীশগোলসেন ইন্দ্রকুমার সিংহনা সম্পাদক ওইদুনা ফোঙবা 'মৈতৈ মাইবা' (১৯৩৮) হায়বা চেফোঙ অসি নবদ্বীপচন্দ্রগী প্রেস অসিদা নম্বনি। নবদ্বীপচন্দ্রগী প্রেসদা "মৈতৈ মাইবা" নম্বগী মরম লৈ। নবদ্বীপচন্দ্র কবিরাজনি। হোমিওপ্যাথি লাইয়েংগী নীংথিবা জ্ঞান লৈ। অদুনা মানা 'মৈতৈ মাইবা' হায়বা চেফোঙ অসিবু খোইদাকুই অমসুং তেংবাংবা মখল অমা ওইনা মাগী প্রেসদা নমখি।

নবদ্বীপচন্দ্রগী য়ুমদা হিদাক হাম্না উপু (মেডিকেল বোক্স) অম্না থমই। মদুদা মখল-মখা কয়াগী হোমিওপ্যাথিগী গুলি, হিদাক-লান্তক থমই। ইমুং মনুংগী মীশিং, মচা-মশুশিং নারকপদা ডাক্তর কৌদে। মহাক্না লোয়না লাইয়েংই। অনাবা য়েংদুনা কোইচৎ চৎপা হোমিওপ্যাথিগী চপচাবা মাইবা অমা ওইদ্রবস্তু মশানা কম্না হোৎনজবদগী, লাইরিক লাইশু কয়া চেন্দুনা, পাদুনা নৈনবদগী হোমিওপ্যাথি লাইয়েংগী নীংথিবা জ্ঞান লৈখি। লৈকাইনা, মাগী মরী-মতানা অমদি মাবু খঙবা মরূপ-মপাংশিংনা মাবু অনা-লাইয়েংগী মরমদা খঙবা মীশক অমা ওইনা লৌই। হায়নবা লৈ — মাইবনা খুৎ থারবা লৈকাইগী অনাবা অনা নবদ্বীপচন্দ্রনা য়েংবদগী ফরকখি।

পৈশা চঙদনা, য়ুমগী লাইয়েংদা, হকচাং নাদ-য়েক্তনবা পাম্বৈ কয়া পুথোকপা মীশক্তি। চাবা থকপা য়াম্না চোকশিল্লি। চেনজিন্না চাদবা, অকক্নবা চাং অমদা চাবা ওম্বগী অকনবা আভ্যাস লৈ। মশা মতোমতবু চিঙ্গাক্কী নরমদা ব্বারকচবা ওম্বগী শক্তি

লৈবা মীশক্নি। য়ুমদা তত্তনা হৱাই চাবা হৌদোকই। (মৈতৈদি হৱাই পানগন্দে, মনা-মশীং চাগল্লি।) মশামকসু হৱাই মুগ য়াম্না পামজে। কোরেন্নানা নারক্লবা মতমদা পোটাসনা পোৎ-চৈ পূন্নমক লোয়না চামথোকই। নোংগী ঈশিং ফজনা চুমথোক্লুনা শিজিন্নে। অনীশুবা লাঞ্জাউদা থাইদেম, খুম্বোংনচিংবা মফমদা লানজেনবদা, মী পূন্নমক তোরাতুনা নাতুনা শিনরক্লবদা নবদ্বীপচন্দ্রগী ইমুং-মনুংদি মতুগী মীপাইবা অতু অতুক হাক্লা লৈখিদে। মহাক মশা-মক্লা বাংলাগী 'স্বাস্থ্যরক্ষা' হায়বা লাইরিক অতু "হকশেল কাংলোন" হায়না মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্লুনা ফোঙই। লাইরিক অসিনা মতম অদুগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিংদা হকশেলগী ওইবা কান্নরবা জ্ঞান য়াম্না পীখি। মানা ইৰা 'হকশেল' হায়বা শৈরেং মচা অসি হকচাং নাদ-য়েক্তনা লৈনবগী খ্বাইদগী ফবা নিয়মনি (গোল্ডন রুলস) হায়না লৌৰা য়াই। শৈরেং অসিদা মানা ইরি:—

মশা ফবা মীশিংদি থৱক ঙমই, নিংথিজে।
নশাফবা পাম্বশিং মখাগী পথাপ কায়গনু।
অহিং ঙন্না ভূম্নগা অয়ুক ঙন্না হৌগৎলু।
নখোং নখুৎ কংহল্লু অইংবদা কোয়গনু।
খোংউপ চোৎনা উপকনু, নফি চোৎনা শেংকনু।
নফি-নরোল শেৎপদা লাকশিন্দুনা শেৎকনু।
নশা নফি লূহল্লু য়ূম-কৈ নালহল্লু।
অফবা য়ুমদা লৈরগা হকচাং ফবা হেনগৎলি।
... ...

অসিনচিংবা।

নবদ্বীপচন্দ্র শীন শুবা মীনি। মশানা অঙ্কগী ওঝা ওইবদগী গণিতকা মরী লৈনবা জ্যোতিষ শাস্ত্র অসি হৈনিংলকখি। মরম অতুনা জ্যোতিষকা মরী লৈনবা লাইরিক কয়া পাতুনা চুম্না নৈনবদ

নত্তুনা মতম অতুগী মমিং চৎলবা পাঞ্জি খোংদ্রাম সনাজাউবা সিংহগী (ভুবনচন্দ্র, পেটিগ্রু স্কুলগী হেড মাষ্টর) মফমদা চত্তুনা পারা নাইনা পাঞ্জি তমখি। অতুগা মহাক মশামক্তি পাঞ্জিগী শিনফম অসি পায়খিবা মীশক অমদি ওইখিদে। থাবল থাচৎ কৌবা ক্যালেন্দার (ফক্লাং পাঞ্জিকা) অমা হৌদোক্লম্মী। থরায় য়াউনা সেবা চৎলিবা 'গিরিরাজ' বু তুলসী মনা কত্তুনা প্যান তৌতুনা খুরুম্লগা তুংদা খোক্লগদবা অফ-ফত্ত হাইফেৎ হায়বা ভগ্নগী শক্তি লৈ। অসিগুম্বা তুংগী লাইপাউ হায়বা অসি য়াম্না তোয়না তৌবদি নত্তে। মহাক্না চেৎনা থাজবা অমা ওইনা ঈমুং-মনুংগী থোদোক খরদা হায়রকপা খঙহল্লকপতনি। মহাক ঈশ্বর-ভক্তি অমসুং ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা মীশক্নি। মৈতৈগী চপচাবা বৈষ্ণব অমগী লিচৎ-শাজৎ ঙাক্না চংখিবা নিপা অমনি। মঙোন্দা গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অকনবা প্রভাব লৈ। শ্রীশ্রীচৈতন্য্যা মহা-প্রভুগী পুন্সি, মাগী নীতি অমসুং রাথল পরীংদা চেৎনা থাজবা মীশক অমা ওইখি। লম্বোইবশিংনা পায়বা কঠারী য়াম্না পামজনা লুনা তৌখি। ঙকলৈবী, গেরুরাগী ফুরিৎ অমা তত্তুনা লিৎলি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লাইহিরিক কয়া তত্তুনা পাই! মহাক্কী 'শ্রীকৃষ্ণনা মথুরা লেংবদা রাধাগী উক্তি', 'থিজবা,' 'মহাক্কী ওইবা নশকপু ননাইদা উৎপীয়ু', 'ননাইদা পীনরে মক্তুবা থৌজাল', 'তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা', 'ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু' হায়রিবা শৈরেংশিং অসি ঈশ্বর ভক্তি অমসুং প্রেম উৎপা, বৈষ্ণব ধর্ম্মগী প্রভাবতগী ইবা শৈরেং ঙাক্তনি।

নবদ্বীপচন্দ্রগী মশাদা মপাবুং থাবল অমসুং অপোকপী মমা সিনাম নিঙোল অঙাংজাউবী দেবীগী শুবা নোঙ্মা তন্দবগী ঈ মরাং কায়না য়াউরকখি। মপাবুং থাবল সিংহ মহারাজ কুলচন্দ্রগী অচানবা মীনাই অমনি। মহাক্কা লাল্লুপ চীংবা ওইহুনা পানা মরীদগী কারকপা লাল্লুপশিং পাম্নবগী থবক তৌরম্মী।

(মমাঙউৈদা পানা মরীগী নিপাশিংনা মশাগী চেংজেন পুথুনা মুমিং ১০ নি কোম্বংনা লাল্লুপ কারম্মী। অতুদগী মুমিং ৪০ নি অমুক পোখ্খাই।) লৌ-ইংখোল কন্না শুই। থা ৩/৩ লরাইদা চত্তুনা লৌ-উবা অতুম য়াউথুনা লৈখোকই। মমা অঙাংজাউবীনা মশা য়াম্না নানবা, লুজবা অমসুং য়াম্না চেৎশিনজবা মুপী অমনি।ময়াংলংগী ফি অপাবা, অকুপ্পা (চাংগ্রং তাবী) শাবদা মমিং চৎলি। য়ুমদা কন্না ফিরোল শাই অতুগা ফিয়োনকম ফমথুনা ইমুং-মন্নুং থারুবা হোংনৈ। মুমিদাংদা মশু ময়াম মখোঙ মখুৎ হাম্বি। অতুগা ফুংনাক্তা হিদাক থক্তুনা ইমুং-মনুংগী থবক-থৌরমগী মরমদা ঙাং ঙাংলথুনা লৈ। ঙাইহাক্তা পোত্থাবা হৈনদে। ফিয়োনফমদা অঙাংজাউবীনা শাবা ফি মশক হেক্তা খঙনৈ। চাং মান্নবা, চেৎশিনবা অমাদি খুৎকী হৈশিংবদা ময়ামগা মান্নদবা মতৌ অমা তোপ্পা লৈ। মমা-মপাগী মগুণ নবদ্বীপচন্দ্রনা ফনা য়াম্না লৌথি। মীনা হায়নৈ · ওঝা নবদ্বীপচন্দ্রনা মখোঙ নামা শোয়রমদ্রবদি লাক্কফানা ঙম্লমোইদবা, লাম্না পাবদা ব্রানা থোক্কদবা মীশক অমা ওইরমগনি।

হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ অনুভুতি য়াম্না লৈবা মীশক অমনি। মঙোন্দা কবি ওইবগী পীথোক্লকপা মগুণ লৈ। ব্রাথল থোই অমসুং ফজবা মশক খঙগনবা থম্মোয় চেল্লি। লম্পাক্তা করিগুম্বা য়োং তৌব্রিদৈদা বই অমগা কলম অমগা অতুম তত্তুনা থমই। খঙহৌদনা ইনিংবগী ঈথিল লাক্লবদি লৈবাক তৌব্রিবা য়োং অতু হুন্দোক্লম্লগা কলম পায়খত্তুনা হেক্তা ই। মঙোন্দা কবিদ কবি ওইবগী মরমচৎ চেল্লি। থম্মোয় শেংনা মমারোল মুংশিবা অমসুং মজাতিগী সাহিত্য চাউখৎহল্লিংবগী অচেৎপা অপাম্বা লৈ। মসিগীদমক্তা য়াম্না ব্রানা থবক কয়া পায়খৎলম্বা মীশক অমনি।

২০শুবা শতাব্দীগী মাঙজিনথাবা তাঙ্কক্তা হৌগৎলক্লিবা

সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী ঈহৌ অসি য়াম্না মরু ওইরবা থৌদোক অমনি। হীরম কয়াদা অনৌবা ৱাথল ময়োন চোংবা, মশাগী অশেংবা মশক অমসুং সংস্কৃতি থিরকপা, থায়নগী অরিবা ট্রেডিশন কয়াবু নৌহৌননা শুংশিরকপা, রাজনীতি অমদি সমাজ সেবাগী চেতনা লাকপা, চহী কয়া চুপ্পা মীরাইকুরবা মমাবোনবু শুংশিরকপা, নাম্না শীংথা নিংঙাই ওইরবা রিনাসাঁগী মতম্নি। মতম অসিদা কমল, চাউবা, অঙাংহল, দরেন্দ্রজিৎ, পরিজাৎ, ইরাবত, ললিত, এল. ইবুংঙোহল, মীনকেতননচিংবা মমারোল শুংশিবা অইবা কয়া চোঙথোক্লকখি। মথোয় ময়ামগী মন্নুংদা নবদ্বীপচন্দ্রসু মরু ওইবা অইবা অমনি।

২০শুবা শতাব্দীদা ঈবোং কাংবা ঈচেলগুম হৌরক্লিবা ঈহৌ অসি মখল য়ামই। তৌইগুম্মসুং মর্ফম-মতম অমত্তদা পোক্লবা মরক্না মখোয় অসি মহৈ মহৈ অমগা অমগা অদুম মরী লৈনৈ। ঈহৌশিং অসিগী খোংজেল অমসুং শাফু অসি মীয়ামগী ওইবা শোগৎপা হংৎপা, লাইরিক-লাইগু হৈবা, ভাব তাবা য়াম্নদনা, (ইং ১৯২০ দা পাস তৌবা শোগাইজম সমরেন্দ্রনা মণিপুরগী বি, এ, অহানবনি।) অমসুং কনসসিওসনেস (consciousness) য়াম্না লৈতবা মরম্না খোঙজেল য়াম্না থিনখি। অকনবা শাফুগী চৈথেং য়েন্না চঙশিনবা ঙমখিদে। অঙনবা মতমদা মীয়ামগী ওইবা অপুনবা সংস্থান লৈতে। (সাহিত্যগী সংস্থান-মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইং ১৯৩৫ লিংখৎলি। রাজনীতি দল— নিখিল মণিপুরী মহাসভা ইং ১৯৩৮ লৈবা হৌখি।) বৃটিশ সরকারগী নীতিগী মায়োক্তা ঙাংবিনবা লুচিংবা মরুগা নেতা অমত্তা লৈরমদে। কোন্নুংগী ফম্নাইবা অমসুং দরবার মেম্বরশিং অয়াম্বা নিংথৌগী নকুবা মরী-মত্তা ঙাক্তা ওইবা মরম্না নিংথৌগী মায়োক্তা ঙক হায়গৎকদবা মীশক থোক্লক্তে। মরম ময়াম অসি লৈবনা বেঙ্গল অমদি অতৈ লমশিংদা তৌরিবা রিনাসাঁগী ঈহৌগা মণিপুরদা

হৌরক্লিবা রিনাসাঁগী ঈহৌগী নওংগা খেন্নবা অতুম্মক লৈ। ঐখোয়গী হঙ্গাম্মা থোৎপা, জগোইগী শাথেক্লা মেঙবদৌনা জাতিগী সংস্কৃতিগী ঈহৌদফাউবা খরা ঈংনা তপ্পা অতুম চৎলি। খোঙকাপ চানা থাংগদবদা খোঙকাপ তরাদমক থাং থাংদুনা চৎপা খোঙচৎনি।

২০শুবা শতাব্দীগী ঈহৌশিং অসি পুন্না মথল অহুমগী মন্নুংদা পৌনা থম্বা য়াই—১। রাজনীতিগী ঈহৌ, ২। শিক্ষাগী ঈহৌ অমসুং ৩। লোন অমসুং সাহিত্যগী ঈহৌ। লৈবাক্কী লৈঙাক-লোনগী মতাংদা মহারাজ অমসুং দরবারনা শাসন তৌই। হৈশিং-লবা বৃটিশকী কুটনীতিগী শক্তিনা শাসন পুন্নমক লোয়না খুং খেংজিল্লি অমসুং শক্তি লোয়না পায়শিনখি। ফিবম অসি সম্পাদক শ্রীমীনকেন্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকই—"বৃটিশনা মৈত্রবাক্কী মঙক্লা পোৎপু থাঙ্গৎলে। কঙ্ভাঙ্গনরবা মৈত্রবাক কৈরেং তুনেং হোইবিরক্লে। অসুক মন্নুং হাপ্লবা মৈত্রবাক্লা করিবু চাউখৎকদগে।" ('জ্যোতি', ১৯৯৮)। রাজনীতি অমদি ধর্ম্মগী ওইবা অমাং অশেং অমসুং অতৈ চংনবী কথাগী মায়য়োক্লা ইরাবতনা পুচিংদুনা (মরুওইনা খৃঃ কুঃ ১৯৩০ গী মতুংদা) রাজনীতিগী ঈহৌ লাকই। শিক্ষাগী মায়কৈদা— জোনষ্টোন স্কুলদা লাইরিক তম্বা হৌদবদগী স্কুল লিংখৎনবা ঈহৌ লাকখি। শ্রীরাঃ কুঃ বীরচন্দ্র সিংহনা লুচিংবা কাঙবু চোংথোক্লকুনা "মাদর ক্লব" কৌবা শঙ অমা লিংখক্তুনা উচ্চ প্রাইমারী পরীক্ষাদা লেমহৌবা ছাত্রশিং লাইরিক তম্বিনবা থৌরাং তৌখি। মথং মথং ওইনা মীয়ামগী ওইবা স্কুল কনিতি শেমদুনা বাহেংবম লৈকাইদা 'মণিপুর ইনষ্টিট্যুট' (তুংগী চূড়াচান্দ হায়স্কুল) লিংখৎখি। হান্না 'গোবিন্দ চতুষ্পাঠি' কৌরম্বা সংস্কৃতবিদ্যালয় অদুদা ইংরেজী বিষয় হাপচিন্দুনা 'ইয়োর হায়স্কুল' (তুংগী তোম্বিসনা হায় স্কুল) লিংবা হৌখি।

খৃঃ কুঃ ১৯৩২ দগী কোলেজ অমা লিংনবগী অকনবা ঈহৌ লাকখি । মমৈথংদা খৃঃ কুঃ ১৯৪৬ দা ধনমঞ্জুরী কোলেজ অসি হুমিদাং কোলেজ ওইনা হৌখি।

লোল অমসুং সাহিত্যগী ঈহৌদি য়াম্না তপ্পী । মরমদি সংস্থান অমা লিংখৎলগা মতুদা হ্নারেপ থরা তারগা থবক ওইনা হেক্তা পায়খত্তুনা খুদক্তা অহোংবা অমা পুরকপা য়াবা থবক-খোওং নত্তে। বাংলা লোন্না য়াই থাহুনা লৈরুরবা মৈতৈলোল অসিনা মুক্তি ফংহুনা লোন অসিদা শাদোং ওইনা ইবা ভঙ্বা শক্তি লৈবা অইবা কয়া থোক্লক্লবা মতমদা মসিগী অহোংবা ঈহৌ অসি লাকদবনি। অইবগী মখা পোনবা ঈহৌ ওইবনা মমারোল হুংশিবা অইবা থোক্লকপা ভাইবা তাখি। মতম অতুদা লাইরিক ইবা, কলম পায়বগী থবক তৌবা অসি য়াম্না তাঙবা শিনফম ওইরম্মী। খৃঃ কুঃ ১৯৩০ দা ফোঙবা, ডাঃ কমলগী 'মাধবী' দা ফিবম অসিবু ময়েক শেংনা উংলি – "মৈতৈ মচাশিংগী পূক্নিংদা হৌজিকফাউবা লাইরিক লেংবগী 'নেশা' অতু পোক্লি।"

মণিপুরী সাহিত্যগী ঈহৌগা মৈতৈরোনগী ঈহৌগা থাদোক্লবা য়াম্রবা মরী লৈনৈ। মতম অতু বাংলা সাহিত্যগী যুগনি। বাঙ্গালী ভদ্রলোকশিংগী মতৌ তম্বনা য়াম্না সভ্য ওই হায়না লৌনরম্মী। ইবদা, ভাঙবদা, ইমুং-মনুংগী পুন্সিদফাউবা বাংলা লোল অসি য়াম্না শিজিন্নরম্মী। মৈতৈরোল শিজিন্নবা অসি অমাংবা অমনি হায়না লৌনরবা মতম অতুদা খুৎমাবা অইবশিংনা মৈতৈরোনগী ৱাহৈ অমদি মফোঙদোক কয়া পুপোক্লগা হোৎনখি । নবদ্বীপচন্দ্রগী 'হকশেল', দ্বিজমণিদেব শর্ম্মাগী 'ৱামচং' অমদি কবি চাউবনা শেম্বা ৱাহৈ কয়া মতম অতুনা অনৌবা পুথোক্লকপা লনগুম হৱাউনা লৌনখি। মতম অতুগী থৱায় য়াউবা খুৎমাবা অইবশিং তম্বুনা উন্নে। সভা-সমিতি শেম্বগী মরমদা ৱারী কয়া শাই, তান্নে। উৱিপোক মায়কৈদা লৈমিন্নবা কবি চাউবা, নবদ্বীপচন্দ্র (কবি

চাউরবনা চহী ১/২ হল্লি) থিয়াম ইবোহল অয়াম্বা মতমদা সদ্যাদা দ্বিজমণিদেব শর্ম্মগী য়ুমদা বারী শাকা কোয়খোকই। (মতম অদুদা দ্বিজমণিদেব শর্ম্মা দি, আই, ওইরি) মাঙোলদা ফজ্জা কমদুনা, হিদাক থরুহনা সাহিত্যগী ওইবা বারী তত্তনা শাই। লোনগী মরমদা থম্নৈনৈ। নবদ্বীপচন্দ্রদি অয়াম্বা মতমদা স্কুল ছুটি থারগা থাঙ্গাল বাজারগী কোন য়োনবা রমেশকী দুকান্দা ঙাইহাক পোথাই অদুদগী দ্বিজমণিগী য়ুমদা চঙদুনা হায়রিবা বারী রাতাই শাবগী থবক অসি অয়াম্বা মতমদা তৌই।

মতম অদুদা মৈতৈরোনগী ঈহৌ তপ্না তপ্না লাকলে। খৃঃ ১৯০৫ দা চৈরাপ পঞ্চায়গী সিলিংদা ভদ্র সিংহনা খম্বা-থোইবীগী অমদি দশাবতার লাই য়েকহন্দুনা মৈতৈগী অরিবা সংস্কৃতিগী মশক নীংশিংবা হৌরকখি। খৃঃ কুঃ ১৯১৭ দা সাহেবনা মৈতৈ লাইরিক থিগৎহন্দুনা হাউদিজাম্বা চৈতন্যগী 'খম্বা থোইবী' বারী ছাপা তৌহনখি। খৃঃ কুঃ ১৯১৯ দা শ্রীযুৎ মহারাজনা ঈশৈ হন্দুনা মৈতৈরোন্না শ্রীগোবিন্দগী মমাঙদা মমাঙভৈদা অমুক্কা তৌখিদ্রিবা মৈতৈলোনগী গৌরলীলা শান্নে। মথংদা মৈতৈলোনগী রামলীলা শান্নে। খৃঃ কুঃ ১৯১৫-১৬ দা থাইদেম নোংয়াই সিংহ অমদি ফুরাইলাৎপম বিধুনা হৌদোক্লুনা মৈতৈলোন্দা হল্লি শকখি। জোনষ্টোন স্কুল অমদি কাঙঙবম লৈকাইগী মৈতৈলোনগী হল্লি পালা মম্নিং চৎলি। খৃঃ ১৯১৮ দা জোনষ্টোন স্কুলগী ওঝা থাইদেম নোংয়াইনা বাংলাগী 'পার্থপরাজয়' মৈতৈরোন্দা হন্দোক্লুনা শান্নবদা অনৌবা ঈহৌ অমা ওইখি। খৃঃ কুঃ ১৯২৪ দা প্রবেশিকা পরী-ক্ষাদা মণিপুরী লোন থাবা য়ারে। খৃঃ কুঃ ১৯২৫ দা লাইরেন-ময়ুম ইবুংঙোহলগী মণিপুরী লোনগী অহানবা নাটক 'নরসিংহ' শান্নদুনা লৈবাক্কী অচৌবা থৌদোক ওইখ্রে। খৃঃ কুঃ ১৯৩৮ দগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মণিপুরী লোল অসি মেজোর ভার্নি-কুলার ওইনবা কন্না থবক পায়থৎপা হৌরে। মরাম অসি থরা

কোইনা হায়রক্লবগনি মরমদি— মৈতৈরোনগী ঈহৌগী মথং মথং ওইরক্লিবা অহোংবা খোংজেল অহু চাক্টররাক্লা উৎনিংলুহনা তৌজবনি। মৈতৈলোনগী অহোংবা পুরকপদা চূড়াচান্দ মহারাজগী দান য়াম্না চাউই। শাস্ত্রবা, কলা বিদ্যা, সংস্কৃতিগী হীরম কয়াদা থবায় যাউবা মহারাজনা থৌগৎপা অমসুং শৌগৎপীবদগী মণিপুরী লোনগী ঈহৌ অসি লাকপা ঙমখিবনি। মতম অসিদা অইবশিং তুমিন্না লৈথোকপা নত্তে। মৈতৈলোনগী ঈহৌগা ঈরোয়ননা মখোয়সু অঙম্বা পংথৈদা লাইরিক লাইশু ফোঙনব হোৎনৈ। চেফোঙ কয়া পুথোক্লবা লাক্লে।

মণিপুরগী অহানবা খুৎনা ইবা চেফোঙ 'মৈতৈচনু' হিজম ইরাবতনা সম্পাদক ওইদুনা খৃঃ কুঃ ৯২২ দা ফোঙই। মথং মথং ওইনা "য়াকাইরোল" (১৯৩০, সম্পাদকঃ ডাঃ লৈরেন), 'দৈনিব মণিপুর পত্রিকা' (১৯৩২), 'ললিত মঞ্জুরী পত্রিকা' (১৯৩৩), অসিনচিংবা চেফোঙ কয়া অনীশুবা লাঙ্গাউ মমাংদা ফোঙনরকখি। হায়রিবা চেফোঙশিং অসিদা খুৎনাবা অইবশিংগী রারেং-শৈরেং কয়া হাপই। 'য়াকাইরোল' গী অহানবা মশীংদা নবদ্বীপচন্দ্রগী 'শ্রীশ্রীসরস্বতীবু খুরুমজবা' হায়বা শৈরেং অসি হাপই। মসিদসু শত্তুনা 'মৈতৈ', 'ভাস খাখায়গী চেফোঙ' নচিংবা ২শুবা লানজাউ মমাং অমসুং মতুংদা ফোঙবা পত্রিকা কযাদা নবদ্বীপচন্দ্রগী শৈরেং কয়া ফোঙখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনচিংবা সাহিত্যগী সংস্থান শিংখৎপদা শকক য়ারক্লবা কবি নবদ্বীপচন্দ্র সিংহনা লৈখা তাবব মমাবোনবু অঙম্বা পংথৈদা সেবা তৌনবা কল্লা হোৎনজাখি। মাগী 'পুন্সি হিদোম' হায়বা শৈরেং অসিনা মখোয়না মতম অহুদা তৌবম্বা ফিবম অহু ময়েক শেংনা উৎলি। মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা তৌবদা লৈবাক্লা নোক্লবম্মী— "লাউরক্লি তোর্ব্বালগী মীনা,/করিনো অঙাওবা, হোনজিল্লু/তোব্বাল তাম্না পুশিল্লু,/হৈতনা কবিগী হোল্লিবা।/"

মণিপুরী সাহিত্যদা কবি হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ, সাহিত্য রত্নগী দান য়াম্না মক ওই। মহাত্মা মাইকেল মধুসুদন দত্তগী অমর ওইরবা 'মেঘনাদ বধ কাব্য' গী সর্গ তরুক মণিপুরী লোন্দা 'মেঘনাদ তুবা কাব্য' হায়না (মণিপুরী লোনবু বি, এ, দা ভর্নাকুলার ওইনবা হোৎনবগী মতাংদা) হন্দোক্লুনা অচৌবা সাহিত্য পোৎথোক অমা থনম্বদ নত্তনা মণিপুরী লোনগী অচম্ব মফোঙদোক্লা মহাক্কী থোইদোকপা অবদান লৈ। মহাক য়াম্না ফবা অনুবাদক অমনি। 'মেঘনাদ তুবা কাব্য' গী মমাঙদা ইবা শৈরেংশিংদা নবদ্বীপচন্দ্রগী অশেংবা কবি ওইবা মশক অত্থু থেংনৈ। অযুক-নুমিদাং ততনা শিঙ্জিন্নবা লোল, ডিকশন কযানা কবিগী অবাংবা ভাব ধারা যোঙদোক্লবা হোৎনবা মৈতৈরোনগী হোপ-তোপ্পা ফজবা মফজগী মশক অমা কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ঐখোযদ থাম্বিরমই। মোইরাংদা চত্লুনা মৈতৈগী অরিবা ৱারী কযাগী লিখুন থিকরবা মতুংদা 'তোম্বু লাইজিংলেম্বী' শৈরেং ওইনা ইবকখি। কবি চাউবগী মতৌগুম্না মণিপুরগী অরিবা মাঙউরবা সাহিত্যগী মচাক কযাবু অমুক নৌহোননা মাইথুম হাংদোক্লকই। নবদ্বীপচন্দ্র মণিপুরী রনাসাগী পোথোক্নি। বাংলা সাহিত্যগী অবাংবা বাখল, নোংচুপকী শিক্ষা অমসুং ঈরাং লাকপগী অনৌবা মীৎযেং, মসিগী লোযননা মণিপুরী পরম্পরাদগী শাগৎপ। মচাক মযাম তোং-শিন্নতুনা অঙনবা মতমগী অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অমা শাগৎপদি অচৌবা শকক যাখিবা থুৎমাবা অইবা অমনি।

মৈনখিবা অমসুং মঙেও লৌখিবা লাইরিকশিং :

১। চৈথারোল কুম্বাম্বা : ইবুংঙোহল অমসুং খেলচন্দ্র, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৬৭। লাঃ ৪৯৫—৬৩৩। মসিদা কোন্নুংদা শান্নবা ধর্ম্মগী ওইবা কুম্মৈশিং, মাংবা— শেংবা লমজাউদা মশম থাদোক্লুনা চৎপগী মশক ককপা, মতৌ অত্থুগী মরী লৈনবা সমাজগী থৌদোক কযা য়াউরি।

২। মণিপুর ইতিহাস : ডাঃ এলঃ চন্দ্রমণি সিংহ, ১৯৭০, লাঃ ১৮৮—২২২
৩। নবদ্বীপচন্দ্রগী খোমজিনবা শৈরেং : সম্পাদক : পি, লালমণি সিংহ, মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভা, ১৯৮০
৪। খ্বাইরাকপম চাউবা : দীণমনি, ১৯৭১
৫। ডাঃ কমল : পুন্সি অমসুং সাহিত্য— ডাঃ দীনমণি, ১৯৮২
৬। মণিপুরী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর : শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮০
৭। মৈতৈ-চেফোঙ : শ্রীরাঃ কুঃ স্নাহল সিংহ, ১৯৮২
৮। পুনশিগী শক্তম, (লারোল অমা অমসুং অনীশুবা)— অশাংবম মীনকেতন সিংহ, ১৯৮০ অমসুং ১৯৮৪
৯। ঐগী পুন্সগী নীংশিংবা খ্বা থবা : দ্বিজমণি দেব শর্ম্মা, ১৯৮২
১০। মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা— সম্পাদক : হাওবম গৌরদাস, মহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ১৯৮৩
১১। পরিষদকী অনৌবা মণিপুরী খ্বারেং লাইরিক— মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৭৩ (কবি নবদ্বীপচন্দ্র : ডাঃ বাসি)
১২। মেঘনাদ ভুবা কাব্য— হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ, ১৯৬৫
১৩। নীংশিং চেফোঙ— মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮০।

ইংরেজী

১। হিষ্টোরী ওফ মণিপুর— জেঃ রোয়, ১৯৫৮
২। বেঙ্গল ইন্টেলেকচুয়েল ট্রেডিশন— ইডিটর : এ, কে, মুখোপাধ্যায়, ১৯৭৯

উন্নদুনা খ্বারী-খ্বাতায় শাবা মীশকশিং

১। শ্রীএচ, দ্বিজমণি দেব শর্ম্মা, নাগমপাল। কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ওঝা ওইরিবৈদা ডি, আই, ওইরম্বা।

২। শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, উরিপোক। নবদ্বীপচন্দ্রগী ছাত্র। মচানিপাগী তিন্নবা মরুপ অমা

৩। শ্রীরা: কু: সনাহল সিংহ, খুয়াথোঙ। নবদ্বীপচন্দ্রগী ছাত্র ওইখিবা

৪। শ্রীএস, নদীয়া সিংহ, শম্মাং। নবদ্বীপচন্দ্রগী ছাত্র ওইখিবা।

৫। শ্রীহুরাইবম রণবীর সিংহ, উরিপোক। নবদ্বীপচন্দ্রগী মচানিপা অহল

৬। ডা: হুরাইবম লালমোহন সিংহ, উরিপোক। নবদ্বীপচন্দ্রগী মচানিপা

৭। শ্রীকৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ, তোপ লৈরক, ইম্ফাল। কবিগী মচানিপা শ্রীরণবীরগা তিন্নহুনা কবিগী য়ুমদা তোয়না লৈবা মীশক অমনি

৮। শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ, উরিপোক, ইম্ফাল।

সাহিত্যদা রিয়্যালিজম

সাহিত্যদা য়াম্না তোয়না শীজিন্নরিবা "রিয়্যালিজম" (Realism) হায়বা ৱাহৈ অসি মরৈ য়াম্না থাংবা, অর্থ চেনবা, খঙবদা ৱারবা ৱাফম অমনি। ঐখোয়না তত্তনা থেংনৈ— রিয়্যালিষ্টিক রাইটর, রিয়্যালিষ্টিক নোভেল, রিয়্যালিষ্টিক ড্রামা অসিনচিংবা। মসিগী ওন্ন তৈনবদা ঐখোয়না অমুক থেংনৈ — চুমদবা, তৌশিন্নবা, ভাবনা শাবা (unreal, unrealistic, fantastic, fanciful) অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়া। কনাগুম্বনা হায়বা য়াই— অচুম্বগী (রিয়্যালিটি) মরমদা ইদবা কনাগুম্বা কবি, লেখক লৈবা হৌনদে। মীৎয়েং অসোমদা য়েংলবদি পৃথিবীগী সাহিত্য খুদিংমক অচুম্ববু উৎপা, অচুম্ববু শোক্লা ইবা সাহিত্য ঙাক্তনি। অদু ওইরবদি, করিগীদমক্তা 'রিয়্যালিজম' হায়বা ৱাফম অসি নৌহৌনা থোক্লক্লিবনো? মসিগী লিখুন অমসুং অর্থ থিফম থোকই।

সাহিত্যদা রিয়্যালিজম হায়রগা ময়াম্না য়ানরবা ৱাফম অমসুং পথাপ অমা ওইনা খঙনরিবদি পুন্সিবু চুম্না, চপচানা উৎপনি (the portrayal of life with fidelity)। মসি, মরু ওইনা, ১৯শুবা শতাব্দীগী তংখায় চনবা মতমদা নোংচুপকী সাহিত্যদা অইবা খুৎপু অমনা সাহিত্যগী ঈহৌ অমা ওইনা হৌরকখিবা অমসুং মখোয়গী খুৎই, ৱাথল-মীৎয়েং, সাহিত্যগী মওং অদুবু খঙনৈ। অদুনা হৌজিক ঐখোয়না রিয়্যালিজম হায়রগা খঙনরিবদি-ভাবনা শাদুনা ফিদম্লিংঙাই ওইহনবা খুৎই অদু নত্তে। মশানা ফজদবা পোৎ অদুবু নমদুনা ফজহনবা, কা হেনজিন্না শেমজিন-শাজিনবগী মওং উৎপা, করিগুম্বা মাইখুম অমা কুপশিন্দুনা মশাগী অশেংবা মশক্তু লোৎশিন্দুনা উৎপা সাহিত্যগী খুৎশেম অদু নত্তে। মসিগা

মওং উৎপা, করিগুম্বা মাইথুম অমা কুপশিন্দুনা মশাগী অশেংবা মশক্ক লোৎশিন্দুনা উৎপা সাহিত্যগী খুৎশেম অদু নত্তে। মসিগা মহৌশাগী ওইবা চাংদগী হেনজিনবা (supranormal) নত্রগা মীওইবনা খঙঙমদ্রবা পোৎশিংগস্থ (transcendental) মরী লৈনদে। রিয়্যালিজমনা তাক্লিবদি মুমিৎ খুদিংগী অয়ুক-মুমিদাংদা থোক্লিবা, ঐখোয়গী নাক-য়েত্তা হাকথেংনরিবা পুন্সি, থেংনরিবা থোদোকশিং অসি চুম্না উৎকদবনি। অইবগী কলপ্নাগী মতেংনা শাবা, ওইহনগে হায়না ওইহন্লিংবত ওইহনবা সমাজ অমসুং তাইবং-মীওইবশিং অদু নত্তে। রিয়্যালিজমনা তাক্লিবা পান্দমদি ইরিবা খুৎশেম অদুগী চাউখৎলকপা, হারী শাগৎ-লকপা, মথং মথং চত্থরকপা খুদিংমক্তা ঐখোয়না সমাজদা মিৎনা উরিবা, নাকোংনা তারিবা মীয়ামগী ওইবা পুন্সি শক্তমগা চপ মান্নহনবা অসিনি। অদুগা অইবনা মানা পাম্বা মতুংইন্না মাগী মপূরিংদা শাগৎচবা রাথল নত্রগা পুন্সিগী মমল (value) অমা উৎননবগীদমক্তা হেক্তা হাপচিনবা শাজিনবা অসি তৌরোই-দবনি। অদুনা রিয়্যালিজমদি ঐখোয়না হাকথেংনরিবা পুন্সি অসিগী মশাগী ওইজবা মতৌ অদু অইবা মশাগী মোত রাউদনা চপচানা মতৌ তম্বনি। ঐখোয়না ডাঃ কমলগী উপন্যাসতগী (মাধবী) পাচাগী উপন্যাসনা (না তাথিবা অহল অমা) হেন্না রিয়্যালিষ্টিক ওইবা হেল্লি হায়বা রাকম অসিনা খঙহল্লিবদি পাচাগী উপন্যাসনা হৌজিক হাকথেংনরিবা পুন্সিগী মশকপু হেন্না চুম্না উৎপা, নুংতিগী পুন্সিগা হেন্না নকশিন্নরা উৎপা হেল্লি হায়বনি (more down to earth, more closer to everyday life) অসুম্না George Crabble, Kipling, Robert Frost না ইবা শৈরেং Spenser, Keats, Conrad না ইবা শৈরেংশিংদগী হেন্না রিয়্যালিষ্টিক ওইবা (হেন্না চুম্বা) হেল্লি।

রিয়্যালিষ্ট অমনা ইবা মতমদা সমাজদা হিংলিবা মীচমশিংনা

মায়য়োক্নরিবা সমস্যাশিং অমদি থৌদোক ৱাথোকশিং অহু অপাব-শিংগী মীৎমাঙদা তশেংনা ইকোক কোক্না হাকথেংননবা হোংনৈ। মীয়ামগী নিতিগী শাগোম্নরিবা পুন্সিগী মহুৎ শিন্দুনা, মথোয়গী মতৌ তমহুনা ইবনি হায়বসি অপাবশিংদা উৎনবা লাক্লে। মসি ওইনবা হায়হুনা মথোয়না মথোয়গী ৱারীদা য়াউরিবা মীওইশিং অহু অপাবশিংনা তত্তনা থেংনবা সহরগী নত্রগা লৱাইদা লৈবা মীচম অমবু হিরো (নায়ক) ওইহল্লি। (এলিজাবেথকী মতমগী নত্রগা মধ্যযুগগী নত্রগা সংস্কৃত ড্রামাদা য়াউবা হিরোশিংগা রিয়্যা-লিষ্টশিংগী হিরোশিংগা অমুক্তা চাংদম্নহুনা য়েংবিয়ু।) অহুগা মথোয়গী ৱারীগী মচাকস্থু মীচমগী নিতিগী পুন্সিদা তত্তনা থোকপা থৌদোকশিংনা ওইহল্লি। অহুনা ঐথোয়না তশেংনা খঙবা ঙম্মদি রিয়্যালিষ্টিক রাইটর অমনা মশামক চৌজিক চৌজিকী ফিভমগা য়াম্না নকশিন্না মরী লৈনগনি। নুমিৎ খুদিংগী থোক্লিবা থৌদোকশিং, মশামক্কী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিং নুংশিৎ, মানা হিংলিবা মীৎ-কুপশিংগা শাগোম্নরিবা রাজনীতি নত্রগা সমাজগী থৌদোক-ৱাথোকশিংগা মরী শোইদনা লৈনগনি। ("Realism is characterised by an over all faithfulness in the rendition of actuality, specially in terms of the relationship of individual to environment, the nature of events in which he is envolved, and the whole shape of his life and personality.")

লাইরিক অমবু রিয়্যালিষ্টিক ওইবা খুৎশেম অমরা হায়না য়েংবা মতমদা হায়রিবা খুৎশেম অহুগী সবজেক্ট মেটর (হীরম), টেক্নিক (শীজিন্নরিবা খুৎশু খুৎনোম) অমস্থং লিটেরেরী মেনর (সাহিত্যগী মরমচৎ, ষ্টাইল) অহু পুন্না য়েংগদবনি। করিগুম্বদস্থ লাইরিক অহুগী শরুক খরা খন্দোক্তুনা মচেৎ-মকায় ওইবা শরুক খরদা য়েংলোইদবনি। মরমদি পৃথিবীগী সাহিত্য খুদিংমক্তা,

(অরিবস্থ অনৌবস্থ) করিগুম্বা মীচমগী পুন্সি য়েকলকপা মতাংদা নত্রগা করিগুম্বা মকম-মতম, থোদোক ইরকপা মতমদা য়াম্নমক রিয়্যালিষ্টিক ওইনা য়েকপা য়াউই হায়বসি শোইদ্রবনি। সেক্সপীয়ার (১৫৬৪-১৬১৬) গী ড্রামাশিংদা কাগি জুগাই তৌবা অমদি অতৈ অতোনবা থাক্কি মীওইশিং য়াম্না রিয়্যালিষ্টিক ওইনা য়েকপা য়াউরি। Ben Jonson (১৫৭২-১৬৩৭) গী 'Bartholomew Fair' দা (১৬১৪) রিয়্যালিষ্টিক ওইবা মীওইশিং য়াউদবা নত্তে। George Tobias Smollett (১৭২১-১৭৭১) না য়েকপা লণ্ডন সহরগী দৃশ্য অচুম্বা করম্না রিয়্যালিষ্টিক ওইদে হায়গনি। ইংরেজী সাহিত্যগী অহানবা রিয়্যালিষ্টিক নোভেলগী খুৎথাবনি হায়না শীং-থানরিবা Daniel Defoe (১৬৬০-১৭৩১) গী 'Robinson Crusoe' (১৮১৯) দা পুন্সিবু মিংশেল থান্দুনা মিক্তা শংশংনা উহনবা খুৎই য়াউই। ডাঃ কমল (১৮৯৯-১৯৩৫) গী "মাধবী" (১৯৩০) দস্থ থম্বালম্নানা চাকখুংদা চাক থোংবা, বীরেন্না লাইরিক ঔরাইহুনা লৈবা, ফুঙ্গানাক্তা ফম্লিবা অহল ময়াম অসি, খুঙ্গংগী পুন্সিবু য়াম্না চুম্না উৎপা দৃশ্য অমনি। অচুনা, মমাঙৈগী সাহিত্য-দস্থ অচুম্বগী মচাকশিং (elements of reality) শোইদনমক য়াউই। অচুম ওইনমক, মচাক ময়াম পুম্না শুপশিন্না য়েংবা মতমদা মখোয়সি রিয়্যালিষ্টিক ওই হায়না লৌবা ঙমদে। "মাধবী" অমসুং "Robinson Crusoe" না উৎলিবা হীরম (আদর্শ ওইবা মুংশিবা, থাজত্রবা, খুদোংথিবা প্রকৃতিগা লাম্নেংনবা থোঙচৎ) অমসুং ইবগী ষ্টাইল য়েংউরগা মখোয় অসি রিয়্যালিষ্টিক ওইবা খুৎইনি হায়না লৌরুবদি লানগনি। মখোয় অসি H. Levin না হায়বা "willed tendency of art to approximate reality" হায়বহুনি।

রিয়্যালিষ্টশিংগী হীরম অসি হৌজিক হৌজিক সমাজদা মায়-থোকরিবা সমস্যাসিং সমাজগী মিক্তমশিং. ইচম-চম্বা থোদোক-

ৱাথোক্পা ওইগল্লি। সাহিত্যগী শাজৎ, ষ্টাইলগী মতাংদা-অপাবদা তশেংনা হাকথেংনবা এক্সপিরিয়েন্স অমা পীবনি (to give the reader the illusion of actual experience)। ইবা মতমদা পুন্সিগী মশাগী ওইবা মশক অদু অদুম য়েক্নবা হোৎনৈ। (to record life as it is)। অইবনা হান্নদা খন্দুনা লৈরবা ভাব অমা থওইনা হাপচিননবা তৌদে। টৌক্ককী মতাংদনা ৱারী অদু মশানা তাবা খোঙচত্তা অদুম চত্থহল্লি। অইবা অদুম্ পরীং চুম্না চত্থরিব ৱারীগী অচুম্বা ঈচেন্দা অদুম তাউত্নুনা চেষ্টে। শম্না হায়রবদা, অইবনা য়াম্না ওবজেকটিভ ওইবা মীৎয়েং অমনা তত্তুনা য়েংই। থৌদোক শেম্বদা, করিগুম্বা দৃশ্য থারকপদা, লমচৎ য়েক-পদা কুপশিন্না, মচা তানা হেক উৎপা য়াবা মথৈ উৎলি। ৱারীগী প্লোট, থৌদোকশিং মরমচানা, নাতৈ চাননা শেমই। হীরম খুদিংমক্তা মরম অমসুং ফলগা (cause and effect) চানহল্লি।

মথক্তস্ু পনখ্রে, রিয়্যালিজম হায়বসি সাহিত্যগী অচৌবা নহৌ (literary movement) অমনি। ঈহৌ অসি অহানবা ওইনা ইং ১৮৩০ গী অদুৱাইদা ফ্রেন্সতগী হৌরকই। ইং ১৮৫০ হায়বদি— ১৯শুবা শাতাব্দীগী তংথায়দদি ঈহৌ অসিগী মপূং ফারবা শাফু লৈরে। অস্নুম্না ঈহৌ অসিনা য়ুরোপ'পুম্নগী সাহি-ত্যদা পাক চাউনা শন্দোকখি। ঐখোয়না খঙগদবদি—রিয়্যালিজম হায়বা ঈহৌ অসি মরু ওইনা উপন্যাসতা (প্রোজ ফিকশনদা) লাকখিবনি। ১৯শুবা শতাব্দীগী খ্বায়দগী শীংথানবা য়াবা থৌ-দোক্তি সাহিত্যদা রিয়্যালিজম পুথোকপা অসিনি।

সাহিত্যগী ঈহৌ অমা হায়বসি খঙহৌদনা হেক্তা নোংলৈ মুংশিৎকুম হৌরকপা নত্তে। সমাজগী, অর্থনীতিগী অমদি লৈঙাক শাসনগী লমদা অহোংবা কয়া লাকপা, মতম অদুগী অমদি মমাঙথাবা য়ুগকী সাহিত্যবু পাম্নক্নবা লোয়ননা মীওইবগী ৱাখল-

মীৎয়েংদা অহোংবা কয়া লাকপদগী ঈহৌ অসি লাকখিবনি। তশেংবমকস্থ ১৯শুবা শতাব্দী অসি নোংচুপকী সভ্যতাদা অঙকপা অহোংবগী যুগ অমনি। যুগ অসিবু কনাগুম্বনা "cultural fissiparation" গী মতম হায়নস্থ শীংথানৈ। মতম অসিদা সাহিত্য অমস্থং সংস্কৃতগী স্কুল, ঈহৌ অমদি অতৈ রাখলগী অহোংবা আন্দোলন কয়া লাকখি। রিয়্যালিজম হায়না খঙনরিবা ঈহৌ (অমদি টর্ম অসিস্থ) অসিগুম্বা মতম অসিদা অইবা কাঙবু খরনা হৌদোবখিবা অচৌবা ঈহৌ অমনি। ("Realism, in the French sense of actuality, in the sense of portraying things as they really are, in the sense of presenting objectively and concreately the observable details of actual life, is the term usually applied to the literary movement of the nineteenth century.)

রিয়্যালিজমগী ঈহৌ অসি মমাঙথৈগী সাহিত্যগী মায়য়োক্তা হৌরকপা আন্দোলন অমনি। মমাঙথৈগী ক্লাসিকেল নত্রগা এলিজাবেথ মতমগী সাহিত্যদি নিংথৌ-মহারাণী, অঙম-অথৌ, ফম্নাইবশিংগী রারীনি মখোয়না পামজরিবা আর্দশ উৎপা, অপাম-নুংশি অমস্থং অকন-অথৌগী তাইবঙনি। ময়ায় ওইবা যুগকী Romance, Gothic Novel নচিংবদা উৎলিবা থৌনাফবা, অকন-অথৌ, অকিতুজংবা, অপাম নুংশিগী রারীশিং (picaresque ad venture, allegorical fantasy, conservative morality) অসি ১৯শুবা শতাব্দীগী অইবশিংনা পুন্সিগী অচুম্বা মশক্তি হায়না লৌবা ঙমদে। মসিগী মথক্তা, রোমান্টিক স্কুলগী অইবশিংগী খুৎইদা কাহেজিনবা থম্মোয় ঈহুন অমদি ষ্টাইল উৎপা অদু য়ানিংলমদে। মসিনা মরম ওইদুনা মমাঙথৈগী চৎনবী, রাখল, খুৎই কয়াগী মায়য়োক্তা আন্দোলন ওইনা হৌরকপনি।

নোংচুপকী সমাজগী ইতিহাস য়েংউরবদি ১৯শুবা শতাব্দীদা 'middle-class' (ময়ায় ওইবা থাক্কি মীওই কাঙলুপ) হায়না খঙনবা মীচমগী মশক অমা সমাজদা ময়েক শেংনা চোংথোক্লকখি। মসি Renaissance (রিনাশাঁ—১৪শুবা-১৭শুবা শতাব্দীদা য়ুরোপ'পুম্বা হৌথিবা), ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোল্যুশন (ইংলণ্ডদা ইং ১৭৬০ অতুরাইদা), ফ্রেন্স রিভোল্যুশন (১৭৮৯-১৭৯৯) নচিংবা নোংচুপকী সমাজদা হৌরকখিবা আন্দোলন কয়াগী অচৌবা দান অমনি। আন্দোলন ময়াম অসিগী ফলনা শেনজাউ পায়বা, অঙম অথৌশিংগী, কোন্নুংগুম্না চহীচা কয়া চঙনা শাগৎচরকপা শক্তি, আর্দশ অতু মচেৎ মচেৎ নীংথাইখি। মীচম্না শক্তি মুনখরে। মীচমগী সমাজ ওইরে। খুন্নাইদা মীগা মীগা চপ মান্নে হায়বা রাখল অসি মউ লিঙখ্রে। অসুম্না গনতন্ত্রগী লম্বেল চাউনা ফাংলে। সমাজদা ইক্বালিটি (অধিকার মান্নবা), জসটিস (মীচঙ-মীথায় নাইদবা) অমদি লিবর‍্যালিজম (পুকচেল তিংবা) পুরকপা হায়বসি খিৎকি থবক নত্তে, মীওইবা সভাতাগী অচৌবা মায়পাকপা অমনি। মসিগী রাখলগী চৈথেংশিং অসি ১৯শুবা শতাব্দীগী রিয়্যালিষ্টশিংদা শাফু কন্না য়ৈরখি। অতুনা ফ্রেসকী লাইয়েকপা Gustave Courbet (১৮১৯-১৮৭৭) না হায়খিবা কাউঙমদ্রবা রাহৈ "realism was democratic" নীংশিংবা য়াই। উপন্যাসনা মীচমগী পুন্সি, মীচমগী পুকচেল অমসুং লমচৎপু য়াম্নমক পুকচেল শেংনা উৎলি হায়বগীদমক মঙোন্দা "The Epic of Democracy" হায়বা মীংথোন অসি পীরি।

তরামাপলশুবা শতাব্দীদা লাকখিবা অচৌবা প্রভাব অমনা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি অমদি বাইওলোজি (জীব বিদ্যা) নচিংবা হীরম কয়াদা অনৌবা রাখল কয়া পুথোক্লক্তুনা মীওইবগী পুক্নিংগী কায়দা অসি হোংহন্দুনা বিজ্ঞানগী পুক্নিংমতা (scientific spirit) অমা পুরকপা অসিনি। Charles Robert Darwin

(১৮০৯-১৮৮২) গী ইভোল্যুশনগী থিওরি, Sigmund Freud (১৮৫৯-১৯৩৯) গী সাইকোএনালিসিসকী থিওরি, Albert Einstein গী (১৮৭৯-১৯৫৫) রিলেটিভিটিগী থিওরি অসিন-চিংবা ময়াম অসিনা তরামপলগুবা শতাব্দীগী রাখল-মীৎয়েং অমস্থং ভেল্লুবু পুমহোং হোংহনখি। বাইওলোজিগী বিজ্ঞান চাউ-খৎলকপগী মতুংইন্না মীওইবগী লমচৎ অসি মানা লৈরিবা নাক-য়েৎ অকোইবগা য়াম্না মরী লৈনৈ হায়বসি পুথোক্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবগী লমচৎ অসি য়াম্না বৈজ্ঞানিক ওইনা অমস্থং মশাগী মোত য়াউদনা নৈনবা য়াবগী রাফম লাকই। দর্শনগী মায়কৈদস্থু ইংরেজী ফিলোসোফর Geoge Edward Moore (১৮৭৩-১৯৫৮) না অচুম্বা (reality) থিবগী লম্বীদা অনৌবা মঙাল অমা পুরকখি। মমাঙগী ফিলোসোফরশিংনা (Loke, Hume, Barkley, Kant, Hegel নচিংবা) চেৎনা থাজনরম্বা— অচুম্বা হায়বসি পূক্লিংনা ওইহনবনি, পূক্লিংনা শেম্বনি, পোৎশিং অসি মীওইবগী পূক্লিংদগী তোথায়না লৈবা নত্তে—হায়বা রাখল অসি থুগায়দুনা Moore না পূক্লিংনা পোত্তগী তোংডান্না লৈ, অচুম্বদি ওবজেকটিভ ওইবা থিরগা খঙবা ঙমই হায়বা রাফম অসি পুথোক্লকপদগী মসিনা 'fact' পু তোথায়না, নিংতম্না নৈনবা য়াবগী রাখল অমা পীদুনা বিজ্ঞান চাউখৎনবা লমদা য়াম্না খুমাং চাউশিনহনখি। তশেংবমক, কনাগুম্বা পণ্ডিত অমনা ১৯শুবা শতাব্দী অসিদা হিংবা ফংজবসি কয়াদা লাইবক ফত্রবনো, কয়াদা পূক্লিং লাংতক্খহনগ্রবনো হায়বদু অচুম্বমক্তি শতাব্দী অসিগী মীওইশিংগী রাখন্দা অঙকপা, অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখি। মীওইবগী রাখনগী সীমানা অঙকপা ফংনা পাক-থোকলকখি।

মথক্তস্থু পনগ্রে, রিয়্যালিজমগী ঈহৌ অসি ফ্রেন্সকী সাহি-ত্যদগী হৌরকখিবনি। Gustave Flaubert (১৮২১-৮০),

Emila Zola (১৮৪০-১৯০২), Guy de Maupassant (১৮৫০-১৮৯৩) নচিংবনা মপুংওইবা লমতাকপা অইবশিংনি। অতুম ওইনমক, Balzac না (১৭৯৯-১৮৫০) চহী থরগী মমাঙদা রিয়্যালিষ্টিক ওইনা চুম্না প্রমাণ উত্নুনা ইবা, অওইবা থৌদোক উত্নুনা ইবগী মওংসি খুমাং য়ানগ্রবনি। তশেংনা হৌদোকপা নিপাদি Champfleury (১৮২১-১৮৮৯) নি। লাইয়েকপা Gustave Courbet কী (১৮১৯-১৮৭৭) প্রভাব লৌতুনা মাগী "Le Realisme" (১৮৫৭) গী বাহৌদোক্তা মানা হায়— উপন্যাসকী হিরোদি মীচম্না ওইগদবনি। অনৌবা ফ্রেন্সকী অইবশিং অসিনা হৌরকইবা ঈহৌ অসি মপুং ওইনা মমাঙগী রোমান্টিক রাইটরশিংগী ইবদা চেংশিন্দবা, ইকোম কোমথোকপা মওং উৎপা, হেনজিনবা বাথল ফোঙদোকপা, লৈতেংনা হারবা বাহৈ-বাতা কয়া শিজিন্নবা অতুগী মায়য়োক্তা হৌরকপনি।

Flaubert না চহী মরী চঙনা ইবা "Madame Bovary" (১৮৫৭) অসি ফোঙলকপদা য়ুরোপকী সাহিত্য জগত্তা অঙকপা ফংনা মথুম-মরাঙ হৌহনখি। উপন্যাস অসিবু রিয়্যাষ্টিশিংনা মখোয়গী বাইবল ওইনা লৌনখি। মাগী খুৎইদা পোৎশিংবু (ফেক্ট) য়াম্না কুপশিন্না য়েংবা ঙম্বা মচা তানা তানা য়াম্না কুপ্না ইবা, য়াম্না চুমনা য়েকপা, য়াম্না হৈশিংনা শেমশাবগী গুণশিং অসি ময়েক লানা উৎলি। মানা উৎলিবা রিয়্যালিজমগী বাখল্দি নিয়ম চুমনা পোৎশিংদগী তোথায়না লৈবা অতুগ। য়াম্না ঈংনা অমম্তুং চেংশিন্না পোৎশিংবু য়েংবা অসিনি। Emila Zola না মাগী "The Fortune of the Rougons" গী বাহৌদোক অমদি "The Experimental Novel" (১৮৮০) দা অনৌবা থিওরি অসিগী মরমদা য়াম্না শুগায়না ইরমই। মাগী মোত মতুংইন্না রিয়্যালিষ্টিক নোভেল অমা হায়বসি বিজ্ঞানগী লেবোরেটোরিশিংদা বৈজ্ঞানীকশিংনা ওবজেকটিভ ওইবা মীয়েংদগী পোৎশিংবু

য়াম্না কুপ্না চাংয়েং তৌরগা পোৎকী অচুম্বা থিবগুম মীওইবগী লমচৎস্তু মুম্না চনা তানা নৈনরগা অচুম্বা মশক থঙবা ওমই। ফিজিওলোজিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগী Zola না সাহিত্যদা 'ডিটর-মিনিজম' পুশিল্লকই। মমিং য়াম্না চৎলবা, তোয়না হায়নরিবা 'Slice of life' হায়বা ৱাহৈ অসি Zola গী খুৎইবু শীংথানদুনা অহানবা ওইনা শীজিন্নখিবনি।

অসুম্না রিয়্যালিজমগী ঈহৌ অসি ফ্রেন্সতগী ইংরেজী সাহি-ত্যদা শন্দোক্লকখি। George Eliot (১৮১৯-১৮৮০), Dickens (১৮১২-১৮৭০), George Moore (১৮৫২-১৯৩৩) নচিংবগী নোভেলশিংদা রিয়্যালিজমগী মশক অসি উবা ফংই। George Eliot না লমচৎ ম্রেকপদা কুপশিনবা, ময়ায় ওইবা থাকী মীওই-শিংগী অচুম্বা পুন্সি শক্তম ময়েক লানা পুথোক্লকই। আমেরি-কাদনা William Dean Howells (১৮৩৭-১৯২০), William Faulkner (১৮৯৭-১৯৬২), Hemingway (১৮৯৮-১৯৬১), Sherwood Anderson (১৮৭৬-১৯৪১) অসিনচিংবনি। রুসকী সাহিত্যদস্তু Leo Tolstoy (১৮২৮-১৯১০), Turgenev ১৮১৮-১৮৮৩), Gorki (১৮৬৮-১৯৩৬) নচিংবগী লাইরিকশিংদা রিয়্যালিজমগী মশক উৎলি।

থিয়েটরগী লমদস্তু রিয়্যালিজমগী অচৌবা ঈহৌ লৈ। রোমান্টিকশিংগী তাইবঙদগী নাম্থোক্তুনা থিয়েটরনা অয়ুক-সুমিদাংগী অমদি মীচমগী পুন্সি উৎনবা হোৎনরকই। ইং ১৮৭৩ Zola না মাগী লীলা 'Therese Raquin' গী ৱাহৌদোক্তা মাগী মমাঙদা লৈরম্বা অরিবা থিয়েটরগী মওংবু অচুম্বা মান্দে হায়না কন্না চৈথি। মানা হায়-মল্লবা রোমান্টিক থিয়েটর অসি অনৌবা রিয়্যালিষ্টিক থিয়েটরনা মহুৎ শিনগদবনি। রিয়্যালিষ্টিক থিয়েটরদা ঐখোয়গী অকোইবদা লৈরিবা পুন্সি য়াম্না চুম্না ষ্টেজদা উৎনবা হোৎনবনি। অদুনা থিয়েটরদা রিয়্যালিজম হায়রগা খঙনরিবদি—

সিন উৎপগী ষ্টাইলদস্থ (তাইবংদা হাকথেংনবা তশেংবা পোৎচৈ, মচাকশিং শিজিন্নবা), লীলা ইবগী ষ্টাইলদস্থ (রিয়্যালিষ্টিক ওইনা ইবা); অরায়-অথুমদস্থ (অয়ুক মুমিদাং ঙাংনবা লোন্দা-পুদা শিজিন্নবা), লীলা উৎপগী ষ্টাইলদস্থ (একটিং, ষ্টেজগী থবক খুদিংমক) রিয়্যালিষ্টিক ওইহনবা অসিনি। চপচাবা রিয়্যালিজমগী ঈহৌ অসি লাকখিবদি অনৌবা থিয়েটরগী অপোকপা হায়না খঙনরিবা নোর্বেগী Henrik Ibsen (১৮২৮-১৯০৬) গী মথুক্ত-গীনি। মাগী মমিং চৎলবা লীলা 'A Doll's House' (১৮৭৯) অসি রিয়্যালিষ্টিক লীলাগী লমজিংবা, অমর ওইরবা খুৎশেম অমনি। লীলা অসিনা য়ুরোপ পুম্বা জয় তৌখি। লীলাসিগী অরোয়বদা নোরানা মপুরোইবা অমদি মচাশিং লোয়না থাদোক্লম্লগা য়ুমগী থোঙজাওডু গম লাউনা খিংজিল্লম্লগা চৎখি। Haneker-না হায়খি —"That slammed door reverberated across the roof of the world"— নোরানা খিংখিবা থোঙগী খোঞ্জেন-তুনা পৃথিবীগী য়ুমথক লাম্না ঙংতুনা চৎখি। ইবসেন্না মাগী লীলাশিংদা মীচমগী পুন্সি অমদি সমাজদা হাকথেংনরিবা সমস্যা কয়া নৈনবা হৌরকখি। মহাক্না মপাম্বোংগী লৈতেং অমস্থং ঈরাং উৎপা থাদোক্তুনা, সোলিলোকি, অসাইদনচিংবা অরিবা মওংশিং লৌথোক্তুনা মীচমগী অশেংবা পুন্সি উৎপা হৌরকখি। ইবসেনদগী মথং মথং ওইনা August Strindberg (১৮৪৯-১৯১২), Anton Chekhov (১৮৬০-১৯০৪), G. B. Shaw (১৮৫৬-১৯৫০), Sidney Kingsley (১৯০৬-) নচিংবনা রিয়্যালিষ্টিক ড্রামা কয়া পুথোক্লকখি।

ভারতকী সাহিত্যদা রিয়্যালিজমগী মশক অসি লৈ। অদুবু, মসি য়ুরোপকী রিয়্যালিজমগা থেন্নবা মওং অমনি। ভারতকী দর্শন অমস্থং সাহিত্যদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিনা মসিগী থেন্নবগী মশক অসি ওইহল্লকপনি। ভারত মচাশিংগী মহৌশাদগী

লোয়নরক্লবা পুকচেল অমদি শাজৎমতা (temperament), ঈ-তোংদা চঙথ্রবা মরমচৎ, পুন্সিদা য়েংবা মীৎয়েং অমদি নাক-য়েক খেন্নবগী মতুংইন্না ভারতকী ওইবা রিয়্যালিজমগী মশক অসি ওইরকপনি।

মথক্তসু হায়থ্রে, সাহিত্য খুদিংমক্তা রিয়্যাজিমগী মরমদা করিগুম্বা মওং অমদা ওইরবসু নৈনদবা তোদে। ভারতকী অঙনবা আলংকারীকশিংনসু রিয়্যালিজমগী মরমদা য়াম্না কূপ্না নৈনরম্মী। দণ্ডী, ভামহ, কুন্তকনচিংবা অচৌবা পণ্ডিতশিং অসিনা রিয়্যালিজমগী মরমদা পূক্লিং চঙলম্মী। 'রিয়্যালিজম' হায়রিবা ৱাহৈ অসি ভারতকী অলংকার শাস্ত্রদদি স্বভাবোক্তি হায়না খঙনৈ (স্বাভাব= nature)। মসিবু বস্তবাদ নত্রগা যথার্থবাদ হায়না ভুংদসু খঙনরকই। ভামহনা করিগুম্বা পোৎ অমগী মশাগী ওইবা চপচাবা মওং অতুবু (the actual state of the object) অতুবু স্বভাবোক্তিনি হায়। মহাক্না খুদম পী— "লাউখোংলতুনা, মী অতৈদা মতেঙ পাংবিয়ু হায়রতুনা, কাতুক-কারন চেল্লতুনা যণ শেনবা নিপা অতুনা মখুত্তা চৈ পায়রতুনা যনশিং অতু লৌবুক্তগী হোইদোক্লম্মী।" মথা তানা মহাক্না অমুক্তা হায়— "নুমিৎ তাথ্রে। থা থোক্লক্লে। উচেকশিংনা মকোন্দা হনজিন্নরক্লে।" দণ্ডীনা স্বভাবোক্তি অসি মখল মরী খায়দোক্তুনা অমুক্তা কূপ্না নৈনরম্মী।

সাহিত্যদা রিয়্যালিজমগী তঙাইফদনা চন্নফম মফম লৈরবসু ভারতকী সাহিত্য নৈনবশিংনা পোৎকী অচুম্বা মশক ইকোক কোক্না তাক্তুনা ইবা (রিয়্যালিষ্টিক্কী খুৎই) অসি কয়া পান্নরমদে অমসুং মসিবু অৱাংবা থাক্কি সাহিত্যনি হায়না লৌনরমদে। কাব্যদা অলংকারনা আত্মানি হায়না চেৎনা লৌখিবা কুন্তকনা স্বভাবোক্তি অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা করেম্নরম্মী। মানা হায়রম্মী— "মহৌশাগী অচুম্বা মওং অহু চুম্না অতুম ফোঙদোকপনা সাহিত্যগী ফজবা মগুণ ওইবা তারবদি যণ-গাড়ী থৌবা নিপা অমগী ৱাহৈশিংসু সাহিত্যগী ফজবদা চীংবা তারব্রা?" কুন্তককী ৱাফম অসিগী

মরু ওইবা ভাবতি— ভারতকী সাহিত্যনা পুন্সিগী ইকোক কোকপা মশক অদু পামদে। ভারতকী অলংকার শাস্ত্রদি রোমান্টিক কল্পনা য়াম্না পাম্মই। মশাগী ওইজবা মহৌশাগী অচুম্বা পাউদম অদুদা করিগুম্বা হেনজিনবা পোৎ খরা হাপ্তুনা মতুনা ফজবা অমসুং নুংঙাইবা ওইহনগদবনি। অদুনা, স্বভাবোক্তিকী খুৎইদা সাহিত্যগী ওইবা মহাও অমসুং ফজবা গুণ অমত্তা য়াউদে হায়না লৌই। ভারতকী সাহিত্যনা মপান্থোংগী ইচম চম্বা অচুম্বদা পুক্নিং থমদে। অইবগী 'নুংগী নিংনা উবা হেন্না রাংবা অচুম্বা অমা পুথোক্নবা হোৎনৈ। মসি ভারতকী ধর্ম' অমসুং দর্শননা ময়েক শেংনা তাক্লিবা জগৎ অসি মায়ানি লেঙদ্রবা অচুম্বদি ঈশ্বরনি (ব্রাহ্ম, পরআত্মা) হায়রিবা ব্রাখল্লোন অসিদগী শাগৎলকপা ভাবনি।

ভারতকী অনৌবা সাহিত্যদা চঙলক্লিবা রিয়্যালিজম অসিদি নোংচুপকী শিক্ষা ফংলবা মতুংদা, নোংচুপকী সাহিত্যগী প্রভাবতগী শাগৎখিবা রিয়্যালিজমগী মশক অমনি। অদুনা নোংচুপ-নোংপোক অনীগী তোৎশিন্নবা মশক অদুম্মক উবা ফংই। ভারতনা নোংচুপকী শিক্ষা, ব্রাখল-মীৎয়েং, সাহিত্যগী ঈথিল ফংলবা মতুংদা নোংচুপকী নোভেল (উপন্যাস) হায়না খঙনরিবা কলাগী খুৎশেম অসি য়াম্না থেংনা তরামাপলগুবা শতাব্দীগী তঙখায় চল্লবা মতুংদা অহানবা ওইনা বাংলা সাহিত্যদা চঙলকখি। বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়না (১৮৩৮-১৮৯৪) ভারতকী অহানবা উপন্যাস ইবা লময়ানবনি। অসুম্না চথরকপনা রিয়্যালিজম হায়না খঙনরিবা খুৎইগী মওং অসি বাংলা সাহিত্যগী রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী (১৮৬১-১৯৪১) ইচম চম্বা খুঙ্গংগী পুন্সি উৎপা ৱারীমচাশিং, উপন্যাসশিং, শরতচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী (১৮৭৬-১৯৩৮) উপন্যাসশিং অমদি হিন্দী সাহিত্যগী নিংথৌরেল, মহাকপু ভারতকী গোর্কী হায়নসু মিংগৌনরিবা মুন্সি প্রেমচন্দগী (১৮৮০-১৯৩৬) উপন্যাসশিংদা উবা ফংই।

প্রগতিশীলগী অকনবা ভাব লৈবা খুৎমাবা প্রেমচন্দ্রনা শাগৎলম্লিবা যাথার্থবাদকী মশক অসি সমাজগী পংথৈ মনুংদা থোক্লিবা অরা-অনা, লৈত-লায়র, অকিবা দৃশ্য, থম্মোয় শোক্লবা মশকশিং অসি ইশেং শেংনা উৎনবা হোৎনবা ওইনা শিজিন্নরমই। মানা শাগৎলম্লিবা রিয়্যালিজমগী মশক অসি মানা ইরম্বা "উপন্যাস" কৌবা বারেংদা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লমই। প্রেমচন্দগী রিয়্যালিজম অসিদি চুম্নগী অপাবশিংগী মমাঙদা অওই অওইবা, ইকোক কোকপা মশক অহু উৎপনি। মহাক্না রিয়্যালিজমবু সমাজগী ফিবমদা মীয়ামগী পুক্লিং চৌংশিন্নবা উপায় অমা ওইনা শিজিন্নরম্মী। মসিনা অপাবশিংদা মিৎ-মাই পাঙহন্দুনা মুংঙাইহনবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংদোকহনবা, লমতাক-লমজিং ওইনা অফবা রাখল হাপ্পা অসিনি। প্রেমচন্দ মশামক্না হায়রম্বা যথার্থ অমসুং আদর্শ অনী পুন্না য়াউবা "আর্দশোন্মুখ যথার্থবাদ" হায়ব রিয়্যালিজমগী মশক অসিমক ভারতকী সাহিত্যগী রিয়্যালিজমবু মশক মুন্না তাক্লিবা রাফম অমান হায়না লৌবা য়াই। মসিমক্না নোংচুপলোমগী চৎনরিবা পথাপ্তগী তৈননা অরাংবা আর্দশ অমসুং আধ্যাত্মিককী মঙালবু থাদোক্লবা য়াদনা পুন্সিগী ঈ-তোংদা চঙথ্রবা ভারতকী পুন্সি-মহিংদগী থোক্লকপা রিয়্যালিজম মশক হায়বহু ওইরি।

প্রেমচন্দগী মতুংদা ইংকুমজা ১৯৩০-৪০ গী অহুবাইদা "নয়ী পিড়ী" (অনৌবা মীরোল) হায়না খঙনবা হিন্দী সাহিত্যগী রিয়্যালিজমগী অনৌবা ঈহৌ অমা অমুক লাকখি। মসি প্রেম-চন্দনা হৌদোক্লম্বা রিয়্যালিজমদগী থরা হেন্না চঙশিনবা খোঙথাং অমনি। ঈহৌ অসিগী অইবশিংনা সমাজগী হীরমদত নত্তনা প্রেমচন্দনা শোক্লমদবা হীরমশিং— লাইনিং লাইশোল, ধর্ম্ম, রাজ-নীতি, সমাজনীতিনচিংবা অতৈ হীরম খুদিং শোক্না পুন্সিগী অশেংবা মশক থিহুনা তেংনা উৎথোকপা হৌরকই। ঈহৌ অসিগী মওরুইবা অইবশিংদি কবি পন্ত, অজ্ঞেয়, মোহন রাকেশ, সুরেন্দ্র বর্মা,

কৃষ্ণাসোৱতী অসিনচিংবা কয়া অসিনি। মরু ওইনা উপন্যাসতদ শিজিন্নবা তোক্নুনা শৈরেং, ৱারী, ড্রামানচিংবা খুৎইশিংদা মখোয়গী চাংয়েং উৎপা হৌরকই। খুৎইদা, মফোঙদোক্তা, নৈনরিবা হীরমদা মখোয়না রিয়্যালিজমগী সীমানা অসি খরা পাকথোকহল্লম্মী। অসুম্না মখোয়না হিন্দী সাহিত্যদা অনৌবা মহাও অমা পীরমই।

অতুনা শরতচন্দ্র অমসুং প্রেমচন্দ অচৌবা উপন্যাসকার অনীনা শাগৎলিবা রিয়্যালিজমগী মশক অসি ভারতকী সাহিত্যগী অপুনবা রিয়্যালিজমগী শক্তমনি হায়না লৌবা য়াই। মখোয়গী মতুংদা অনৌবা অইবা কয়ানা মখল মখাগী চাংয়েং অমসুং অনৌবা খুৎই মওং কয়া পুথোক্লক্লবসু ভারতকী রিয়্যালিষ্টিক নোভেলগী ঈচেল, ট্রেডিশন অসিদি শরত প্রেমচন্দগী রিয়্যালিজমগী পরিকর মতুংদা অতুম্মক লৈ। মখাদা ভারতকী রিয়্যালিজমগী মচঙ ওইবা মচাক খরা উৎলি:—

ক) হীরম: মমাঙউৈগী সাহিত্যগী থিম অমদি বিষয়না লাই-তিন, নিংথৌ, অঙম-অথৌগী মরমদা ইবনি। অৱাংবা থাকী মীওইগী পুন্সি অমসুং তাইবংনি। মসিদগী তোক্নুনা মীচমগী ময়ায় ওইবা থাকি মীওইগী পুন্সি, অৱা-অনা, মখোয়না হক-থেংনন্নিবা সমস্যাশিংগী মরমদা ই। লৌমী অমদি মীচমগী পুন্সিনা প্রেমচন্দগী (গোদান, কফননচিংবা ৱারীমচাশিং) মরু ওইবা ইনবগী মচাক্নি। মানা ওৎপিরবা অমদি ওৎলিবা, লাইরিক হৈরবা বুরজ্বাজি অমদি মীচম লৌমী - কাঙবু অনীগী মুক্নবা মশক উৎলি। শরতচন্দ্রগী হীরম্না ময়ায় ওইবা থাক্নি বেঙ্গালী ভদ্রলোকী পুন্সিনি। মাগী 'শ্রীকান্ত', গৃহদাহ, পল্লি সমাজ, চরিত্রহীননচিংবদা মীচমগী লৈত-লাইর, অৱা অনা পুন্সি উৎলি। ভারতকী রিয়্যালিজমগী ইনবগী মচাক অসি য়াম্না পৌবা মওংদা "the ordinariness is more real" হায়বত্নি।

খ) ষ্টাইল: ইবগী ষ্টাইলনা পুন্সিগী অচুম্বা মশক থাতুনা

ইবা, অচুম্বা থৌদোক-ৱাথোক ময়েক শেংনা উৎপা, চরিত্রশিং লমচৎ য়েকপদা হেন্না পুক্লিঙ চিংশনবা অসিনি।

গ) মোরেল ভেলু: ভারতকী উপন্যাসশিংদা কোঙনবু ওইরবসু ফুমহুনবু ওইরবসু অচুম-অরানগী পাউতাক উৎপা ইথিকেল অমদি সোসিয়েল ভেলুগী মীৎয়েং অমদি তত্তনা লোয়নৈ। শরতচন্দ্রনা প্রেমচন্দদগী থৱা হেন্না সমাজগী চৎনবীবু থৌনা ফনা শীংনবা ওন্নবসু মাগী নুংগী ৱাখল মরুদদি চৎনবী রুহী ঙাকপা পাম্বা অমদি মপানাৎ-মপুনাত্তা হনজিনবা পাম্বগী ঈরাং অমদি থাবা লৈতে। প্রেমচন্দনা সমাজদা অচুম্বা থম্বা (social justice), নুংশিবা অমদি কথোকপা, মথৌদা ভক্তি লৈবা, অসিনচিংবা গুণ ময়াম অসি উৎলি। পুন্নক অসিগী মরুদি ভারতকী ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা, তাইবং থম্মোয়বু পাক্না কোনশনবা আধ্যাত্মিকা ঈরোয়নবা মীনুংশিগী ৱাখল পুক্লিংমতা অসিদগী থোক্লকপনি।

ঘ) ইমোশন অমসুং সেন্টিমেন্ট: ভারতকী রিয়্যালিজমগী তোপ তোপ্পা মশক অমদি রিয়্যালিজমগা ইমোশনেলিজম অমসুং সেন্টিমেন্টেলিজমগা য়ানশিন্নবা অসিনি। য়াম্না ইমোশনেল অমসুং সেন্টিমেন্টেল ওইবা (হায়বদি থম্মোয় নোথবা, মথুম মরাং হোৱা, পুক্লিং লাঙবা) মওং অসি ভারতকী উপন্যাসকী মরমচৎ ওইনা তৌই।

মথক্তা নৈনরিবা থৱা অসিদগী থঙবা ঙম্বদি য়ুরোপকী রিয়্যালিজমদা য়াওবা মরু ওইবা মচাক ওৱিবা objectivity, scientific detachment অসি ভারতকী রিয়্যালিজমদা য়াম্না ৱাংনা লৈ। ভারতকী পুক্লিংনা তাইবংপানগী থমই। মীচম অমগী অৱাংবা মীৎয়েংদা ঙাইহাকী অৱা-অনা মীকুপশিংদা থোইনা থোইৱাংলুদে মীৎয়েং অমসুং ৱাখল্দা য়াম্না ইনডিভিডিউলিষ্টিক ওইবা (রম্নাইগী ওইবা শাজৎ) ৱাৎপা মরমনা মীৎয়েং অসিগা য়াম্নমক মরী লৈনরিবা রিয়্যালিজমগী মশক শাগৎপদা য়ৌশিনবা ইঙম ঙমদবগী মওং অমদা লৈ।

মণিপুরী সাহিত্যদদি অনিশুবা লাঙ্গাওগী মতুংদা জি, সি, তোংব্রা (১৯১৩-) গী লীলাশিং, হিজম গুণ (১৯২৩-) অমদি পাচা মীতৈগী (১৯৪৩-) উপন্যাসশিংদা রিয়্যালিজমগী মশক অসি উবা ফংই। ড্রামা অমসুং উপন্যাসতদ নত্তনা লান মতুংদা লাকপা অনৌবা কবিশিংগী খুৎইদসু রিয়্যালিজমগী মশক অসি উৎপা থেংনৈ।

মথক্তসু পনগ্রে, রিয়্যালিজম হায়বসি য়াম্না মরৈ থাংবা, চয়েৎনবা রাফম অমনি। রিয়্যালিজমগী মসিমক্না লোয়রে হায়বা অকক্নবা অর্থ লৈতে। মসি অকক্নবা স্কুল নত্রগা অপীকপা, নাইতোম তাবা কাঙবু থরগী থিওরি ওইনা লৌবা য়াদে। মফম মতম, লম লমগী সমাজগী ঈরাং খেন্নবগী মতুং ইন্না রিয়্যালিজমগী মশক খেন্নে। George Levinc ন' হায় "Realism was never at any stage in its curious history free of the central pressure to give shape and meaning of cxpe-rience." রিয়্যালিজম অসি নৈনরুরগা তারকপা মাগী ফলদি— রিয়্যালিষ্টিক-ফিকশন য়াউনা ফিকশন খুদিংমক ফিকশন্নি হায়বসিনি (all fiction even realistic fiction is fiction.) George Lukacs নসু য়ুরোপ গী রিয়্যালিজমগী অশোয়বা কয়া পুথোক্লমই। অতুনা ১৯শুবা শতাব্দীগী য়ুরোপকী রিয়্যালিজমনা অকক্না পাদম ওইরগা অতৈ লৈবাক্কী সাহিত্যগী রিয়্যালিজমদা পানশিন্দুনা ওনবা য়াদবা কয় লৈ। ভারতকী তোথায়বা রিয়্যালিজমগী মশক অমা লৈবগুম রুস সাহিত্যগী য়াম্না মপূং ফারবা, তোথায়বা রিয়্যালিজম মশক অমা লৈজে। অসুম্না আমেরিকাগী সাহিত্যগীসু তোথায়বা রিয়্যালিজম অমা লৈতবা নত্তে। ২০শুবা শতাব্দীদা ওইরিবা রিয়্যালিজমগী মওং অসিনা হান্নদগী পূমথেন খেন্নবা মওং অমনি। হান্নগী রিয়্যালিজমগী মায়য়োক্তা হৌরকপা, অনৌবা চাংয়েং কয়া তৌরিবা, টেক্নিক্তা সাইন্টিফিক ওইনা শিজিন্নবা, মীৎয়েংদা পূকচেল

তিংবা, মুংগী মশক কয়া উৎপা রিয়্যালিজমগী মশক্তি। হৌজিক রিয়্যালিজম অসিগী অনৌবা মওংগী চাংয়েং কয়া অমস্তু চখরি— psychological realism, neo-romanticism, impressionism, expressionism নচিংবা অসি চাংয়েং ওইনা চখরিবা রিয়্যালিজমগী অনৌবা মওং কয়ানি॥

থিয়েটার:

ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী খোঙ্গুল লীবা

ভারত পাক-চাউরবা উপ-মহাদেশ অমনি। তোখাইরবা জাতি কয়াগী খেন্নরবা লোন অমসুং সংস্কৃতি কয়ানা পূনশিন্দুনা, শুংদদি মান্নবগী লংলা অমনা চেৎনা পুল্লিবা, ফজরবা নাচোম অমগুম ওসি ফাউবা সংস্কৃতিগী মশক অমা শাগত্তুনা লাক্লি। ভারতকী তোখাইরবা লম লমগী লোনশিং অমদি মশাগী সংস্কৃতি নীংথিনা লৈজবা জাতিশিং অসিগী মহৌশাদগী হৌনা মশাগী থিয়েটরগী মশক অমা অতুম শাগোন্নদুনা লাকই। অসিগুম্বা মশক-মওং খেন্নরবা, মখল-মখা কয়াগী কলাগী শকওং চেল্লিবা লমদম লমদমগী থিয়েটর অসিবু ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটর হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা খেন্নরবা ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটর অসিনা ভারতকী অপূনবা থিয়েটরগী শক্তমনি। থিজিনবা অমসুং খঙবা রাৎপদগী ভারতকী থিয়েটরগী ইতিহাস ইবশিংনা মখোয়না ইরকপা লাইরিক কয়াদা মণিপুরগী থিয়েটর কলাগী রাফম অসি মীরাইবগুম তৌই। মসি য়াম্না চুমদবা মওং অমনি। ভারতকী থিয়েটরগী ইতিহাস শাগৎপদা মণিপুরগী থায়নদগী লৈরক্লবা থিয়েটরগী কলাশিং অসিগী অবদানসু য়াওফম থোকই।

অসিগুম্নবা মমল য়াম্লবা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী খোঙ্গুল লীবা হৌরকপসি ওরাংতগী রানি। থিয়েটর পামদবা মুসলমানশিংনা মতম কুইনা লৈবাক ওাকতুনা লৈরুবা অমসুং মখোয়গা তেক শম্নবদা ব্রিটিশকী লৈঙাক মখাদা নোংচুপকী থিয়েটর অমসুং কলা কয়াগী প্রভাবনা নমহৎতুনা য়াইথাবগুম শুম্মৎলুরবা ভারতমচাশিংনা মশাগী শপানাং-মপুনাং থিজিনবগী খোঙজংদি ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুং কায়নথংদা হৌগৎলকপনি। মণিপুরদসু মসিগী ঈহৌ অসি ইং ১৯৭০ গী অতুরাইদগী হৌরকই। চাংয়েং লীলা ওইনা অসুম

চশ্থরকপদগী মণিপুরগী ট্রেডিশনেল অমদি ফোক থিয়েটরগী খোঙ্গুল লীবা হৌনরকই। হৌজিকস্থু লেপ্পা নাইদ্রবা খোঙচৎ অমদা লৈরি।

ভারতকী থিয়েটর নৈনবদা ট্রেডিশনেল অমদি ফোক থিয়েটরবু কাউথোকউবা অমদি মীরায়রুবগী মরমদি ভারতকী নাট্যগী মরমদা ইরম্বা শাস্ত্রশিংদা মতম অতুদা চৎনরম্বা ফোক নত্রগা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মরমদা করি অমত্তা ইরমদে অমস্থুং নৈনরমদে। মসিনা মরম ওইদুনা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী কলা অসি লৈতবদৌনা থনথিবনি। নাট্যগী মরমদা য়াম্না মরু ওইরবা, অস্থুপ্পা ওইনা মরা লৌনরিবা ভরত মুনিগী "নাট্যশাস্ত্র" দা (২০০ বি. সি, দগী ২০০ এ, ডি, ফাওবগী মনুংদা ইবনি হায়না থাজনৈ) শুপ্পগী ড্রামা মখল ১০ থক্তা পল্লনই — নাটক, প্রকরণ, সমবকার, ঈহামৃগ, ডিম, ব্যায়োগ, অঙ্ক, প্রহসন, ভান অমস্তুং বীথী। অদুগা ভরত মুনিগী মতুংদা লাকপা অভিনবগুপ্ত, ধনঞ্জয়, সাগরনন্দিন, শারদাতনয়, নন্দিকেশ্বর, ভোজরাজনচিংবা পণ্ডিতশিংনস্থু ট্রেডিশনেল থিয়েটর (লোকনাট্য) গী মরমদা পল্লম্ব: লৈতে। অদুনা মরু ওইনা শাস্ত্রশিংদা হায়রম্বা, পল্লম্বা লৈতবনা, শাস্ত্রশিংতবু মরু ওইবা মরা চৎপা য়াবা লাইরিক্কি হায়না লৌজবা, হান্না চৎনরম্বা মত ইনবা ভারতকী পণ্ডিতশিংনা নাট্য নৈনরকপা মতমদা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী আর্ট অসিবু শোকউবা তৌদনা নীরায়দুনা লাকখি। অদুনা ভারতকী অরিবা ড্রামা অমস্থুং থিয়েটর হায়রগা শম্না ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাতবু খওনখি। হৌজিক্তি মসি মপুংফাদবা অরানবা রাফম ওইরে। পাক চাউরবা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী ফোর্মশিং অসিনা ভারতকী থিয়েটরগী ইতিহাসদা য়াম্না চাউরবা শরুক অমা কন্দুনা লৈরবনি।

ভারতকী থিয়েটর হৌরকপগী মতাংদা পণ্ডিত কয়াগী খেন্নরবা মত কয়া লৈ। অদুম ওইনমক হৌজিক চাউরাক্লা য়ানরবা রাফম থরদি— নাট্যকলা অসি আর্যজাতিশিংতগী থংশেম নত্তে;

লোকনাট্যগী মওং অসি ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাগী মমাঙদগী লৈরে ; য়াম্না লিরবা ভারতকী থিয়েটর অসি আর্য্যজাতি অমসুং অনার্য্য অনীগী অপূনবা সংস্কৃতি অনীগী য়ানশিন্নবা খুৎশেম অমনি।

ভারতকী নাট্যকলা অসি অনার্য্যশিংদগী হৌরকপনি হায়না মত পীরিবা পণ্ডিতশিংনা কলা অসি সিন্ধু সভ্যতাদগী হৌনা খোঙ্গুল লীবা হৌই। মোহেঞ্জোদাড়োদা ফংলিবা জগোই শাবী নুপীগী মূর্ত্তি অমদি নটরাজগী মূর্ত্তি ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরিবা নিপা জগোই শাবা অমগী য়াংগী শরুক অসিনা সিন্ধু সভ্যতাগী মতমদা নাট্যকলাগী মওং লৈরে হায়না তাকই। আর্যজাতিগী লাই নত্তবা শিব, গণেশনচিংবা দেবতাশিংগা নাট্যকলা হৌরকপগী বারী অমদি অতৈ থোদোকশিংদা তংনবা য়াম্রবা মরী অমা লৈহনবা আসিনা কলা অসি অনার্য্যশিংদগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়বসি অমুক্কা চেকশিন্না থাজনবগী মরম ওই। ভরত মুনিগী "নাট্যশাস্ত্র" দা ড্রামা হৌরকপগী বারীদা শিববু য়াম্না ইকাইখুম্নবা মওংদা থমই অমসুং ড্রামা শেম্নকপদা অচৌবা থৌদাং য়াহল্লি। শিবনা নট্যদা জগোই হাপচিন্দুনা মওং তাহনখি। অমুক্তসু শিববু নাটরাজ (কলাকারশিংগী নিংথৌ) হায়না মিঙ্গৌনখিবা অসিনসু শিবনা নাট্যকলাদা তৌরিবা দানবু অমুক্কা হেন্না অর্থ থোকহল্লি। সংস্কৃত ড্রামাগী পূর্ব্বরঙ্গদা নান্দী থিবদা লীলা ইবা অয়াম্বনা শিববু খুরুমই, লৈশি-লৈথোল্লি।

নাট্যশাস্ত্রদা গণেশ নত্রগা গণপতিগী মিং অসিমক পল্লমদ্রবসু ওঁকারনচিংবা পল্লিবা অমদি হিংচাবশিংদগী ঙাকথোরবদা থৌদাং য়ারিবা লাইশিংগী মমুংদা লাই অমদি গণেশপুনি হায়না প্রমাণ তৌরি। ভবভূতিনা মাগী নান্দীদা গণেশপু খুরুমই। ১০শুবা শতাব্দীদা গণেশকী লাইনিং অসি লৈবাক অসিদা পাক-চাউনা শন্দোক্লকপগা লোয়ননা থা ভারতকী ফোক থিয়েটর অয়াম্বদা

গণেশপু থুরুম্বা হৌজিকসু চৎনরি। বিদূষক অমসুং সূত্রধারনচিংবা য়াম্না মরুওইবা চরিত্রশিং অসি ফোক থিয়েটরদগী লাকপনি, কোন্থংদা সংস্কৃত ড্রামানা লৌশিনখিবনি। অসুম্না অনার্য্যগী লাইশিং, লাইনিং লম্বী, চৎনবী, কলাগী মওং কয়া আর্য্যজাতিনা লৌশিন্দুনা অপূনবা ভারতকী সংস্কৃতিগী মশক অসি ওইখিবনি।

নাট্যকলানা মথং মথং মওং তানা চাউখৎলকপা অসি ফোককী লাইনিং-লাইশোন, হরাউ-কুম্মৈ, জগোই-ঈশৈ কয়ানা মচাক ওইদুনা শেমগৎলকখিবনি। বৈদিক মতমগী যজ্ঞ তৌবগী থৌরমদা জগোই ঈশৈ, মখল-মখা কয়াগী হরাউকুম্মৈ তৌই। মতমদুদা ইন্দমহা, নাগজাত, জাকখজাত, নায়জাত, ভূয়াজাত অসিনচিংবা কুম্মৈ, ঈরাৎ-পূজা কয়া লৈরমই। জতকনচিংবা বৌদ্ধ সাহিত্য অমদি অর্থশাস্ত্রদা নাট্যকলাগী ট্রেডিশন অসিগী মরমদা য়াম্না মরাং কায়না পল্লি। নট, নর্ত্তক, ভাগজীবন, প্লভাক, বংশবর্ত্তি, মায়াকার, সূত, কুভাথুন অমদি মতমদুগী অতৈ লীলা-কুম্মৈ তৌবা কলাকার কয়াগী মরমদসু ইরমই। হরিবংশ পুরাণদা দ্বারকা মনাক্তা কৃষ্ণলীলা অমা লমদম অদুগী মরোন্দা শাম্নবগী মরমদা য়াম্না শুগাইনা ইরি। অসুম্না লোকনাট্যগী মওং অসি সিন্ধু সভ্যতাগী মতমদগী ঈচেল কায়দনা মশাগী অচৌবা ট্রেডিশন অমা ওইনা চেম্বরকপগী প্রমাণ অমসুং মচাক কয়া ফংই।

মথংদা, নাট্যকলাগী মরমদা য়াম্না কুপ্না, মমুৎ তানা, মচা থায়না, শুগায়না ইরবা ভরত মুনিগী "নাট্যশাস্ত্র" লাকলে। 'নাট্যশাস্ত্র' অসিসু মতমদুদা চৎনরম্বা অমদি হাম্নদগী চত্থরকপা ট্রেডিশনেল অমদি ফোক থিয়েটরগী মওং কয়াদগী শাগৎপনি হায়বসি পণ্ডিত কয়াগী মতনি। 'নাট্যশাস্ত্র' দা পল্লিবা লীলা মখল তরাগী মনুংদা 'নাটক' অমসুং 'প্রকরণ' নত্তনা অতৈদি মওং তানা চাউখৎত্রিবা, শেংদোকত্রিবা মওংদা লৌরিবা, ফোককী মওং লৌরিবা লীলাশিংনি। অদুনা 'নাটক' অমসুং 'প্রকরণ'

অনী আসদি থেংনা চাউখৎলকপা অমদি নৌনা শেম্বা লীলাশিংনি। মথোয় অনী অসি ভরত মুনিগী মমাঙদা লৈরমদবা য়াই। অদুগা অতৈ লীলা মখলশিং অসিদি ট্রেডিশনেল ফোর্ম ওইনা শোয়দনা লৈরমগনি হায়বসি মখোয়গী অচেৎপা মতনি।

কনাগুম্বা পণ্ডিত খরনা সংস্কৃত ড্রামাগী বৃত্তি (রাঙাং-শাভাংগী ষ্টাইল) মখল মরী থায়রিবা নত্রগা অঙ্ক অমদি পাত্রগী মশীংদগী ড্রামাগী থোঙ্গুল লীবস্থ য়াওই। ডাঃ ভিঃ রাঘবননা (Sanskrit Drama and Performance দা) উপরূপক ১৮ গী মপুংদা মীর অমদি মতমতুদা চৎনরম্বা ট্রেডিশনেল ড্রামাগী ফোর্মগা মান্নে হায়না মত ফোঙদোকই। মখোয়তুদি—উল্লাপ্য, রাসক, শ্রীগদিত অমসুং হল্লীশ অসিনি। সংস্কৃত ড্রামানা লাইরিক-লাইগু ওইবা, সংস্কৃত লোন খঙবা খরতগী ওইথবনা জগোই-ঈশৈনা মপুং ওইবা উপরূপক,শং অাস মীয়াম্না পাম্নবা লীলা মওং ওইনা লাকই। অদুনা ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাগা ট্রেডিশনেল ফোক থিয়েটরগী ট্রেডিশনগা য়াম্না নকুবা মরী লৈ হায়বসি উপরূপকশিংগী লীলা মওং অসিনা সাক্ষী ওইরি। অদুগা 'নাট্যশাস্ত্র' দা ফোক থিয়েটরগী মওং কয়া চঙথি হায়বগী প্রমাণ অমদি দেশ-ভাষা হায়তুনা সংস্কৃত লোন নত্তবা মগধী, অবন্তী, সৌরসেনী, অধমগধীনাচংবা লম লমগী লোন কয়া লীলাদা কুম্লিবা পাত্র শং থেম্নবগী মতুংইন্না চাংনরিবা অসিনা তাকই। শম্না হায়রবদা ভরতমুনিনা মাগী মমাঙদা লৈরম্বা অদুগা মতম অদুদা চৎনরম্বা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মওং শং অদু নৈনরগা য়াম্না ফজবা শাস্ত্র অমা ওইনা মরী লৈনবা আইনগী পরেং অমদা লেঙশিল্লম্বনি, মওং অমা লাকতুনা চৎনবী অমা ওইনা শাম্নহল্লম্বনি। অদুনা অদ্যা রাঙ্গাচার্যনা হায়,— "Just as Panini standardised classical form of Sanskrit, so Bharata standardised classical form of drama. He gave it status and dignity, a form and an objective and finally a technique."

ভারতকী লমদম লমদমগী লোকনাট্যনা মপান ফনা, মশা-মরেং ফন্না চাউখৎলকপা অসি সংস্কৃত লোন্না শিথরকপা, মন্নাই চাইথরকপা মতম, ১০শুবা শতাব্দীদগী হৌরকই। চহী চা কয়া (চাউরাক্না চহী ৯৫০ রোম) নুংগুম কন্দুনা লৈরক্লবা ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামা অসি শিথরকতুনা দেবভাষা অসিনা ভারতকী মোর্ডন ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজ— লম লমগী ভার্নাকুলার ওল্লকপা মতমদা ট্রেডিশনেল থিয়েটর কয়ানা সংস্কৃত ড্রামাগী মহুৎ শিন খ :খাঙফম অসিদগী অনৌবা ভারতকী থিয়েটরগী য়ুম্ফম থোনখিবনি মরু ঙুন-খিবনি। ১৫শুবা শতাব্দীদা লম লমগী লোনশিং (এম, আই, এল,) অসিনা চপচানা মপুং মরৈ ফাহুনা মওং তানা চাউখৎতুনা লোনগী ফিরেপ তাবগা লোয়ননা লমদম লমদমগী লোকনাট্যস্থ শারেপ ফারকখি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমই— সংস্কৃত ড্রামানা শিথিবগা লোয়ননা ভারতকী থিয়েটর অসি পুংমুং মুৎখিবা নত্তে। ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী ঈচেল অসিদি ইতিহাসকী য়াম্না লুরবা তানফম কয়াদস্থ - লীলা-কুম্মৈ পামদবা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী মতম অমদি লীলাদা খোইজংদবা মুস্লিমগী মতমদফাউ ঈচেল লেপ্পা লৈতনা য়াম্না পীক্না মোং হাদনা চেন্থরকখিবনি। অদুনা সোম বেনেগালনা য়াম্না ফজনা হায়,— "For the decline of Sanskrit drama did not mean the decline of drama in India altogether. As we saw earlier the growth of the Prakrits made Sanskrit rather irrelevant and these popular languages threw up their own literatures and with it came a strong, pervasive and extremely tenacious folk theatre which survived the onslaught of time and historical circumstances and exists, even thrives, right down to this day in many parts of the country." A. B. Keith নচিংবা থিয়েটরগী ইতিহাস ইবা

পণ্ডিতশিংনা "Irregular plays" হায়না মমাঙউৈদা থৌশারমদবা লোকনাট্য অসি সংস্কৃত ড্রামানা মরায় চায়থরকপা মতমদা ময়োন চোংতুনা শাৎকায়রকখি।

সংস্কৃত ড্রামানা মতম কুইনগী ওইনা য়াহিপ তানগ্রবা, ১০শুবা শতাব্দীদগীনা ১৫শুবা শতাব্দী ফাওবা মতম অসি ভারতকী সাহিত্য অমসুং কলাগী ওইনদি অমম্বা যুগনি। য়াম্না লুবা তানফমদা লৈরিবা শেমগৎ শাগৎপগী কল্লবা মতম অমনি। নৌনা চাউথৎ-লক্লিবা লোনশিং অসিগী অবাংবা থাক্কী সাহিত্য লৈত্রি। ১৫শুবা শতাব্দী ফাওবদা অইবা ড্রামা লৈবা থেংনদে। সংস্কৃত ড্রামাগী প্রভাবতগী থা ভারত্তা য়াম্না ওন্না ড্রামা অসি চাউথৎগ্রবসু অইবা ড্রামা লাকপদি য়াম্না থেংলবা মতমদগীনি। ঐথোয়না খঙগদবদি—অইবা ড্রামা লৈত্রগা থিয়েটর লৈতে হায়বদি লাল্লি। ট্রেডিশনেল থিয়েটরদি অতুম হিংই— হিংতুনা লৈ। অসিগুম্বা নাট্যকলা অসিবু হিংহল্লিবা, পরমপরাগী ঈচেল অমা কায়দনা শমথহল্লিবদি চারণ অমসুং সুতগী মপান্দগীনি মখোয় ঈশৈ শকতুনা, কোয়না চৎতুনা বারী লীবা অশৈবশিংনি। জগোই শাদুনা, ঈশৈ শকতুনা লীলাসু উৎলি। সুত হায়বা শাগৈ অসিদি মহাকাব্যগী যুগতগী ফোক অমসুং সাহিত্যগী পরমপরা অসি শমথতুনা লাকই। অতুগা ১০শুবা শতাব্দীদনা চারণশিং অসি ঈশৈ শকপা, জগোই শাবা, বারী লীবা শাগৈ অমা ওইনা লৈবা হৌখি। মখোয়না মফম কয়াদা, কাচিন কোয়া কয়াদা চৎতুনা মখোয়গী হিংবগী শিনফম ওইনা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী কলাশিং অসি হিংহল্লকপনি। শম্না হায়রবদা, মখোয় অসি ঐথোয়গী ডান্স ড্রামা, ফোক থিয়েটর অমসুং অনৌবা থিয়েটর হায়রিবা কলাশিং অসিগী পরীং কায়দনা পুথরকপা অমসুং কলাশিং অসিবু হৌদোক্লকপা মীশকশিংনি। লৈবাক-নিংথৌ, অঙম-অথৌনা শোগৎপদগী মখোয়গী শিনফম মরা তাবা ঙমখি। ঐথোয়গী অহানবা অমসুং হৌদোকপা ওইরিবা

চারণ অমসুং সুতশিংনা ফোক অমসুং ট্রেডিশনেল থিয়েটর চাও-থৎপদা য়াম্না তেংবাখি।

১০শুবা শতাব্দীদগী হৌজিক ফাওবদা ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরনা মথং মথং চাউথৎলকপা অসি ইতিহাসকী মীৎয়েংদগী থাংখাং নত্রগা তাংকক মরী থোক্না থায়দোকপা য়াই। মথোয়গী মরমদা শম্নপ্না মখাদা নৈনরি।

অহানবা তাংকক— মসি ১০শুবা শতাব্দীদগী ১৫শুবা শতাব্দী ফাওবগী মতমনি। সংস্কৃত লোম্না শিথরকপগা লোয়ননা লোন অসিবু খঙবা হুন্থরকপদগী লম লমগী লোন্দা ঈশৈ শকপা, লীলা শান্নবা কন্না পান্নরকখি। মীয়াম্না খঙবা লোন্দা, মীয়াম্না পান্নবা ঈশৈ, লীলা কুম্মৈ তৌনরকখি। তাংকক অসিগী থ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদোক্তি ১২শুবা শতাব্দীদা কবি জয়দেবগী "গীতগোবিন্দ" গী অকনবা প্রভাবনা ভারতকী কলা সংসারদা অঙকপা অহোংবা কয়া পুরকখিবা অসিনি। মসিনা খা অমসুং অৱাং ভারত্তা জগোই-ঈশৈ শকপা ট্রেডিশনেল আর্টকী মওং অমা লাকখি। খ-ভারতকী মতাংদা Gayanacharya Avinash C. Pandeya না হায়, - "Jayadeva appeared on the cultural horizon of Tamil Nad with his immortal work, the Gita Govind, which epitomise the worship of Krishna and Radha A current passed through the entire folk art-world ; its emotional appeal revitalised folk music, dance and drama...... People translated its songs in dances and in dramas ...... Since then a variety of folk art forms flourished in the South. **Yaksagana** doveloped in Karnataka ; **Terukuttu** in Tamil Nad and **Kuttiyattam** in Kerala."

অৱাং ভারত্তনা— "কিতিনয়া নাটক" হায়দুনা অৱাং বিহারগী

মিথিলা অমদি অতৈ মফমদা শন্দোকখি। মসিদা লমতুগী লোন, সংস্কৃত অমসুং প্রাকৃতকী ডাইলোগ কয়া য়াউই।

অনীশুবা তাংকক : মসি খৃঃ ১৫০০ দগী ১৬৫০ ফাওবনি। মতম অসি ভারতকী ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটরগী চাউ-খৎপগী খ্বায়দগী মরু ওইরবা অমসুং ইনাক খুল্লবা তাংকক অমনি। মতম অসিদা ভারত পুম্বদা ভক্তিগী ঈহৌ লাকতুনা ভক্ত কবি কয়া ভারতকী মফম কয়াদা চোঙথোক্লকতুনা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লীলা কয়া পুথোক্লকখি। শ্রীমদভাগবতনা শন্দোকপা ভাগবত-ধর্ম্ম— বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসিনা ভারত'পুম্বা থুমহৎখ্রে। শ্রীজয়দেব কবিগী "গীতগোবিন্দ" মী খুদিংগী চীন্দা পুরে। ভক্তিগী ঈহৌ-সিদা নিংথৌ কয়ানা লাইশং কয়া শাতুনা জগোই-ঈশৈ, লীলা-কুম্মৈ কয়ানা ভারত'পুম্বা পুমনিন নিনখি। ভক্ত কবিশিংনা লনদম লনদমগী মীয়াম্না খঙবা লোন্দা ইবা, শক-শানবা মরম্না মীয়াম্না পাম্নবা হেঙ্গৎলকপদগী কুম্মৈ মওং অসি মীয়ামগী কলা ওইরকই। অতুনা ভক্তি স্কুলনা শাগৎলবা অনৌবা কলা অসি এখোয়গী আধুনিক নাটককী শৈহৌনি। মসিনা অনৌবা ফোক থিয়েটরগী য়ুম্ফম থোনখি।

ভক্তি অমসুং বৈষ্ণবকী ঈহৌনা দেবদাসী হায়না খঙনবা লাইশংদা জগোই শাবী—নটী কাওবু অমা থোক্লকই অতুগা চারণদৌনা মাগুবশিংদা, মফম কয়াদা ঈশৈ শকপা, জগোই শাবা, লীলাসু তৌবা হরিকথা হায়না খঙনবা কলাকার কাওবু অমসু লাকখি। মতম অসিগী মরু ওইবা লীলাশিংদি— আসামদা শঙ্করদেবনা হৌদোকপা "অঙ্কিয় নাট", অন্ধ্রাদা নারায়ণ ভট্টনা হৌদোকপা "রাস লীলা"। শ্রীচৈতন্য দেব (১৪৮৫-১৫৩৪) না বেঙ্গলদা "যাত্রা" হৌদোকই। মহাক মশামক যাত্রাদা য়াওতুনা লীলা শাম্নখি। মহাকী সেবক জীব গোস্বামী অমসুং রূপ গোস্বামীনা "গোবিন্দ হুলাস নাটক" শেম্নমই। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী প্রভাবতগী

মণিপুরদা ১৮শুবা শতাব্দীদা রাসলীলা অমদি গোষ্টলিলা, উদুখল, গৌরলীলা, পাশখেলা, মানভঞ্জন, কালিদমননচিংবা বৈষ্ণব লীলা কয়া পোক্লকখি। হিন্দী লোনবা লমশিংদা তুলসিদাসকী "রাম চরিত্রমানস" কী ঈথিন্দগী অৱাং ভারত্তা "রামলীলা" পোকখি। রাম অমসুং কৃষ্ণগী লাইনিংগী প্রভাবতগী রাজাস্থানগী "রাস ধারী" লীলা অসিনচিংবা কয়া লাকখি।

অহানবদা শ্রীকৃষ্ণগী লাইনিং অমসুং রামায়ণনা শংগৎথিবা লীলা মওংশিং অসি ভক্তিগী অৱাংবা ভাব অমদি আধ্যাত্মিকী নীংথিজরবা রাখল য়াম্না য়াওরমই। অদুবু মতমগী মতুংইন্না সমাজগী কাচিন কোয়া কয়াদা মরা তাশিনখিবদগী অমদি মতম মতমদুগী পুন্সিগী থৌদোক কয়াগা হাকথেংনবদগী ধর্মগী অৱাংবা দর্শন অদু খরা খরা কোমথোক্লকতুনা মীয়ামগী পুন্সিরোমদা চঙশিল্লকই, সমাজগী ওইরকই, সমাজগা মরী লৈনবা থৌদোক, ৱারী কয়া হাপচিল্লকই। লীলাগী মওংদসু অসুম অসুম হোংলকতুনা মীয়াম্না পামগদবা মওংদা চত্থরকই অদুনা কনাগুম্বা পণ্ডিত খরনদি কৃষ্ণলীলাশিং অসি ভারতকী অহানবা সমাজিক লীলা মখল অমনি হায়। মরমদি পুরানগী লাই-তিনগী অমদি অকন-অথৌগী থৌনা-ৱারী তোকতুনা রাধা-কৃষ্ণগী নুংশিনবগী প্রেমরস অসিদা মীয়াম্না পাননগদবা ৱারী থৌদোক কয়া হাপচনখি। অদুগা মথক্তা লৱায়-থৌরাইগী পুন্সিগা মরী লৈনবা ঈশৈ, অপুনবা জগোই কয়া হাপচিনবদা নাতৈ চাবা মরম্না মীয়ামগী পুন্সিগা হেন্না নকশিন্নরকখি। মতমগী মতুংইন্না হায়রিবা ফোক ফোর্মশিং অসি সমাজদা মরা চেংনা তাখি। মসিদা ঐখোয়না খঙগদবা ৱাফম অমদি ভক্তিগী ঈহৌনা পুরক্লিবা লীলা মওং অসি চুম্নগী মাওজিন থাবনি, য়াকাই-রোম্নি। চপচাবা ভারতকী ফোক থৈজ—কলাগী মপুংফাবা অদুদি ওইদ্রি। ৱারী, ডাইলোগ থোইনা য়াউদবা, মুঙাইনবা কুমৈগী ৱাখলনা লমজিংবা, জগোই-ঈশৈনা মপুং ওইবা মওংদা লৈরি।

অহুমশুবা তাংকক : ইংশোক ১৬৫০ দগী ১৮০০ অসিগী মতম্নি। ভক্তিগী ঈহৌগী মতমদা মীয়াম্না পাম্নবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লীলা মণ্ডং কয়া লাকখ্রবস্থু য়াম্নমক খুন্নুংগী ওইবা ঈশৈ শৈশক, ছন্দ অমদি চপচাবা ফোককী মণ্ডংশিংদা চঙশিনবদি নত্তে। অহুবু তাংককসিদদি ফোক থিয়েটরগী মণ্ডংশিং অসিনা লোকগীত অমসুং ফোক্কী শক্তমলোমদা হেন্না চঙশিনবা হৌরকখি। তান-জোরনচিংবা মফমদা নায়ক হায়বা শাগৈ অহুনা ট্রেডিশনেল ফোক থিয়েটর য়াম্না চাউখৎহনখি। শাগৈ অসিগী রঙ্গম্মা কৌবী মহা-রাণী অমনা লীলা ইহুনা শান্নখিবগী রেকোর্ড ফংই। মতমসিদা য়াম্না চাওখৎলবা ফোক থিয়েটরশিংদি—মহারাষ্ট্রগী 'তামাশা', কার্নাতকগী "যক্ষগান", তামিলনাডুগী "তেরু কূথু", কাশ্মিরগী "ভাণ্ড যাশনা" অসিমচিংবা। অরাং ভারতত্থু 'রাসলীলা' অমসুং 'রামলীলা' অসি অহুম মথং মথং ওইনা চাউখৎলকই।

মরিশুব তাংকক : অরোইবা তাংকক অসি ইং ১৮০০ দগী হৌজিক ফাউবগী মতম অসিনি। বৃটিশকী শাসন মথাদা নোংচুপকী ঈথিল অমসুং ঈরাং কয়া লাকপদগী ফোক অমসুং ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মণ্ডংদা অহোংবা কয়া লাকখি। বেঙ্গলগী ইনাকখুনবা জামিন্দার কয়ানা শৌগৎপদগী হান্নদগী লাক্লবা 'যাত্রা' দা অনৌবা মণ্ডং অমা পীখি। অবধগী মুগোল গোভর্ণর ৱাজিদ আলি শাহনা "রাহা" হায়না খঙনবা ওপেরা অসি মশানা পামজনদগী মশা-মক্তা ইহুনা অমসুং শান্নহন্দুনা চাউখৎহনখি। ভারত্তা মতমসিদা মকুওইনা অরাং ভারত্তা সমাজ সংস্কারগী ঈহৌ লাকপা মতমনি। সমাজ সংস্কাকারকশিং অসিনা লীলা-ফলা, জগোই অসি কয়া পামদে, হস্থনা য়েংই। অহুনা অনৌবা ঈহৌ অমা ওইনা লাক্লিবা সমাজ শেংদোকপগী ৱাখলগী চান্নবা ফোক থিয়েটরগী মণ্ডং-শিংদস্থু অহোংবা কয়া হাপচিনবা তারকখি। মরম অহুনা 'রাস-লীলা' গী অহৌবদা শ্রীকৃষ্ণগী পাউতাক হাপচিল্লকই। বিহারদা

ভিকারী ঠাকুরনা হৌদোকপা "বিদেশীয়" হায়বা লীলা মঙং অসিদা ঈশৈগী মওংদা শকহনবা ধর্ম-উপদেশ (sermons) কয়া হাপচিল্লি। অদুগা হিমাচল প্রদেশ (সিমলা মনাক্তা) "কারিয়ালা" কৌবা অনৌবা লীলা মথল অসিদা সমাজগী মরমদা আলোচনা তৌদুনা উৎলি। মণিপুরদা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা, দুর্গা পূজা ঈরাৎপা হৌবদগী হৌজিক্কী অকনবা ঈচেল অমা ওইরিবা "শুমাং লীলা" অসিগী হৌদোক্লকপা অপোকপা ওইনা "ফাগি লীলা" কৌবা অহোঙবা ফাগিনা মপুং ওইবা, রারী, প্লোট কয়া থৌশাদবা ফোক থিয়েটর মওং অসি লাকখি। চেংবা, য়োৎ-সবীনচিংবা ফাগি হৈরবা কলাকারশিং অসিনা নোক্লিং ফাগি-থৌদোক কয়া শেমদুনা মমাই মমিত্তা হামুক কয়া তৈশিন্দুনা নোক্লবগীদমক নোক্লবা তৌবা মশা কয়া নান্ত্রিবা ফাগি-কুম্মৈ মওংনি। মসিদগী মথং মথং চাউখৎলকতুনা হৌজিক্কী শুমাং লীলা অসি ওইরকখি। অসুম্না ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটর অসি অহোংবা কয়াগা লোয়ননা চত্থরি। তশেংবা ভারতকী অশেংবা ড্রামাগী মথরায়দি মীয়ামগী পূক্লিংবু য়োৎচাবীগী মতৌগুম চিং-শিল্লিবা, মীয়ামগী ওইদুনা লৈরিবা ট্রেডিশনেল থিয়েটরশিং অসিনি। মথোয়দি শিবা নাইরোই। অসুম হিংখিগনি।

ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মান্নবা অপূনবা শক্তম অমা লৈ। অদুবু লমদম লমদম অদুগী সংস্কৃতিকী পরমপরা, ঈশিং-নুংশিত্তগী শাগৎপা, লমদম অদুগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমসুং মরমচৎ চেনজবা, লমদম অদুগী লোন্দা শান্নবা মরম্না অপূনবা মান্নবগী মরক্তা খেন্নবা মওং অমসু লৈ। মসি মান্নদবা মাইথোং অমমম্না অপূনবা মান্নবা মৈতৈ শক নত্রগা ময়াং শক হায়বা অমা খায়দোকপা য়াবগী মতৌদুগুম্বনি। ফোক থিয়েটর হায়বা অসিদি অপূনবা খুনগী মীয়াম পূম্নমক্না শরুক য়াবা, মফম অমদা হেক্তা শান্নবা য়াবা, হন্নু-হনা ওাক্তুনা মীয়াম পূম্বগী পূক্লিংবু চিংশি-

ভুম্বা, মশা নাম্না ইৎত্রিবা, মশা থাদ্রিবা, লুজদবা-নাঞ্জদবা মওংসু ওইবা, ইনশিনবা য়াওদনা মতোমতা থোকচরকপা কলা মওং অমনি। Balwant Gargi না হায়,— "Folk theatre vivifies the people in their natural habital and represents them in their contradictions and activities. It gives a glimpse of their style of speech, music, dance, dress, behaviour, humour, legends, proverbs, wit and wisdom. It has a rich store of mythological heroes, mediaeval romances, chivalric tales, social customs, beliefs and legends. . . . . . The folk theatre does not give a slice of life ; it gives a large scale panorama of existence."

ফোকক ক্লাসিকেলগা মশানা খেন্নৈ। অদুবু মখোয় অনী য়েক্লবদোনা লৈবদি নত্তে। পুন্না লৈমিন্নৈ, লৌথোক-লৌশিন তৌনৈ। অরিবা ফোক ফোর্মশিংদগী ক্লাসিকেল ড্রামা শাগৎখি। অমুক ক্লাসিকেল ড্রামাগী চৎনবী, মওং-মতৌ কয়া নৌনা চাউখৎলকপা ফোক থিয়েটরদা প্রভাব তাখি। মসিনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবদা ট্রেডিশনেল থিয়েটর কয়াদা ক্লাসিকেল ড্রামাগী চৎনবী কয়া পকশিন্দুনা লোয়নবকই। থুদম ওইনা— সংস্কৃত ড্রামাগী সূত্রধার অসি ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটর কয়াদা রঙ্গা, ভাগবথা, ব্যাস, স্বামী হায়না মমিং তোঙান তোঙান্না কৌদুনা য়াউরি। মণিপুরগী জগোই রাস, থংশেনবদসু সূত্রধারী য়াওই। বিদূষকী চরিত্র অসিসু কোনানী, কোমালী, হনুমানায়ক ঋষিথ-মিয়ন হায়না কৌদুনা য়াউরি। মতাং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যদা ফাগিগী চরিত্র ওইনা লৈরিবা শৌরা, শোইবোল বালবাসু অমদি অতৈ ফাগি তৌবা পাত্রশিং অসি সংস্কৃত সাহিত্যগী বিদূষকী প্রভাবতগী শেমখিবা নত্রগা অতৈ ঈথিল চঙদবা মতোমতগী থুংশেম অমরা হায়বহু কুপ্পা

থিজিনবা দরকার ওই। অদুগা সংস্কৃত ড্রামাগী পূর্বরঙ্গগী শরুক্তা য়াওরিবা নান্দী থীবা অসিসু অতৈ ফোক থিয়েটর কয়াদসু শৈহো. লাইশোন ওইনা অদুম শিজিন্নরি। মণিপুরদসু মসিগী মওং অসি শৈহো ঈশৈ, রাগ হৌবনচিংবা মওংদা শীজিন্নৈ। করিগুম্বা ট্রেডিশনেল থিয়েটর খরদসু ক্লাসিকেলগী মতৌগুম্না য়াম্না চোক-শিন্না নিয়ম, চৎনবী কয়ানা পুন্দুনা থম্বা য়াউই। ডা. ভি. রাঘবন্না হায়বা ভারতকী অপূনবা অচৌবা থিয়েটর (Greater Indian Theatre) অসি নৈমরগা লমদম লমদমদা লৈরিবা থিয়েটর, নেটিভ ষ্টেজগী ট্রেডিশন অমসুং টেক্নিক মশক মুন্না খঙবা হেল্লক্কনি হায়বসি অচুম্বা রাফম্নি। ভারত-মচাশিংগী দর্শন, পুন্সিগী অর্থ, থাজনবী অসি অপূনবা, মান্নবা অমত্তা ওইবা রাখল-পরিং অমত্তদা শাগৎথিবা মরম্না মসিদগী পোক্লকপা জগোই-ঈশৈ, কলা-বিদ্যাসু অমত্তা ওইবা রাখলগী পরিং অমনা চৎনা পুনশিল্লি। মতাং অসিদা ভারতকী সাহিত্য একাডমীগী য়ানরবা ফিদম অমা নীংশিংই— লোন কয়াদা ইরবসু ভারতকী সাহিত্যদি অমত্তনি।

অখণ্ড-অহৈ পণ্ডিত কয়ানা ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী য়ানরবা শক্তমশিং, লক্ষণশিং মথাদা পীরি। শক্তমশিং অসি ভারত্তা লৈরিবা ফোক থিয়েটরগী মওংশিংদা তঙাইফদনা য়াউই হায়বসি শোয়দ্রবা রাফম্নি। মরু ওইবা লক্ষণ খরদি :—

১। টোটেল থিয়েটর : অপূনবা থিয়েটর। জগোই, ঈশৈ, ম্যুজিকনচিংবা মচাকশিং অসি অমত্তা ওইনা পুন্না য়াউবা। করি-গুম্বা অপূনবা মীৎয়েং অমদি থৌরাং অদুগা অমত্তা ওইনা চান্নবা মচাকশিং অসি কলাগী ফজবা থুৎশেম অম্বগা লোয়ননা পূনশিন-হনবনি।

২। জগোই অমসুং ঈশৈ : জগোই-ঈশৈ অসি লীলাগী থাদোক্লবা য়াদবা মচাক, শরুক অমা ওইনা শীজিন্নবা। ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটর অয়াম্বা ওপেরাগী লমচৎ চেল্লি, ডান্স-ড্রামাগী

মঙংশু য়াম্না য়াউই। জগোই-ঈশৈ অসি য়াম্না ওর্গেনিক ওইনা শীজিন্নৈ। জগোই-ঈশৈনা লীলাগী চরিত্র অমা ওইনা মশক তাকই। D.S. Awasthi গী লোন্দা—"The play is really sung and danced rather than spoken and enacted."

৩। রাঙাঙ শাঙাংগী চৎনবীঃ লীলাদা রা ভাঙবগী চৎনবী মওং অমা লৈ। অওক-অথোং, হন্না হন্না হায়বা. শৈরেং ওইনা খীবা, জগোই শাদুনা ফোঙদোকপা, রাঙাঙ-শাঙাং মতৌ তমদুনা হায়বা, অসিনচিংবা।

৪। ইমপ্রোভাইজেশন— খুদক খুদক্কী ওইনা তৌবা মওং। খুদক খুদক্তা হোংবা, শেম্বা। য়াম্না কোম্বা, চিংথোক-চিংশিন য়াবা মওংনি।

৫। লীলা হোবা—পূর্বরঙ্গ। লীলা হৌবদা মথল মখা কয়াগী চৎনবী মওংদা হৌই। ঈশৈনা, জগোইনা, রাগ হৌদুনা, চরিত্র ময়াম থোকতুনা হৌই।

৬। ভাবোক্কা লৈনবা মরী—য়াম্না নকশিন্নবা মওংগী মরীনি। ভাবোকশিংনা থম্মোয় য়াওনা লীলা শান্নরিবা মীশকশিংদা অমত্তা ওইনা তোংশিল্লি, অমত্তা ওই। চৎনবী, হৌনবী মওং ইন্দে। ভাবোকশিং অদু লীলাগী মরু ওইবা শরুক অমনি।

৭। কলাকারশিংগী থিয়েটর— কলাকারশিংগী মখা পোনবা, কলাকারশিংদা তোংবা লীলানি। কলাকারশিং অদু য়াম্না মরু ওই—মহাক লোইনা হৈবা তাই।

। সিম্বোল শীজিন্নবা—সিম্বোলিক ওইবা পোৎ-চৈ ওইনা শীজিন্নবা। অমনা হেক্তা খঙনবা। করিগুম্বা অমনা করিনোমা হেক্তা তাকপা। মচুনা, ফিজোম্না, রাঙাংনা সিম্বোল খঙহনবা। অফবা-ফত্তবা খঙনবা সিম্বোলনচিংবা কয়া শীজিন্নবা।

৯। মফম-মতম—মফম-মতমগী অকরুবা অফা-অপুন লৈতে। মনিং-মখা য়াম্না তমই। অমুক্তদা থোদোক মরোল মরোল উৎপা য়াই।

১০। কবিতাগী শক্তি—শৈরেং, কাব্যগী মহাউ য়ায়া য়াউই।

মথক্কী মরু ওইবা লক্ষণশিং অসি চেল্লবদি মতু এখোয়না ভারতকী ট্রেডিশনেল অমদি ফোক থিয়েটরনি হায়না লৌবা য়াগনি। ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটর অয়াম্বা মচাকশিং অসি চেনবা ঙাক্কনি। হৌজিক ভারতা লৈরিবা মরু ওইবা ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটরশিংদি :—কুডিয়টম, কথকলি, চরিটুনাটকম, (কেরেলা), কুচ্চিপ্পুডি, বীথী নাটকম (অন্ধ্রপ্রদেশ), যক্ষগান, দোদ্দাত্তা (কর্নাতক), তমাযা (মহারাষ্ট্রা), ভরাই (গুজরাট), ভাগবত মেলা, তেরুকুত্তু (তামিল নাড়ু), বিদেশিয়া, ছৌ (বিহার), স্বার্গ (য়ু, পি, অমসুং পঞ্জাব) ভাড় জাশ্ন (জম্মু), খ্যাল (রাজাস্থান), মাচ (এম. পি, মলবা), নৌতনকী, রাসলীলা, রামলীলা, নগল (য়ু, পি), কাড়িয়াটা (হিমাচল প্রদেশ), যাত্রা (বেঙ্গল), অঙ্কিয়া নাট (আসাম), লাই হরাউবা, গুমাং লীলা অমসুং বৈষ্ণব লীলাশিং (মণিপুর)।

মণিপুরী থিয়েটরদা লোক কলাগী মচাকশিং অসি কলাগী ওইবা থুংশেমদা শিজিন্নবা : মসিগী সমস্যা নৈনবা

চহী চা কয়া ফোক থিয়েটর নত্রগা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মওং অসি ঐথোয়না অতুম তোয়না শিজিন্নতুনা অমসুং হাকথেং-নতুনা লাক্লবস্তু মসিগী বাখল্লোন (কনসেপ্ট, ভাব) অসিবু অপান্নবা নৈনরকপা, মসিগী মশক অমসুং মওংবু ঐথোয়গী ইরন, মচাক্তি হায়না খংজরক্কুন' ভাব তানা শিজিন্নবা হৌরকপদি য়াম্না কুইদ্রি— শুপগী ভারতনা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদগীনি। মতম কুইনা মরা-চেৎনা তাত্রবা ভারতকী ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামানা ১০শুবা শতাব্দী অতুরাইদা মরায় চায়থরক্কুনা মচেৎ মচেৎ কিন্থরকপা মতমগা হেক শম্নবা লীলা-ফলা কয়া পামজদবা মুসলিমশিংনা মতম শাংনা ভারত্তা লৈবাক ভাক্কুনা পানখি। মথংদা চহী চনীমুক বৃটিশকী লোইলম শাসন মখাদা ভারতকী সংস্কৃতি অমসুং কলাবিদ্যানা উতাংবীগী মতৌগুম নোংচুপকী সভ্যতাদা নচপতুনা তনিক তনিক হিংজখি। মমল থোইনা য়ামদবা নোংচুপকী থিয়েটর, মরুওইনা মন্থরক্লবা ভিকটোরিয়া যুগকী লীলাশিং অমসুং পারসি লীলা খরনা ভারতকী লীলাগী মহুৎশিন্দুনা শান্নবা, উৎপা হৌরকখি। নোংচুপতগী পুবা লীলাশিং, মথোয়গী মতৌতম্না মশান্নবা ভারতকী থিয়েটর ওইনা খঙনরকখি। মতমগী কল্লবা লাংদা থুহুনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা নাট্য কলাগী শক্তম কাউথ্রে। অরাংবা থাক্কী শাস্ত্রীয় সঙ্গীত, ললিত কলা মুৎথ্রে। নোংচুপকী অকনবা প্রভাবনা ভারতমচাশিংবু য়াই থাবগুম শুমহৎথ্রে। কায়নথংদা অনৌবা যুগ হৌগৎপা মতমদা রবীন্দ্রনাথ থোক্লক্রে। মহাক্না মাংজিল থাবা লময়ানবা অমা ওইনা নৃত্য নাট্য কয়া ইদুনা ভারতকী হান্নবা নৈজরক্লবা লোকনাট্যগী মওংদা লীলা কয়া শান্নবা হৌদোক্লকখি।

মমৈদা ইন্দিয়ান পিপলস থিয়েটর এসোসিয়েসনগী (আই, পি, টি, এ,) অকনবা ঈহৌ লাক্কুনা ভারতকী থিয়েটরদা অহোংবা মশক অমা লাকখি। মণিপুরদদি মসিগী খৃঃ কুমঃ ১৯৭০ গী অতুরাইদা লাকপা হৌখিবনি। মসিগী মমাংদা লৈপ্রবা হাউরং লৈশং শাফবী, কেগে লমজা, (১৯৫৪ গী মতম) অসিনচিংবা লীলা-শিং অসিদি ফোক থিম, ফোক রারীদা ইবা, চুম্নগী প্রোসেনিয়ম ষ্টেজগী লীলাশিংনি। মখোয়গী চপচাবা লোকনাট্য নত্রগা ট্রেডি-শনেল থিয়েটরগী মওংনি হায়বা য়াদে। অসুম্না চাংয়েং লীলা ওইনা অসুম চৎথনরকপদগী য়াম্না ভাব তানা মণিপুরগী ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী খোঙ্গুন লিবা হৌনরকখি।

ভারতনা নৌহৌনা মশক খণ্ডজরক্লিবা নাট্য কলাগী মশক, মওং অসি করিনো? ঐখোয়না ফংলিবা নাট্য কলাগী লন অসি মতম কুইনা মাংউরবা পোমপৈগী সহর অমুক নৌনা ফংবা নত্তে। নত্রগা লৈরোন চনপ্রবা থায়নগী সভ্যতাবু ইনৌ নৌনা থেংনবসু নত্তে। ঐখোয়না অয়ুক-নুমিদাং শাগোল্লরিবা ঐখোয়গী হিংবগী পুন্সিগা য়াম্না নক্না তাউথমিল্লরিবা ট্রেডিশনেলগী শক্লোনশিং অসিদা অনৌবা মণ্ডালগী মশেক অমা, মশেক অতুদা মমল য়াম্লবা মণি কয়াগী মমি তারিবা অতু নৌহৌনা খণ্ডজরকপনি। ইশাগা তত্তনা শাগোল্লরিবা ইশাগী ইমিবু ঐখোয়না কাউথোকপগুম মীরাইরুরবা ট্রেডিশনেল থিয়েটর অমসুং লোকনাট্যগী কলাশিং অসিগী মমল খণ্ডলকপদা মখোয়না মতম কুইনা তুংশিন্দুনা থমজিল্লম্লবা লনগুম্না মখোয়না মপান নাইদনা চিংথোকপা য়াপ্রবা মচাক মরন, অর্থ, মওং-মতৌ, মীৎয়েং কয়া উৎলকই। মমল য়ামপ্রবা মণিমুক্তাদনা পৈথুনা লৈপ্রবা মফম অমা, গুরুং অমগী মন্নুংদা চঙবদা মখল মথা কয়াগী পোৎ-চৈ, পাক চাউরবা লনগৈগী পুক্কৈ থেংনবগুম ভারতকী লোকনাট্যগী কিলা অসিনা ঐখোয়দা মচাক-মরন অমসুং লোইনাইদ্রবা মীৎয়েং পীরি। শম্না হায়রবদা, ঐখোয়না ভারতকী

নাট্য কলাগী পরমপরা থেংনরে অমসুং মশক খণ্ডজরে। ভারতকী পরমপরাদি গ্রীসকী মতৌগুম্না নাট্য কলাগী পরমপরা মুংথ্রবা লৈবাক নত্তে— সমুদ্রগী ঈমায়দা ঈথক হৌদুনা ঈমায়দা ঈরাং হৌবা মাল্লবসু আঃ মন্নুংদদি করি অমত্তা মোং হাদনা ঈংনা তপ্পা লৈবগুম ঈচেলমুংদা ঈংনা তপ্পা চেনবা ভারতকী পরমপরাগী ঈচেম্নি। ভারতনা মশাগী পরমপরাবু থক থাদোক্তে, শাগোম্নদুনা অতুম চৎলি। পরমপরানসু ভারতকী য়াম্না শাংলবা পুন্সিগী লীক্লম অমা, মুৎপা নাইদ্রবা মীৎয়েংগী খোঙ্গুল অমা মশক অতুম তাক্তুনা লাক্লি। ভারতকী নাট্য কলাগী পরমপরা অসিদা ভরত মুনিগী 'নাট্যশাস্ত্র' গী মমাঙদগী লৈরক্লবা লোকনাট্যগী কলা কয়া অমসুং ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামানা ঈথৈ কয়া পীদুনা ভারতকী তোখায় তোখায়বা লোন অমসুং জাতি কয়াগী সংস্কৃতি কয়াদা চঙশিনখিদুনা তিনশিনথ্রবা থিয়েটরশিং অসি য়াউরি। অদুন', লমদম লনদমদা লৈরিবা তোখায়রবা ট্রেডিশনেল থিয়েটরশিং অসিদা ভারতকী ওইবা পরমপরাগী অপূনবা লংলা অমনা পুল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী তোখায়রবা শক্তমশিং অসিনা অপূনবা ভারতকী থিয়েটরগী মশক ওইরি। মান্নবদা মান্নদবা, মান্নদবদা মান্নবা অসি ভারতকী পরমপরাগী ফজরবা মরমচৎ অমনি। মসিনা নোংচুপকী থিয়েটরদগী য়াম্না খেন্নরবা, তোখায়রবা শক-চু, মওং-মতৌ, মহাও-মীৎয়েং লৈজবা ভারতকী থিয়েটরনি হায়বসি হৌজিক্তি পৃথিবীদা ময়েক শেংনা উৎপা ঙমলে। হৌজিক ভারতকী থিয়েটরনা থিরিবা, নৈনরিবা অমসুং পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসি থোইদোক্না, মরু ওইনা, ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মওংশিং অসিনি। অদুনা, ট্রেডিশনেল থিয়েটর অমসুং লোকনাট্যগী কলাশিংগী মওং অমসুং মচাকশিং, মখোয়গী মতিক-মগুণ, তিক-ঙাল, টেক্নিক অসিনচিংবা অসি মওং চুম্না শিজিন্ননবা হোৎনবা অসি হৌজিকী থিয়েটরগী অচৌবা থৌদাং ওইরি।

মণিপুর হায়বা লৈবাক অসি লোক সাহিত্য অমসুং লোক-নাট্যগী মচাক কয়ানা থন্না লৈরবা লমদম অমনি। লাই-হরাউবা, লাইশোলগা মরী লৈনবা কুম্মৈশিং, ঈরাৎ-থৌনি, হরাউ-কুম্মৈ, ভগোই-ঈশৈ, থাং-তা, বারী-লাইরিক, পেনা, খোংজোম পর্ব অসিনচিংবা কয়া কয়া। মসিগী মথক্তা চীংগী লমদমদা লৈরিবা চীংমী জাতিশিংগী মখল-মথা কয়াগী লোক সাহিত্যগী মওং কয়া অমসু পীক থন্না লৈরি। হায়রিবা লোক কলাগী মচাক অমসুং মওংশিং অসি থঙ্গৎনুনা থিয়েটরদা মতৌ করম্না শিজিন্নগদগে হায়বসি ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা অরুবা সমস্যা অমনি। বাফম অসি মখাদা নৈনরি।

থিয়েটরদা তঙাইফদনা য়ামদ্রবদা মচাক মরী চঙই। মচাক-শিং অসি মহৈ মহৈ অমগা মরী য়াম্না লৈনৈ। মখোয়দি :—

ক) লীলা শান্নগদবা মী (এক্টর)

খ) শান্নগদবা লীলা (বারী)

গ) লীলা শান্নফম (স্পেস)

ঘ) লীলা য়েংবা ভাবোগ (ওডিয়েন্স)।

মথক্কী মচাক নত্রগা কায়াৎ মরী অসিনা থিয়েটরদা পাঙ-পোক্লিবা মখোয়গী মরু ওইবা থবক-থৌদাং অদু লৌখৎলগা মখোয়গা অমুক লোক কলাগী মচাকশিংগা চাংদম্নদুনা মতৌ করম্না লোক কলাগী মচাক-মওংশিং অসি হৌজিক্কী থিয়েটরদা বৈজ্ঞানিক ওইনা অমসুং কলাগী ফজরবা থুংশেম অমা ওইনা শিজিন্নগদগে হায়বসি নৈনরি। নৈনবা অসি মীৎয়েং অনীদগী য়েংবা য়াই—ঐখোয়গী মাঙদা লোক কলাগী মওং, মচাক কয়া অমা হান্নন লৈজরে। হান্নন লৈজরবা মওং, মচাকশিং অদুগা চান্নবা থিদুনা অনৌবা থিয়েটরগী থুংশেম অমা শেম্বা, হায়বদি হান্নগী ফোর্ম অদুদা পানশিনবা, অদুগা অতোপ্পা মীৎয়েং অমনা—লোক কলাগী মথৱায়, মচঙ ওইবা ভাব, মচি, মচল-মরু, শিবা নাইদনা লৈরিব

মপাঙ্গল (ভিটেলিটি) অতুতবু লৌথংলগা অনৌবা থুংশেম ওইনা শেম্বা।

ক) এক্টর

ভারতকী নাট্যকলাগী পরমপরাদা এক্টরগী মফম য়াম্না চাউনা লৈ। 'নাট্য শাস্ত্র' নচিংবা থিয়েটর নৈনবা কাণ্ডলোনগী লাইরিকশিংদা এক্টরগী একটিং, রাগাং শাগাং, থবক-থৌওংগী মরমদা য়াম্না পাকচাউনা মমুৎ তানা নৈনরম্মী। শম্না হায়রবদা 'নাট্য শাস্ত্র' দি এক্টরশিংগী লমজিং-লমতাকপা লাইরিক (প্রাকটিকেল হেন্দবুক) মখল অমনি। অমরোমদা এরিষ্টোটলগী 'পোইটিক্স' গা চাংদম্নতুনা য়েংসি লাইরিক অসি চুম্নগী গ্রীকী লীলাশিংগী সাহিত্য তত্ত্বশিং নৈনবনি। মসিগা লোয়ননা সাহিত্য সমালোচনাগী য়ুম্ফম অমা থোল্লম্বনি। ভারতকী পরমপরাদি লীলা উৎপা, শান্নবা অসিদা থোইদোক্না পুক্নিং থনম্মী। অতুনা ভারতকী ক্লাসিকেল ড্রামা অমসুং ট্রেডিশনেল থিয়েটরদা এক্টরশিংগী মতিক মগুণ, এক্টরশিংদা শক্তি কয়া তুংশিন্দুনা থম্বা মওং (পোটেনসিএলিটি) অসি মরাং কায়না উবা ফংই।

এক্টরগা মরী লৈননা, ঐখোয়না ট্রেডিশনেল থিয়েটর অমসুং লোক কলাগী মওংশিংদগী লৌথত্তুনা মতুবু থিয়েটরদা পানশিন্দুনা শিজিন্নবা য়াবা মরুওইবা মচাকশিং মথাদা উৎলি :—

১। এক্টরগী অভিনয় অমসুং হকচাংগী শাথেক-শাওং

২। ইমপ্রোভাইজেশন (খুদম খুদক্তা শেমশাবা)

৩। রাগাং শাগাং

ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটর, মরু ওইনা মণিপুরগী লোকনাট্যগী মওংশিং অসিদা হকচাং শিজিন্নবগী মখল-মথাগী মওং কয়া অসি থেংনৈ। হকচাংগী শরুকশিংবু য়াম্না ফজনা, অর্থ লৈনা অমসুং সিম্বোলিক ওইনা শিজিন্নবা হায়বসি লোকনাট্যগী মরুওইবা মচাক অমনি। হকচাংগী থুংথেক অমনা পুন্সিগী মরুওইবা

থৌদাং, অর্থ ফোঙদোকপা য়াম্না য়াউই। মসিগী খুদম কয়া লাই হরাউবা., অতৈ অতৈ মৈতৈগী চীংগী লোকনাট্যদা মরাং কায়না ফংই। বাহৈগী মতেঙনা ফোঙদোকপা নত্তবা, বাহৈগী মতেঙ য়াউদনা ফোঙদোকপা ঙম্বগী (নন-ভর্বেল কুম্মুনিকেসন) শক্তি, গুণ কয়া লোক কলাশিংদা য়াউরি। মীওইবগী হকচাং অমস্তুং হকচাংগী কায়াংশিংবু করিগুম্বা ভাব অমা ফোঙদোক্নবগী পাম্বৈ ওইনা শিজিন্নবদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী থাক্তা শিজিন্নবা অসি লোকনাট্যদগী ফংবা মরুওইবা মচাক অমনি। মসিগী মথক্তা, লাইশোল-তিনশোল, পূজা-লংজা, মেজিকেল ওইবা ফোক্কি মগুং কয়াদা শিজিন্নবা হকচাংগী ঈঙ্গিত (জেশচর), খুৎ শা হাইবা (মুভমেন্ট), কয়া অমস্তু লৈরি। মখোয় অসি নাট্যগী মচাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি:

লোকনাট্যগী ওইবা হরাউ কুম্মৈশিংদা ইমপ্রোভাইজেশনগী (খুদক খুদক্তা হোংবা, শেমজিন শাজিনবা) মগুং অসি য়াম্না মরাং কায়না শিজিন্নবা উই। মসিনা, য়াম্না চেৎনা-চিন্না ফাজিনবা নত্তবা, য়াম্না কোম্না পুনবা, এক্টরশিংগী মফম-মতমগী মতুংইন্না ওম্থোক-ওনশিন তৌবগী হৈশিংবা মগুং কয়া মরাং কায়না য়াউই।

লোকনাট্যগী লীলা— কুম্মৈশিং অসিদস্তু বা ঙাংবগী, বাহৈনা ফোঙদোকপগী তোপ-তোপ্পা চৎনবী, ষ্টাইল, মফম্ত অমা লৈ। অওক-অথোং, প্রমাণ-পাম্বৈ শিজিন্নবা, ঈশৈগী মতেঙনা অরায়-অথুম তৌবা, হন্না হন্না হায়বা অসিনচিংবা মগুং কয়া শিজিন্নরি। বাহৈগা অঙ্গিকাগা মরী লৈনদবা, হায়রিবা বাহৈ অতুদগী মরুমদা লৈবা সব-টেক্স শিজিন্নহনা হেন্না পাকথোক চাউথোকপা মরম্নাইগী ওইবা বাঙাং-শাঙাং শিজিন্নবা অসি য়াম্না ফজবা টেক্নিক অমনি। অতুন্না, ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী এক্টরশিং অসি য়াম্না মগুণ লৈ। ট্রেডিশনেল থিয়েটরদি এক্টরদা তোংহনা শান্নবা কুম্মৈনি।

খ) শান্নগদবা লীলা (পারফোর্মেন্স):

ড্রামা নত্রগা থিয়েটরগী মথরায়দি শান্নবদা লৈ। মরমদি তাইবং মীগী পুন্সি অমস্তুং ফিবমবু মতৌ তমহনা উৎপা হায়বসি লীলাগী ধর্ম'নি। শান্নগদৌরিবা পোৎ অদু য়াম্না শাংবা রারী ওইবা, য়াম্না তেনবা শৈরেং ওইবা, অইবা ওইবা য়াই নত্রগা অইবা লৈতবা থোদোক অমসু ওইবা য়াই। জাপানগী 'নো' থিয়েটরগুম্না ভারতকী নাট্যকলাগী পরমপরাদা লীলা উৎপা নত্রগা শান্নবগী মওং অসি অচুম্বগী মশক অমবু ইকোক কোক্না মতৌ তম্বা নত্তে। ভারতকী শিল্পকলাগী মতৌগুম্না ঐখোয়গী নাট্যকলা অসি করিগুম্বা মতমদসু রিয়্যালিষ্টিক নত্রগা ন্যাচরা-লিষ্টিক শুকওই ওইদে। করিগুম্বা পোৎ অদুগী অবস্থা, ওইরিবা ফিবম (ষ্টেট), রস (সেন্টিমেন্ট), মচি, এসেন্স, স্বাভাব মহৌশা (বীইং) অদুতবু উৎপনা মপুং ওই। ভারতকী লীলা মউৎতি লোকধর্মী নত্তে, নাট্য ধর্মীনি। মসিগী মমুংদা লৈরিবা ফজবা ভাব, সিম্বোলিক ওইবা মচাক মরন ময়াম অসি হৌজিক্কী থিয়েটরদা শিজিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি।

গ) লীলা শান্নফম: (মফম মতম)

থিয়েটরদা লীলা শান্নফম অমা শোয়দনা লৈগনি। মহু গ্রীক থিয়েটরগী চীংমায়দা ঙমখত্তুনা মী লিশিং কয়া য়েংবা য়ানবা শাবা অদুগুম্বা ওইবা য়াই, প্রোসেনিয়ম থিয়েটরগী ভাবোক্তা মায়গৈ অমতমক ফাৎপা হৌজিক্কী ষ্টেজ অসি ওইবা য়াই, মায়কৈ মরী কোইশিনবা, অশাংবা-অতেনবা, মথক-কুপ্পা, কুপ্তবা, লমহাং অসিনচিংবা কয়া কয়া। ট্রেডিশনেল থিয়েটর অমসুং লোকনাট্য লীলাশিং অয়াম্বনা মায়কৈ মরীদা ভাবোক্তা কোয়শিনবা, মথক কুপ্পা মাণ্ডপ, শঙ্গোয় নত্রগা মথক কুপ্তবা শুমাং নত্রগা লমহাং অসিনা অয়াম্বনি। ফোক্কী কুম্মৈশিংদা শিজিন্নরিবা মফম (স্পেস) অসি হৌজিক্কী থিয়েটরদা শিজিন্নবা মতমদা তোথায়বা মওংগী

মফোঙদোক, মউৎ, খুৎলাই অমস্তুং টেক্নিক চঙলকই। একটিং এরিয়া য়াম্না শিজিন্নবা য়াই, থৌদোক য়াম্না শিজিন্নবা খুদোংচাবা লৈ।

অদুগা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী কুম্মৈশিংদা মফম মতমগী অকক্পবা নিয়ম লৈতে। করিগুম্বা সীন অমদা তোখায়বা মতম কয়াগী থৌদোক মথং মথং লোনশিন্দুনা থোকহনবা য়াই। করিগুম্বা মফম অমদা তোখায় তোখায়বা মফম কয়া থোক্লা পুথোকপা য়াই। অদুনা তোখায় তোখায়বা ঈরোং কয়া ফাংবা, অমগা অমগা লোনশিন্নবা য়াবা (মলটিপল চেন্নেলস, দিফেরেণ্ট এঙ্গলস, দিফেরেণ্ট ষ্ট্রকচর) লৈবা অসি ফোক্কী মরু ওইবা মচাক অমনি। খুদম ওইনা— করিগুম্বা মফম অমদা কোন্নুংস্তু, কৈথেনস্তু, য়ুমস্তু লৈহনবা ওইথোকই। অদুগা হৌগ্রবা অমস্তুং তুংদা ওইরক্কদবা থৌদোকস্তু করিগুম্বা অকক্পবা মতম অমগী মনুংদা পুন্না থম্বা য়াই। মফম, মতমগী ভাব অসি সার্কুলার ওইবা মরমনা লীলা কুম্মৈশিংগী থৌদোক অসি মফম-মতম্না পুন্দুনা থম্বা ঙমদে। ভারতকী মেনিএচর পেইন্টিংগুম্না লোকনাট্যগী লীলাশিং অসি মফম মতমগী নিয়মনা পুন্দবা কলা মওং অমনি।

ঘ) ভাবোক

ভাবোক্না লীলা শান্নরিবশিংগা য়াম্না নকৃবা মরী অমা লৈ। অসি লোকনাট্যগী য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমনি। ভাবোক অসি শান্নরিবা লীলাগী শরুক অমনি। লীলাগা ভাবোক্না থংদোক্নবা য়াদ্রবা মরী অমনা পুল্লি। শম্না হায়রবদা লীলা শান্নরিবা অদুদা ভাবোকস্তু শরুক য়াই।

মথক্তা, ট্রেডিশনেল থিয়েটর নত্রগা লোকনাট্যগী হরাউ-কুম্মৈ, লীলাশিংদা মপান নাইদনা য়াউরিবা মচাকশিং অদুবু থিয়েটরদা পানশিন্দুনা শিজিন্নবা য়াবা মরু ওইবা মচাক থরগী মরমদা শম্না নৈনখ্রে। মথক্তা থরা থক্সৎতুনা নৈনরিবা অসি নত্তবা মচাক কয়া লৈরি— ঈশৈগী, জগোইগী, ফিজেৎকী, রিদমগী, থোঙ্গেলগী

সিম্বোল অসিনচিংবা। পুন্নমক অহু মফমসিদা লোয়না নৈনবা ওইথোক্তে। হৌজিক ঐথোয়গী মাঙদা তারিবা অরুবা সমস্যাদি মতৌ করম্না ফোক্কী ওইবা মচাকশিং অসি কলাগী ওইবা খুৎশেম অমা ওইনা থিয়েটরদা করম্না শিজিন্নগদগে হায়বা অসিনি। মপক্তস্থ পনখ্রে—হৌজিক্কী থিয়েটরদা লোকনাট্যগী মচাক শিজিন্নবা অসি মওং অনী থোক্না য়েংবা য়াই। মওং অনীগী মন্নুংদা অহানবগী মওংনা হায়বদি - হান্না লৈজরবা ফোর্ম অমদা (লাই হরাউবা, শুমাং লীলা, মোইরাং পর্ব্বনচিংবা), ফোর্ম অহুগা চানবা বারী নত্রগা থিম অমা পানশিন্দুনা অনৌবা থিয়েটরগী মওং অমা ওইনা ফোক্কী মচাকশিং পানশিন্দুনা শেম্বা। মসিনা খরা লায়বা সমস্যা অমনি হায়না লৌজে। অহুমকপু মওং অনীমক কলাগী শেমগৎ-শাগৎপগী হৈশিংবা গুণ, শক্তি চঙবা ভাক্তনি। সমস্যা অসি মখা তানা অমুক নৈনরি।

থিয়েটর হায়বা অসি কলা অমনি। অহুনা, থিয়েটরদা লোকনাট্যগী মচাকশিং শিজিন্নহুনা অনৌবা থিয়েটরগী খুৎশেম অমা ওইনা শেম্লিবা লীলাশিং অসিস্থ কলাগী ওইবা মীৎয়েংদা য়েংহুনা বিচার তৌফম থোকই। কলা অমা ওইবদা মশানা শোয়দনা চেন্নজরবা ফজবা, অমত্তা ওইবা, মশাগী তোপ তোপ্পা হৈশিংবা উৎপা, মপূং ফারবা খুৎশেম অমা হায়বহু শোয়দনা ওইগদবনি। অহুনা লোকনাট্যগী মচাকশিং অসি ফজনা, মওং চুম্না, অর্থ থোক্না, কলাগী বিচার কায়দনা শিজিন্নবা হায়বসিনা ফোক্কী মচাকশিংবু কলাগী ওইবা খুৎশেম ওইনা শিজিন্নবা হায়বহু ওইফম থোকই।

থিয়েটর হায়বা অসি অইবা নত্রগা ডিরেক্টর অহুগী পুন্সিগী য়াম্না মরু ওইবা, ইতোপ তোপ্পা এক্সপিরিয়েন্স (ইউনিক এক্সপিরি-য়েন্স) অহু য়াম্না অর্থ চেনবা, সাহিত্যগী ফজবা লোন্দা এক্টর-শিংগী মতেঙনা লীলা ওইনা শান্নহুনা উৎথোকপা কলা অমনি।

চুম্না, ঙাইহাক নুংঙাইনবা মীৎকী কুম্মৈ মখল অমা ওইনা চৎথ্রবদি, মতম কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা কলাগী মচাক থোইনা য়াউদবনা মন্থরকই, খুইথরকই অমসুং মতম কুইনা পুন্সিদে। অদুনা নুংঙাইবা, ফজবা কুম্মৈ (লীলা) অমা ওইহনবগা লোয়ননা কলাগী মচাক খরা হাপ্না তঙাইফদে। অদুনা লোকনাট্যগী মচাকশিং অসি পানশিন্দুনা শিজিন্নবা মতমদা তঙাইফদনা কলাগী ওইবা মীৎয়েং অসি মাঙদা থমফম থোকই।

হৌজিক্কী মতমগী ওইবা অনৌবা থিয়েটর অমা, মণিপুরগী নাট্যগী মরমচৎ চেনবা, লমদম অসিগী ওইবা থিয়েটরগী মশক অমা, লোকনাট্যগী মচাকশিং শিজিন্নদুনা শেম্বা তারবদি মদু হান্নগী চপচাবা অরিবা ফোর্ম (মওং) অমদা মচাক ময়াম পানশিল্লগা হেক্তা ওইথোক্কনি নীংদে। মরমদি, লোকনাট্যগী মচাকশিং অসি করিগুম্বা লীলা অমদা নত্রগা লীলাগী মতাং অমদা নাত্তৈ চাবা য়েংদুনা চুম্না পানশিনবা, নপশিনবা, য়ানশিনগদবা নত্তে। শম্না হায়রবদা, মচাকশিং অদু মকক কক্লগা শমজিনবা নত্তে। মকক মককশিং অদু অমত্তা ওইনা মপূংফাবা খুৎশেম অমা ওইনা পুথোক্লবা অহানবদা ইনৌ নৌবা, মশাগী ওইবা ফোর্ম অমা হান্না শাগৎপা চঙই। অদুগুম্বা নৌনা শাগৎপা ফোর্ম অদুদা মচাকশিং অসি লীলাগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা অপুনবা মচাক অমা ওইনা শেমগদবনি। অদু নত্রবদি, লোকনাট্যগী মচাক শিজিন্নবদা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই লৈ।

অদু ওইরবদি, মথক্তা পনথ্রবা, কলাগী অনৌবা খুৎশেম ওইবা শেম্বদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবা থবক অসি করিনো? অনৌবা, মতমগী ওইবা থিয়েটরগীদমক্তা ঐখোয়না লোকনাট্যগী মচাকশিং শিজিন্নগদৌরিবা অসি হান্না লৈজরম্লবা ফোক্কী মওংশিং, মপানগী ওইবা মশক অদু নত্তে। লোকনাট্যগী মমুংদা পক্লুনা লৈরিবা মথরায়, মতিঙ, রিথম, মচি, হিংনবগী মপাঙ্গল শক্তি

(ইসেন্স, ডিটলিটি) অদু মওং চুম্না শিজিন্নদুনা শেম্নগদবনি। লোকনাট্যগী মচাকশিংদা য়াউরিবা ইনর্জি (শক্তি) অদু শিজিন্নদুনা ফজরবা লীলা অমা ওইনা শেম্বনি। সাহিত্যদা লোলগী মতেঙনা ফজবা, মশাগী ওইবা সাহিত্যগী খুৎশেম অমা শেম্বগুম, মচুগী মতেঙনা কলাকারশিংনা লাই অমা য়েকপগুম, লীলা শেম্লিবা ডিরেক্টরনা লোকনাট্যগী মচাকশিং অসি লোল অমসুং মচু ওইনা, ৱাখল ফোঙদোক্রবগী পাম্বৈ ওইনা শিজিন্নগদবনি। অদুগা মশাগী ওইবা, অনৌবা, ফজবা খুৎশেম অমা ওইনা পুথোক্লক্কদবনি। অদুতদা অনৌবা, ফজবা, কলাগী খুৎশেম ওইনা মশা মতোমত লেপচবা ঙমগনি। ভিজুয়েল আর্টসদা ভারতকী চিত্রকলাদা মমিং চৎলবা এম, এফ হুসেন, গণেশ, পেন, সুলতান আলিনচিংবা কলাকারশিংনা ফোক্কী ওইবা মচাক কয়া শিজিন্নদুনা হৌজিক্কী মতমগী পুন্সিবু অনৌবা কলা ওইনা ফোঙদোক্লি। মতৌ অসি-গুম্না, পার্ফোর্মিং আর্টতসু, মেডিয়ম খেন্নরবসু, লোকনাট্যগী মচাকশিং শিজিন্নদুনা অনৌবা থিয়েটরগী মশক অমা শোয়দনা শাগৎপা ঙমগনি নীংই।

হৌজিক মণিপুরদা মণিপুরগী ট্রেডিশনেল অমসুং লোকনাট্যগী মওং, মচাক, চৎনবী (কনভেনশন)কয়া শিজিন্নদুনা লীলা উৎপগী চাংয়েং তৌরিবা মীশকশিংগী মনুংদা, মরু ওইনা, ডিরেক্টর অদুমথক খঙ্ঙৎলগা মখোয়গী মরমদা নৈনবা য়াই। মখোয়দি— শ্রীকাহ্নাইলাল, শ্রীরতন থিয়াম অমসুং ৱাই. রাজেননি। শ্রীকাহ্নাই-লালনা নৈনরিবা সমস্যানা হৌজিক্কী মতমগী মীচমশিংগী পেন্দবা, অৱাবা, শাউনিংবা, নুংঙাইতবা, নৈহৎপীবাময়াম অসি উৎপনি। মসি ফোঙদোক্রবা হোৎনবদা মহাক্না, মৈতৈ অমসুং চীংগী লম-দমসিগী ওইবা ঈ-তোংদা পক্লুনা লাক্লবা এথনিক কলচরগী মনুংদা হুমদুনা থি অদুগা মাগী ৱাখল-পরীংগা চান্নবা থিয়েটরগী রিথম অমা ওইনা মাগী লীলাশিংদা পথোক্লকই। পথোক্লক্লিবা

অসি— হকচাং অমস্থং খোঞ্জেল্লা মপূং ওইবা থিয়েটর মখল অমনি। হকচাং শিজিন্নবগী অকুপ্পা মওং, মসিগী মন্নুংদা লৈরিবা ক্রিয়েতিভ ইনর্জি, শাক্ত ময়াম অসি ঐখোয়গী হাল্লা লৈজরম্লবা লোকনাট্য অমস্থং লোক কলাদগী লৌতুনা শিজিন্নে অমস্থং মসিনা মাগী থিয়েটরগী ফোঙদোক্লবগী মপূং ওইবা পান্থে ওইরি। হকচাংনা মপূং ওইবা ফোঙদোক্লবগী পান্থে ওইথিবনা মাগী লীলাদা কলাকার অমমমগী তোপতোপ্পা মশক (ইনদিভিজ্যুএলিটি) উবা ফংদে। মাগী থিয়েটরদি কলাকারশিংগী অপূনবা হকচাংনা কবিতাগী মশক ওইনা ফোঙদোক্লবা হোৎনবনি। মসি কাহ্নাইলালনা হৌজিক্কী মণিপুরগী থিয়েটরদা তৌরিবা, য়াম্না শাংথানিংঙাই ওইব্রিবা দান অমনি।

শ্রীরতন থিয়ামনা উৎনিংবা, নৈনবা পান্থা, পুন্সিগী অকুবা সমস্যা লৈবা উদে। মাগী উদ্দেশ্যদি— মণিপুরগী ফজরবা সংস্কৃতি উৎপা, লমদম অসিগী লৈহাওদগী শাগৎপা য়েংবদা নীংজিবা থিয়েটর অমা শাগৎপনি। অতুনা মৈতৈগী লোককলা-লোকনাট্যগী মথক্তায় মন্নুংদা চঙতুনা মৈতৈগী লোকনাট্যগী মরমচৎ থিবদা কয় খোইজংদে। য়াম্না ফজবা, মনম মুংশিবা মৈতৈগী লৈরাং অমা শ্টেজদা শাৎহন্নবা হোৎনবনি। মাগী ফিরেপতি অচৌবা আর্টিষ্ট অমা ওইবদগী য়াম্না থুৎ-শা হৈরবা শেমজিন শাজিনবগী গুণ য়াম্না লৈবা মাষ্টর ক্র্যাফমেন অমা ওইবনা হেন্না চূনবা হেল্লি। মাগী উরুভঙ্গম. বিক্রমোর্বশীয়মনচিংবদা মৈতৈগী সংকীর্ত্তননচিংবা ঈশৈ-জগোইগী মচাক ময়াম পানশিন্দুনা সংস্কৃত ড্রামাবু মৈতৈগী ওইবা লীলা অমা ওইনা শেম্বা ঙম্লিবসি মাগী থুৎশা-হৈবগী (ক্রাফটমেনসিপ) অরাবা খুদম অমনি। শ্রীয়ুম্নাম রাজেন সিংহস্তু, মরু ওইনা মাগী 'নোংদা অপামথোইব'দা তাংখুলগী পুন্সি-সমাজ উৎনবা হোৎনবদা তাংখুল জাতিগী ফোক্কী রিদম, মুভমেণ্ট, ম্যুজিক কয়া শিজিন্নতুনা নম ভার্বেল কম্যুনিকেশনগী

মকোঙদোক অমা উৎপা ঙমই। মহাকস্থ কাহ্নাইলালগী মতৌগুম্না চকচাং শিজিন্নবগী লম্বীদা কম্না চঙশিল্লি। মহাক্কীস্থ সমাজদা অচুম্বা লৈতবা, ওৎপা নৈবা, পেন্দবা কয়াগী সমস্যা অসি থিয়েটরদা পুথোক্কুনা নৈনৈ।

মণিপুরদত নত্তনা, হৌজিক, ভারতকী মফম কয়া মমিং চৎলবা ডিরেক্টর, লীলা ইবশিংনা খৃঃ কুম ১৯৭০ গী অহুরাইদগী হৌনা ট্রেডিশনেল অমস্থং লোকনাট্যগী মচাক কয়া লৌহুনা লীলা উৎপগী অকনবা চাংয়েং তৌনরক্লি। বি. ভি. করনাথ, পনিকর, হাবিব তনবীর, জববর পটেল, রাজেন্দ্রনাথ অসিনচিংবা অসি মমিং পনবা য়াই। অহুবু ঙসিফাউবদা চৎথরিবা চাংয়েং অমস্থং পুথোক্লিবা লীলাশিং অসি, নীংবা কায়বমক নত্রবস্থ, অপাম্বা ফল নত্রগা করিগুম্বা মওং তাবা ফিরেপ অমা য়ৌবদি ঙমদ্রি। হৌজিকফাউবদা চৎথরিবা মওং অসি অয়াম্বগী মোত মতুংইন্না ফোক ফোর্ম ময়াম মুকশনদৌনা য়ানশিন্নবা, মচাক ময়াম পুনশিনবগী মওংনি হায়না লৌনৈ। রাফম অসি মণিপুরী থিয়েটরগী মতাংদস্থ য়াম্না চুম্না থোক্লিবনি। অহুম্না নেশনেল স্কুল ওফ ড্রামানা মসিগী সমস্যা অসি কোক্লবা 'ইন্দিয়ানেস ইন ইন্দিয়ান থিয়েটর' কৌবা পাইলোট প্রোজেক্ট পায়খত্তুনা লমদম লমদমগী লোকনাট্যগী ফোর্ম কয়া অসি নৈনবগী থৌরাং পায়খৎপা হৌখি। মসিগী উদ্দেশ্য অসি— লোকনাট্যগী মচাকশিং অসি মতৌ করম্না থিয়েটরদা কলাগী ওইবা খুৎশেম অমা ওইনা শিজিন্নগদগে হায়বা অসিনি। হৌজিক তারক্লিবা ফলদি— ট্রেডিশনেল ফোক ফোর্ম অসি শিজিন্নগে হায়রবদি ফোর্ম অহুগী রাংমদা চত্তুনা ফোম অহুগী হৌরকফম, সংস্কৃতিগী য়ুম্ফম, পরমপরানচিংবা অহু মুম্না খঙহুনা মন্নুংগী ওইবা অপূনবা মশক অহু নৈনফম থোকই হায়বা আসনি। নেশনেল স্কুল ওফ ড্রামাগী উদ্দেশ্য অহু য়াম্না দরকার ওই হায়না খঙ্গবদগী মখাদা লৌথোকতুনা পীজরি :—

"Indian theatre is now aware of its traditions. But there is a quite a confusion about the process by which such an obsorbtion is to take place. In the various attempts at interaction, many a time, people are led astray by the mistake of taking forms for granted and considering them as entitles with no sociological and cultural background. The conscious hybridisation of an existing contemporary form and certain elements taken from any traditional form, however brilliant and organic that form might be, will never create anything new ; but only a mixed corpse. Hence if any contemporary artiste feels the immending need to go back to the roots he will have to go beyond the forms to the sociological, ecological, ethnic and cultural circumstances which ultimately created a form, its internal and external structure and their composite totality. Perhaps instead of observing a form he has to identify himself with the conditioning factors of a form and could get genuinely inspired to the extent that the total inspiration becomes a natural influence from which he could structure his own."

—(National School of Drama, Pilot Project 1982-83, New Delhi— 1)

এসিয়ান থিয়েটরগী শক্তম

এসিয়া হায়বসি পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাউবা মহাদেশ অমনি। পৃথিবীগী কংফালগী শরুক ⅓ মসিনা কোল্লি, অদুগা পৃথিবীগী মীশীং তঙখায় অমা হেনবনা পাকচাউনা শন্দোক্লুনা লৈরি। খেন্নরবা দেশ কয়ানা শারিবা অসুক চাউথ্রবা লমদম, তোখাইরবা লোল, জাতি, ধর্ম্ম, সংস্কৃতি ময়াম অসিদগী এসিয়ান থিয়েটর হায়বা অমত্তা ওইবা অপুনবা শক্তম চেল্লবা থিয়েটর-কলা অমা শাগৎপা য়াত্রা হায়বসি অঙকপা ৱাহং অমা ওইবত নত্তনা ওইথোক্লরোইদবা মোল্ত্রং অমনি হায়না লৌবা য়াই। তশেংবসু মসি মমাঙউৈদদি ৱাখলনা লাম্ব ফংত্রবা ৱাফম অমা ওইরম্মী। মরমদি থিয়েটর অমসুং ড্রামাগী ৱাফম তরাইথোক্লুনা, নোংপোক এসিয়াগী কলচরগী মরমদা অনৌবা মঙাল অমসুং ৱাখল লাকপা হৌখিবসি য়াম্না কুইদ্রি। ইতিহাসকারশিং, পণ্ডিতশিং, আর্কিয়োলোজিষ্টশিংনা নৌহৌনা থিজিনবদগী লাকপা অনৌবা মঙাল অমনি। মীরৈবাক্কী জাতি কয়ানা ভারতপু মতম কুইনা নমথদুনা লৈবাক শাসন তৌখি। অদুনা ভারতনা মতম কুইনা রিপভান-রিঙ্কলদৌনা নীংঙাইদনা তুমদুনা লৈবা তাখি। বৃটিশনা ভারত্তা চহী কয়া পান্দুনা ভারতমচাশিংগী ৱাখল, শিংলি, লিংজেন পুম্নমক থামাইবদৌনা পঙথহন্দুনা মশাগী পাকচাউরবা কুষ্টিবু কাউথোক্লুনা নোংচুপতা য়েংখি। নোংচুপকী কলচর অমসুং সভ্যতানা অফবা পান্দম ওইনা ভারতনা লৌখি অমসুং ঐথোয়গা পুন্সি মহিং নোংচুপতগী তাংজখি। অদুনা ইং ১৯২২দা ফোঙবা, লামায় ৬৪৯ পানবা, ফাষ্ট সেঞ্চুরী এ, ডি, গী মতমগী মরমদা ইবা 'কেম্ব্রিজ হিষ্টোরী ওফ ইণ্ডিয়া'গী ভোলুম ১ দা ভারতনা সাউথ-

ইষ্ট এসিয়াদা কোলোনী লিংখৎপগী রাকম মচেৎ অমত্তা পন্দে। মসি অঙকপা রাকম অমনি। অতুদগী অস্থুম অস্থুম, মতমগী মতুংইন্না ভারত মচাশিংনা নোংপোক্তা য়েংবা হৌরকখি। ডাঃ আর, সি, মজুমদার, আনন্দ কে, কুমারস্বামীনচিংবা পণ্ডিত কয়ানা ভারত অমস্থুং সাউথ ইষ্ট এসিয়া—শন্না নোংপোকী পাকচাউরবা, ফজথ্রবা সংস্কৃতিগী মায়খুম হাংদোক্লকপদা লোত্তুনা লৈরম্বা মণি কয়া থেংনখি। ঐখোয়না হান্না-শাগৎলম্লবা রাখল মীৎয়েং অসিবু নৌহৌনা শন্থী তান্দুনা ভারতকী মূর্ত্তি অমস্থুং কলচরবু নৌহৌনা অর্থ হনবা হৌরকখি। নৌহৌনা পুথোক্লকপা মশক (নিউ ডিস্কোভরি) অসি উবদা পণ্ডিত নেহরুনা হায়খিবা রাকম অমা নীংশিংলকই,—
"I remember when I first read, about fifteen years ago, some kind of a detailed account of history of South East Asia. How amazed I was and how excited I became. New panoramas opened out before, new perspectives of history, conceptions of Indian's past, and I had to adjust all my thinking and previous notions to them. Champa, Cambodia and Angkor, Svivjaya, and Majapahit suddenly rose out of the void, took living shape, vibrant with that instinctive feeling which makes the past touch the present." (ইং ১৯৪৪ দা ইবা The Discovery of India দগী)

ভারতনা থাপ্লবা নোংপোকলমদা (ফার ইষ্ট) মরুওইনা (শ্রীলঙ্কা), বর্মা, মালয়া, জাভা, সুমাত্রা, বোর্নিও, শ্যাম (থাইলেণ্ড) কম্বোডিয়া, ফিলিপাইনশিং, ইণ্ডোনেসিয়া, মাদাগাস্কারনচিংবা লৈবাকশিংদা খৃষ্টগী অহানবা চহীদগী ১৫ শুবা শতাব্দী হায়বদি চহী লীশিং অমগা চহুম চঙনা নোংপোক-লমদমদা কোলোনী

লিংখত্লুনা ভারতকী সাহিত্য কলাবিদ্যা ধর্ম্ম শন্দোকখি। অহুনা ইতিহাসকারশিংনদি সাউথ-ইষ্ট এসিয়া অসি 'গ্রেটর ইণ্ডিয়া' হায়না কৌনৈ। হায়রিবা এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিদা, লমদমশিং অতুগী ঈশিং-নুংশীৎ অমসুং মশা-মশাগী সংস্কৃতিগী শক্তম চেল্লবা কলাশিং অদুদা ভারতগী অপুনবা সংস্কৃতিগী মমি তারিবা অদু মচু কয়ানা পুনশিল্লবা লৈপরেং নত্রগা নাচোমগী মতৌগুম অপুনবা সংস্কৃতিগী শক্তম অমদি ময়েক শেংনা লৈরি। নেহরুগী ৱাহৈদা হায়রগা, হায়রিবা এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিদা ভারতনা মহাক্কী-থরায়, মহাক্কী শক্তি অমসুং মহাক্কা ফজববু নুংশিজবগী অমর ওইরবা সাক্ষী অমা থনম্লে। (Leaving immortal testimony of her spirit, her power, and her love of beauty.)

ইতিহাসকার, পণ্ডিত কয়ানা ইতিহাসকী মীৎয়েংদা নোং-পোক লমগী সংস্কৃতি মায়থুম হাংদোক্লকপগা লোয়ননা থিয়েটরগী ইতিহাসকার, ক্রিটিক, স্কোলার কয়ানা নোংপোক লমদমগী থিয়েটরগী মশক খোঙ্গুল লীবা হৌরকখি। ফোবিয়ান বাৱর্স, জেমস আর, ব্রেণ্ডন, জেনস বেকেট, এ. সি. স্কোটনচিংবা নোংচুপ অমসুং নোংপোক্কী পণ্ডিত কয়ানা নোংপোক লমদমগী থিয়েটরগী মশক পুথোক্লকপদগী অপুনবা এসিয়াগী ওইবা থিয়েটর (এসি-য়ান থিয়েটর) গী ৱাথল অসি ময়োল চোংলকখি। ইং শোক ১৯৫২ দা ফোঙবা 'জাপানীজ থিয়েটর' অমদি চহী ১৫ চুপ্পা ফার ইষ্টতা কোয়দুনা, মশানক্কা হকথেংননা কলাকার কয়াগা ৱারী শাদুনা অমসুং মমীৎমক্কা লীলা কয় য়েংদুনা অমসুং নৈনদুনা ইং ১৯৫৬ তা "থিয়েটর ইন দি ইষ্ট" হায়বা লাইরিক অসি ফোবিয়ান বাৱর্সনা পুথোক্লকই। লাইরিক অসিদা ভারতকী ড্রামা নৈনবগী মতাংদা লামায় মরিথক (লামায় ৭৮ দগী ৮১ ফাওবা) মণিপুরী থিয়েটরগী মরম ই। অয়াম্বনা রূপমহল থিয়েটরগী মরমদনি। জি সি, তোংব্রাগী মরমদা— ৱাহৈপরেং অমথক ই। চপচাবা শোক

১৯৫০ গী মণিপুরী থিয়েটরগী মশক তশেংনা তাকই হায়না লৌবা ঙমদে। ইং শোক ১৯৪০ গী অহুবাইদা আই, পি, টি, এ, (ইণ্ডিয়ান পিপলস' থিয়েটর এশোসিয়েশন) লিংখত্তুনা নোংচুপকী মতৌ তম্লম্বা ভারতকী থিয়েটরনা মশাগী অশেংবা মশক থিজ-রক্তুনা ইণ্ডিয়ান থিয়েটরগী শক্তম শাগৎনবগী ঈরাং, অনৌবা ঈহৌ অমা লাকপা হৌখি। অমুক্তসু ইং ১৯৫৯ দা সঙ্গীত নাটক একাডেমীনা "নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামা" লিংখৎপদগী থিয়েটর আর্ট অসি কূপশিনবা সিরিয়স আর্ট অমা ওইনা তম্বা হৌরকপগা লোয়ননা নোংচুপ অমসুং নোংপোক্কী থিয়েটর মণ্ড তানা নৈনবা হৌরকখি। ইং শোক ১৯৫৬ অমসুং ১৯৬৬ তা ভারত সরকারনা চীনা অমসুং নোংপোক লমদমশিংদা কলচরেল ডিলিগেসন থাহুনা ভারতকী কলাকার অমসুং গুরু কয়ানা এসিয়াগী নোংপোকলমদমশিংগী কলাগা ভারতকী কলাগী শক্তমগা মান্নবা কয়াবু হকথেংননা য়েংলকপা অমসুং নৈনরকপা ফংখি। অসুম্না, চাউরাক্লা ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদগী চহী ১৯ চঙনা শাগৎলকপা এসিয়ান থিয়েটরগী কনসেপ্ট অসি অশেংবা, অচুম্বা মশক (রিয়েলিটি) ওইরে। ভারতীয় নাট্য সঙ্ঘনা শীল্লাঙহুনা ইং ১৯৬৬ তা দিল্লীদা পাঙথোকখিবা "ইষ্ট-রেষ্ট থিয়েটর সেমিনার" দা এসিয়ান থিয়েটরগী বাখল (কনসেপ্ট) অসি য়াম্না মমুৎ তানা নৈনখি। নোংচুপকী কাঙবুনা এসিয়ান থিয়েটরগী কনসেপ্ট অসি মুন্না খঙবা ঙমখিদে, য়ানিংখিদে। ইহান হানবা ওইনা কনফরেন্স অহুনা এসিয়ান থিয়েটর সেণ্টর লিংখৎপা হায়না রারেপ লৌখি। ইহান হানবা ওইনা ভারতমচাশিংনা পাকচাউনা শন্দোক্লিবা এসিয়াগী মান্নবা অমসুং নকশিন্নবা লৈরিবা থিয়েটর ফোর্মশিং মশক খঙজরে। অহুনা হৌজিক্কি এসিয়ান থিয়েটর হায়বসি অচুম্বা অমা ওইরবনি। অহুবু অরাবদি চহী ১১ হৌখ্রে, ঙসি ফাওবা এসিয়ান থিয়েটর

সেণ্টর লিংখৎপা ওমদ্রি। এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওখৎলবা অমসুং ইনাক খুনবা থিয়েটর লৈরিবা ভপান্দদি "এসিয়ান কলচরেল সেণ্টর" টোকিওদা লিংখৎখ্রে। হন্দক্তা চহী ৯ রোমগী মমাংদা বো ম্বেদা তৌখিবা এসিয়ান থিয়েটর কনফরেন্সতা "এন এসিয়ান কাউন্সিল ওফ দি থিয়েটর আর্টিস" কৌবা অমা শেম্বা হায়না ব্বারেপ লৌখি। মহৈ মহৈ থবক ওইনা পায়খৎতে, অমত্তা শেম্বা ওমদে হায়না পঙশাউদা শাউনৈ। অতুবু থবক ওইনদি উবা ফংদ্রি।

মতমগী মতুংইন্না অমসুং সরকারনা থব্বায় য়াওবগী মতুংইন্না এসিয়ান থিয়েটরগী কাউন্সিল নত্রগা সেণ্টর (মমিং অমবু ওইরবস্তু) লিংখৎলকপা য়াই। হৌজিক ঐখোয়না থবা কুপ্পা খন্নবা যাবা ব্বাফমদি করিগীদমক্তা এসিয়ান থিয়েটর হায়বা মশক অসি থোক্লক্লিবনো? এসিয়ান থিয়েটর শাগৎপদা করম্বা য়ুম্ফম, মান্নবা মশক, লক্ষণ (কেরেক্তরিষ্টিক্স) করিনো? মসি অরায়বা ব্বাফম নত্তে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে চহী ১৩০০ চঙনা শাগৎথ্রবা শাংলবা য়ুম্ফমনি, দেশ কয়াগী খেন্নরবা আর্ট ফোর্ম কয়ানা য়ান্না পাকচাউনা কোল্লিবা ব্বাফম্নি। অতুমকপু ঐখোয়না চিংনবা লৈতনা হায়বা ওম্মী—এসিয়ান থিয়েটরগী বেসিক ফাউণ্ডেসন অমসুং কেরেক্তরিষ্টিক্স লৈ।

মতাং অসিদা ব্বাফম অমা লাকই - এসিয়ান থিয়েটরনা এসিয়াদা লৈরিবা দেশ খুদিংমক কোনশিনগদ্রা? ফোবিয়ান বার্রসনা থিয়েটর আর্টসকী মতাংদা এসিয়া প্রোপর হায়বা অমা থায়দোকই। মসিদা চিংলিবনা ভারতগী হৌরগা নোংপোকলমদা অস্তুম চৎখিত্তুনা ইণ্ডোনেসিয়া, ফিলিপাইন, আইলেণ্ডস, অতুদগী অব্বাংপানা চাইনা, অমসুং জাপান, সাইবেরিয়া ফাওবা। অতুনা এসিয়াগী মন্নুংদা মিডল ইষ্ট, নিয়াব্বইষ্ট, এসিয়া মাইনরগী লমশিং অসি য়াওদে। দেশশিং অসিবু মানা এসিয়ান থিয়েটরগী মরমচৎ চেন্দে হায়। থিয়েটরগী মীৎয়েংদা এসিয়ান অশেংবা হ:য়.রবা

লমশিং অদুগী মরমদা মহাক্না হায় — You can scarcely help being astonished by the wide-spread, wide-scale popularity of theatre arts available almost everywhere in all these countries. No other geographical area of the world I know compares in extent or volume at all levels appreciation. While differences between an Asiatic country and another are enormous, and the arts of each express unique and exclusive qualities, certain aspects and ever themes course through them all and unify them on broad and specify basis." অদুনা হৌজিক এসিয়ান থিয়েটরগী লমথৈ অমা য়াৎপা ঙম্বগা লোয়ননা এসিয়ান থিয়েটরগী য়ুম্ফম (ফাউণ্ডেসন) অমসুং লক্ষণ (ফিচরস, কেরেক্তরিষ্টিক্স) গী মরমদা খরা নৈনরি।

এসিয়াদা লৈরিবা থিয়েটরগী হৌরকফম য়ুম্ফমদি ভারতনি। থিয়েটরদা নত্তবা অতৈ য়াম্না মরুওইরবা কলাগী লিখুন থিবদা ভারতনা হৌরকফম ওইরি। ফোবিয়ান বার্সনা হায়—

"More important, perhaps, is the fact that of India and from Indian theatre-forms themselves an aesthetic basis applicable to all Asian dance and definitely emerges. Ever in those instances such as Chinese Opera or Japanese theatre, where Asian arts flowered independently, the underlying are similar and a subtle relationship bind them. There is a kind of uniformility in motivation, in aim, style, in execution of dance and drama which connects it all together and makes it 'Asian'

theatre rather than European, African or anything else." ভারতনা য়ুম্ফম ওইহুনা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা শন্দোকখ্রিবা এসিয়ান থিয়েটরগী অমত্তা ওইনা তৎপা লৈত্রবা লংলাদোনা পুন্না ফাজিন্নিবা মচাকশিং লৈফম থোকই। মরুওইবা য়ুম্ফমদি মখাগী অহুম অসিনি।

(১) ধর্ম্মগী য়ুম্ফম (মরুওইনা বৌদ্ধ ধর্ম্ম)

(২) ভারতকী কলাগী শাস্ত্রীয় ওইবা য়ুম্ফম

(৩) রামায়ন অমস্তুং মহাভারতকী য়ুম্ফম

ধর্ম্মগী য়ুম্ফম

ভারত্তা পোকখিবা অমস্তুং শাৎখিবা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা ভারতকী ব্রহ্মনিকেল রেলিজনগা তাখিনহুনা পোকুফম লমদম থাদোকুনা নোংপোক্কী লমদমশিংদা চহী কয়া চঙনা তপ্না তপ্না ধর্ম্মসি শন্দোকপা হৌখি। বৌদ্ধলম্বোইবা কয়ানা এসিয়াগী দেশশিং অসিদা খুন্দাহুনা বৌদ্ধ ধর্ম্ম অসি এসিয়াগী পাকচাউরবা ধর্ম্ম অমা ওইরি। চাইনা, জাপান, তিব্বত বর্মা, থাইলেণ্ড, ইণ্ডোনেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিং অসি হৌজিকফাওবা বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎপা লৈবাকশিংনি। মমাঙঙৈদা খ্রিষ্টানিটিনা নোংচুপতা তৌবগুম বৌদ্ধ ধর্ম্মনা এসিয়াদা পাক শন্না শন্দোকখি। বৌদ্ধ ধর্ম্মদা নত্তনা জাভানচিংবা লৈবাক খরদদি ব্রহ্মনিকেল রেলিজনস শন্দোকখি। ধর্ম্ম শন্দোকপা কাঙবু নত্তনা লল্লোনবা কয়াস্তু লমদমশিং অসিদা খুন্দাহুনা লৈখি।

হায়রিবা বৌদ্ধ লম্বোইবা অমস্তুং লল্লোনবশিং অতু ভার তমচা ঙাক্তনি। মখোয়না ভারতকী কলচর, চৎনবী, লোল, কষ্টম, কলাগী চুশিন্নহুনা লৈরবা ফোর্ম কয়া পুহুনা চৎখি। মখোয়গী মরক্তা পণ্ডিত কয়ানি, কলাকার কয়ানি, খুৎশাহৈবা কয়ানি। মথল-মথেল গুরবা মীওই ঙাক্তনি। হেন্না ফজরবা অমস্তুং অরাংবা

থাক্কী ভারতকী কলচরনা লৈবাকশিং অসি য়োৎদা মুকচাবীনা মুক চুপশিনবগুম লমদমশিং অতুগী কলচরবু লায়না চুপশিনখি। মখোয়না ভারতকী কলচর লৌখি অতুগা লমদম অতুগী কলচরগা তোৎশিন্নতুনা য়াম্না ফজরবা, অনৌবা সংস্কৃতি লৈরাং অমগুম শাৎ-কায়রকখি। অতুবু সংস্কৃতিগী য়ুম্ফমদি ভারতনি। অতুনা M. Grousset না হায় ....India left the indeleble impress of her high culture, not only upon religion, but also upon art and literature, in a word, all the high things of spirit." মসিগী খুদম সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী মরমদা ইবা লাইরিক খুদীংদা মপান নাইদনা ফংগনি। লৈবাকশিং অসিদা থোল্লিবা মিং কয়া ভারতকী মিংনি। "কম্বোডিয়া"—ভারতকী অরিবা সহরগী মমিং "কম্বোজা"দগী থোনখিবনি। 'জাভা'সু 'জাভাদ্বীপ' কৌই। মিলেট, বালিগী দ্বীপ হায়বনি। এসিয়াগী দেশ কয়াদা সংস্কৃত তম্ফম লৈ। মখোয়গী অরিবা লাইরিকশিংদা ভারতকী লাই-তিনগী ৱারীশিং মরাং কায়না য়াওই। জাপানগী অরিবা 'নো' জগোইদা হৌজিক ফাওবা সংস্কৃত ৱাহৈ, শ্লোক শকই। জাভা অমসুং বালিগী জগোই ভারতগীনি। জাপান অমসুং চিনানা হৌজিক চৎনরিবা 'নোংশাগী জগোই' ভারতগীনি। ("......Rabindranath Tegore was prepared to recognise the fact that today the finest Indian based, Indian-inspired dancing in the world is not in india but in Bali, a tiny island off the coast of Java in Indonesia" —Bowers) ইবগী কলা ভারতগী শন্দোকখি। থাভারতগী কম্বোডিয়াদা আলফাবেৎ পুখি। হৌজিকফাওবদা কোম্নুংগী পূজারী, লাই পূজা তৌবা ব্রাহ্মনশিংনা তৌবা য়াওরি। "The court astrologers, soothayers and professors of kindered

sciences were even in recent times Brahmanas, known as Pouna and they were mostly from Manipur"— (A Historical Survey of the Elements of Hindu culture in Burma by Upendra Thakur in the book "India's Contribution to World Thought and Culture (Vivekananda Commemorative Volume, 1970) এসিয়াগী লৈবাকশিংনা বৌদ্ধ ধর্ম্ম লৌখিবদগী ধর্ম্ম অসিগা ঈরোয়নরকপা ভারতকী সংস্কৃতিনা এসিয়া অপুনবগী কলাবিদ্যাগী য়ুম্ফম ওইখি।

(২) কলাগী ক্লাসিকেল ওইবা য়ুম্ফম

এসিয়াগী দেশশিংদা পাকচাউনা শন্দোক্লিবা কলা শিল্পকলা, অমসুং জগোই ঈশৈগী মরুওইবা য়ুম্ফমদি ভারতকী ক্লাসিকেল ওইরবা শাস্ত্র কয়ানা ওইরি। ভারতকী কলা অসিদি লৌশিনবদা লায়না থোকপা, তিনশিনবদা কোম্না থোকপা কলা অননি। সার জোন মার্সেলনা হায়বা "the amazingly vital and flexible charactor of Indian art" অসি অচুম্বনি। লম লম অদুগী চৎনবী, ত্রেডিসন অদুদা য়ানশিন্নখ্রবস্থ মরু ওইবা ভাব অদুদি পু-পুদুনা চৎলি। ভারতকী কলাদি য়াম্না ধর্ম্ম, আধ্যাত্মিক অমসুং দর্শনগী ওইবা মীৎয়েং অমদা শাগৎপনি। অসিগুম্ববা মপুং ওইরিবা মীৎয়েং-য়ুম্ফম অসি এসিয়াগী কলা খুদিংমক চপমাননা য়াওরি। ভারত নাট্য শাস্ত্রগী নিয়ম, চৎনবী, ত্রেডিশন কয়া এসিয়াগী থিয়েটরগী লেঙ্গদ্রবা মশক, য়ুম্ফম ওইনা লৈরি। ভারতকী ড্রামাগী মপুং ওইবা থাথল— ধর্ম্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ ফংবা, অচুম্বনা জয় ওইবা, অফ-ফত্ত মচা তানা উৎপা, পুন্সিবু আশাগী মঙাল ওইনা লৌবা [Optimism], অদুগা ড্রামাশিংদা অৱা-পোলোই [ত্রেজেডি] লৈতবা [চিনা অমসুং জাপান নত্তনা]

অসি অতে এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ড্রামাদা উবা ফংই। নাট্য-শাস্ত্রদা য়াম্না মরুওইবা বাক্য ওইনা পল্লিবা—ড্রামাগা জগোই-ঈশৈগা খাদোক্লবা য়াত্রবা নিয়ম অসি এসিয়াগী থিয়েটর আর্ট খুদীংমক্কী ইল্লি। অহুনা এসিয়ান থিয়েটরদা ঈশৈ অমস্তুং জগোইগী মক্কম য়াম্না চাউনা কন্দুনা লৈ। নাট্যশাস্ত্রদা ড্রামা হৌরকপগী বারী ওইনা পল্লিবা— হিংচাবদগী লীলা শান্নরা ঙাকথোক্লবা অমস্তুং কলাকারশিংবু তেক্ক-কায়দনা থম্নবা শঙ শাখি। অদুগা ইন্দ্রদেবগী ফীরাল চৈথোক্লা অশেংবা মক্কম ওইনা ঙাকশিন্দুনা থমখি। মসিগী ত্রেডিশন অসি এসিয়াগী খুঙ্গংশিংদা চৎনবা ওইনা শিজিন্নবা উবা ফংই। লীলা শান্নফম মথক কুপ্পি, রানা খাজিন্দুনা কলাকারশিংগী লৈফম শেম্মী। হৌজিক ফাওবদা ভারতকী যন্ত্র কয়া—শেনবুং, মাঙ্গং, ঝাল, ডমরু [মহাদেবনা পায়বা ড্রম, জাপান্দা Tsutsumi কৌই] অসিনচিংবা শীজিন্নরি। সংস্কৃত ড্রামাগী সূত্রধার, ফাগি জগাই কয়াগী মওঙ এসিয়ান থিয়েটরদসু চৎনরি।

(৩) রামায়ন অমস্তুং মহাভারতকী য়ুম্ফম

রামায়ন অমস্তুং মহাভারত অসি ভারতকী মপান নাইত্রবা লনগৈনি। ভারতকী থবায়নি অমস্তুং পুন্সিনি। ভারতকী কোচিন কোয়া য়ৌনা লম-লমগী সংস্কৃতিগী মচু শঙহুনা মহাকাব্য অনী অসিনা ভারতকী অপুনবা সংস্কৃতি অমা শন্দোক্লি। মসিদগী সাহিত্যগী মচাক য়াম্না লৌরি। ড্রামাগী মওঙ, ফোর্ম, ষ্টাইল, বারী কয়া লৌরি। ভারত পুম্বগী সংস্কৃতিবু খ্বাঙলিদৌনা কিশিল্লিবা ঐথোয়গী তম্ফাথুদোপ য়াইওইবনি। অসিগুম্লবা মহাভারত অমস্তুং রামায়নগী বারী, লাইরিক, থৌদোক ত্রেডিশন অসি খা-নোংপোক এসিয়াদা য়াম্না মরা চেৎনা ফজনা শন্দোকখ্রে। বাল্মিকীগী রামায়ন্দগী থেন্নবা, ব্যাসদেবগী মহাভারতকা মান্নবা লম লম অহুগী

ৱারীশিংবুন অমসুং কৃষ্টিগী মচু শঙলবা চরিত্রগী মমিং-মথা, লম-শিংগী মমিং থৈথরবা রামায়ন অমসুং মহাভারতকী ৱারী কয়া এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিদা মরাং কায়না লৈরি। মসিদগী মখল-মথা অয়াম্বা ডান্স-ড্রামা, ট্রেডিসনেল থিয়েটর ফোর্ম কয়া শাগৎলি।

ইন্দোনেসিয়াদা মহাভারত অসি 'ব্রতবুদ্ধ' কৌই। বর্মাদা মায়খুম (মাস্ক) উপ্পা জগোইশাবশিংনা রামায়ন শান্নে। লাউজ-গী রামায়নদদি রাবননা হেরো ওই, রামবু হন্থবা, খরা তোম্থবা চরিত্র ওইনা য়েকই। মমৈথংদা সীতাগা থুংনখি। অতুবু সীতাদু য়াম্না চীংননা, কপ্পা কপ্পা রামগী মতুং ইনখি। শ্রীলঙ্কাদা— রামায়নগী ৱারীদা 'রাম হাৎপা' কৌবা য়াম্না নোক্নীংবা খোদোক অমা হাপচিল্লি। রাম্না লঙ্কাদা সীতা উদ্ধার তৌবা লাকপদা লঙ্কাগী লোল (সিংহালিজ) খঙেদ্র। লল্লোনবা নীপা অমনা রাম্বু ফি হুরানবনি হায়দুনা নোক্নবিরে অমসুং ফুবদা রাম লৈমায়দা রাম্থদুনা শিরে। য়াম্না নোক্নীংবা মঙদা করেম্নদুনা রামদা হায়— "ননেম্বোক লাক্লেনেহে. হৌগৎলোনে।" রাম হিংগৎলক্লে। লাইশিংনা মুংশিরদুনা রাম্বু হিংগৎহনখি। থাইলেণ্ডদা রামায়ন অসিবু 'রামকিন' (ডি ফেম ওফ রাম) কৌই। 'ডি খোন' কৌবা মায়খুম উপ্পা লীলা অসিনা 'রামকিন' শান্নে—য়াম্না শাংই, শরুক অহুম থোক্পা শান্নে। লঙ্কাগী লান লোইরবা মতুংদা রাম্বু অমুক কৌরদুনা লাঞ্জাও অমসু অমুক শোক্নহল্লি। মিং খরা থৈথনা সীতাবু 'সীডা' ভরতপু 'প্রোট' রাবনবু 'থোসোকান' অসুম্না থোল্লি। ইন্দোনেসিয়াগী (মুস্লিম য়াম্না লৈবা লৈবাক্নি) জাভাগী কোন্নুংদা অর্জুন অমসুং সুভদ্রা লোৌনবগী মতাং, পাণ্ডব কৌরব খৎনবগী মতাং কয়া জগোই ওইনা শাই। চীনাগী ওপেরাদসু রামায়নগী মমি তাই। এসিয়াদা লৈরিবা রামায়ন থিয়েটর অসি মখল কয়ানি, মওং কয়ানি। লম-লমগী ওইবা ফোর্ম কয়া লৈ। এসিয়াগী

মহাভারত অমস্তুং রামায়ন থিয়েটর অসিদি লাই-তিনগী ৱারী অমস্তুং মাইথোলোজিগী ভাবকা ঈরোয়নবা ভারতকী লিরবা পরমপরাদা (ট্রেডিসন, কনভেন্সন) য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা এসিয়াগী দেশশিংগী ট্রেডিশনেল থিয়েটরনি।

মথক্তা, এসিয়ান থিয়েটর শাগৎলিবা য়ুমফমগী মরমদা শন্না পঙ্গ্রে। হৌজিক্তি ঐখোয়না এসিয়াগী ট্রেডিসনেল থিয়েটরদা লৈরিবা মান্নবা মচাকশিং, মশক অমস্তুং মওংগী মরমদা চাউরাক্না নৈনরি।

এসিয়াগী থিয়েটরবু তোথাইবা অমা ওইনা উহল্লিবা, মসিগী শক্তেম শাগৎপদা চঙলিবা খ্বাইদগী মরুওইরবা মচাক্তি-শৈরেং (কবিতা), ঈশৈ অমস্তুং জগোইনি। ছন্দ, অলঙ্কার, তালনচিংবা মরাঙ কায়না শীজিন্নদুনা থিয়েটরদা শৈরেংনা মনীং মখা তৌদুনা শান্নৈ। কাবুকি লীলাশিং, থাইলেণ্ডগী লিকাই-ড্রামাদা, ভারতকী সংস্কৃত ড্রামাশিংদা শৈরেংগী ফজবা কয়া উবা ফংই। অদুনা "The Staging of drama in Asia is primarily problems of enacting poetry" হায়। অস্তুম্না ঈশৈ অমস্তুং জগোইস্তু য়াম্না চাউনা শরুক য়াই। করিগুম্বা নিয়ম, কনভেন্সন অমগী মথাদা জগোই ঈশৈগী কলা অসি শীজিন্নৈ। অদুনা এসিয়ান থিয়েটর অসি টোটেল থিয়েটরগী মশক্তি। ময়াম্মক য়াম্না ফজনা পূনশিন্দুনা "ইউনিফাইড ক্বালিটি" অমা উৎলি।

লীলাগী ৱারী অয়াম্বা লোকসাহিত্য, লাইতিনগী ৱারী, মাইথোলোজী, রামায়ন অমস্তুং মহাভারত্তা য়ুম্ফম ওইরগা শান্নবা ঙাক্তনি। বালি অমস্তুং কম্বোদিয়াগী লীলা অয়াম্বা ভারতকী মহাকাব্যদগী লৌথোক্লগা শান্নৈ।

লীলাদা মায়খুম (মাস্ক) অয়াম্বা শিজিন্নৈ। সিম্বোলিক ওইরবা মেকঅপ (make-up), মরাং কাইরবা, মিৎ থল্লবা

ফিজেৎ-লৈতেং, কষ্টুম (costume) শীজিন্নৈ। ভারতকী যক্ষগান, রামলীলা, কথাকলী, শৌ, জগোই রাস, ষণশেনবা, থাইলেণ্ডগী খোন ডান্স-ড্রামা, জপানগী নো থিয়েটর, চীনগী ওপেরা অসিনচিংবা অসি মসিগী অরাবা খুদম্নি। মায়দা য়েক্লিব মচু, মাইখুম মওংশিংনা, শেৎ-লিবা ফিজেৎকী মওং-মতৌ অমসুং মচুনা য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা অর্থ ফোঙদোকপগী চৎনবী লৈ। জপানগী নো লীলাদা শিজিন্নরিবা মাইখুম্নচিংবা ফিজেৎশিং (মখোয়না shozoku কৌই) অসিনা লীলাদা কুম্লিবা পাত্রশিংগী তোখায় তোখায়বা লমচৎ অমসুং থবক খঙহল্লি। অসুম্না ভারতকী কথাকলীদসু কলাকারশিংগী মায়দা য়েৎলিবা মেকঅপ অমসুং ফিজেৎনা পাত্রশিংগী তোখায় তোখায়বা থৌদাং, লমচৎ অমসুং থবক তাকই। মণিপুরগী রাস-লীলাদা শ্রীমতী রাধিকানা পোৎলোই অশংবা শেৎলি অদুগা অতৈ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা মাগুপ লীলা কয়াদা অঙম-অথৌ, ফম্নাইবশিং খঙহনবা তোখায় তোখায়বা ফিজেৎ শীজিন্নৈ।

এসিয়ান থিয়েটরদা কোরস অমসুং ৱারী লীবগী মথৌ অসি য়াম্না মরু ওই। মসি ভারতকী ৱারী লীবগী ট্রেডিশনদগী লাকপনি। ভারতকী ট্রেডিশনেল থিয়েটরদা সূত্রধারনা লৌরিবা থৌদাং অসিগা মান্নবা মওং কয়া এসিয়ান থিয়েটরদা য়াউবা থেংনৈ। কাবুকিদা নাকন্দা ঈশৈ শকপা য়াউই। জপানগী পপেৎ প্লেদা ঈশৈনা ৱারী লী। নো প্লেদসু কোরসনা সূত্রধারগী মথৌ তৌই।

লীলাদা ফাগি তৌবা মী (কোমেডিয়ান) নত্রগা ফাগিগী থৌদোক য়াউহনবা অদুগা করিগুম্বদা পেন্টোমাইম শীজিন্নবা অসি এসিয়ান থিয়েটরগী মরমচৎ অমনি। লীলাগী লোন খঙদবা, ৱারী খঙদবা অদু পেন্টোমাইমনা কোকহন্নবা ওইনা শীজিন্নৈ। লীলা অয়াম্বা য়াম্না শাংনা (সুমিৎ য়াম্না শাংনা শান্নবা য়াউই) শান্নবা মরম্না মরক মরক্তা ফাগিগী থৌদোক অসি হাপচিল্লি।

জপানগী 'নো' লীলাদা Kyogen কৌবা ফাগিগী নোক্লিংবা থৌদোক হাপচিল্লি। ভারতকী বিদূষক, বর্মাজশিংগী 'পে' লীলাদা, তিব্বতকী কুম্মৈদা, চীনগী ওপেরাদা চৌ, বালিগী লীলাগী ত্রোপ্রে, ইন্দোনেসিয়াগী লুডক, মণিপুরগী শৌরা, তোরো, বালবাস্থ অসিনচিংবা ফাগি তৌবা, মীয়াম্না খঙনরবা নোক্লিংবা চরিত্রশিং অসি এসিয়ান থিয়েটরদা শোয়দনা য়াউদবা য়াত্রবা লীলাগী মশক অমনি। এসিয়ান থিয়েটরদা ফাগিনা য়ারিবা থৌদাং অমদি ফাগি পুবশিং অসিগী তোখায়বা শক্তম চেনজরবা শাজৎ অমস্থং মরমচৎ লৈ।

নোংচুপকী লীলাগা এসিয়ান থিয়েটরগী খেন্নবগী মরুওইবা মরম অমনা মফম অমস্থং মতমগী রাফম অসিনি। নোংচুপকী লীলাগী প্লোটতা য়াম্না চেৎশিন্না ফাজিন-পুনশিল্লিবা অসি মফম-মতমগী মান্নবা নিয়ম (ইউনিটিজ ওফ টাইম এণ্ড প্লেস) অসিননি। অতুনা হোমরগী চাউরবা ইপিক 'ইলিয়াদ' ফাউবদা প্লোটকী ফাদোক্তবা, চেৎশিন্না পুনশিনবা মশক অমা য়াউই। এসিয়ান থিয়েটরদদি মফম মতমগী অকক্লবা নিয়ম লৈতে। লীলাগী রারী অমা চহী কয়ানা কোল্লি অমস্থং থৌদোকশিং অতু মুমিং কয়ানি চঙনা শান্নৈ। মফম অমদা থৌদোক কয়া থোকপা য়াই অত্থুগা থৌদোক অমদা মতম কয়া লোম্নশিনবদা য়াদবা লৈতে।

লীলা শান্নফম অমস্থং ষ্টেজগী চৎনবী (ষ্টেজ কনভেন্সন) কয়া এসিয়ান থিয়েটরদা উবা ফংই। ষ্টেজগী মওংনা অয়েকপা লাই (সিনারী) অমদি ষ্টেজগী পোৎচঙ কয়া শীজিন্নদবা, তাইবংগী অচুম্বা অসি মতৌ ভস্বা নত্তবা (non-naturalistic) ষ্টেজ মওংনি। ষ্টেজ শাবদা, করেক্টরশিংনা চঙথোক-চঙশিন তৌবদা, মফম-মতম অমস্থং থৌদোকী মতাংদা করিগুম্বা সিম্বোলিক ওইবা অর্থ খঙহনবগী মতাংদাময়াম্না য়ানরবা অমস্থং খঙনরবা চৎনবী কয়া অমস্থ লৈ। চীং-তুরেল, লান, কোনুং অসিনচিংবা অসি করিগুম্বা অমনা

হেক্তা খণ্ডনবগী চংনবী লৈ। অয়াম্বনা ভাবোক্লা কোয়শিনবা ষ্টেজ মণ্ড ঙাক্তনি। বালিদদি ষ্টেজ হায়বা অমা লৈতে। মণিপুরগী গুমাং লীলাগুম্মা মীনা কোয়শিনবা মফম, লীলা শান্নফম (এক্টিং এরিয়া) অদু হেক্তা ষ্টেজ ওইবা য়াই। অদুগা মণিপুরগী লাই-হরাউবদোনা তিব্বতকী ফেষ্টিভেল প্লেগী লীলা শান্নফম ষ্টেজদি (লমহাং) য়াম্না চাউই— ফুট ১০০ দগী ২০০ ফাউবা পাক-শল্লি।

অদুগা এসিয়ান থিয়েটরগী ৱাঙাং-শঙাং, অভিনয়, শাজং-লিচং অসি য়াম্না তোপ-তোপ্পা, ময়ামগা মান্নদবা চংনবী মণ্ড লৈবা ঙাক্তনি। এক্টরশিংগী ৱাঙাং-শঙাং কয়াদা (কপ্পা, নোকপা ফোঙদোকপা অসিনচিংবদা), এক্টরশিংগী শাজং-লিচত্তা (নিংথৌ, মীনাই, লায়রবা, লম্বোইবা অসিনচিংবা খেন্নরবা মীওইশিংগী শাজং, ৱাঙাং-শাঙাং কয়াদা), পুক্লিংগী ফিবম ফোঙদোকপা মণ্ড কয়াদা (শাউবা, ৱাবা, মুংশিবা অসিনচিংবা) অভিনয়গী তোপ-তোপ্পা চংনবী কয়া লৈ। জগোই ঈশৈ, সুর-তাল, থোম্মাং নাইবা মণ্ড কয়াদা ফোঙদোকই জগোই-ঈশৈ হায়বসি লীলাগী থাদোক্লবা য়াত্রবা মচাক অমনি।

অরোইবদা, ঐখোয়না থিয়েটরগী ফজবা নৈনরোলগী মতাংদা পৃথিবীগী মমিং চংলবা থিয়েটর নৈনরোলগী লাইরিক অহুমগী মমিং পনবা য়াই— এরিষ্টোটলগী “পোএটিক্স” (নোংচুপকী), ভারত মুনিগী ‘নাট্যশাস্ত্র’ অমসুং জিয়ামীগী ‘কাদেনশো’ (Zeami's Kadensho)। জপানগী নো থিয়েটরগী অপোকপা হায়না খঙনরিবা Zeami না (১৩৬৩-১৪৪৩) ইরম্বা ‘Kadensho’ হায়বা অসি নো থিয়েটরগী শেংলবা শাস্ত্র অমনি। মরুওইনা Zeami না জপানগী নো থিয়েটরদা য়েংলিবা ফজবগী মীৎয়েংগা ভরত মুনিনা ভারতকী নাট্যকলাদা য়েংলিবা মীৎয়েংগা মান্নবা কয়া লৈ। জেন বৌদ্ধধর্ম্মগী প্রভাবতগী শাগৎপা ‘Kadensho’ অসিদা ধর্ম্মগী ওইবা অমসুং য়াম্না রিচুয়েল ওইবা মহাও অমা য়াউরি।

কখোৎপা, ঈংবা-তপ্পা, মেঙবা লাইশোল-তীনশোল ওইবা, পূজাগী মওং ওইবা মশক কয়া অমা, 'Kandesho' উৎলিবা অসিগা ভারতকী ধর্ম্ম অমসুং আধ্যাত্মিকতা য়ুমফম ওইনা শাগৎপা কলা বিদ্যাগী মীৎয়েংগা মান্নবা কয়া লৈ। (থোইদোক হেন্দোক্লসু জপানগী মুপীশিংগী অঈংবা শাজৎ, বালি মুপীশিং অমেঙবা খুৎথেক, অমসুং শমজিগী নাচোম অতুগা মৈতৈ চমুরাশিংগী থোৎপা-মেঙবা, নাচোমলৈ কয়াগা হেন্না নকশিন্নবা, মান্নবা মওং কয়া অমসু লৈরি।) ফজবা থিবগী খোঙচত্তা, ফজববু ফোঙদোকপগী মতাংদা য়াম্না ইফোং-ফোংনা হেক্তা ফোঙদোক্কবা, লোন্না-থুপ্পা, নাকোইননা, ফুমহুনা, লোত্তুনা উৎপা ভাব অসি এসিয়ান থিয়েটরগী aesthetic principle নি। এসিয়ান থিয়েটরদি ধর্ম্মগী ওইবা, (religious), কবিতাগী মহাও চেনবা (poetic), ধর্ম্ম-কর্ম্মগী ওইবা (ritualistic), জগোই-ঈশৈ য়াউবা (dance and music), অচুম্বববু ইকোক-কোক্না উত্তবা (non-realistic, non-naturalistic), চৎনবী ব্যবহার ঙাকপা (conventional), মহৌশা চৎনরকপগী মতৌ-নিয়ম ইনবা (stylised), থিয়েটর মওং অমনি। মসিদা কলাকারশিংগী থোইদোক-হেন্দোকপা মগুণ, শক্তি য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা লিরবা এসিয়ান থিয়েটর অসিনা নোংচুপ্তা অকনবা প্রভাব পীতুনা, ৱাই. বি. য়ীটস, বরটোলড ব্রেটনচিংবগী মখুত্তা অনৌবা লীলা থোক্লক্লবগী মরম ওইখি। ২০ শুবা শতাব্দীদা নোংচুপ্তা হৌরক্লিবা নন-রিয়্যালিষ্টিক ড্রামাগী ঈহৌ অসি শাগৎপদা নোংপোক্কী থিয়েটরগী দান য়াম্না য়াউই। কলাগী লমদদি নোংপোক-নোংচুপকী দান অবদান অতুম ময়েক শেংনা উবা ফংই।

সংস্কৃত থিয়েটরগী মশক অমা—কুডিয়াত্তম

ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাশিং অসি মতৌ করম্না শান্নরমগনি অতুগা লীলাশঙনা মতৌ করম তৌরমগনি হায়বা অসি ঙসি-ফাউবা থিবা লোইবা নাইদ্রিবা সমস্যা অমা ওইরি। ভরত-মুনিগী 'নাট্য শাস্ত্র'দা লীলাশঙ (প্রেক্ষাগৃহ) মখল অহুমগী (বিকৃষ্ট, চতুরস্র ত্র্যস্র) মরমদা য়াম্না শন্দোক্না ইরম্নবসু ঙসিফাউবদা হায়রিবা থিয়েটর হোল অসিগী অতেক-অকায়, অমনবা অমত্তা ফংদবনা নাট্যশাস্ত্রগী লীলাশঙ অসিগী অশেঙবা মশক খঙবা ঙমদদুনা লৈরি। উনা অমসুং রানা মতম মতমগী মতুংইন্না শাবা মরম্না পোৎশিং অতু মুংশিং-মুংশানা য়ৈবদগী তেকখিবা নত্রগা পৎথ-পুমথরক্তুনা মাঙখিরম্বা ওইরম্বা য়াই। অতু ওইদুনসু, মতম অতুদা মীয়াম্না তত্তনা য়েংবা য়াবা, লেঙদনা শাদুনা থম্বা 'পব্লিক হোল' লৈরমদে হায়বা অসিদি ময়েক শেংলে। লীলা অয়াম্বা মতম মতমগী মতুংইন্না পাঙথোকপা উৎসব, হরাউ-কুম্মৈ, নিংথৌ অমদি অঙম-অথৌনা কোন্নুংদা কৌরগা শান্নহনবনি। কোন্নুংদনা নৃত্যশালা নত্রগা লৈকোল নত্রগা নাতৈ চাবা মফমদা মাণ্ডপ থল্লগা শান্নবনি। খুল্লক্তুনা লাইশঙদা লীলাশঙ শারগা নত্রগা মতম মতমগী মতুংইন্না মাণ্ডপ শারগা শান্নবনি। অদুনা নাট্যশাস্ত্রনা লীলাশঙগী মরমদা শুগায়না ইরম্লিবসি, মরু ওইনা, লীলা শান্নফম অমা মতৌ করম্না শেমশাগদগে হায়বসিগী মরমদনি। লীলা শান্নফম অফবা মফম থল্লগা মতুংদা রঙ্গমাণ্ডপ (ভাবোক ফমফম, auditorium) অমদি রঙ্গভূমী (লীলা শান্নফম, stage) না মতৌ করম্না শাগদগে হায়বসি মফম-মতম খুদিংদা পানশিনবা য়ানবা ইরম্বনি। কেরলাগী লাইশঙশিংদা শারিবা লীলাশঙশিং অসি নাট্যশাস্ত্রগী নিয়ম

মতুংইন্না ইন্না শাবা ঙাক্তনি। অদুনা, হৌজিকফাউবা লাইশঙদা শান্নরিবা কুডিয়াত্তমগী লীলা শান্নফম অসি ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাগী থিয়েটর হোলগী মশক অমনি হায়না লৌবা য়াই।

ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামানা মপান ফনা চহী কয়া পাল্লম্লবা মতুংদা মতমগী মতুং ইন্না কলা অসি ভারতকী মফম কয়াদা শন্দোকখি অদুগা লম লম অদুগী চৎনবী কয়া অমসু য়ানশিন্দুনা চপচাবা ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামা অদুদগী থরা থৈথরবা লীলা মওং অমা শন্দোক্লকখি। রূপক মথল ১০, উপ-রূপক মথল ১৮ গী মনুংদা য়াম্না মপূং ফাবা ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাদি—নাটক, প্রকরণ অমসুং প্রহসন অদুম অসিনি। উপ-রূপক মথল ১৮ অসি তোথায় তোথায়বা মফম কয়াদা লম লম অদুগী কলা-বিদ্যাগা চান্নবা শেম্বা মওংশিংনি। ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামা অমসুং নাট্যশাস্ত্রগী মতুং চহী চা কয়াগী মতুংদা কেরলাদা চাউ-খৎলকখিবা কুডিয়াত্তম হায়বা সংস্কৃত ড্রামাগী মরমচৎ চেল্লবসু অমসুং নাট্যশাস্ত্রগী য়ুমফম কায়দ্রবসু লম অদুগী মচাক কয়া য়ানশিনবা থেংনৈ। মরু ওইনা নির্বহণম, বিদূষকী শরুক্তা ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামাদগী খেন্নবা মওং কয়া অমা য়াউরি। অদুম ওইনমক কুডিয়াত্তমগী পূর্বরঙ্গ, অভিনয়গী শরুক অসি নাট্যশাস্ত্রগী নিয়ম অমসুং য়ুম্ফম কায়দনা শান্নে। মরম অদুনা, কুডিয়াত্তম হায়বা নাট্যকলা অসি চহী কয়াদগী মুৎপা নাইদনা লাইশঙদা শান্নদুনা লাক্লবা সংস্কৃত থিয়েটরগী মশক অমনি। ভারত'পুম্বগী মনুংদা লমদম অসিদা হিংদুনা লৈরিবা, অমর ওইরবা সংস্কৃত রূপককী মশক অমনি। ধর্ম্মগা শাগোম্লনা হৌরকপা, সংস্কৃত থিয়েটরগা পরমপরা ঙাক্লা চৎলিবা, সংস্কৃত লোন্দা শান্নবা (মরক মরক্তা মালয়ালী লোনসু য়াউই) সংস্কৃত থিয়েটরগী মরমচৎ চেনবা য়াম্না লিরবা নাট্যকলা অমনি। মরম অদুনা মমাঙতৈদা সংস্কৃত লীলা অসি মতৌ করম্না শান্নরমগদগে হায়বসি কুডিয়াত্তম হায়বা নাট্যকলা অসি য়েংলগা, নৈনরগা খঙবা ঙম্লরি।

ঐখোয়না কাউরোইদবা ৱাফম অমদি— ভারতকী ড্রামাদি নোংচুপকীগা য়াম্না থেন্নে। ধর্ম্মগী কুয়োম্না কূপশিনবা, জগোই, ঈশৈ অমস্তুং অভিনয়না পূন্না য়োমহুনা শেম্বা কলা অমনি। মসি কুডিয়াত্তমনসু ময়েক শেংনা তাক্লি। কুডিয়াত্তমগী অর্থদি অপূনবা জগোই নত্রগা এক্তিং হায়ৱনি (কুডি=অপূনবা অমস্তুং অত্তম= এক্তিং)। মসি ঈশৈ অভিনয় অমস্তুং জগোই অহুমগী পূনশিনবা নাট্য-কলা অমনি। কুডিয়াত্তমগী পীকপ্রবা অঙ্ক মচা অমনা মুমিদাং পূং ৩/৪ শান্নবদা মুমিৎ ১৫ নি হেন্না চঙই। পরেং তরামন্নীগী শ্লোক অমা চরিত্র অহুম্না মুমিদাং কয়া চঙনা শান্নবা য়াই। তশেংবমক কুডি-য়াত্তম হায়বসি য়াম্না মওং তানা চাউখৎলবা, কলাগী অৱাংবা মচাকশিং য়াউরবা অমদি ড্রামাগী শোয়ফত্রবা গুণ কয়া ঈরোয়নরবা অৱাংবা নাট্যকলা অমনি।

কেরলাদা অস্তুক লিরবা কলাবিদ্যা কয়া তেক্ত-কায়দনা চাউখক্লুনা লৈবগী মহৌশাগী ওইবা মরম কয়ামরুম লৈ। শেঙ্গাউ পায়বা, লৌয়াম চাৱা, লৌ-ইংখোল য়াম্না পায়শিনবা কাঙবুনা শোগৎপা, অদুগা অমনা, জগোই-ঈশৈ তৌবনা হিংবগী শিনফম ওইনা লাক্লবা চাক্কিয়ার শাগৈনা য়োকখত্তুনা চাউখৎহনবা। মসিগী মথক্তা ৱাজনীতিগী ওইবা মরম কয়াসু। অৱাং ভারত্তৌনা খা-ভারত অসি মীরৈবাক্লা লান্দারকপা, য়াম্না শাথিনা লৈবাক ঈরাং থোক্লুনা লৈবাক কাংখোং চাইবা, হিংবদা, য়ুম্বাল-কৈবান্দা শাথিনা য়ৈথায়বা পীথিবা কয়া লৈখিদে। লমদম অসি খা-থংবা মায়কৈদা আরব মহাসাগর অমদি নোংপোক্তা পশ্চিম ঘাটনা ঙাকশেন্দুনা লৈবা মরম্না লৈবাক অসিদা মীরৈবাক্লা লান্দারকপা ঙমখিদে। অদুগা খা-ভারতকী নিংথৌ মশেন অমগা অমগা লাম্লেং-নরবসু ধর্ম্ম মান্নবা চেংনা সংস্কৃত অমত্তনা চেংনা পুনবনা মখোয়না শক্তি মুম্নরবসু ঈরাংলিবা লাইশিং অমস্তুং ব্রহ্মণশিংবুদি ইকাই-খুম্নরমই। মখোয়গী মপোৎ, মরন, সংস্কৃতিবু য়ৈথায়বা পীদবা

মরম্মা মখোয়গী মপান তাংনা হিংলিবা কলাবিদ্যা কয়া অসি য়ৈখায় থিনগাইবা লৈতনা লাকখি। হৌজিক ফাউবদা নম্বুতিরি ব্রহ্মণশিংদি মখোয়গী লম সত্র ওইনা মতম চুপ্পগী ওইনা ফংলি। অসুম্না কুডি-য়াত্তমসু ঙসিফাউবা চাক্কিয়ার ব্রাহ্মণশিংনা য়োকখত্তুনা হিংহল্লক্লি।

মাপনশুবা শতাব্দীদা নিংথৌ কুলশেখর পেরুমালনা (৯০০ এ. দি.) সংস্কৃত লীলা শাম্নবগী মতাংদা অনৌবা মওং অমসুং অহোংবা কয়া হাপচিল্লমই। মতুগী মওং অদু হৌজিকফাউবা কেরলাদা চৎনরি। নিংথৌ মশামক্না 'তপতী সংবরণম্' অমসুং 'সুভাদ্রা-ধনঞ্জয়' কৌবা লীলা অনী অমসু ইরমই। মহাক্কী তোলন কৌবা ব্রাহ্মণ মন্ত্রী অদুবু সংস্কৃত ড্রামা শাম্নবা উৎপদা পাউতাক পীদুনা য়েংশিন্নবা শীন্নরমই। তোলন মন্ত্রীনা 'আত্ত-প্রকরম্' কৌবা এক্টরশিংগী লমজিং তাকপা লাইরিক অমসু ইরমই। রাঙাং-শাঙাংদা, এক্তিংদা, ষ্টেজক্রাপ্টতা হেন্না ফবা অহোংবা কয়া পুরকখি। সংস্কৃত লীলাদা প্রাকৃত অমসুং মালা-য়ালম লোন্নচিংবা বিদূষকনা ঙাঙহনখি। মসিদা ঐখোয়না খঙগদবদি— নিংথৌ কুলশেখর পেরুমালনা অহানবা ওইনা সংস্কৃত লীলা শাম্নবা হৌদোকপা নত্তে। মতমচুদা ভারতকী মফম কয়াদা সংস্কৃত লীলা কয়া শাম্নরে। খা-ভারত্তা ৬শুবা অমসুং ৭শুবা শতাব্দীদা পানখিবা পল্লবা নিংথৌশিংনা সংস্কৃত সাহিত্যবু কন্না য়োকখৎখি। পল্লবা শাগৈগী নিংথৌ মহেন্দ্রবর্মন্না 'মত্ত-বিলাস প্রহসনম্' কৌবা সংস্কৃত লীলা ইরমই। শ্রীভাসনা ইবা লীলা কয়াসু পল্লবগী কোন্নুংদা শাম্নরম্বা য়াই হায়না পণ্ডিত কয়ানা প্রমাণ তৌরি। শ্রীভাসকী লীলা কয়া অমদি অভিনবগুপ্তনা ইবা নাট্যশাস্ত্রগী টিকা কেরলা ফংলিবসিনা মসিগী থাজবা অসি অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহল্লি। অদুনা পল্লবা শাগৈগী নিংথৌশিংনা সংস্কৃত ড্রামা চাউখৎনবা, য়োকখৎনবা কন্না হোৎনম্মী অমসুং সংস্কৃত ড্রামা অসি লৈবাক অসিদা য়াম্না ওন্না চাউখৎপা হৌখি হায়বসি চীংননিংঙাই লৈতে।

শান্নবা লীলাশিং

কেরলাগী কুডিয়াত্তম ট্রেডিশনেল ষ্টেজদা শান্নবা সংস্কৃত লীলাশিংদি— ১। সুভাদ্রা-ধনঞ্জয় (কবি রাজা কুলেশ্বরগী), ২। তপতীসংবরণম্ (কবি কুলেশ্বরগী), ৩। আচার্য্যচূড়ামণি (কবি শক্তিভদ্রগী), ৪। স্বপ্নবাসবদত্তম্ (শ্রীভাসগী), ৫। প্রতিমানাটকম্ (শ্রীভাসগী), ৬। দূতঘাটোৎকচম্ (শ্রীভাসগী), ৭। নাগানন্দঃ, ৮। প্রতিজ্ঞায়ৌগন্ধরায়ণ, ৯। অভিষেকা-নাটকম্ (শ্রীভাসগী), ১০। মত্তবিলাস, ১১। বালচরিতম্ (শ্রীভাস), ১২। ভগবতজুকীয়ম্ অসিনচিংবা লীলাশিং অসি-দগী অঙ্ক (এক্ট) অমখক্তুং খঙ্গৎলগা অকক্লবা মতম অমদা শান্নে। খঙ্গৎলক্লিবা অঙ্কশিং অদুগী তোখায়বা মিং অমমম্ থোল্লি। কুডিয়াত্তম লীলানা মখল-মখা কয়াগী হীরম নৈনৈ— নোক্লিংবা, ফাগি, করেম্নবা, সমাজগী অফ-ফত্ত, পুন্সিরোল, লৈঙাকলোন, ধর্ম্মগী পাউতাক, অসিনচিংবা।

এক্টরশিং

মখক্তসু হায়গ্রে, কুডিয়াত্তম হায়বা সংস্কৃত লীলা অসি চাক্কিয়ার হায়বা শাগৈদনা মীরোল কয়াদগী হৌনা চারোল শুরোল মথং মথং শান্নহুনা লাকই। মখোয় লাইশঙদা মপুন্সি কখোল্লবা লাইশংগী কলাকারশিংনি (temple artistes)। লীলা শান্নবা, রারী লীবনা পুন্সিগী শিনফম ওইরবা চাক্কিয়ারশিং (chakyars) অসি থাক হন্থবা, জাত তারবা ব্রাহ্মণ শাগৈ অমনি। নম্বুতিরি নুপীশিংনা অতোপ্পা নিপাশিংগা লান্নবা মরা ভাংনবা মতমদা মখোয়বু শাগৈদগী তান্থোকই। করিগুম্বা তান্থোকইবা মতম 'cusp period' অদুদা অঙাং পোক্লবদি নিপা ওইরগা চাক্কিয়ার ওই অদুগা নুপী ওইরগা নঙ্গিয়ার (Nangyar) ওই। মখোয় অসি নম্বুতিরি ব্রাহ্মণ অমসুং নয়ারগী মরক্তা লৈবা হন্থবা থাক্কি

ব্রাহ্মণ শাগৈগেনি। মখোয়গী হৌরফম অসি মহাকাব্যগী মতমদগী লৈরক্লবা বারী লীবা সুতশিংদগী লাকপনি হায়না থাজনৈ। বেদ তম্বা য়াদবদগী লীলা অসি হিংনবগী মরু ওইবা শিনফম ওইনা তমখি। চাক্কিয়ারশিং অসি এক্তিংদা, বাঙাং-শাঙাংদা, শ্লোক থিবদা, নাট্যকলাগী হীরম কয়াদা য়াম্না হৈশিংলবা কাঙবুনি। পীশক পিক্লিবৈঙদগী লীলা-ফলাগী মহৈ তম্বা হৌই। হৈরবা মতমদা লাইশঙগী ষ্টেজদা কুমহল্লি। শোইহৈদে, লানহৈদে। শোয়রবদি খঙ হৈরবা ভাবোক্লা নোক্লবদ নত্তনা লাইনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়না থাজনৈ। চাক্কিয়ারশিংনা লীলা শাম্নবা মতমদা পনিবদাস অমসুং নম্বিয়ার অমদি নঙ্গিয়ার (নম্বিয়ার শাগৈগী নুপী) শিংনা ঈশৈ শকপদা, যন্ত্র খোঙবদা তেংবাংই। নম্বিয়ারশিংনা মিলাবু কৌবা যন্ত্র খোংই অদুগা নঙ্গিয়ারশিংনা এক্কেশশিং শাই অদুগা এক্তরশিংনা অভিনয় তৌরিবৈদা কর্তাল য়ৈ, ঈশৈ শকই। হৌজিকসু সংস্কৃত অমসুং মালায়ালম লোন্দা ইবা লীলা কয়া, লীলাগী মরমদা নৈনবা লাইরিক কয়া চাক্কি-য়ারশিংগী মখুত্তা মরাং কায়না ফংই। হৌজিক চাক্কিয়ার শাগৈদা য়ুম্নাক ১৮ লৈ।

লীলা শান্নফম

কুডিয়াত্তম হায়বা লীলা অসি লাইশঙদা শান্নবা, লাইশঙগী কলা অমনি। লাইশঙগী য়েৎ-থংবা নাকন্দা লাইগী মূর্ত্তিগা মায়রোক্লনা লীলা শান্নফম—কুত্তম্বলম (Kootambalam) ষ্টেজ অসি শাই। কুত্তম্বলম শাবা য়াউহৌদবা লাইশঙশিংদনা অহাংবা মচি অমদা হেক্তা শান্নৈ। কুত্তম্বলমগী থিয়েটর মণ্ডং অসি মমায় মরী লোংবা, রেকটাঙ্গুলার মণ্ডংনি। অচৌবা, ময়ায়, অপীকপা অসুম্না মখল অহুম থোক্লা লৈ। ইরিঞ্জালাকুডা, ট্রিচুর অমসুং গুরুবায়ুরদা হৌজিকসু লীলা শান্নফম থিয়েটর— কুত্তম্বলম লৈরি। লীলা শান্নফম ময়োল (মঞ্চ) অদু চিথেক-মরী নাই (স্কোয়ার ওই),

ভাবোক ফমফমদগী (ওডিটোরিয়ম) ৱাংখংলি। মফমদা উখোং মরী নম্রগা নিপান য়ুংই। উপাল্লা য়ুমথক কুপই। সিলীং অতুনা মখল-মখা কয়াগী লৈরোং হত্তুনা লৈত্তেংই। মফমগী হেক থংনবা নাকন্দা ফি শেংফম (green-room) লৈ। মতুদগী এক্টরশিংনা থোঙ অমা ফাউদোক্তুনা চংথোকচংশিন তৌই। ষ্টেজ মথক্তা পোৎ-চৈ য়াম্না শীজিন্নদে। এক্টরশিংনা ফম্নবা মথোঙ অতুম পানবা ফাল (ষ্টুল) অমা/অনী থমই। মরুওইবা পাত্র থোক্লকপদা মী অনীনা য়ুথল অমা পায়তুনা খল্লি। পাত্র অতুনা য়ুথল অতু হায়দোক্লগা থোক্লকই। পাত্রতু থোকপ্রবা মতুংদা য়ুথল পায়বা নিপাশিংতু অতুম থোকথি। ফুট মরীরোম ৱাংবা অচৌবা পিথ্রাইগী মৈ থান্নবা থাউমৈ অমা, অচৌবা দোশীদা মৈ চুখত্তুনা লীলা শান্নরিবা মনুংদা অতুম থান্দুনা থমই। কুত্তুম্বলমগী ষ্টেজ খুংশাগী মওং অসি ভরত মুনিগী 'নাট্যশাস্ত্র'দা পল্লিবা থিয়েটর হোল শাবগী নিয়মগা য়াম্না মান্নৈ।

যন্ত্র

কুডিয়াত্তম শান্নবদা চঙলিবা যন্ত্র (ওর্কেষ্ট্রা) অসি মরুওইবা মখল মঙানি। মসিবু পঞ্চবাদ্যম হায়না খঙনৈ। মিলাবু (Milavu)—মমায় অমথত্তমক পানবা অচৌবা পুংজাউ অমা। মসি খুংনা থিল্লি। কুজিত্তালম (Kuzlittalam) কৌবা কর্তাল মখল অমা। মিলাবুগী য়েংথংবদা ফিদা মচা অমদা নঙ্গিয়ারশিংনা ফমতুনা যন্ত্র অসি য়ৈতুনা ঈশৈ শকই। য়াম্না পীকপা চৈনা য়ৈবা ইডক্কা (Idakka) কৌবা পুং মচা অমা য়াউই। মসিনা মিলাবুগী ওইদা থমই। খোংনবা যন্ত্রনা কোমপে (Compe), কুজল (Kuzhal) নি। মিলাবুগী মনাক্তা লেপ্তুনা খোংই। করিগুস্বা মতমদা মোইবুংসু খোংবা য়াউই।

লীলা হৌবা (পূর্বরঙ্গ)

'নাট্যশাস্ত্র'দা লীলা শান্নবা হৌবগী মতাংদা য়াম্না শন্দোক্না

ইরি। মসিগী শরুক অসি পূর্বরঙ্গ কৌই। পূর্বরঙ্গগী (Preliminary) মতাং অসি তশেংবদি ঈরাৎ-পূজা তৌবনি। অদুনা সংস্কৃত ড্রামাগী পূর্বরঙ্গগী অকুপ্পা পূজাগী থবকশিং অসিনা ভারতকী নাট্যকলা অসি ধর্ম্ম'গা মরী লৈনবা হুরাউ-কুম্মৈ, পূজাদগী হৌরকপনি হায়বসি প্রমাণ তৌই হায়না কন্নাগুম্বা পণ্ডিতশিংনা হীরম অসিদা কন্না রিসার্চ তৌরি। কুডিয়াত্তম লীলাদা য়াউরিব পূর্বরঙ্গগী মচাকশিং অসি 'নাট্যশাস্ত্র'গা থরা থেন্নরবসু মখোয় অসি নাট্যশাস্ত্রদগী য়ুক্ষম ওইরগা লম অতুগী চান্নবা শেমখিবনি। অহানবদা মৈ থাঙ্গত্তুনা লৈ-সু কৎলি। যন্ত্র খোংগৎলি গণপতী, সরস্বতী নত্রগা শিবদা 'অক্কিত্তম' কৌবা লাইশোন ঈশৈ শকই। মথংগী থোরম্মা নম্বিয়ারুতে তাঁমিল অসিনি। মসিদ নম্বিয়ারনা মালায়ালম লোন্দা শাল্লগদবা লীলা অতুগী শন্নপ্পা রারী অদু থগুহল্লি। মসিগী মতুংদা অরান্নু তালি হায়দুনা অশেংবা ঈশিংনা শ্লোক থিদুনা মঞ্চ অদু খিক-তোকই। মসিগী মতুংদা নাঙ্গিয়ারনা ধ্রুবমগী শ্লোকশিং ঈশৈ ওইনা শকই। মসিনা লীলাগী পত্র চগুলকদোরে হায়বা তাকপগা লোয়ননা পাত্র অতুগী মমাঙগী পুন্সিগী থৌদোকসু থগুহল্লি। (নথক্কুসু পনখ্রে— কুডিয়াত্তমদা সংস্কৃত লীলা মপূম অমগী তাঙ্কক অমথক লৌথৎলগা শাল্লবনি। অদুনা রারীগী মকোক-মমৈ অমসুং চরিত্রগী মমাঙগী থৌদোকশিং, পুন্সি অদু শ্লোক ওইনা ঈশৈ শক্কুনা উৎলি।) মসিগী মতুংদা নিপা অনীথক্কা য়ুথল অমা পায়দুনা লেপকনি। চগুলকদবা পাত্র (character) অদু য়ুথলগী মনাক্তা লেপকনি। অদুদগী য়ুথল অদু হাইদোক্কুনা তপ্পা চগুলকনি। হৌজিক্তি ভাবোক ময়ামগী মমাঙদা পাত্র অদু লেপ্পুনা লৈরে। মহাক্না ভাংগদৌরিবা থাহৈশিং অদুগী শরুক থরা শৈরেং ওইনা থি। নঙ্গিয়ারগী ঈশৈ শৈহেক্কী মতুংইন্না খোঙ থাংবা অমদি লেঙ-ওৎপগী অভিনয় কয়া তৌই। কুডিয়াত্তম

লীলাদা এক্টরশিংগী খোঙথাং, শাথেক্লচিংবগী নিয়ম য়াম্না কৃপ্পা লৈ। নিয়মশিং অসি য়াম্না পাক চাউই, য়াম্না লুই। পূর্বরঙ্গ শান্নবতদ মুমিং ৬/৭ নি চঙই।

নির্বহণম্

মথক্তসু পনগ্রে, কুডিয়াত্তম লীলাদা শান্নরিবা অসি অচৌবা লীলা মপূম অমগী অঙ্ক (এক্ট) অমথক্তনি। অদুবু অঙ্ক অসিমা শান্নবদা য়ামগ্রবদা মুমিং ১১ নিদি তঙাইফদনা চঙই। কবিগুম্বদা মুমিং ৩৫ নি শান্নবা য়াউই। 'ভগবতজ্জুকীয়ম্' হায়বা লীলা অসি শান্নবদা বিদূষক মতোমতনা চয়োল অমগী মতম লৌই। তশেংবা কুডিয়াত্তমগী শরুক অদুদি অরোইবা মুমিদাং অদুম অদুদা শান্নবনি। মসিগী মমাংগী মুমিংশিংদা শান্নরিবনা কুত্তে (Kutte=monoact) হায়বদি চরিত্র অমা থোক্লক্লগা জগোই শাদুনা, ঈশৈ শক্তুনা লৌথংলিবা অঙ্ক অসিগী মমাঙগা য়ারী লীবা, য়ারী নৈনবা, চরিত্রশিং তাকপা অসিনি। মসিবু নির্বহণম্ কৌই। অহানবা মুমিংকী পূজানচিংবা তৌবা লোয়রগা মথংগী মুমিত্তগী নির্বহণম্ অসি হৌই। মসিদা নায়ক অদুগী মনাঙগী হৌগ্রবা পুন্সিগী নরমদা শন্দোক্না তাকই। নির্বহণম্ অসি মুমিং ৪/৫ নি চৎথৈ। মথংদা বিদূষক্কী শরুক লাকই। মহাক্না মুমিং খরা শান্নৈ। থ্বাইগী অরোইবা শরুক্তা কুডিয়াত্তমগী থঙ্গৎলক্লিবা অঙ্ক অদু শান্নৈ।

মুতিয়ক্কিত্তম (পোলোই)

কুডিয়াত্তম লীলা শান্নবগী অরোইবা মুমিং— পোলোই অসি নিয়ম অমগী মথাদা লোইশিল্লি। অরোইবগী মতাং অসিদা নায়ক নত্তুনা অতৈ পাত্রশিং লোয়নমক মঞ্চদগী থোকথিগনি। লম্বিয়ারনা অচৌবা পুংজাউ থিন্দুনা শৈরোই শক্কনি। নায়ক্কী ভূমিকাদা কুম্লিবা চাক্কিয়ারনা খোঙথাঙ কয়াগা লোয়ননা জগোই

শাগনি। মতুগী মতুংদা মখোঙ মখুৎ শেংনা হামদোক্লগা দোশি অমা লৌথৎকনি অমসুং মচু মৈ চুখৎলবা মতুংদা হান্না থাল্লবা থাউমৈ অচু মুৎথৎলগা মচুদগী দোশি অমখত্তমক চৈ চুখৎকনি। মসিনা কুডিয়াত্তমগী অরোইবনি।

আহার্য্যঅভিনয় (ফিজেৎ-লৈতেং)

কুডিয়াত্তমগী ফিজেৎ-লৈতেং অমদি মায়দা য়েক-খোৎপা (make-up) অসি য়াম্না কুপ্পা নিয়ম অমগী মখাদা পাঙথোকই। অয়াম্বনা কথকলিগা মান্নৈ। কথকলিগা অমুক কার্নাতক্কী যক্ষ-গানগা মান্নবা কয়া অমসু লৈরি। ফিজেৎ-লৈতেংশিং অসিগী হৌরকফমদি মমাঙডৈগী রিচুয়েল অমসুং ত্রাইবেল মোটিফ (tribal motif) কয়াদগী শাগৎখিবনি। কোক্কি লৈতেং, শেৎন-ইন্নবা পুম্নমক চরিত্র অমদি থৌদোক্কী মতুং ইল্লি। মচু কয়ানা মায়দা য়েকশিল্লি। মায়দা তৈনবা মচুদি চেং, মৈতান অমদি লমচুদা ফংবা পোৎথোক কয়ানা শেমই। লাই, হিংচাবা, অফবা, ফত্তবা চরিত্রগী মতুং ইন্না মাইদা য়েকপা মচু অমসুং মওংসু থেন্নৈ। অচুনা মাইগী য়েকপা-খোৎপা অসি চাউরাক্না মখল মরী থোক্লা খায়দোকই — ১। পক্কা (Pacc=রাম, আর্জুননচিংবা নিংথৌ মচাশিংদা তৌই), ২। পঝুক্কা (Pazhukka=মগুণ লৈবা নিংথৌশিংদা য়েকই), ৩। কত্তি (Katti=ফত্তবা মীওইশিং রাবননচিংবদা য়েকই), অমসুং ৪। কারি (Kari=হিংচাবী-নচিংবদা অমুবা মচুনা য়েকই।)

অভিনয় (এক্টিং)

কুডিয়াত্তমদা শীজিন্নরিবা অভিনয় অসি য়াম্না পাক চাউই। মরু ওইনা 'নাট্যশাস্ত্র'না য়ুম্ফম ওই। অচুবু চাক্কিয়ারশিংনা ইবা 'হস্তলক্ষণদীপিকা'নচিংবা লাইরিকশিং অসিসু শিজিন্নৈ। মমাঙ-ঙৈগী সংস্কৃত থিয়েটরদা রাহৈ-পরেংদ নত্তনা রাহৈ অমগী খোম্লোব

অসি অভিনয়না উৎলি। মসিগী মরমদা শাস্ত্র কয়াদা য়াম্না পাকচাউনা শন্দোক্লা ইতুনা থনমই। অভিনয়গী মরমদা নন্দকেশ্বরগী 'অভিনয় দর্পন'দা শম্না ইরি— "চীন্দা ঈশৈ শক্কনি (নত্রগা রা ডাঙগনি), খুৎনা অর্থ ফোঙদোক্কনি, মীৎ অনীনা ভাব ফোঙদোক্কনি, খোঙনা তাল থাগনি। মীৎনা খুত্তা য়েংগনি, মীত্তা ভাব চেনগনি। ভাবনা লৈবা মফমদা রস লৈগনি।"

আঙ্গিকাভিনয়

মসি হকচাং মপূম্না নত্রগা মতেক্লা পূক্লিংগী ভাব ফোঙদোকপনি। চুম্না রাহৈপরেং অমগী অর্থ অদুগী অপূনবা ভাব অমা ফোঙদোকপা নত্তে। রাহৈ খুদিং তপ্পা মচা তানা হায়গনি। রাহৈগী ধাতু অমদি প্রত্যয় অদুস্তু ইঙ্গিতনা ফোঙদোকই। মসিদ নত্তনা রাহৈদুগী বচন, লিঙ্গ, কালনচিংবা অদুফাউবা অভিনয়না ফোঙদোকই। খুদম ওইনা, 'সুভদ্রা-ধনঞ্জয়' কৌবা লীলাগী অহানবা অঙ্কদা ধনঞ্জয়না (অর্জ্জুন) নায়িকাবু (সুভদ্রা) কনানো হায়বা মশক খঙদনা কনবগী মতাং অমদা সুভদ্রাগী ফজবা শকফম উবদা অর্জ্জুন্না হায়রকই,—

চলকুবলয়ধাম্নোরজ্জ্বলস্নিগ্ধমক্ষেণা:
ভয়চলধৃতি যুগ্মং কেয়মালোলয়ন্তী।
মুখপরিমললোভাদ্ ভৃঙ্গদত্তানুয়াত্রা
শিথিলয়নি সুভদ্রামুদ্রিতং মানসং মে॥

সুভদ্রাবু উরুবদা—

[নুংশিৎকী শাফুনা] তথক তথক হাইহুম্লিবা
অশংবা থম্বাল পরেংশিংনা তৌবগুম্না ঐহাক্কী
মীৎফম অনীমক তথক্‌প মতৌ অমদি কিরপ
তৌব মতৌ অনীমক্না য়াম্না মীৎফম চোইরি।
অদুগা মায়থোঙ্গী নুংশিরবা মনম অদুতবু পামজরদুনা

খোইমুশিংনা মঙোন্দা তক্তনা ইন্নজরিবা সুভদ্রা
(কোবী) না— ঐহাক্কী পূক্লিং রাখন্দা (মনদা) মশক—
নাইরবা খুদম (চিহ্ন) অমা থারহ্নুনা (য়েক্লহনুনা)
ঐবু খোয়দোক্লা শোম্বহল্লি।

মথক্কি শ্লোক মচা অসি অভিনয় তৌহনা উৎপদা পুং ২/৩ হেন্না চঙই। মীৎফম – অসিমক থাবদত য়াম্না কূপই। করম্না মিং ? তথক্ত্প মতৌ। তনৌরিবা থম্বাল মান্‌বা অসিনচিংবা কয়া। অমুক সুভদ্রাগী শক্তম লৌহনা অভিনয়সু তৌই। সুভ-দ্রাগী লৈতেংবগী মওং মতৌ অমুক উৎলি। অসুম্না পরেং মতেক অসিদগী লোইনাইদ্রবা থৌদোক কয়া চীংথোক্লকই।

বাচিকাভিনয়

চীনগী থবক্লা হায়বদি রাঙাং-শাঙাংনা নভ্রগা ঈশৈনা মপুং ওইবা অভিনয়নি। লীলাদা য়াউরিবা রাহৈশিংহ্নু অচুম্বা খোন্থোক্লা হায়বা অসিনি। চাক্কিয়ারশিং অসি সংস্কৃত শ্লোক থিবদা য়াম্না হৈশিংই। মখোয়না য়াম্না তপ্না, ছন্দ নাইনা রাহৈগী খোন্থোক্কী মতুংইন্না থি। মসিদা রাগ কয়ামরুম শীজিন্নৈ। খোন্থোক অসি অরাংবা, ময়াম অমস্তুং তানেম্না হায়না থান্নদোকই। অপাম-নুংশি, ঋতু, পূক্লিংগী ফিভম মতুংইন্না খোন্থোক তোংঙাল্লি।

সাত্ত্বিকাভিনয়

মসি তৌশিন্নবা ভাব য়াউদনা অশেংবমক হেক উৎপবু খঙনৈ। মসি য়াম্না লুবা অভিনয় মখল অমনি। অকনবা পূক্লিংগী শাজেন অমদি সাধনা য়াউদনা হেক ওইথোকপা ঙমদে। 'নাট্যশাস্ত্র'দা মসিগী মরমদা চাউরবা পন্দুপ অমা কায়থোক্লনা নৈনৈ। কুডিয়াত্তমদসু মসিগী অভিনয় অসি য়াম্না লুনা, চেৎশিন্না তৌনৈ। হুকচাংগী লেঙওৎপা য়াউদনা চুম্নগী মিং, পিশুম,

চিনবান, খজাই লেঙ-ওংপদনা পূক্লিংগী অশেংবা ভাব অদু ফোঙদোকপা ঙমই। করিগুম্বা, অকিবা, তুচুংবা থোদোক অমা উরুবদগী তশেংবা থোদোক অদুগী মমি— ভাব অদু মাইথোংদা ফোঙদোকহনবদনি। কুডিয়াত্তম কলাকারশিংনা অহানবদা সাত্ত্বিকাভিনয়না ফোঙদোকই। অদুদগী শ্লোক থি। অদুগা আঙ্গিকাভিনয়না অমুক শন্দোক্লা তাকই।

বিদূষক

কুডিয়াত্তম লীলাদা বিদূষক অসি য়াম্না মরু ওইবা চরিত্র অমনি। মহাক মপুংওইনা ফাগি-জগাই তৌবা মীশক্নি। মাগী শরুক অসি নোংমগী অসুম অসুম চাউখৎলক্কুনা অতৈ চরিত্রশিং অসি পীকশিনখিবগুম তৌই। ৱাঙাং-শাঙাংদা ফাগিয়াম্না য়াউই। মনিং-মখা য়াম্না তমই। ফিজেৎ-চাকচা য়েংবদা নোকনিংই। চৈশু অমা থাদে। চরিত্রময়ামগী মনুংদা মহাক মতোমতনা মালায়ালী লোন ঙাঙই। অতোপ্পা চরিত্রনা সংস্কৃত লোন্দা ঙাঙবা ৱাদু মহাক্না মালায়ালী লোন্দা হন্দোক্তুনা শন্দোক্লা তাকই। মহাক্কী হৈশিংবা ৱাঙাং-শাঙাং অমদি নোক্লিংবা মতৌনা বিদূষক অসি য়াম্না মরু ওইবা, মীনা পাম্নবা চরিত্র অমা ওই। কুডিয়াত্তম লীলাদা মহাক্তুনা হুমিং মরীনি লীলা শাম্নৈ।

নিংথৌগী লৈঙাকলোন অমদি শেনজা-থুমজাগী মরমদা নাকোয়ননা চৈবা, করেম্নবা, মীওইবগী অচুম-অরান লমচৎকী মরমদা, ধর্ম্মগী মরমদা, মীওইবগী হিংবগী পান্দমগী মরমদা বিদূষকনা নৈনৈ। মসি মহাক্কী লীলা বিষয়নি। সংস্কৃত ড্রামাদা পীরিবা বিদূষকক্কী থৌদাংদগী য়াম্না হেন্না চাউনা অমসুং হেন্না মরু ওইনা কুডিয়াত্তমগী বিদূষকনা শরুক য়াই। মসিদা হেন্না মপুং ফারবা বিদূষক অমা উবা ফংই।

ভারতকী অনৌবা ড্রামাগী হাওন্দা
রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী দান

সংস্কৃত লোন অমসুং সংস্কৃত থিয়েটরনা অসুম অসুম শীথরকপগা লোয়ননা ভারতকী ড্রামা অসি লৈখা তাথরকখি। মধ্যযুগকী মতমদা লম লমগী ট্রেডিশনেল থিয়েটর কয়া ময়োন চোংথৎলক্লবসু মখোয়না ক্লাসিকেল সংস্কৃত থিয়েটরগী থাক য়োনা কাখৎপা ঙমখিদে। অদুনা, মতম য়াম্না শাংনা ভারতকী থিয়েটরনা চাউখৎপা ঙমদনা, শক-চু থোক্তনা ১৯শুবা শতাব্দীফাউবা অৱাবা থাংদুনা লেনবা তাখি। মুসলিম্না পানবা মতমদা ভারতকী নাট্যকলানচিংবা কলাবিদ্যাশিং অসি লৈখা তাখি। মথংদা অমুক বৃটিশকী মতমদা নোংচুপকী সভ্যতাগী অকনবা মুংশিংনা হুমজিল্লকপদগী হান্ননা লৈখা তাদুনা লৈরক্লবা ভারতনা মশাগী ট্রেডিশন অমসুং কৃষ্টি কাউথোকখিদুনা মপা-মপু অমসুং লৌ-ইংখোল লৈজদ্রবা লমজা সরাগুম য়াম্না পিদোম্না লৈরকখি। অসিগুম্বা 'অমম্বা যুগ' নত্রগা H.W. Wells গী লোন্দা হায়রগা 'splendid isolation' অসিগী মতমদা ভারতনা মশাগী ইনাক খুল্লবা নাট্যকলা কাউথোকখিদুনা মতমগী কল্লবা ঈথিনগী মতুংইম্না নোংচুপকী মতৌ তম্বা অমনবা ড্রামা (ফম্বাক লীলা, proscenium theatre) অসি অনৌবা ড্রামা ওইনা লৌখি। অসুম্না, নোংচুপকী ড্রামাগী মওং তমদুনা অমসুং মওং লৌদুনা ভারতমচা কয়ানা ভারতকী অনৌবা ড্রামাগী মশক শাগৎপা হৌখি।

লম কোয়বা, রুস মচা Herasim Lebedelf না কালিকাতাদা খৃঃ কুঃ ১৭৯৫ দা 'বেঙ্গল থিয়েটর' লিংথত্লুনা ইংরেজী ড্রামা অনীথক (The Disguise অমসুং Love is the best

Doctor) বাংলাদা হন্দোক্লুনা শান্নখি। মসিনা অহানবা বাংলাদা শান্নবা নোংচুপকী ড্রামা মওংনি। মখা চথখিদে। লীলা ইবিনবা মী লৈখিদে। ইষ্ট ইন্দিয়া কোম্পানীনা খৃঃ কুঃ ১৭৭৩ দা কলিকাতাদা কোন্থং হোংহুনা মরা চেৎনা লৈবাক শাসন তৌরবা মতুংদা থিয়েটর কয়া লিংখৎলম্মী। Warren Hastings না খৃঃ কুঃ ১৭৭৯ দা 'কলিকাতা থিয়েটর' শারম্মী। থিয়েটর অসি চহী ৩৩ হিংলম্মী। মসি নত্তবা, Mrs Bristow's Private Theatre, Wheler Place Theatre, the Dum Dum Theatre, the Chowringhee Theatre, অসিনচিংবা কয়া। অসুম্না, সাহেবকী পুন্সি অমসুং ঈশিং-লুংশিং চুরবা কলিকাতা সহরদা কেজব-মৌজবা পামজবা সাহেবশিংনা 'ইংরেজী থিয়েটর' হৌদোকখি। মসিদা লণ্ডণদগী মমিং চৎলবা কল্লাকার কয়া লাক্লুনা শরুক য়াবা য়াউখি।

মসিগী মতুংদা 'হিন্দু থিয়েটর' কয়া লিংখৎনরকই। কনানা ময়ুমদা, কনানা লৈকাইদা থিয়েটর হোল শাহুনা থিয়েটরগী ঈচেল অসি তপ্পা তপ্পা চেনবা হৌরকখি। খৃঃ কুঃ ১৮৩১ দা প্রসন্ন কুমার ঠাকুরনা 'হিন্দু থিয়েটর' অমা লিংখৎলি। খৃঃ কুঃ ১৮৩৫ দা নবীনচন্দ্র বসুগী ময়ুমদা ষ্টেজ শাহুনা বাংলা লোন্দা ইবা অহানবা লীলা 'বিদ্যা সুন্দর' অসি শান্নখি। মতম অদুদা বাংলা লোন্দা লীলা ইবিনবা মী লৈরমদে। লীলা অয়াম্বা সংস্কৃত অমসুং ইংরেজীদগী অনুবাদ তৌরগা শান্নবা ওাক্লনি। অদুনা, বাংলা লোন্দা ইবা লীলাদা লুঃ ২০০/- মনানচিংবা পীহুনা লীলা ইবা থোক্লক্লবা কল্পা হোৎনখিবা মতম অমনি। অদুদগী মথং মথং ওইনা মাইকেল মধুসুদন দত্ত, দিনবনধু মিত্র, রামনরায়ণ, গিরিশচন্দ্র, দ্বিজেন্দ্রলাল, বঙ্কিম, রবীন্দ্রনাথ, শরতচন্দ্রনচিংবা থোক্লক্লুনা নাটক (ড্রামাটিক লিটেরেচর) অসি চাউথৎলকখি। খৃঃ কুঃ ১৮৭১ ফাউবদা বাংলা সাহিত্যদা ছাপা তৌরবা নাটক

৪১ খক ফোঙলে। অতুম ওইনমক, নোংচুপ্তগী পুবা অনৌবা ড্রামা ইবা কলা অসি হৈহ্নুনা, কলা অসিবু মশাগী ওইনা খুৎলোয়না শীজিন্নহ্নুনা, কলা অসিদা য়াম্না হৈথোই-শীংথোইরবা মমিং চৎপা, অফাউবা, অচৌবা ড্রামাটিষ্ট অমা ভারতকী ওইনা পুথোকপা হায়বা অসিদি য়াম্না তাঙনা থোকখি। চহী কয়া চঙখি। মসিগী থাক অসি বাংলা সাহিত্যনা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মখুত্তগী ফংজখি। হিন্দী সাহিত্যদা, খৃঃ কুঃ ১৮৫৩ দা লক্ষ্নৌদা 'ইন্দ্র সভা' হায়বা নাটক শান্নহ্নুনা ড্রামাগী ইতিহাসদা খুমাঙ চাউশিন্না হৌগ্রফাউবদা, খৃঃ কুঃ ১৯৫০ ফাউবদা য়াম্না শীংথানবা য়ারবা, অচৌবা নাটকার লৈতে হায়না কনাগুম্বা পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ। কায়নথংদা, ধর্মবীর ভারতী অমসুং মোহন রাখেশকী মখুত্তা হিন্দী নাটক্কী ফজবা, অরাংবা কলা য়ৌবা ঙমখি হায়না মোত পীনবি। অসুম্না ভারতকী লোনশিংনা অয়াম্বদা সংস্কৃত অমদি মীরোন্দগী শীন্দোকপা, পুবা, শেমদোকপা লীলানা খুৎমাবা ওইরগা মশা মশাগী লোন্দা ড্রামা ইবগী কলা অসি কোন্না চাউথৎলকপা ঙাক্তনি। অরাং অমসুং নোংপোক ভারত্তদি কলিকাতানা সংস্কৃতিগী কেন্দ্র ওইখিবা মরম্না বাংলা নাটকনা ঈচেলগী হৌরকফম মরু ওইরগা হিন্দী, উরিয়া, আসামী, মণিপুরীনচিংবা য়ুম্নোম্নবা লোনশিং অসিদা ড্রামাগী ঈচেল অসি শন্দোকখি। হায়রিবা লোনশিং অসিগী অনৌবা ড্রামাগী য়ুমফমদি বাংলা নাটকনা ওইখি।

মতাং অসিদা পার্সী থিয়েটরগী ঈহৌ অসি তঙাইফদনা পনফম থোকই। মরমদি, ভারত্তা অনৌবা ড্রামা হৌগৎলকপগী তানফমদা পার্সী থিয়েটরনা চহী ৫০ মুক হেন্না অরাং ভারত, দিল্লী, কলিকাতা, বর্মা অতুগা লণ্ডণ ফাউবা য়ৌনা শন্দোক্লুনা লম লমগী ড্রামাদা অকনবা প্রভাব অমা পীরম্মী। "বোম্বেদা লৈবা পার্সী ললোনবা কাঙবুনা হোৎনহ্নুনা, মরু ওইনা Setha

Pestonji Framji না খৃঃ কুঃ ১৮৭০দা 'দি ওরিজিনেল থিয়েত্রিকেল কোম্পানী' হায়বা অমা অহানবদা লিংখৎলি। মথং মথং ওইনা থিয়েটর কোম্পানী কয়া লিংখৎনরকুনা লম কয়াদা শীনবা থুংখি। উর্দু লোন্দা শান্নবা পার্সী থিয়েটরগী ঈহৌগী য়াম্না মরুওইরবা দান্দি— থিয়েটর অসিগী ফজবা মওং অমসুং অরাংবা কলাগী খুৎশেম লৈত্তুনা ভারতকী লোনশিংদা কাম্নরবা মচাক পী হায়বগী নত্তে। পার্সী থিয়েটরগী য়াম্না হন্থবা থাকী লীলা মশান্না, জগোই-ঈশৈ-ফাগী পংতোক্ত তোৎশীন্নবা, মীয়াম অমসুং মীচম্না পান্নবগী দমক্তা কুম্মৈগী ওইনা পংশেমদা শেমজিনবা, শেন ফংনবা হোংনা শান্নবা লীলা মওং অসিনা অতোপ্পা লোনশিংদা থিয়েটরগী ঈহৌ লাক্লবগী অচৌবা তেংবাংবা মখল অমা ওইনা থোকখি। পার্সী থিয়েটরগী মাযয়োক্তা লীলা ইবা কয়া চোংথোক্লকই অমসুং হেন্না ফবা লীলা কয়া ইনবা, শান্নবা হোৎনরকখি।

অহুনা ভারতকী অঙনবা ড্রামা হায়রগা— ইষ্ট ইন্দিয়া কোম্পানীনা লিংখৎপা ইংলিস থিয়েটর, পার্সী থিয়েটর, বেঙ্গলগী অঙনবা হিন্দু থিয়েটর অমসুং বেঙ্গলী থিয়েটরগী মওংগা মান্ননা ভারতকী লোনশিংদা লৈরিবা থিয়েটরগী মওংশিং অসিনি। মসিদা ভারতকী নীংতম্নগী আন্দোলনগী ঈহৌ লাক্লুনা ভারতকী ড্রামাদা হেন্না চাউখৎনবগী থোঙথাং কয়া লাকখি। অসিগুম্বা অনৌবা ড্রামাগী য়াওন অসিদা কবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী অথন্নবা দান করিনো? মহাক্না য়াম্না ফজববা, পৃথিবীনা শীংথানরবা লিরিকেল, সিম্বোলিক, মেতাফিকেল ওইবা লীলা কয়া ইরম্মী হায়বগীরা? নত্রগা মহাক মতোমতনা লীলা ৪০ রোম ইরমত্তুনা ভারতকী ড্রামাগী ইতিহাসদা লীলা মশীং য়াম্না দান তৌরম্মী হায়বগীরা? মহাকী খ্বাইদগী শীংথানবা য়ারবা দান্দি— চহী ৯৫০ রোম কাউথোকউরবা, ভারতকী পরমপরাদগী শাগৎপা, ভারত মশাগী নাট্যকলাগী ফজরবা মশক অসি নোংচুপকী সভ্যতানা

যাই থাবগুম ককওাউনহুনা লৈকরবা ভারতমচাশিংদা নৌহৌনা মায়থুম হাংদোক্লক্কুনা ঐথোয়গী ইশাগী অশেংবা শক খঙজনবা ঈহে। অমা পুরকখিবা অসিনি।

রবীন্দ্রনাথকী অহানবা লীলা 'বাল্মীকি প্রতিভা' ইং ১৮৮১ দা উৎপদগীনা ইকোন কোনবা লীলা 'শ্যামা' ইং ১৯৪০ দা উৎপা অসিগী মন্থুংদা মতম কয়া কান্নবা মাগী লীলা ৪০ বোম অসি ইথি অমসুং উৎখি। মাগী লীলাশিংদি অযাম্বনা মানা ডিরেকশন তৌরগা শান্তিনিকেতনদা নম্মা শান্নৈ। মরক মরক্তা কলিকাতাদা লাক্কুনা উৎপস্থ যাউই। মহাক চুম্নগী লীলা ইবা অমা ওইবদা নত্তনা থিযেটর কলাগী চঙখোল্লবা জ্ঞান অমসুং গুণ লৈরবা, মমিং চৎলবা ডিরেক্টর, প্রোডুসার, কমপোজর অমসুং এক্টর অমসুনি। অহুবু শরাবর্দি, ভারতকী লেৎরবা থিযেটরগী নীশক অসিবু মতম অহুগী মীওইশিংনা মশক মুম্না খঙবা ঙমখিদে। মরম অহুনা মহাক্কী থিযেটরনা বাংলা থিযেটরদা প্রভাব পীবা ঙমখিদে। মহাক্কী থিয়েটরনা কলিকাতগী মমিং চৎলবা কমর্সিয়েল থিয়েটরশিংগী নাক নকউবা ঙমদে টেগোরগী থিয়েটর মীযাম্না থৌশাবিদনা, মরিং মরাং ওইনা মতম কুইনা নাইতোম তাহুনা লৈখি। মতম অহুগী থিযেটরগী মীওইশিংনা রবীন্দ্রনাথকী লীলাশিং অসি শৈরেংনা হাবা, ঈশৈগী শরুক যাম্ন য়াম্না য়াউবা, য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা, আধ্যাত্মিক্কী রাখল চেনবা ষ্টেজদা উৎপা য়াদবা লীলানি হায়না খনখি। অহুনা মখোয়না ভাব তানা অমসুং মায় পাক্না মাগী লীলা অমত্তা উৎপা ঙমখিদে। কলিকাতাগী এমরালড থিয়েটরনা (শিশির ভাদুড়ীনা পুখোকপা) ইং ১৯২৯ দা পুখোকপা 'রাজা ও রাণী' অমদি ইং ১৯২৫ দা ষ্টার থিয়েটরনা উৎখিবা 'গৃহ প্রবেশ' লীলা অনীমক মায পাকপা ঙমখিদে। রবীন্দ্রনাথকী অচৌবা লীলাশিং বিসর্জন (Sacrifice), রাজা (the King of the Dark Chamber), ডাকঘর (Post Office), রক্তকরবী

(Red Oleanders), মুক্তধারা (the Released Stream) অসিনচিংবা অসি কলিকাতাগী কমর্সিয়েল থিয়েটরদা চত্তবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মমৈদা রবীন্দ্রনাথকী লীলাশিংবু য়াম্না মায় পাক্না পুথোকখিবা নিপাদি শম্ভু মিত্র অমসুং উৎপল দত্তনি। মথোয়না মহাক্কী লীলাশিংগী ফজবা মগুণ লোয়ননা ষ্টেজদা মায়পাক্না উৎপা য়াবগী মওংশিং অদু ইহান হানবা ওইনা (রবীন্দ্রনাথনা সংসার থাদোকখ্রবা মতুংদা) উবা ঙমখি। বহুরুপী থিয়েটরগী মমিং চৎলবা ডিরেক্টর শম্ভু মিত্রনা রবীন্দ্রনাথপু অচৌবা লীলা ইবা অমনি হায়বসি চপচানা য়াখি। মহাক্না য়াম্না মায় পাক্না 'রক্তকরবী'-নচিংবা লীলাশিং অসি পুথোকখি।

রবীন্দ্রনাথনা মাগী অঙনবা লীলাশিংদা নোংচুপকী নমুনা লৌদুনা অদুগা মতমদুদা চৎনরিবা 'realistic representation' গী মওংদা লীলা থরা ইক্নরবগী মতুংদা লমদম অসিগী ঈশিং-মুংশিংকা চান্নবা, থিয়েটরগী মশক অমা শাগৎপা চুমই হায়না থল্লকুনা মাগী লীলাগী মওং অসি বেঙ্গালী যাত্রাদা (ফোল্ক ফোর্ম) ইবা হৌখি। অসুম্না মহাক্না থিয়েটরগী লমদসু অঙনবা মতমদুদা অনৌবা থিয়েটরগী ৱাথল মওং অমা শাগৎখি। মসিগী মরুওইবা মরম অমদি মতমদুদা চৎনরম্লিবা বেঙ্গালী ষ্টেজগী রিএলিষ্টিক ঈরাংনা হারবা, লৈরোং-লৈতেং য়াম্না তৌবা, ৱাঙাং-শঙাং একটিং লৈতেং লৈথেৎনা মপুং ওইবা মওং অদু রবীন্দ্রনাথনা শুকপাম পাম্লমদে। অদুনা ট্রেডিশনেল অমসুং ফোল্ক ফোর্মগী ৱাথল নমুনাগী মওংদু মহাক্না লৌরুই। মহাক্না ভাবোক্কীদমক, শেন্দোং অমদি টিকেট শীৎননবগীদমক লীলা ইখিদে। রবীন্দ্রনাথনা মতম অদুগী কমর্সিয়েল থিয়েটরগী লাই ওইনা শোম্নরিবা গিরিশ ঘোষ অমসুং শিশির ভাদুড়ীগী মায়য়োক্না লেপখি।

রবীন্দ্রনাথকী থিয়েটরদি মপুং ওইনা কবিগী মীৎয়েংদগী শাগৎপা ৱাথল-মীৎয়েং অমনি। মহাক্না থিয়েটরবু কবিতানা

মপুং ওইনা অমস্তুং পুংশুপ শুপ্না শাসন তৌবা. মুংগী অশেংবা অচুম্বা মশক ফোঙদোকফম মফম অমা ওইবা পামখি। ইং ১৯০২ দা মহাক্না ইখি,— "ভারতকী 'নাট্যশাস্ত্র'না ষ্টেজগী মরমদা ইরমই অতুগা অয়েকপা সীনরীগী মরমদদি করি অমত্তা পল্লমদে। পল্লমত্রিবসিনা করিস্তু অচৌবা অমাঙবা অমত্তা থঙহনবা লৈতে হায়না ঐনা খল্লি......। একটিং হায়বা কলা অসি শৈরেংগী তেংবাংনবগীদমক লৈগদবনি। অতুগা মসি হায় হায়তুনা মসিনা অতোপ্পা কলাশিংগী মীনায় ওইগদবনি হায়বা লৈতে। লীলাদদি লীলাদা শীজিন্নরিবা রাহৈশিং অসিনা এক্টরদা য়াম্না হেন্না দরকার ওই। অতুগা করিগীদমক্তা এক্টরগী নাকন্দা অয়েকপা সীন দরকার ওইরিবনো? উপাল অমা-অনী নত্রগা কা অমা নত্রগা তুরেল অমা রাথম্না শাবা হায়বসি অরুবা নত্তে। করিগুম্বা অয়েকপা সীনগী মতেং শীজিন্নতুনা কল্পনা খজিক্তুং শীজিন্নবগী থবক অসি ঐখোয়দা য়াহন্দ্রবদি ঐখোয়বু মপুংফানা থাজদবগী খুদম্নি। মরম অসিননি ঐনা বেঙ্গলগী যাত্র'বু পাওরুরিবা। যাত্রাদদি এক্টরগা ভাবোক্কগী মরক্তা তোথায়না তাহনবা অথিংবা অমত্তা লৈতে। মখোয় অনীগী মরক্তা মহৈ মহৈ থাজনবা অমদি তেংবাংনবগী থৌরীনা পুনশিন্নতুনা লায়না শমজিন্নহল্লি। মসিনা পাওথোক্কে নীংলিবা থবক মায়পাক্না পাওথোকপা ওমই।" (ইংরেজীদগী ঐনা হন্দোকচবা)। অতুগা মহাক্না মতমতুদা চৎনরিবা একটিংগী ষ্টাইল অতুবুস্তু পাল্লমদে। মাগী 'পথের সঞ্চয়' হায়বা লাইরিক্তা মহাক্না ইরি,— "একটিং হায়বা কলাসিদা অতোপ্পা কলাশিংদগী হেন্না মতৌতম্বগী শরুক্না হেন্না মরু ওইরবস্তু মসি তেনবাগী মতৌগুম্নদি তৌগদবা নত্তে। একটিংনা নেচরিএলিজমগী য়ুখলদগী তোথায়না লৈবগী মথৌ তাই অতুগা মসিনা মুংগী ওইবা অচুম্ববু ফোঙদোক্কদবনি। করিগুম্বা মতৌতম্বা নেচরিএলিজমদা কাহেন্না কন্না মপুং ওইহল্লবদি মুংগী শক্তম অতু মশেং মরাংলকই। করিগুম্বা

চরিত্র অমগী থম্মোয়নুংগী চরাংনবা ভাব ফোঙদোকপা মতমদা এক্টর অদুনা কাহেনজিনবা হকচাংগী ইঙ্গিত, অভিনয় অমসুং লৈতেং-য়াউবা বাঙাংগী মতেং লৌরূই। মসিগী মরম অসি ঐনা থনবদা তচুম্বদু ফোঙদোকপগী মহুত্তা চুম্নগী মতৌ তম্বতনি। চিন্তিবা সাক্ষী অমগী মতৌগুম মহাক কাহেনজিনবা তারকপনি। ঐখোয়গী থিয়েটরদা মুমিৎ খুদিংগী চিন্থিরবা সাক্ষীশিংগী থৌরী হাইদুনা চৎপগী শাপিরবা মহৈ অদু তত্তুনা উরি।" মখাতানা রবীন্দ্রনাথনা হায়,—"ইংলণ্ডদা ঐনা মসিগী চপচারবা খুদম অমা উবা কঙখি: ঐনা Hamlet অমসুং Bridle of Lamarmoor গী Irving বু (এক্টর অমনি) য়েংবা চৎলমই। ঐহাক ঙকপনা থম থেংখি। মহাক্কী মনিং-মথা তম্বা, কাহেনজিনবা একটিং অদুনা লীলাদুগী মমুংগী ফজবা অমসুং ময়েক শেংজবা পূম্নমক লোয়না মাঙহল্লমই। মদুনা কনাগুম্বগী ইন্দ্রিয়শিংবু দি য়াকায়হল্লম্বা য়াই তৌইগুম্বসুং পোৎ অদুগী থম্মোয়নুংগী আ! কাচিন য়োৌনা চঙগে হায়না হোৎনবা মতমদদি মদুনা লানঙমদ্রবা পন অমগুম থিংদুনা থমই।" Irving হায়রিবা এক্টর অসি মতমদুগী বেঙ্গলী থিয়েটরদদি ঈরাৎনফম মীশক অমগুম লৌনরিবনি। ইং ১৯২৯ দা 'তপতী'গী বাহোদোক্তা রবীন্দ্রনাথনা ই,—"The adorment of the stage in modern European theatre by realisti. sets and painted scenes is an intrusion. It is childish and merely tries to beguile. It is a barrier put up by force and narrow down the imagination of the spectator. That is why I never humour in any production in which I have in hand, the adolescent habit of frequent change of scenes and moving the curtain up and down. Such a thing mocks outer reality on the one

hand and prevents inner truth from emerging on the other " মরম অদুনা টেগোরনা য়াম্না মুন্না থল্লবগী মতুংদা ভারতকী পরম্পরাদগী চত্থরক্লিবা ফোক্ক ট্রেডিশনগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনখি। মহাক্না মীয়ামগী ওইবা, মপাস্তোংগী ঈরাংদা শাগৎপা থিয়েটরগীদমক খোইরাংখিদে। ফজরবা কবিতাগী, য়াম্না থোৎ নৌরবা কলাগী অশেংবা মহাও তংবা পাম্বা অথম্নবা মীওইশিংগী থিয়েটর অমা শাগৎনবা হোৎনখি মীৎয়েং অসোমদা রবীন্দ্রনাথ অসি W. B Yeats কা মান্নবা কয়া লৈ। Yeats না আইরিশকী অরিবা ফোক্ক ট্রেডিশনদগী রারী কয়া খোমগত্তুনা আইরিশকী অশেংবা শক্তম তাকপা, আইরিশকী ওইবা থিয়েটর অমা কবিতানা মপুং ওইহনা শাগৎনবা হোৎনখি। Yeats না হায়খি, — "I wished through, through a commingling of verse and dance, through singing that was also speech, through what I called the applied arts of literature, to plunge it back into social life." মবাল্লিনা (মবাল্লিমক লীলা ইবা অমা ওইনদি কনাগুম্বন শীংথানবিদে) poetic dramaturgy গী কলাগী শক্তম অমদি শেমগৎলমই। থিয়েটরদা অগোই-ঈশৈ, শৈরেং অমদি সিম্বোলিজম শীজিন্নহুনা সাহিত্যগী অনৌবা খুৎশেম অমা দান তৌরম্মা মীশক ঙাক্তনি।

রবীন্দ্রগী লীলাগী পুন্সিগী ময়ায় ওইবা তাঙকক চীংলিবা মাগী খ্বায়দগী মমিং চৎলবা 'ডাকঘর' অসি (টেগোরগী মমিং চৎলবা পণ্ডিত Edward Thompson না লীলা অসি "of one texture of simplicity thought and within its limits an almost perfect piece of art" হায়না শীংথাই) ইং ১৯১৭ দা মাগী ময়ুম-ডোড়াসাঁকোদা উৎপা মতমদা মহাক্না শাগৎচরিবা থিয়েটরগী অনৌবা রাখল অদুগা চান্নবা উৎখি। ষ্টেজদা সেট থোয়না শীজিন্নদে। প্রোসিনিয়মদগী হেন্দোক্তুনা

চরুনা কুপ্পা লল্লায়গী ইচমচম্বা য়ুম মচা অমথক উৎলি। অসুম্না লীলাগী ফিজেৎ লৈতেংনচিংবা অরাইবা শীজিন্নদ্রে। মখোয়না শেমজ-শাজবা ইচমচম্বা ফিজোল, পোৎ-চৈ শীজিন্নৈ। থিয়েটরদা শীজিন্নবা যন্ত্রশিংসু মীরৈবাক্কী পোৎ থাদোক্কুনা লমদমসিগী ওইবা হায়গী পোৎনা মচুৎ শীনবা হৌখি। 'চিত্রাঙ্গদা'সু ইচম চম্না, ভাবোক্না মায়কৈ মরীদা কোয়না ফমদুনা যাত্রাগী মওংদা উৎখি। রবীন্দ্রনাথনা হায়রম্লিবা অমসুং মানা শাগৎলম্লিবা থিয়েটরগী মশক অসিদগী করি খণ্ডবা ওস্বগে হায়ববু মহাক্না নোংচুপ্পগী মতৌ তম্বা থিয়েটর থাদোক্কুনা লমদম অসিগী হারদগী শাগৎপা, লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিংবা চান্নবা থিয়েটর অমা শাগৎনবা হোৎনখিবনি। জগোই-ঈশৈ, কবিতাগী মতেংনা মীওইবগী নুংগী মপাউখোল অমদি আধ্যাত্মিক্কী অরাংবা রাখনবু য়ান্না চম্বা ষ্টেজদা ফোঙদোক্কবা হোৎনবনি। হায়রিবা থিয়েটর অসিগী মতেংনা মপান্থোংগী অচম্বশিং উৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা মতম পুম্নমক্তা চুমদুনা লৈরগদবা নুংগী শক্লোন অমা মায়থুন হাংদোক্কবা হোৎনবনি। মসিগী মহৈ লৈতবা নত্তে। হৌজিক্কী মতমদা ভারত্তা অকনবা অনৌবা থিয়েটরগী ঈহৌ অমা ওইনা লাক্লিবা ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী ঈচেল অসি মাংজিন থুনা লম্বী য়ানবিরম্লবা রবীন্দ্রনাথকী রাখল লৌবা নত্রগা মমি তাবা হায়বসি শোয়দ্রবা রাফম্নি। তশেংবমক. রবীন্দ্রনাথ ভারতকী অনৌবা থিয়েটরগী লময়ানবা মীশক অমনি।

মণিপুরী থিয়েটরগী য়াওন্না অঙাংহলগী খুদোল

অঙাংহলদি কবিনি। মৈতৈ লংগী ফিজেৎ শেত্তুনা পুন্সি লেনখিবা, লায়রবা, কবি অঙাংহলগী পুন্সিদি কবিত কবি ওইবা পুন্সিনি। অত্তুবু অঙকপদি, মাদি শিনকম শুই। সাহিত্যগী মরুওইবা হীরম লোইনা শোক্লা খুৎথারম্বা অইবদি মহাক মতোম-তনি। মসিমক্লা মাগী মতমগী খুৎমাবা অইবশিংদগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণ অমা ওইরি। অঙনবা মতমদা 'মুপী মচা স্কুলগী' (হৌজিক কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা লৈরিবা মফম অসিদা লৈরম্বা স্কুল শঙ মচা অমা) কুম্মৈদা, ক্লব সঙ্গাবদা শরুনবা অমদি শৈরেং ওইনা থিননবা ঈশৈ, লিরিক মচা মচা ইবা হৌই। (অঙাংহল মশামক ঈশৈ য়াম্না পামই। মখোঞ্জেনসু ফৈ। মতম অত্তুগী অফাউবা ঈশৈ শকপা থম্বৌ, পুমবুম, অমুবী, অঙৌবীন-চিংবগা তিন্নত্তুনা ঈশৈ শকপা য়াউমিন্নরকই। মহাদেব খুরুম্বা, লাই খুরুম্বগী ঈশৈ শকপা য়াওই।) মথংদা লীলা ই— 'থাবল চোংবী' অমসুং 'নিমাই সন্ন্যাস' (গৌরাঙ্গ নত্রগা কাজিদমনসু কৌই।) ইং ১৯২৮ গী অত্তুরাইদা, য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রীঙাংবম শ্যামকিশোরগী মমাং শঙ্গোয়দা ষ্টেজ শারগ শান্নখি। শান্নখিবা লীলা পার্টিনা—'য়াইস্কুল মুপী মচা স্কুল ড্রামা পার্টি'। মসিনা তুংগী এম, ডি, য়ু, ওইরকখি (ইং ১৯৩০, এপ্রিল ১৭ দা লিংখিবনি।) অইবা ভোলুম মাঙপ্রবা লীলা অনী অসি থোইনা মমিং চৎখিদে। অহানবা খুৎথাবা ওইনা তৌই। 'থাবল চোংবী'না য়াউশংগী ফত্তবা উৎপা, নহারোলশিংনা চুরুপ থকপা ফত্তে হায়বা উৎনবা [illegible]বা, সমাজ শেংদোকপমা মপুং ওইবা লীলা মথল অমনি। 'নিমাই সন্ন্যাস'না শুমাংদা শান্নবা, ওপেরাগী মওং

ওইনা তৌবা লীলা মথল অমনি। মথংদা, মাগী খণ্ডকাব্য, শিঙেল ইন্দু, ইং ১৯৩৮ দা ফোঙই। চহী অসিমক্তদা মাগী 'ইবেম্মা' লীলা মায়পাক্লা হন্না হন্না শান্নখি মথং মথং ওইনা ইরকই— 'য়াইথিং কোন্নু' (উপন্যাস), জহেরা (উপন্যাস), থম্বাল (রচনা)। অরোইবা ওইনা, ইং ১৯৪৩ দা ইবা লোয়বা মাগী অথোইবা পোৎথোক থম্বা থোইবী শৈরেং' পুথোক্লকই।) মসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইনা ইবা শৈরেং ৩৬০ য়োম হেন্না লানচেনবদা মাঙখ্রে। তেল্লবা পুন্সিগী খোঙফমদা (১৮৯২-১৯৪৩) অতুগা মতম অতুগী সমাজগী ঈরাং মতাতুদা. ক্লাস ফাইব ফাউবদং তমজহৌবা বাজে মোহরী মহাক্না ইরম্লিবা সাহিত্যগী পোৎথোকশিং অসি অঙকপগী মশাক্ল হায়না লৌবা য়াই। ফি খোঙউপতগী হেন্না উপ্পা ঙমখিদ্রবা কবিগী হোৎনবগী শক্তি, পুক্নিংগী অকনবা থৌনা, লিংজেল ময়াম অসি য়েংউরগা মণিপুরী সাহিত্যদা অঙাংহলগী ফিরেপতি য়েংখৎপদা উবা ফংদবা অরাংবা চীংজাউগী মশক্তি। ৱাথলগী পাকপা অমস্তুং লুবনা সমুদ্রগী মওংনি। মহাক্না ঐথোয়দা 'থম্বা থোইবী শৈরেং' পীরম্বত নত্তনা ইপানাৎ ইপুনাৎকী মরমচং চেনবা, মৈতৈ সাহিত্যগী ওইবা খুৎশেম উৎপা সাহিত্যগী লম্বেল অমত্তু ফাৎপীরমই।

২০ শুবা শতাব্দী হৌরকপদগী, চাউরাক্না ইং ১৯০৩ গী বাবু পাড়াগী বেঙ্গালী থিয়েটরদগী হৌতুনা লান মমাঙ ফাউবদা চৎথরিবা মণিপুরী থিয়েটরগী মশক অসি, তাঙকক কয়াদা অহোংবা থরা থরা লাকখ্রবস্তু, মপুং ওইনদি থিয়েটর ওফ রোমান্স নত্রগা রোমান্টিক থিয়েটর হায়বা মওং অতুনি। য়াম্না রোমান্টিক অমদি মেলোড্রামাটিক ওইবনা মসিগী মরমচংনি। পৌরানিক, ঐতিহাসিক, সামাজিক হায়না থায়বা অমা চৎনম্লিবা অসিদি ৱারী, হীরম অমস্তুং থিমদা থায়বনি। লীলাগী খুৎই মওং, লীলা উৎপা মওং, চৎনবী কয়া ঙাকপা, থিয়েটরগী পান্দম য়েংউরগা

লান মমাঙগী থিয়েটর অসি হায়রিবা রোমান্টিক থিয়েটরগী পরিকর মতুংদা লৈবা ঙাক্কনি। থিয়েটর হায়বসি মমল য়াম্বা কলা অমা ওইনা পোক্ইনা লৌনরক্লদবা, ঙাইহাক মুংঙাইনবা কুম্মৈ ওইনা তৌবা, অচৌ-অশাং, ফয়াইবশিংগী পোৎথাকম ওইনবা, সাহিত্যগী মওং-মরিন নাইরবা পান্দম থোইনা লৈতবা, থরায় য়াম্ববা কাঙবু থরনা হৌহৌ চোংবগী মওংনি। অঙাংহলগী লোন্দা হায়রগা—"মতম অসিদা প্রোফেসনেল ওইনদে, তৌনিংবা অপাপশিংনা মসেন, মপাঙ্গল, মথৌনা তিংনা তৌনৈ। থাইজনা তৌবা থবক্তি।" ('জহেরা', ৩৫ শুবা মতাং, লাঃ ৩২৬।) লীলাগী খুৎই অমসুং লীলাগী ফোর্মনা অমনবা মেলোড্রামাগী মওংদা রিয়্যালিজমগী মচাক থরা থরা য়ানশিনবনি। বারীগী প্লোট য়াম্না চমই। অফ-ফত্ত অচুম-অরান ময়েক শেংনা থাই। দোষ লৈতবা নায়ক, ফত্তবনা য়োম্লবা নোংবান, অফবা গুণ কয়া চেল্লবী নায়িকা, মমৈদা অচুম্বনা জয় ওইবা মাসগী ফোর্মালা অসিনি। ঈশৈ নোংমাই মরাঙ কায়না য়াওই। নাট্যশাস্ত্রগী য়ুম্ফমদা, নবরসকী বিচার পান্দমদা তোংতুনা হেনাজনবা থম্মোয় ঈহুন, ইমোশন অমসুং সেন্টিমেন্ট উৎলি।) থিয়েটরগী রাঙাং-শাঙাং, এক্তিং, শাজৎনা মহৌশাগী ওইবা অচুম্বদগী কাহেনজিনবনা অচুম্বা মওংনি হায়না লৌবা থিয়েটরনি।

অতুব্ অসিগুম্বা বাবুপাড়াগী বেঙ্গালী থিয়েটরগী মাইয়োক্তা হৌরকপা, মৈতৈগী ওইবা রাঙাং-শাঙাংগী থিয়েটরগী মশক অমা শাগৎনবা কন্না হোৎনরকপা তাঙকক অমা লাকখি। অসিগুম্বা অরিবা বেঙ্গালী থিয়েটরদগী তোংঙানবা থিয়েটরগী মশক অমা শাগৎপগী মতাং অসিদা হিজম অঙাংহলগী থৌদাং লৈ। মতাং অসিদা অঙাংহলনা থিয়েটরগী লমদা চোংশিন্দুনা অঙম্বা থৌদাং য়াখি। ঈহৌ অসিদা অঙাংহলগী থৌদাং পীকপা য়াই। অতুব মতুগী ফলদি মমল য়ামই, মতম কুইনগীনি। মহাক্না তুংগী

মণিপুরী থিয়েটরগী ইতিহাসদা য়াম্না মরু ওইবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লমই। মতু মথাদা উৎনবা হোৎনজরি।

ঐখোয়না খণ্ডই— বাবুপাড়াগী বেঙ্গালী থিয়েটরদা শান্নবা (মণিপুর ফ্রেণ্ডস ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, ইং ১৯০৩) পৌরাণিক, ঐতিহাসিক ওইবা ৱারীশিং অমদি বাংলাদগী হন্দোকপা নত্রগা শেমদোকপা নাটকশিং অতু কলিকাতা থিয়েটরগী মতৌ তস্না খুৎথাং থিয়েটরনি। লীলাতগী ওইবা ৱাঙাং-শাঙাং শীজিন্নবা (অননেচরেল টোন), লৈমায়দা থোঙনা থিনবা, থবাক্তা নত্রগা লাইবক্তা খুৎতুম্না কন্না শুতুনা এক্তিং তৌবা, ভাবোক্তা তুং ওনশিনবা য়াদবদগী ষ্টেজ মপাক্তা ফৈনা ফৈনা চঙথোক চংশিন তৌবা, জগোই ঈশৈ, ফাগি-ফরাং হেক্তা হাপচিনবা, তৌহৈ তৌহৈদে হায়বা নিয়ম কয়ানা পুনশিনবা, ঈশৈ য়াউদবা য়াদবা অসিগুম্বা থিয়েটর মওং অসি ইং ১৯২৫ ফাউবা য়াম্না কন্না চৎনরমই। অসিগুম্বা থিয়েটরগী মওং অসিবু পামদবা, য়ানিংদবা, পেন্দবা মাঙই কয়া থোক্লকখি। মখোয়না মৈতৈগী ৱাঙাং-শাঙাং, মৈতৈগী মরমচৎ চেনবা থিয়েটর অমা শাগৎনিংতুনা মতম কুইনা থম্মোয়দা ওমচাক্লতুনা লৈরকখি। অতুবু, বাংলা লোন, বাংলা সাহিত্য অমদি চৎনবীনা য়াই থাতুনা লৈরিবা সমাজ অতুদা অহোংবা পুরকপা অসি অরাইবা থবক অমদি ওইখিদে। অতুমকপু, থোইদোক্লা লাইবক ফবদি, পেন্দবা থম্মোয় ময়ামতুগী মন্নুংদা থ্বাইদগী পেন্দবা নিপা অমদি শ্রীয়ুৎচূড়াচান্দ মহারাজ ওইখি। মৈতৈরোনগী ঈশৈ হৌদোক্লম্বা, হীরম থুদিংমক্তা চাউখৎনবা হোৎনবিরম্বা, মতমগী ঈরাং অমসুং অনৌবা শেমগৎ শাগৎপগী রাখল লৈবা মহারাজনা, থওইনা অকক্লবা পান্দম অমগা লোয়ননা হোৎনতুনা ইং ১৯২৫ গী এপ্রিলগী তাং ৩০ দা শ্রীএল. ইবুংঙোহলনা ইবা 'নরসিংহ' লীলা অসি থৌরাং চাউনা তৌতুনা ম্নাকোম্নুংদা শান্নহনখি। মসি মণিপুরী থিয়েটরগী ইতিহাসদা শীংথানবা য়ারবা, য়াম্না মরু ওইবা

থৌদোক অমনি। "মৈতৈগী ওইজবা লীলা, মৈতৈগী অশেংবা আর্ট, থোনথোক, শাথেক শাওংদা ড্রামা উৎপসি হায়রিবা 'নরসিংহ প্লে, অসিনা অহানবনি।" (১) অসুম্না চুড়াচান্দ মহারাজনা মৈতৈগী ওইবা থিয়েটর অমা শাগৎনবগী য়ুম্ফম থোনখি। মসিগী খুত্থং ইন্দুনা এস. ললিত চোংথোক্লককই। মাগী 'সতী খোংনাং', 'অরেপ্পা মরূপ' (ইংশোক ১৯২৮ দগী ১৯৩১ গী মতমদা উৎখিবা) বেঙ্গালী থিয়েটরগী প্রভাবতগী নাম্থোক্লবা হোৎনবা, মৈতৈগী ওইবা থিয়েটর মওংদা চঙশিনবা, শীংথাংনবা য়ারবা লীলাশিংনি। এস. ললিতকী মখুত্তগী ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী থিয়েটরদা রিয়্যালিজমগী মমি তম্বা হৌখি। "বাঙ্গালীতনা ড্রামা হৈবোই নীংলম্বা অতু মতম ওসিদগীদি মমি শানখ্রে।" (এস. ললিত)। বেঙ্গালী থিয়েটরদা হৌবদগী হৌনা শরুক য়াত্থুনা লাক্লবা খাইদেম নবকিশ্বরনা ললিততা হায়খি— "ললিতসিং, ঐগী ড্রামাগী য়ুগ লোয়রে। নহাক্কী অচম্বা লোনগী ঈচেন্দা মণিপুরীগী আর্টিষ্ট পুম্নমক শোয়দনা ইরোইজরগনি।" (২) (ললিত)।

মতম অসিদা লাকইবা রিয়্যালিজমগী মশক অসি মশেক অমত্তনি, মঙাল মচা অমনি। মপুং ওইবা মশক নত্তে। য়াম্না ওবজেক্টিভ ওইনা ইবুগী থুংই মওংগী অশেংবা রিয়্যালিজমগী মশক অতুদি লান মতুং কাইনখ্বদা তোংব্রাগী মখুত্তগী থোক্লকদৌরিবনি। "সতী খোংনাংদা" লৌমীশিংনা লৌথাউ থুদৈ, লৌথাউ ফুরিৎ শেৎ চাত্থুনা, মখোঙ মখুত্তা লৈথোম লৈনাং তৈশিন্দুনা ষ্টেজদা থোক্লকপদা অহানবা ওইনা অঙকপা, অহোংবা মশক অমা ওইনা থোকখি। ভাবোকশিংনা মতম কুইনদগী ষ্টেজদা থেংনত্থুনা লাক্লবা লাইতিন, অঙম-অথৌ, নিংথৌ ফম্মাইবা, মিৎ থক্লবা ফিজেৎ-চাকচেৎ অহুদগী পুম্নতোন তোংঙাম্না অয়ুক-ঙুমিদাংদা তত্তনা থেংনবা মীচমগী পুন্সি ষ্টরকপদা অনৌবা মহাউ অমা

ফাউখি। 'মরেপ্পা মরুপ'তা লায়রবা নিপা, লাইরিক হৈতবা যুগোলনা (মতম অদুগী এস. পি. ওইরিবা ধনচন্দ্রনা শাবা) খুবী সহি তৌবগী মতাংদু ভাবোক্না য়াম্না মুংঙাইনখি। অয়ুক মুমিদাং ঙাংনবা লোন্দা পুদা অদুমক ষ্টেজদগী তাবা ফংবা, পুন্সিদা হাকথেংনরিবা থৌদোক কয়া উবা ফংবদা অমৌবা লীলা মওং (মতমদুদা সমাজিক লীলা হায়না খঙনবা) অমমি হায়না লৌনখি। মিং থকপা, লুম লুম লাউবা খাৎপদগী সমাজিক লীলা অসি থরা য়াংতক্না লৌনরবসু সমাজগী পুন্সিগী অচুম্বা মশক থরমথৈদি উৎনবা হোনরম্বনা ললিতনা রিয়্যালিজমগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌরে হায়না লৌদবা ওমদে। অসিগুম্বা অহোংবগী খোঙজং অসিদা অঙাংহলসু য়াউখি। "সতী খোংবাং"দা মশামক পার্ট মচঃ লৌদুনা শরুক য়াখি। শিল্লাংবা য়াউই। মাগী মপুং ওইবা থিয়েটরগী দান্দি-চহী ১০ মুক্কী মতমনা কোল্লিবা, ইং ১৯২৮ দগী লান মমাঙগী মতম অসিনি। মসিগী মন্নুংদগীসু অমুক্কা হেন্না মরু ওইরিবদি 'চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির' লিংখৎপা য়াউদুনা মাগী 'ইবেম্মা' অমদি "পোক্তবী" লীলা শান্নখিবা তাঙকক অদুনি। মসিগী মথংদা থরা থেংথনা সিনাম কৃষ্ণমোহনগী 'মনু থঙ্গাল' নচিংবা লীলাশিংনা ললিত অমসুং অঙাংহলগী সমাজিক লীলাগী মওং অসি মথা শমথখি।

মথক্তসু শন্না পনগে— ইংকুমজা ১৯৩০ গী এপ্রিল তাং ১৭ দা হৌজিক এম, ডি, য়ু. হায়না খঙনরিবা 'য়াইস্কুল ড্রামাটিক য়ুনিয়ন' অসি লিংখি। এম, ডি, য়ু.না অহানবা ওইনা টিকেট লৌদুনা লীলা শান্নবা হৌদুনা মণিপুরী থিয়েটরদা চাউরবা পন্দুপ অমা হাংদোকখি। মতম অসি য়াইস্কুলদা, থিয়েটরগী থবক্তা য়াম্না কনবা মতমনি। নোংমাইথেম থানিল, এস, ললিত, ইরাবোতঙ্গ ঙাংবম শ্যামকিশ্বর, যুগোলচন্দ্র, অঙাংহল, ময়ুরধ্বজ, ধনচন্দ্র, শ্যামসুন্দরনচিংবা থিয়েটরদা মথবায় লুপচরবা মীওই

কয়া চোংথোক্লকুনা য়াইস্কুলদা অঙকপা ফংনা থিয়েটরগী থবক চৎথখি। (মতমথুদা, অতোম্বাপুগী মাণ্ডবতা এরিয়ান থিয়েটর, শিংজমৈদা, সনাজন্মস্থান্দা চহীগী উৎপা লীলা, অতৈ মফম কয়াদসু লীলা অতুম মরক মরক্তা শান্নে।) অসিগুম্বা য়াইস্কুলগী থিয়েটরগী ঈহৌদা য়াম্নমক শীংথানবা য়াবা মীশক অমদি শ্রীঙাংবম শ্যামকিশ্বরনি (১৮৯৩-১৯৮৫)। লৈবাক্তা 'য়াইস্কুল লাকপা' হায়না খঙনবা, মহারাণী ধনধঞ্জরীগী মৌপ্যানি। প্রজানা ইকাইখুম্নবা, মতীক মথৌনা লৈবা নিপা অমনি। ঈশৈ-নোংমাইদা মথরাই লুপ্পী। মসিগী মথক্তা জিমনাস্তক, সারকাস, মানা হৈতবা, হৈনিংদবা হীরম লৈতে। মণিপুরগী হহান হানবা ওইনা ক্লারিওনেট খোংবা হৌদোকপা কলাকাবনি। (অহানবদা নিংথৌনা ক্লারিওনেট খোংবা মাংহ হায়না থিংলমই।) মহাক্না লীলাগী কন্সার্ট পার্টিগী লুচিংবা মকোক্নি। লীলা হৌরমদাইদা কন্সর্ট খোংবা অসি মাগী থৌদাংনি। হায়নবা লৈ, য়াইস্কুলনা খিত্তং মমিৎ-মমাই পাংথুনা চাউখৎপগী মঙাল ফংলমলিবা অসি শ্যামকিশ্বরগী মপান্দগীনি।

রাফম অসিগীসু অচুম্বা লৈতবা নত্তে। মরমদি, মাগী য়ুম অসি ময়ামগী পুনফম, তিন্নফম, ওৎফম-নৈফমনি। অসুম্না মাগী য়ুমদা য়াইস্কুল মায়কৈগী সংস্কৃতিগী কেন্দ্র ওইখি। মশানক মমিংচৎপা এক্টর অমসুং ডিরেক্টর অমদি ওইখিদে। অতুম ওইনমক লীলা-ফলা, কলাবিদ্যা চাউখৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংখিবা, ময়ুম্দগী সংস্কৃতিগী ঈহৌ হৌখিবা রবীন্দ্রনাথকী ময়ুম জোড়াসাঁকো অমদি ওইখি। মাগী মমাঙ শঙ্গোয়দা অহানবা ওইনা এম, ডি, য়ু, পোকখি। অতুগা অকোনবদসু মাগী য়ুমদা 'চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির' লিংখৎখি। মসিগী মতুং অসি, মতম অতুদা শগোলবন্দ মায়কৈদা শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মাগী মাণ্ডবনা ওইখি। মাণ্ডব অসিদা এরিয়ান থিয়েটর হৌখি। মণিপুরগী শীংথানবা যারবা সংস্কৃতি অমদি রাজনীতিগী থবক কয়া মাণ্ডব অসিদগী

ময়োল চোংখি। মতম কুইনা ভারতীয় জাতি কংগ্রেসকী (মণিপুর ব্রাঞ্চ) হেড ওফিস ওইখি। অতুনা, ঙাংবম শ্যামকিশ্বরগী কৎ-থোকপা অমদি ললিতকী মথৱায়মক্তা শীন্নতুনা এম, ডি, য়ু. হায়বা থিয়েটরগী লাইশঙ অসি শাগৎলম্বনি।

অঙাংহল 'চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির'গী য়াম্না মরু ওইবা, অতাঙবা মেম্বর অমনি। এম, ডি, য়ু, না মরা চেংনা লৈরবা মতুংদা, চাউরাক্লা ইং ১৯৩৬ কী অহুৱাইদা কাঙবু থরা এম, ডি, য়ু, দগী থংনতুনা সংস্থান অসি শেমখিবনি। এম, ডি, য়ু, থংনতুনা কাঙবু থরা থায়দোক্লকপগী মরম কয়ামরুম লৈরম্বা য়াই। মতুগী মরমদা থিগৎপা অসি মতাং অসিদা থোইনা দরকার ওইদে। তৌইগুম্বসুং, মরম ময়াম অতুগী মনুংদা অচৌবা মরম অমদি ললিতকা অঙাংহলগা য়াম্না য়েংথিনবা, ক্রক ক্রক য়েংশিন্নবা, থরুম লৈনবা অসিনি। মসিগী অরাবা খুদমদি— অঙাংহলগী 'ইবেম্মা' লীলাবু এম, ডি, য়ু, না শান্নসি হায়বা য়াখিদে। মতাং অসিদা শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দরনা হায়, "মতম-সিদা হিজম অঙাংহল সিংহ কবি রত্নসু মানা ইবা লীলা 'ইবেম্মা' হায়বতু শান্ননি শান্নরোই হায়না কন্না মরৈ তৌনরকপদগী মথৱাই মুংঙাইততুনা এম, ডি, য়ু, দগী তোক্লকুনা নহারোল পার্টিসিগা থুংশন্নদুনা, ঙাংবম শ্যামকিশ্বর সিংহগী মমাং শঙ্গোয়গা শম্ননা পুথ্রি মথক্তা ফোপ হাতুনা ষ্টেজ শেম্নগা মমাঙ শঙ্গোয়না ভাবোক্কী ওইহন্দুনা হোল অমা শেমখি। অনৌবা হোল অসিগী মমিং 'চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির' হায়না থোন্দুনা মণিপুরগী মমিং চৎলবা লীলা কয়া— জয়দেব, হরিশ্চন্দ্র, কর্ণার্জ্জুন, সভাপর্ব্ব, ইবেম্মা অসিনচিংবা মথং মথং শান্নখি।" (৩) মুংঙাইনদবা অসিনা অমরোমদদি অঙাংহলগী মফমদা বর ওইনা থোক্লরে। কন্না হোৎননিংবা ৱাখল অমগা লোয়নননা অকনবা থবক তৌহন্দুনা মাগী 'ইবেম্মা' লীলা অসি য়াম্না মায়পাক্লা তোয়না শান্নখি।

লীলা অসিনা মণিপুরী থিয়েটরগী ইতিহাসতা সামাজিক লীলাগী অকনবা ঈহৌ অমসুং অনৌবা মশক অমা পুরকখি।

চাউরাক্না চহী ১০ মুক্না কোল্লিবা অঙাংহলগী থিয়েটরগী পুন্সিদা মহাক্না তৌরম্লিবা মরুওইবা দান্দি মাগী সামাজিক লীলা 'ইবেম্মা' অমসুং 'পোক্তবী' পুথোক্লম্বা অসিনি। মসিনা মণিপুরী থিয়েটরগী য়াওন্দা সামাজিক লীলাগী ঈহৌ অমা পুরকপদ নত্তনা মণিপুরী থিয়েটরগী ইতিহাসদা রিয়্যালিজমগী হেন্না মপূং মরৈ ফাবা চারা মচা অমসু লিঙবা হৌথি। অকোইজম অমুবীগী বাংলা নাটক 'কণ্ঠহার'দগী হন্দোকপা 'বিজয় মালতী' না অহানবা সামাজিক নাটক ওইবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মদু বেঙ্গালী থিয়েটরগী মন্নুং চল্লি। মথংদা ললিত সিংহনা মৈতৈলোনগী অশেংবা সামাজিক নাটক 'অরেপ্পা মরুপ' পুথোক্লকই। লীলা অসিনা সামাজিক লীলাগী ইতিহাসকী মীৎয়েংদা অহানবা সমাজিক লীলা ওইবগী য়াম্না মরু ওইরবা মফম অমা কল্লি। তৌইগুম্বসুং 'অরেপ্পা মরুপ'তি বাংলা নাটক্কী ছাচাদা হৈবনি। অঙাংহলমক্কী লোন্দা হায়রগা— "কনাগুম্বগী সামাজিক অমা-অনি লৈবা অসিনদি শেৎথুং চাথুংবসু নত্তেদো" (৪) হায়বসিনা নাকোইননা 'অরেপ্পা মরুপ'কী শেৎথুং-চাথুংদবা মশক অদু তাকই। চুমই, লীলা ইবা অমা ওইনা ললিতকী চাউরবা মফম লৈ (থম্বা শামু খোঙয়েৎপা, সতী খোংনাং, অরেপ্পা মরুপ, মাথুর, মাইমু পেমচা, ভাগ্যচন্দ্র, পুরাণ মৈথাবনচিংবা লীলা ইরমই।) তৌইগুম্বসুং লীলাশিং অসিদা— য়াম্না হৈশিংনা পুবা, শেমদোক-শেমজিন তৌবগী মমি য়াম্না তাই। 'মাইমু পেমচা' নচিংবা লীলা থরদি মায়পাক্না উৎপা ঙমখিদে। মাগী 'অরেপ্পা মরুপ'তা উৎলিবা, (মথক্তসু থরা পনখ্রে) সামাজিক্কী মশক অমসুং রিয়্যালিজমগী মওং অসি মরুওইনা লীলাগী রাঙাং শাঙাংদা নেচরেল ওইবা, লাই-তিনগী রারী নত্তবা মীচম পুন্সিদা ইরমই হায়বগী রাতনি।

লীলাগী কলম অৱাংবা নত্তে। লীলাগী প্লোট অসিমকসু রিয়্যালিষ্টিক ওইবা য়াম্না ৱাংলি। লুপ্রাবী মচা লায়রবা নিপা অমনা, মহৈদি ভম্লিং অতুগা উপায়দি লৈত্রদ্রুনা ঈশ্বর নত্তনা সংসার অসিদা অতৈ কনা লৈতে হায়ৱগী ৱাখল্লা লমজিংদুনা ঈশ্বরগী মফমদা চিঠি পীগনি হায়দুনা ডাকঘরদা চিঠি থাদবা লাকই। ইনাক খুনবা নিপা অমা থেংনদুনা মতেং পাংখি। ঈশ্বরদি অরেপ্পা মরুপ্নি হায়বা উংলি।

সাহিত্যগী মীৎয়েংদা, সাহিত্যগী খুৎশেমগী ফজবা গুণ চেনবা, ইবগী ষ্টাইল অমসুং মতম অতুগী পুন্সিগী অশেংবা মশক য়েক্তুনা ময়েক শেংনা উৎপা ভম্বদি অঙাংহলগী 'ইবেম্মা' লীলা অসিনি। অঙাংহলগী য়াম্নমক ওরিজিনেলিটি ওইবগী মমি লীলা অসিদা ময়েক শেংনা তাবা থেংনৈ। মীৎয়েং অসোমদা য়েংউরবদি 'ইবেম্মা'গী মমল মপান নাইদে। চুমই, 'ইবেম্মা' ট্রেডিশনেল ওইবা লীলা খুৎইদা ইবা, ইমোশন অমসুং সেন্টিমেন্ট মরাং কায়না শীজিন্নবা, ঈশৈ য়াউবা, ডাইলোগ শাংনা শাংনা ইবা, স্বগত (সোলিলোকি) কয়া য়াউবা অরিবা লীলাগী খুৎই মওংদা ইবনি। ৱারীসু আদর্শ ওইবা ৱারীনি। মপুরোইবী নীংবী, অথাংকনবী ইবেম্মানা মপুরোইবা বিজয়বু নীংজবগী ৱারীনি। বঙ্কীমচন্দ্রগী ভ্রমরগুম (কৃষ্ণকান্তগী উইল) মপুরোইবা নীংবী, অথাংকনবগী, লিংজেল লৈবী ইবেম্মানা নোংমদি মপুরোইবা মাগী মনাক্তা শোয়দনা লাকখিগনি হায়বগী ৱাখল্দা ৱানা ঙাই-জদুনা লৈখি। মপুরোইবা বিজয়না লৈমতোনবু (বিজয়না কোইবী সুপী) থাংনা য়ানবগী কেশতা ইবেম্মা মশানা কোর্টদা চোঙ-থোক্তুনা মানা য়ানবনি হায়দুনা মপুরোইবনা ফংগদবা দোষা, অৱাবা অদুদগী কনখি। মপুরোইবসু লৈমতোনগী মায়াগী লাংদগী নাম্থোক্লক্তুনা, মশাগী মৱাল থঙজরক্তুনা ইবেম্মাগী নাক্তা অরোইবা মতাংদা চঙজরকখি। মপুরোইবগী মথোঙ শোক্তুনা মরাইবক

কত্তুনা খুরুমজরগা, অনা লোইরবী ইবেম্মা, মথারায় থাখি। অরোইবদা লৈমতোন, শিজনচিংবসু মশাগী মরান য়াজখি।

'পোক্তবী'গী থিমসু 'ইবেম্মা' নাটককুম্মা মপুরোইবা নীংবগী আদর্শ ওইরবা ৱারীদা শাগৎপনি। মপুরোইবা নীংবী ইবেম্মাগা মপুরোইবা নীংবী লৈমহনগা থোইনা খেন্নবা লৈতে। লৈমহনদনা খরা হেন্না অখাং কনবা, থৌনা ফবগী মশক উবা ফংই (লুখোইগী মখুত্তগী বারুণী চীংদগী চেল্লকই, মপামদা চহী ৫, জঙ্গলদা থা ৩ অৱাবা খাংখি, মুমিৎ ৭ নি করি অমত্তা চাউ-থকউ হায়বা য়াদে।) ইবেম্মানা ভ্রমরগুম্বনি অদুগা লৈমহন (ইবেমহল) না দেবী চৌধুৱাণীনি। পোক্তবী মমাগী শরৌদগী অৱাবা তারবা লৈমহনগী অৱাবা খাঙবা অমসুং অখাঙ কনবগী শক্তি, মুপীগী থৌনা অমসুং অচুম্বগী মঙাল উৎপা আদর্শ ওইরবা লীলা অমনি। লান মমাঙগী মণিপুরী সমাজগী চৎনবী, অফ-ফত্তগী ৱাখল ময়েক শেংনা উৎপা (ethical, moral value) লীলা মওংনি। সমাজ সংস্কার পামজবা, অৱাংবা আদর্শ ওইবা লমচৎ উৎপনা মাগী সাহিত্য পান্দম ওইজবা অঙাংহলনা মাগী মুপী চরিত্রশিং অসি (ইবেম্মা, লৈমহন, ইন্দু, জহেরা, থম্বাল, থোইবী, য়াইথিংকোন্নু) লোয়না অশেংবা লমচৎ চেনবা, অৱাংবা আদর্শ অমগী পান্দমদা পুন্সি লেনবা ঙাক্তা ওইনা শেন্নমই। মখোয় চুম্নগী আদর্শবাদী ওইবদ নত্তে, মখোয়না পামজবা অদু তানবদা, থবক ওইনা চোংথোকপদা নীংহন্নবা লৈতবী, অঙকপা ফংনা লিংজেল, থৌনা অমদি পুক্নিংগী অনিংবা শক্তি লৈবী মুপী ঙাক্তনি।

আদর্শ ওইবা য়ুক্ষম অমদা শাগৎলবসু লীলা অসিদা য়াউরিবা রিয়্যালিজমগী মচাকশিং অসিদি শীংথাননিংঙাই ওই। লীলাশিং অসি রিয়্যালিজমগী মায়কৈদা য়াম্না ভাব তানা চঙশিল্লি। য়ারিবমথৈ সমাজগী অচুম্বা মশক উৎনবা হোৎনবনা লীলা ইবগী পান্দম ওই। মমাংঙৈগী লীলাশিংদা ৱারীগী মতাং চাবা চাদথা

য়েংদনা মুংঙাইনবনি হায়হনা কুম্মৈ. ঈশ-নোংমাই পংহাপ হাপ-চিনবা অহু 'ইবেম্মা'দদি তশেংনা উবা ফংদে। মৈতৈগী অশেংবা লোন্দা পুদা, প্রমাণ-পাম্নৈ অমদি অয়ুক-মুমিদাং ঙাংনবা লোন শীজিন্নহনা মীচমগী পুন্সিবু হেন্না ময়েক শেংনা উৎলি। লীলাগী খুৎই ষ্টাইল অমম্থং প্লোট শেম্বদা অচৌবা অহোংবা অমনি। লমচৎ য়েকপদা হেন্না মওং তারে। চরিত্রশিং অসি মশা মতোমতা লেপচবা ঙম্বা, মরল্লাইগী অফ-ফত্ত বিচার তৌবা ঙমজবা, ঈশ্বরগী নত্রগা মফম খঙদবা শক্তি অমগী মথা পোন্দবা, অহিংবা তাইবঙ মী অমা ওইনা ষ্টেজদা পুথোক্লকই। মমাঙগী লীলাশিংদা অইবনা করিগুম্বা মোরেল ভেল্যু অমা উৎননবা নত্রগা হরাউ-কুম্মৈ ফোঙ-দোক্লবা কম্না হোৎনমনখিহনা মাগী লীলাগী মীওইশিং অহু নম্ফুদা, অনিংবা অমগী মথাদা নমহনা কোইচিং চীংহনা চৎলি। মহু লীলাশিং অসিদা উবা ফংদে। 'ইবেম্মা'দা ঐখোয়না থেংনরিবা মীওইশিং—গুক্তবা পাথং বিজয়, তৌবা ঙম্বা ইবোচৌবা, মপু-রোইবা নীংবী ইবেম্মা, দূতী ওইবী, গুক্তবী যাতীনচিংবা অসি মশা মশাগী মরমচৎনা নত্রগা সমাজগী থেংনবা লানথেংনা মথোয়গী মরমচৎ ওইবা মীওই ঙাক্তনি। জ্বার শাম্লবা, মুপী নহা কোইবা, থেমহনা পৈশা চাথোক্লবা হোৎনবা, মুপী শেম্বা অসিনচিংবা অসি মতম অহুগী সমাজগী পুন্সিদা থোকপা, মীওইশিংগী, অচুম্বা পুন্সি শক্তমনি। মসিগী অচুম্বা মশক অমা অইবগী মশাগী ওইবা খুৎশেম অমদা শাগত্তনা মীওইবগী অৱাংবা চরিত্র অমা হাপচিন্নবা হোৎনরমই। সামাজিক লীলা অমা ওইনা মতম অহুগী চৎনবী, পুন্সিগী মশক কয়া য়াম্না ময়েক শেংনা মমি তাই।

লীলা উৎপগী মতাংদসু রিয়্যালিষ্টিক ওইনা উৎনবা হোৎ-নবগী মায়কৈদা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনবা থেংনৈ। মতম অহুদা, লীলা উৎপদগী মায়কৈদা 'নেচর তানবা' হোৎনবগী থোৱাং কয়া তৌবা থেংনৈ। থা থোকপা তাবা মালহনবা, নোংচুবা

(তশেংনা ঈশিং হৈথবা), নোং খাকপা (জীন্থ মথক্তা নূং চীংবা নত্রগা চক্রি তকপা), টোর্চ লাইটনা নোংথাং কুপহনবা, মাধবীনা ঈশিংদা চোংথবগী মখোল থোকহনবা, ফিরোল চোৎহনবা, খোই চোপ্লদা তশেংনা ঙা অশেংবা লকপা, চুজাক কবোক্লা লেন হৈথবা অসিনচিংবা অসি তৌনরমই। মসিদা ভাবোক্লা মাল্লি-মান্দে হায়তুনা য়াম্না শুংঙাইনা য়েংনৈ, ঙাংনৈ।) 'ইবেম্মা' লীলা হৌদ্রিভৈদা (মতম অতুগীস্থ চৎনবী অমা ওইনা) ফজরবা কন্সার্ট (গত) অমা খোংগনি। (ঙাংবম শ্যামকিশ্বরনা ক্লারিওনেট, মচানিপা নিমাইনা কোর্নেট খোংই। ভাবোক উবা মফমদা কন্সার্ট পার্টিগী ফমফম শেমতুনা থমই। বেহলা, সিতার, তাবলা, হারমোনিয়ম-নচিংবা যন্ত্র শীজিন্নৈ।) ভাবোক ফমফম ফকশাং থাই। (মনিংদা চৌকি খরা থারবস্থ।) নিপা নুপী ফমফম খায়দোকই। টিকেট মমল শিকি নত্রগা মখায়নি। ফজবা গত অমা খোঙবা হেক লোয়রবা মতুংদা অশাংবা হুইসেল অমা খোংগনি, অতুগা মমাঙগী ড্রোপ সীন হাংদোক্কনি। প্রোসোনিয়ম ষ্টেজ থল্লিবা মমাঙগী ড্রোপ সীন অসি মতমতুদা থিয়েটরগী মচাক অমনি। চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দিরগীদি লুপা ২০০ চঙনা লৌরেশ্বম কামদেবনা য়েকপা (ঈন চিংবী নুপীগী দৃশ্য) অতুনা ড্রোপ সীন ওই। অয়েংবা ভাবোক্লা ড্রোপ সীন ফজে ফজদে য়াম্না ঙাংনৈ। মানা লীলা হৌদ্রিভৈদা ভাবোক্কী পূক্লিং চীংশিন্নবগী মচাক অমা ওই। মতমতুদা ড্রোপ সীন অমদি অতৈ অয়েকপা সীনশিং মহৈ মহৈ রায়নৈ। হুইসেন খোংতুনা ড্রোপ সীন হায়গৎখ্রবা মতুংদা ষ্টেজ মনুংদা প্রস্থাবনা শক্কদবা নিপা অমা লৈরমগনি। মানা প্রস্তাবনা শকই— গণেশ নত্রগা মহাদেব খুরুম্বগী ঈশৈ। (নিংথৌ য়াউনা য়েংবা স্নাজন্মাস্থানগী লীলাদদি মী কাঙবু খরনা হৌগত্তুনা নিংথৌগী মিং শৈথাতুনা প্রস্থাবনা শকই। অতৈ হোলদনা ষ্টেজগী মরুমদা শকপা য়াউই) মতম অতুগী মমিং চৎপা কলাকার শ্রীনীলকান্ত

শর্ম্মাগী প্রস্থাবনা মমিং চৎলি, ভাবোকশিংনা য়াম্না পামনৈ। প্রস্তাবগী মতুংদা লীলা হৌরে।

মতম অদুগী লীলাদি য়াম্না শাংই। পুং ৪/৫ শান্নে। লীলা অয়াম্বা অঙ্ক মঙাদগী তানদে। অঙ্ক অমদা সীন কয়ামরুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। 'ইবেম্মা' লীলাগী অঙ্ক তরুক্নি, সীন্না ২৫ শুই। অঙ্ক খুদিংগী ঙাইহাক পোৎথাই, মরকসিদা কন্সার্ট খোংই। 'ইবেম্মা'দা প্রহসন (ঙাইহাক নোকুবা ফাগি মতেক হাপচিনবা) য়াউদে, অদুগা মতাং চাদনা কুম্মৈস্থ হাপচিনবা থেংনদে। ঈশৈদি তঙাইফদনা য়াউদবা য়াদে, মতমদুদা য়াম্না পান্নবা মওং অমনি। 'ইবেম্মা' লীলাদা ঈশৈ ১০ য়াউই। ঈশৈগী স্থুর ঙাংবম নিমাইনা পাল্লি। লীলা কুম্বা কলাকারশিংনা মশানা ঈশৈ শকচৈ। ডাঃ সমুয়েল জোনসননা হায়রম্বা— "দি ড্রামাস লোজ দি ড্রামাস পেট্রোনস গিভ' হায়বদুনি। মতম অদুগী ভাবোক্কী অপাম্বা মতুংইন্ন' থিয়েটরগী আইন অমস্থুং চৎনবী ওই। ভাবোক্তা মৈ মমদ্রবস্থু (অদুম থান্দুনা থম্লবস্থু) লীলাগী অয়ুক, নুমিদাং, নুংথিলগী বিচার য়াম্না কূপ্পা য়েংনৈ। স্বগত (সোলিলোকি) —মতোমত ঙাংবা চৎনৈ। নব রসকী বিচারদা য়াম্না মুন্না য়েংনৈ। লৈবাক নিংথৌ পানবনিনা য়াবা-য়াদবা, চৎনরোল-ব্যবহার ঙাক্না চৎনৈ। ফিজেৎ-লৈতেং, এক্তিং, ষ্টেজগী ডিশাইন, ষ্টেজ মুভমেণ্ট পূম্নমক রিয়ালিষ্টিক ওইনা উৎনবা হোৎনৈ। লীলা অমা তম্বদা থা অমরোম চঙই। নুপী অনেকমলনা লুপা ১০ দগী ১৫ ফাউবনি। মথং শান্নবা খোঙফমদদি মসিগী তঙ্খায় অমা পী। নিপাদি পৈশা ফংদে।

লীলা ইরগা চুম্না তুমিন্না লৈথোকপা মীশক নত্তে অঙাংহল। লীলা শান্নবা অমস্থুং শীনবা লাংবদা মথবায় লুপচবা থিয়েটরগী চপচাবা মীওই অমনি। 'বিদুর'নচিংবা পার্ট মচা মশু শাদুনা ষ্টেজ কুমই। মদুনা মাবু একুর অমা ওইনা চিংখৎপদি ঙমদে।

মহাক য়াম্না হৈশিংবা ডিরেক্টর অমসু ওইখিদে। লীলা তম্বা মতমদা হোন্দ মনিংদা ফম্লগা মাগী মথর্ত্থায়না য়ানিংদবা, য়োদবা মতাংদা লাউরকই। ব্রাঙাং-শঙাং, ঈশৈগী মতাংদা শেমদোক শেমজিন কয়া তৌই। মসিমক্তা মাবু শীংথানবা য়াবা ডিরেক্টর অমনি হায়না লৌবা ঙমদে। কবিগী প্রতিভাদা ফাউরকপা ব্রাখনগী লমজিং মওং অমনি। (মতমত্থদা প্রোমটর, মেনেজর লৈ। অত্থগা ডিরেক্টরদি অকক্লবা লৈতে। অহল-লমন ময়াম তাথোক-তাশিন তৌনরগা লীলা পানখৎপনা অয়াম্বনি।) মহাক তুমিন্না লৈবা হৈনদে, থবক্কী মীনি। শিল্লাংবা য়াউই, মুপী নেকথোক-নেকশিন কোইচেল চেল্লি। (অমুকথক্তি। ইবেম্মা শাবী থম্বাল-ঙৌবী লাইহৌ তৌত্থনা কম্না নারে। লীলা কায়বা তারে। অঙাংহলনা ময়ুমদা চত্তুনা মাইবা শাই, মবুক শুত্থনা লায়েংই হায়।) মসিদসু নত্তে, পাইজ-থেঙ্ন, হোরায় পায়দুনা ষ্টেজ শেম্বা য়াউই। লম্বীদা ভারম্বা চেগী উপু খুন্দুনা পুরকই অত্থগা কত্তিং সীন শেমই। মাগী কলাদা শাগৎচবা মাগী লীলাগী চরিত্রশিং অত্থগী মশক মওং মানগদবা মী নেকপা অসি মাগী থম্মোয়না পামজবা মওং অমনি। অত্থনা লীলা হৈবা-হৈতবা থোইনা থল্লবা লৈতে। মাগী ব্রাখনগী মীশক্তুনা চানগদবা মীশক অত্থ থেংনরবদি হেক্তা নেক্লবা হোৎনৈ। অত্থনা, মপোকঙৈগী লীলাগী ঈরাং থঙজদ্রিবা থম্বালঙৌবী দেবী কম্না হায়জ-নোমজত্থনা মাগী 'ইবেম্মা'গী পার্ট কুমহনখি। থম্বালঙৌবীসু লীলা অসিদগী মমিং চৎপী কলাকার অমা ওইখি। অসুম্না মোইরাংদগী হোংগৎলক্তুনা য়ুম্নাম লৈকাইদা পোৎফম ফমজবী মোইরাং জাতিবু লীলা 'যাত্তি' শানবা নেকখি।

অত্থবু, লীলাদা মথর্ত্থায় য়াউবা ঙাক্তুনা থিয়েটরদা মরু ওইবা দান তৌরমলে হায়না লৌবা অরানবা ওইগনি। মরমদি অঙাংহলদগী হেন্না মথর্ত্থায় য়াউবা মীওই কয়াসু লৈরম্বা য়াই। অত্থনা, মণিপুরী থিয়েটরদা অঙাংহলগী য়াম্না মরু ওইবা দান্দি —

বাংলা নাটক্কী কুপ্নোম লৌথোক্লুনা মৈতৈগী অশেংবা ড্রামা ইবা হৌদোক্লম্বা ড্রামাটিষ্ট অমা ওইনা লেপলিবা ফিরেপ অসিনি। লাই-তীনগী মঙলান্দগী কুমথরক্লুনা অশেংবা তাইবঙগী সমস্যা, মীচমগী পুন্সিবু ষ্টেজদা থাঙ্গৎলম্বা, সামাজিক লীলাগী ঈফুৎ ফাৎলম্বা থিয়েটরগী মীওই অমনি। মানা ফাৎলম্বা ঈফুৎ অসিনা ঙসিদি অচৌবা ঈচেল অমা ওইররে।

মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং অমসুং তান্নখিবা মীওইশিং

ক) বারেংদা পনবা লাইরিকশিং—

১। অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, "মণিপুরগী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর", মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ১৯৮০, লা: ৪৩

২। সোরোকখাইবম ললিত সিংহ, "মণিপুরী ড্রামা— মৈহৌরোনগী বারী মতেক অম।" মণিপুরী থিয়েটর: সোভিনীর, ওল মণিপুর থিয়েটর কনফরেন্স, ১৯৬৮, লা: ৩৩

৩। মথক্কী নং ১। লা: ৫২-৫৩

৪। হিজম অঙাংহল, "জহেরা," কিতাব মহল, ইম্ফাল, ১৯৬৪, (১ বা)

খ) অতৈ লাইরিকশিং:

১। হিজম অঙাংহল সিংহ, "ইবেম্মা।" ষ্টেট লাইব্রেরী, ইম্ফাল, ১৯৪৮ অমসুং 'পোক্কবী', নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল, ১৯৮৪

২। Orley I-Holtan : **Introduction to Theatre : A Mirror to Nature,** Prentice-Hall Inc., 1975 (The World of Melodrama).

৩। George Kernodle and Portia Kernodle, **Invitation to Theatre,** Harcourt Brace Jovanovich, Inc., New York, 1978

৫। Kironmoy Raha, **Bengali Theatre**, N. B. T., 1978.

গ) তাম্নজখিবা মীশকশিং :

১। শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ : য়াইস্কুল, অঙাংহলগা লোয়-নরকপা মীশক্নি। চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির লিংখৎপা যাউরকই। 'ইবেম্মা' লীলাগী নায়ক (বিজয়) শারকই।

২। শ্রীলাইশ্রম নেত্রজিৎ সিংহ, বামোন লৈকাই। 'ইবেম্মা' লীলাগী 'ইবোচাওবা' শাখি। অঙাংহলগা কোর্টতা মতম কুইনা থবক তৌমিন্নরকই।

৩। শ্রীভুতনাথ, কৈশামথোং। এম, ডি, য়ু. হৌদোকপদা য়াউ-রকপা কলাকাবনি। "অরেপ্পা মরুপ"তা শরুক য়ারকখি।

৪। শ্রীহিজম বোমনি সিংহ, য়াইস্কুল। কবি অঙাংহলগী মচানিপানি।

৫। শ্রীকৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ, কৈশামথোং, তোপ লৈরক 'ভয়েস' খবরগী সম্পাদক ওইরমই। থিয়েটর য়াউরকপা অমসুং লান মমাঙগী সংস্কৃতিগী ঈহৌ খঙবা নিপা অমনি।

৬। ডা. য়েংখোম ভাগ্য সিংহ, য়াইস্কুল। হিজম অঙাংহলগা হৌমিন্নরকপা, মাগী মরমদা মুন্না খঙবা নিপা অমনি।

জি. সি. তোংব্রাগী তাইবঙ

তোংব্রাগী তোখায়রবা অমস্তুং মরম্নাইগী মরমচৎ চেনজবা তাইবঙ অমা লৈ। মাগী তাইবঙ অসি মী অয়াম্বনা মশক খঙবা ঙমদে। অদুনা মাবু শেরাম্নবা উই, শেরাম্নবা লৌই অমস্তুং মখল-মখা কয়াগী শেরাম্নরদা শক্লোন পুথোক্লরকই। কনানা হায় — তোংব্রাদি চুম্না ফাগি তৌবা নিপা অমনি। কনানা তোংব্রাগী মশক তাকই— সমাজগী অশোয়বা, অরানবা চুমথোকপা মীশক অমনি (মাগী লোন্দা ধোবী লেখক)। খরনা মাবু চৈ— তোংব্রাদি জি. বি. শোগী মতৌ তম্বনি। মাগী লীলাশিং অসি মতম মতমগী থৌদোক্তা ইবনি, কুইনা পুন্সিগদবা অমত্তা য়াউদে। অরিবা মীরোম্না শাউই — মাগী লীলাশিং অসি মথোংহুক্তবনি। য়েংবা য়াবা নত্তে। ইয়াং য়াংই। অসিনচিংবা কয়া কয়া। পুন্নমক অসিগীসু অচুম্বা খরদি লৈ। মরমদি মখোয়না তোংব্রাগী মচেৎ ওইবা শক্তম খরতবু য়েংই। তোংব্রাগী মপুম ওইবা মশক অদুদি ঙসিফাউবা কনানসু পুথোকপা ঙমদ্রি। তশেংবমক, তোংব্রাবু মশক খঙবা অরায়বা থবক নত্তে। মরমদি মাগী রাখন্দা চাউরবা নোংচুপ সাহিত্যগী প্রভাব কয়া য়াউরি। মাগী মীৎয়েং অমস্তুং ফিরেপ্তা অরিবা অমসুং অনৌবা পরম্পরা অনী থেঙ্গাইনবদগী থোক্লকপা অনৌবা মশক কয়া লৈরি। মাগী থুৎইগী শৈলীদা অনৌবা মফোঙদোক অমসুং মতমসিদগী হেন্না মাঙজিল থাগ্রবা রাখল-পরীং কয়া য়াউরি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা তোংব্রাদা তোংব্রাগী ওইবা তোপতোপ্পা তোংব্রাগী মশক অমা লৈরি। তোংব্রাদি মাইথোং কয়া লোংবা মণিনি। যুগসিগী মীহুল শুরিবা অমসুং মাংজিল থানা হিংলিবা মীশক অমনি। অদুনা তোংব্রাগী তাইবঙ খঙনবা হোৎনবা হায়বা অসি মণিপুরী

সাহিত্যদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরি। ঙসিফাউবদা তোংব্রাগী তাইবঙগা ঐখোয়গা শন্নরিবা অমদি মরী লৈননবা পুল্লিবা লীপুন অসিগী মশক পুথোকপা ঙমদ্রি। Breton না হায়, "লোনগী মথাদা মহাদেশ অমা লুপশিন্দুনা লৈ। মতুনা মীগী অশেংবা মশক্লি।" হৌজিক ঐখোয়না তোংব্রাগী অশেংবা মহাদেশ, অতোপ্পা লৈবাক অসি থিবগী খোঙচৎ অমদা লৈরি।

তোংব্রানা মণিপুরী ড্রামাগী জগত্তা থোক্লকপা অসি ধূমকেতুগী মশক্লি। মহাক্না মণিপুরী ড্রামাদা রিয়্যালিষ্টিক সোসিয়েল প্লেনচিংবা অহোংবা কয়া পুশিল্লকপদ নত্তনা ড্রামাগী পরিকর পাকথোকহন্দুনা ঐখোয়না ড্রামাদা য়েংলম্বা মীৎয়েং অমসুং রাখলগী সীমানসু হোংহল্লকই। ঐতিহাসিক, পৌরাণিক, লাইতীন অমসুং অকন-অথোগী রারী তৌকুনা মানা সমাজদা হৌজিক হৌজিক মায়য়োক্লরিবা সমস্যা কয়া লীলাগী মচাক ওইনা পুশিল্লকই। (মণি-মমৌ, ইম্ফাল থোইবী, মেত্রিক পাস, য়াওশং কংঙৌ, তাইবং গাইত্রং, হিংমিন্নবা, লমজা পরশুরাম, চেঙনী খুজাই, হিংবতাই করিগুম্বা পাম্বে, মণি থিবা, তপ্তা, ঙবোংখাউ, অসিনচিংবা লীলাশিং)। সমস্যাশিং অসি চুন্নগী পুথোক্লকপা নত্তনা মথোয়বু খন্ন-নৈনহনা, মরৈ তৌহনা, খন্থহন্দুনা ষ্টেজ অসি অরুবা সমস্যা খন্নফম মফম অমা ওইহল্লকখি। (চেঙনী খুজাইদা গণতন্ত্র অমদি পার্টি সিষ্টেমগী মরমদা মরৈ তৌনবা, হিংমিন্নবদা— ইমুং অনীনা, লৈকাই অনীনা ধর্ম্ম অমসুং চৎনবীগী মরমদা য়েৎনবা, তপ্তাদা চাউখৎপগী মরমদা খন্ননৈনবা, য়াউশং কংঙৌদা য়াউশংগী অফ-ফত্তগী মরমদা ডিবেট তৌনবা অসিনচিংবা।) মসিদ নত্তে— ষ্টেজদা অঙকপা, অনৌবা, ওইবা য়াবা-য়াদবা ময়াম হাপচিল্লকুনা ষ্টেজগী সংজ্ঞা অমসুং মীৎয়েং হোংহল্লকই। লীলাগী লোন্দা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকই। ফজবা মরৈ, অথৌবা বুদ্ধি, অর্থ চেল্লবা ফাগি কয়ানা মণিপুরী ড্রামাগী লোন অসি অরাংবা সাহিত্যগী

থাক য়েৌনা কাখৎলকই। তোংব্রা থোক্লকপদা মণিপুরী ড্রামাগী জগৎ অসি থংপাক পাকথোকহল্লকই।

তোংব্রানা মাগী লীলাশিংদা নৈনরিবা সমস্যাশিং অসি করিনো? হৌজিক্কী সমাজ অমস্তুং পুন্সি। হৌজিক্কী সমাজনা মাগী ইনবগী মচাক হুল্লি। তোংব্রানা হায়,— "সাধুহুগি [ত্রিলিঙ্গ স্বামী] মমীৎত জগৎ পুম্নমক বিষ্ণুভাক্ত ওইন উবগুম ঐগি মীৎতদি তাইবংপান্সি অচেংবদ মেৎলগ থাও শুম্ব ভাক্ত উই। লম্বী, খোংবান, সম্বন, থাও-থুম, চেং হুরাই, ললোনব, ঠিকাদার, লৌমী শিন্মী, ছাত্র ছাত্রী, উঝা, রাজনীতি, এম. এল. এ., অঙম অথৌ, প্রজা, ভোট্টর, হোটেল, বাজার, দোকান্দার, বস, রিক্সা, চে, টেক্সবুক, লাইশং, লাইনীং থৌরম, স্কুল কোলেজ, বিজুলী, থাউমৈ, টোটি ঈশিং, চিনি অঙৌব ফাওব ভবোংথাউ পায়বা বিষ্ণু অব-তার ভাক্ত। লাঙ্গোই চন্দুনা মাইকৈ মরীমক্ত থৎলিব বিষ্ণু ময়ামসিবু হান্ন পেলহন্দন ঐন ইদৌব করিনো? ... ... মণিপুরদ হৌজিক লৈকং থরোইন নোংম-নোংমগি শন্দোক্লকপগুম শেঙ্গা-থুমজা, মীওৎ-মীনৈ, অকি-অখঙ নোংম নোংমগী হেঙ্গৎলকই। থাজহল্লগা হাৎপ, তৌবিমল খঙদব, অচুম-অরান য়েংদন ওইজ-ওইথক ফংলগ লোইরে খন্নদুন মীওইবগী মমল হুস্তনব থবক হেঙ্গৎলকই অরেপ্প লৈতন।" অতুনা হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শারিবা রাজনীতি, সমাজনীতি, অর্থনীতিগী সমস্যা কয়া, শেমজা থুমজা, মীবু নমথবা চাহৎপীবা, য়ুম্বাল্লোন, শক্তি লান্না শীজিন্নবা, মোর‍্যালিটি, অমনবা চৎনবী পথাপ অসিনচিংবা অসি তোংব্রানা মাগী লীলাদা নৈনরিবা সমস্যানি। মাগী লীলাগী বিষয়নি। "হুজিক লীলা ইনবসি হুজিক হুজিক্কী থেংনবা উনব ভাক্নি। কনানস্তু মশু শুথাংশিংগি ইনদে"— তোংব্রাগী লোন্নি। সমাজগা পুন্সিগা তোংব্রাগী কলমগা মরী য়াম্না লৈনৈ।

ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা, হৌজিক্কী হিংবগা মরী লৈনবা সমাজগী হীরমশিংদা মাগী কলম্না শোক্তুবা বিষয় লৈতে। তোংব্রানা নৈনরিবা সমস্যা পুম্নমক অসিগী মরূ ওইবা হৌরকফমদি মীওইবগী নীংতম্বা অমসুং সমাজদা মান্ননা পুন্না হিংমিন্নবা হায়বা ৱাখল অসিদগী লাকপনি। মহাক্না তাইবঙ মীগী নীংথা তম্বগীদমক য়াম্না ইথৌ লাংই অমসুং মীচঙ-মীখায় নাইদবা, মী পুম্নমক চপ মান্ননা হিংমিন্নবা য়াবা সমাজ অমা পৃথিবীদা লিংবা পামই। অদুগা, মানা পামজরিবা পান্দম অসি থুংনবগীদমক্তা সমাজ সংস্কারক অমা ওইনা সমাজ শেংদোকুবা লাম্লেংনবা মীশক অমা ওইনা লেপ্পদি নত্তে। মাদি মীওইবগী নীংখাতম্বা অমদি অধিকারগী মরমদা চুম্না নৈনদুনা ৱাফম অসি মীয়ামদা ভাব তাহনবতনি। মানা হায়বা পাম্লিবদি— পুম্নমক অসি ঐখোয়গী লৈঙাকলোনগী চৎনবী অসিনা থোকহনবা ঙাক্তনি। মীওইবগী অপঙবা অমসুং চাউখত্তবা ৱাখন্না সমস্যা পুম্নমক্কী মরূনি। সমাজ অসিদা শোয়-দনমক অরানবা; অশোয়বা থরা লৈরে। মদুনা ওইহনবা থোকহনবা সমস্যা ঙাক্তনি। অদুনা তোংব্রানা সমাজগী চৎনবী পথাপকা তাইবংমীগী মশাদা চেনজরিবা অফবা গুণগা অনী অসি মুকথায়নবদগী থোক্লকপা মশক অসি মাগী লীলাশিংদা তত্তনা পুথোক্লকই। "তাপ্তা"দা পুকচেল শেংবা, মশা মশানা অফবা মী অমা ওইবা হায়বসিনা চাউখৎপনি হায়বসি নৈনবগা লোয়ননা ময়াম্না ঙাউরবনি হায়না লৌরিবা বাবানা মপাম্লোংগী মকুদা সুংঙাইবা অমসুং নোংচুপকী মতৌ তম্বা চাউখৎপগী ৱাখনগা কন্না লাম্লেংনৈ। 'উপু বাক্সি'দা মায়কৈ মরীদা মনথাক, লৌনম ঙাক্তা ঙাইরবা, ওইদবা মীনম্বা কয়ানা, হিংবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরিবা হৌজিক্কী সমাজদা শেঞ্জেংনা লাম্লেংনৈ। শেঞ্জেংনা হায়— "খঙব্রা, ঐন হন্দক তৌরিবসি মীয়ামগী চাউখৎনবনে। ... ...

পুন্সিদ অনৌবা য়াওল অম, চাউথৎনব লম্বেল অম থোনব হৌরে।”
‘মেট্রিক পাশ’দস্থু মেট্রিক সার্টিফিকেট পায়বা ঙমদবা অহুগা হিংনবা হোৎনবগী সার্টিফিকেটতি পায়বা ওল্লিবা প্রতাপ্পা সমাজগী অরানবা ভেল্যু সিষ্টেম অসিবু করেম্নহুনা শীংনৈ। মেট্রিক সার্টিফিকেটকী চেক্তেৎ অহু মাগী মুপী থারিকথাদা লংশিল্লম্লগা চৎথি। লংশিল্লম্লিবা সার্টিফিকেট অসি থারিকথাদা নত্তে। অরিবা থাজনবী, অশোয়বা পথাপ অমস্তুং অরানবা মীৎয়েংবু থাজনা শাগোম্লরিবা থারিকথাগী মশক ওইরবা মৈতৈ সমাজগী মায়য়োক্তা শীংনহুনা লংশিল্লম্বনি। তোংব্রানা মাগী লীলাসিগী মরমদা হায়জে— “মেট্রিক পাশ” লীলাদ থারিকথান সার্টিফিকেট কংথি, মতৈ প্রতাপপুন মিস মণিপুরন চেন পুথি। হেমিংওয়েগি “The Old Man and the Sea” হু করম্ব চহিদ ইথিবনো? মেট্রিক পাশ উরগ ইথিব জাৎলা? ফন মাম্নৈনে হমুবহুন ঙাজাও ফারগ ময়ুম য়োবদ— মক্ক মপুন ওল্লম্বদো—? প্রতাপ্প থারিকথাদ ঙাইথো হায়রম্বহু Backett কি Godot পু নম্রাও?” মাগী লীলা অয়াম্বা (মরু ওইনা ইম্ফাল থোইবী, চেঙনী খুজাই, কেকু লোৎপী, কাও ফাবী, হিংমিন্নবা, মেট্রিক পাশ, লমজা পরশুরাম, মেমথোইবী, লৈশাবী চিঠিখেলা, ঙবোংথাউ অসিনচিংবা) সমাজগী চৎনবী পথাপ, অমনবা থাজনবী অমস্তুং নীতিজ্ঞাননচিংবগী মায়য়োক্তা শীংনহুনা ইবা থেংনৈ। মসিগা লোয়ননা অনৌবা ইনাম (ভেল্যু) অমা পুথোক্লকই। অসিগুম্বা নীংথাতম্বা, চাউথৎপা, অক্কবা, অনৌবা সমাজ অমা শেম্বদা অপনবা ওইরিবা সমাজগী চৎনবী পথাপ, অরানবা নীতি, থাজনবী, ধর্ম, মীৎয়েং, রাখল পুম্নমক মীনুংশি লৈতনা য়েন্দেম থরাক শোইবগুম করি অমত্তা ঙাকপীবা লৈতনা শোইদৎলি। অসিগুম্বা অরানবা, অশোয়বশিং অসি য়াম্না শাথিনা লক্কৈ, করেম্নৈ, শীদোকই, থিনা থিনা চৈ, মতৎ মতৎ ককথৎলি। মসিদা তোংব্রাগী

কলম অসি অঙকপা ফংনা ময়া থোই হায়বসি খঙবা ঙমই। (মণি থিবদা নিংথৌ ওইবিনিংঙাই লৈত্রহুনা নুংনা নিংথৌ ওইহনবা, চেঙনী খুজাইদা গণদেবীবু আর্টি তৌহুনা পূজা তৌবা, তপ্তাদা হুই মমৈ চুমথোকপা, রসগুলা মন্ত্রীদা ফম তারবা মন্ত্রী-শিংবু করেম্নবা, হিংমিন্নবদা লুহোংবদা চাদিং তৌববু করেম্নবা অসিনচিংবা কয়া কয়া)

অহুনা তোংব্রাদি পক্কা সোসিয়েলিষ্টনি। য়াম্না শেংলবা রিয়্যালিষ্ট অমস্তুং অকনবা র‍্যাশন্যালিষ্ট (যুক্তিবাদী) অমস্তুনি। অহুম্নদি ওইরগা মাগী সাম্যবাদকী রাখল অসি দর্শনগা শাগোম্নবা, থিওরি অমদা চেৎনা থাজহুনা অকক্লবা আইডিওলোজি অমদা শাগৎপা নত্তে। মার্ক্সিষ্ট আইডিওলোজিগী ক্লাস ষ্ট্রগল নত্রগা জি. সি. শোগী ফেবিয়ান সোস্যালিজম অহু পামহুনা ইন্‌বস্তু নত্তে। মাগীদি চুম্না কলাকার অমস্তুং অইবা অমগী মীৎয়েংদা ফাউরকপা তাইবং মীওইবগী অপাকপা মান্নবা মীৎয়েং অমস্তুং মনীংমথা তম্বদা চেৎনা থাজজবদগী পোক্লকপা য়াম্না পোবা সাম্যবাদকী রাখল অমনি। অহুনা তোংব্রানা হায়—"লীলান সমাজগী অমোৎপা পাক শূদোকপ য়াদে। লীলান তৌবদি মীয়ামগি পুক্লিংদ থম্মোইদ ঈনোৎ অম পীব, মুংঙাইব অচুম্ব উহনব থলহনবচিংবদনি। ... ... লীলান কান্নবদি পুক্লিং থম্মোইগি চিলহাও হেঙ্গৎহনবনি, শেল-থুম য়ুম্বান কৈবান ফগৎ-হনবদ পান্দম ওইদে।" অহুগা সোস্যালিজম অমস্তুং মণিপুরগী সমাজগী মতাংদা হংবা রাহং অমদা তোংব্রানা খুমখি,— "... ... ঐথোয়গি সমাজসি Socialism য়েৌনব চৎত্রে, ভুংদ লৈহৌরে নত্রগা ডিমাপুর য়েৌনবনি হায়হুন কাংপোকপীগি লমথাই তমেং-লোংলোমদ থৌরমানে ... ... কৈদৌউঙৈ Powerism দা গ্রুং তারদগে মুংশা খিরি। Socialism গী থাক ওনগে হায়রবদি মীচম অমনা নোংমদ পুং ৩/৪ দং থবক শূরগ চাক অমস্তুং ফিরোল

ফংলবদি নক্লে খনব য়াই, মুমিৎ চুপ্প খবক শূব ফংদব, ফংলবসু পুক খন্দবসিদি Socialism গি মঙ কায়দে, খবক শিংনবনি, পুক খন্জনবনি। চেঙ, চিনি য়েনব হৈতব মণিপুরদি লায়রি, চাউখৎলব India বু Socialism গি মরমদ মঙ মঙলগ, বারী শারগ স্বর্গদগি মচু তারকপ য়াই খাজরি। মণিপুরদি ভারতকি লৌজানি, খবক্তগি উবনি, মীন ইরম্বদগি শিন্দোকপ নচ্চদে।" শম্না তোংব্রানা সমাজদা social justice, social equality পামই। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা বাখল, সমস্যাশিং অসি উৎপা মতমদা তন্নাই তরাই ফাগিদৌনা উৎপা নত্তে। য়াম্না খরায় শোক্লা উৎলি। অতুনা তোংব্রানা তত্তনা লাউজৈ,— "ঐন খরাই নাতুন কপচব, লাউজব বাহৈশিংদ ভাবিব পাবিব ভাবোকশিংন ফাগি ওইন নোকপ মসিনি ঐগী লাইবক্ত য়েকপিরম্ব শাপ।" তোংব্রামা চখরিবা লম্বী, পান্দম অমসুং থৌওংশিং অসি করি-অমত্তা চীংনবা লৈতনা ময়েক শেংলবা থৌরাং অমনি। মসিদা মাগী অচেৎপা খাজবা লৈ— "ঐন সমাজগি, মীগি ফগৎনবা লম্বী খাজব অচু মীন য়েংবিগে য়েংবিয়ু য়েংবিরোই তোকউ, শেল ফংগে ফংউ মাংগে মাংজৌ উৎকনি, দুনিয়ান পাম্বিদ্রবসু ঐদনদি পামজৈ।" মসি তোংব্রাগী খমুংদগী থোক্লকপা, য়াম্না ঈংথনা খল্লবা, ভাব তারবা অচেৎপা বাখল্লি।

তোংব্রানা নৈনরিবা সামাজিক সমস্যাশিং অসি আইডিয়া-লিষ্ট নত্রগা রোমান্টিসিষ্ট অমগী ফিরেপ্তা লৈরগা নৈনবা নত্তে। নৈনবগী মওং থেমৈ। ইনাক খুনবা, শক্তি পায়বশিংনা লায়রবা অত্তোনবশিংবু ওৎনৈবা হায়বসি অইবশিংগী য়াম্না পামজবা হীরম নত্রগা থিম অমনি। হায়রিবা বিষয় অসি রোমান্টিক ওইবা লেখকশিংগী মখুত্তদি কল্পনা মরাঙ কায়না শীজিন্নতুনা হেন্না বাহনবা, হেন্না কপহনবা, হেন্না থম্মোয় নৌথহন্নবা হোৎনৈ। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা চপমান্নবা থিম অসিদা তোংব্রানা নৈনরকপা

অমদি উৎলকপা মতমদদি ইনৌ মৈৗবা মওং অমদা পুথোক্লকই। মরমদি তোংব্রানা মীওইবগী পুন্সিগী মপাঙ্লোংগী থৌদোকশিং অসি তাইবংদা থোকপা অচুম-অচুম্বদু হেক্তা য়াম্না উৎপা পামদে। তোংব্রানা সমস্তা অদুগী মমুঙদা চঙহনা থি অদুগা মদুগী মরু ওইবা মশক, মচি, মচল অদুত পুথোক্লকুবা হোৎনৈ। 'ওবোং-থাউ'দা তোংব্রানা উৎনবা হোৎনরিবা অসি ওক্কবী সনাজাওবীগী লমচৎ নৈনবা নত্তে। অইবগী লোন্দা হায়রগা— "সনাজাওবীসি ওবোংথাউ পায়বী সেবীগি শক্তম্রি হায়বা য়াই; মীচম কুপীস্নু নংলমদবা য়াই। ... ... সনাজাওবী মী নত্তবসু য়াই, করিগুম্বা মীহৌচাওবা লিচীংগি শক্তম উৎপসু য়াই। ... — চুম থেম্বদ য়াব্রেগ কিহল্লগ ওইজব তানবগি শক্তম্রি ওবোংথাউ হায়বসি। ... ... ওবোং থাউ corruption গী satire ওইনা ইবনি খওবশিংনা অমুক হেন্ন নুংঙাইন উবিব য়াই। তোমালোন মনীং জম্নব লাক্লবদ রাজথিব মায়থিখিবদু তাইবও লীচৎ নোক্লিংব উৎলি। মণি-মমৌ লীলাদ মচা-মমৌ থৎনব অদুগী ফাগি অদু নত্তে উৎনিংলিবদি। মণি-মমৌদা থৎনবা হেক লেপপদ চীকপদু সেংথিহৌ— মদু স্বর্গনি,, মুৎলবা ঈমুংদ থৎনাথিবগি ঈনিল (echo) তাবিব্রা ?" রাকম থরা অসি অইবা মশানা মাগী লীলাশিংদা মতৌ করম্না সমস্যাশিংগী মচঙ ওইবা মরু অদু ফোঙদোকপগে হায়বদু তাকপনি। অইবনা হায়রিবা রাকম অসি অচুম্বমক্রি। মাগী অনৌবা লীলা "চাংয়েং মাঙ"দা মহাভারত অমসুং রামায়ণগী কুন্তি অমসুং ভরাবু করেমহনা নোক্লবা নত্তে। হাম্না ভমপ্রবা, য়াত্তনা শেমগৎবা মহাকাব্যশিংগী চরিত্রশিংদা লৈরিবা লমচৎ, নীতিজ্ঞানগী মশকা হৌজিকী মতমগী হিংবা অমসুং নীংতম্বগা থেম্বগী মশক অদু উৎপনি। 'মণি থিব'দা লৈনরিবা মমুঙগী রাথন্দি— মীওইবসি শক্তি পায়বা য়াদে, শক্তি শেরান্না হেক্তা লীজিন্নরকই হায়বসি উপনি। তোংব্রাগী লীলাদি মপাঙ্লোংগী

অচুম্বগী মতৌতম্বা অচুম্বা-কুরাংপান অমুক নত্তে। মহুৎদা লোত্তুনা লৈরিবা তাইবঙ লিচংকী, হিংবগী অমসুং পুন্সিগী মচঙ অমুক উৎপনি।

তোংব্রানা সমস্যাশিংগী মচঙ ওইবা মশক অসি মতৌ করম্না করম্বা লীলাগী মউত্তা ফোঙদোক্লুনা উৎপগে হায়বসি ঐথোয়না খরা কুপ্পা নৈনফম থোকই। মসিদা তোংব্রাগী লীলাগী মওং, মাগী ষ্টাইলগী বাফম চঙলকই। তোংব্রাগী ড্রামা অসি ইবসেন অমসুং জি. বি. শোথোয়গী 'ড্রামা ওফ আইডিয়াজ' (বোথল লীলা) নত্রগা 'প্লোব্লেম প্লে' (সমস্যা নৈনবা লীলা) হায়বত্বুগী শাগেদা চীংই। মাগী লীলা অয়াম্বা অরিবা মওংগী প্লোট খুৎশেম অমুক ইন্‌বা ডাক্তনি। অ্যাবসর্ডিষ্টশিংদোনা প্লোট, বারী, লমচৎ য়েক-পনচিংবা অমত্তা য়াউদ্রবা খুৎই মওং অমুক্সু নত্তে। ("ঐথোয় বাজি নচিংবা অ্যাবসর্ড ড্রামাগী মওং লৌবা লীলা অমা অনী ইরবস্তু।) প্লোব্লেম প্লেগী হৌনবা অহানবদা হায়গদবা বাফম থাঙ্গৎলি। মহুদগী ফল পুথোকই অদুগী অরোইবদা বাহং হংদুনা থনম্বা অসি তৌগল্লি। নৈনবা অমসুং আইডিয়ানা হেন্না উৎপা পাম্বা ড্রামাটিষ্ট ওইবনা অৱায়-অথুম্বা (ডায়্যালোগ) হেন্না মরু ওইনা লৌই। মসিনা লীলাগী মচাক পুন্নমক্কী মথক্তা কাখত্তুনা লৈবা য়াউই। লীলাগী থোদোক-বাথোক্তগীসু আইডিয়ানা হেন্না মরু ওইনা উৎপা মতাংসু য়াউরকই। অদুনা মাগী লীলাগী মুক্রবা (কনফ্লিক্ট) অসি চরিত্রশিংগী মরক্তা নত্তে— আইডিয়াশিংগী মুকথায়নবনি। অদুনা মাগী লীলাশিংদা ঐথোয়না মমাঙডংগী অরিবা লীলাশিংদা তত্তনা থেংনবা নায়ক, নায়িকা, খম্বা-নোং-বানগী মশক নাইনা য়াৎলবা চরিত্রশিং অমুক থেংনদে। (মহৌশা রূপমহলদা তৌখিবা লীলা অমদা হীম্বো মশক তাকপা ঙম্বদা মনা পীগনি হায়দুনা তোংব্রানা লাউথোকখিবা য়াউখি।)

তোংব্রাগী লীলাদি মকোক মমৈ ওন্থোকপা লীলানি

ইবসেন অমসুং জি. বি. শোগী মওং লৌদুনা তোংব্রানা লীলা উৎপদা মথক-মখা ওগ্নোক্লগা উৎপা টেক্নিক অসি পান্না চথে। ইব্‌সেনগী ফোটো নেগেটিভ অমদি শোগী 'tubsy-turby' গী ড্রামাটিক মেথোড অসি তোংব্রাসু শীজিন্নৈ। ষ্টেজদা উৎলিবা থৌদোক অমদি চরিত্রশিং অসি তশেংবা অচুম্বা নত্তে— ফোটো নেগেটিভকুম্বনি। উৎলিবশিং অদুগী মরুমদা অচুম্বা, ফজবা অমা লোত্তুনা লৈ। Nicoll না শোগী মরমদা হায়— "Mr. Shaw loves to show that other side in order that he may point a moral." শোনা অতোপ্পা নাকন অমরোমদা কান্নবা বা অমা লৈ হায়বসি থিন্দুনা তাকপা পামই। তোংব্রাসু মাগী লীলাগী মরমদা হায়,— "হান্নগী অমনব পামদতুন অওইব মান্নব লাক্লবত্তুদ ওইদবা কয়া হেন্ন চুম্ব মান্নব হাপচিল্লে। ... ... ওইদবন অওইব মালহনব কমেডীগী লাইব্রানি।" অদুনা তোংব্রানা মাগী লীলাদা অমসুং মতুবু ষ্টেজদা উৎপদা "ওইদব কয়া", "ওইদবদ অওইব মালহনব" থৌদোক কয়া হাপচিন্দুনা ওইদব-শিংগী মরক্তা হেন্না চুম্বা পুন্সিগী অর্থ থিরি। ফোটোনা পোৎশিংগী অচুম্বা মশক অদুমক ইকোক কোক্লা উৎপা অদুগী মহুত্তা পোৎশিংগী মমুংদা চঙদুনা মদুদা লৈরিবা 'চুমদবা মশক' (unreal elements) অদু হাল্লা উৎলগা মদুগী মমুংদা লোত্তুনা লৈরিবা অচুম্বা, মচি অদু পুথোক্লবা হোৎনৈ। অদুনা তোংব্রানা মণিপুরী ড্রামাদা হৌজিক মতমগী পুন্সিগী অচুম্বা মশক উৎনবগী-দমক্তা 'অচুম্বা মান্দবা থিয়েটর' (unreal theatre) অমা পুশিল্লকই। মাগী অওইবা মান্দ্রবা থিয়েটরগী ফম্পাক অসিদদি থাজদ্রবা, ওইদ্রবা, ওইথোকপা য়াদ্রবা মচাক, থৌদোক লোইনা হানজিনবা য়াই। মাগী লীলাদা ওইথোক্তবা হায়বা অমতা লৈতে। অদুনা মাগী লীলাশিংদা ফার্স (farce) অমসুং ফ্যান-টাসিগী (fantasy) মচাক মরাঙ কায়না য়াউবা থেংনৈ। "কয়া

লুন নত্রগ বাংন মীবু করম্না ঙকহনব ঙম্বগে ? ... ... অঙকপন থল্লব তাইবংপান্দ অঙকপগী মঙান উব ফংবমুক মুংঙাইব করি লৈফম থোকপগে ?" —তোংব্রাগী বাহংনি। ঙকহনবা, অওইবা—ওইদবা, মথক-মখা ওন্থোকপা, ভাবনা অমসুং ইঙ্গিংনা নাকোয়ননা ফোঙদোকপা অসি তোংব্রাগী লীলা ষ্টাইলনি। অদুনা মাগী চরিত্র অমসুং থৌদোকশিং অসিগী ওন্ন-তৈনবা মশক কয়া এখোয়না তত্তনা থেংনৈ— অফবা, আদর্শ ওইবা নেতা, অঙম্বা কয়া মনুংদদি ইহো হোবা মীশক ঙাক্তা ওইরম্মী ; থৌনা ফবা, অকন-অথৌ মানবা কয়া মীকিখি ওইহল্লি ; ধর্ম্ম লৈবা, পুকচেল চাউবা কয়া সাধু চেঙচঙবা ওন্থোকই ; অশোনবা মানবা মীচম, মীনাই, লায়রবা, খোঙমী লাম্মী কয়াসু অঙকপা ফংনা মতিক মগুণ, শক্তি লৈবা মীশক্তি হায়বা উৎলি। মপাগা মচাগা লৈনবা ফজরবা মরী অসিগী ওন্নতৈনবা মশক অমা 'উপুবাক্ষি'দা উৎলি—অশেংবা মচা অমসুং মুপীবু থাজদ্রদুনা মচা অমসুং মুপী লৌনবা খবরদা কৌই। থায়নগী সতী সীতা অমসুং তরা নত্তবা অনৌবা শাইওনগী মশক অমা "চাংয়েং মাঞ্জ"দা থেংনৈ। মথরায় পাম্মুবা মান্দ্রবা নহারোল লানহৌবশিং অমদি থৌনা ফরবা জবান কয়া নোংমৈ পায়বদা মথুৎ নীকপা কয়া 'চেঙনী খুজাই'দা উৎলি। এখোয়না লৌরিবা থৌনাফবা অমসুং লানগী ওন্নতৈনবা মশক অমনি। অদুনা, বারীগী থৌদোক্তা, এখোয়না হান্না খঙদুনা লৈরবা বাখল, ভাব কয়াদা, আদর্শ ওইরবা মীশক অমসুং মীওই লমচৎশিংদা মথক-মখা ওন্থোক্তুনা, অচুম্বা মান্দবা মশক অমা ওইনা ষ্টেজদা কোয়োংচাক য়ুংদুনা থমই। মসিগী মতাংদা তোংব্রানা শোগী মতৌগুম্না তত্তনা হায়— রামায়ণদা য়োং, শওমশিং বা ঙাংহল্লি। শোনা হায়খিবদু মাসু চেংনা থাজে—"You could not have Aesop's fables unless animals talked." শাশিংদু বা ঙাংহন্দ্রবদি এসোপকী বারীশিংদু পাবা

ফংলম্লোই। তোংব্রাগী লীলাদা মথোং হুক্কবা থৌদোকশিং, নাতৈ চাদবা চরিত্রশিং য়াউজ্রবদি মাগী লীলা ওইরম্লোই। "For Shaw as for Ibsen the real was a phrase used in antithesis to the ideal." তোংব্রানা উৎলিবা 'অচুম্বা' অসিসু সমাজনা য়ানরবা 'আদর্শ ওইবা' হায়বা অদুগী ওন্নতৈনবা মশক অমনি।

মাগী মথক-মথা ওস্থোকপা, অচুম্বা মান্দবা লীলা অসিবু তোপতোপ্পা শক্তম্নরবা কলাগী থুৎশেম অমা ওইনা উহল্লিবদি মাগী ফাগিগী মতেঙননি। ফাগি মাগী লীলাগী মতেঙ অমনি। ফাগিনা অরোয়বা পান্দম নত্তে। ফাগিগীদমক ফাগি তৌবসু নত্তে। মসিগীমথক্তা তোংব্রানা সমাজগী অশোয়বা কয়া করেম্নহুনা নোক্লনীংলিবা অদুগী য়াম্না থুৎলোয়বা, নাতৈ চারবা থুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নবনি। তোংব্রানা হায়,— "মুংশিদব ফত্তব অঙম অথৌদি ফোংন চৈক্লরবদি শাওগদবনিন ফজন লক্লরবদি নোকহল্লগ জ্ঞান তাহনব। নোক্লবদি অতৈনসু মতেং পাংলে নোকমিন্নে, কপ্লবদি অতৈন নক্লনিংদে লাপথোকখি।"

অপাম-মুংশি, থম্মোয় নৌথবা, অরা-অনা হৈনদবা তোংব্রাগী ফাগি, কমেডিগী মশক অসি এরিষ্টোটলনা হায়বা ক্লাসিকেল কমেডি অদু নত্তে। জি. বি. শোগী ফাগিগী মরমদা অথঙ-অহৈ-শিংনা হায়বা 'Comedis of Purpose' নত্রগা 'Purposeful fun' হায়বহুনি। মীওইবগী অপঙবা, অশোয়বা, কান্নদ্রবা, ওইদ্রবা রাখল ময়াম অদু ফাগি তৌহুনা, করেম্নহুনা উৎপা অদুগা ভাব তাহনবা অসিনি। তোংব্রানা হায়, "কলম্ন তমথীব মীবু হাৎপ য়াদবনিন মুংশেলদ মমি উহল্লগ মশানা উজরক মীহু ফগৎলকপ্র য়েংবনি। সমাজদ লৈরিব মীশিং তিন্নব লৈমিন্নব মুংঙাইনব ফগৎহন্নব শিংগৎহন্নব থর হোৎনবদনি।" অহুনা তোংব্রানা তাইবঙ মীগী অচুম্বা লীচিং উত্তুনা মনল লৈবা, অবাংবা

থাক্কি ফাগি তৌই। নত্রবদি চুম্নগী মী নোকহন্নবা তৌবা অনেম্বা মথলগী ফাগিজাৎনা তাইবঙ মীবু অবাংবা থাক অমদা পুখৎপা ঙমদে। অতুনা তোংব্রানা অচুম্বনা তৌবা, ফজবা, অরুবা বাথল পোকহনবা ফাগিগী মওং অসি শীজিন্নৈ। Meredith না হায় —"The comic spirit breathes in a purely intellectual atmosphere : its weapon are wit and commonsense, its butt is human vanity, egoism, pride and all un-social traits."

তোংব্রাগী ফাগি, করেম্নবা, ফাগি-জুগাই ময়াম অসিদা শীজিন্নরিবা বাহৈ-বাতা. প্রমাণ-পাষ্টৈ, লরুবা, শীথবা ময়াম অসি মণিপুরী সাহিত্যদা তোপ তোপ্পা মশক অমা ওইরি। মসিদা তোংব্রাগী মশাগী ওইবা মফোঙদোক অমসুং ফজন্নবা অনৌবা খুৎশেম কয়া থেংনৈ। মাগী ফাগিগী মতাঙদা তোংব্রা মশানা হায়জবা বা লৈ— "মাগী [তোংব্রাগী] লীলান খ্বাইদৈ থন্ন তোপ্প উবদি ফাগিন মপুং ওইরগ রস অতৈন মোসলা ওইনৈ। মাগী লীলা পাব অমসুং য়েংব কাঙবুন জঙ্গলদ চংলগ উজাও ঙাক্ত উতুন জঙ্গল উরক্তে হায়নবগুম ফাগি ঙাক্ত উরক তারক্তুন লীলা নত্তে হায়নব য়াউই। নোক্লিংবগ কপ্পিংবগ মান্নমন্দুন মাগী লীলাদ কপকদ্রা নোকদ্রা মফম খঙদবা য়াউই।" তশেংবমক, মাগী ফাগিগী মরুমদা অরুবা বাথল কয়া ফুমজুনা লৈ। মাগী ইপৌ পৌবা, ইয়াং য়াংবা মানবা ফাগি অসি য়াম্না অরুবা কলাগী (serious art) খুৎশেম ঙাক্তনি। য়েংবদা ইচম চম্বা মানবা মাগী অরায়বা অসিবু শারিবা অরুবা মচাকশিং অসি থিবদা তোংব্রাগী হৈশিংবা গুণ অমসুং শেমজিন শাজিনবা হৈবগী মহৈ অতু মশানা অতুম চোংথোক্লকই। মাগী অরায়বদা ফজবা লোত্তুনা লৈ। মাগী অচম্বদা অরুবা কয়া য়াউরি।

শ্রীনীলকান্তনা মতাং অমদা তোংব্রাগী লীলাদা মরমদা "... ... ... নায়ক নায়িকা অয়াম্বা আইডিয়ানা মূর্ত্তি পান্দুনা থোরকপনি। অসিনা প্রোপাগণ্ডাগী শরুক থরা য়াওই" হায়দুনা তোংব্রাগী লমচৎ য়েকপগী মতাংদা অশোয়বা থরা পুথোক্লুনা হায়রুবদা তোংব্রানা য়াম্না নানা খুম্লকখি— "অসুম্বা য়াতাসি G.B. Shaw গি plays শিংদা William Archer and other English critics না ইখিবদু শিন্দোক্লগা ঐঙোন্দ থাগৎপনি। ফন নোক্লিংব ফাগী অমনি, য়াথল থেনবশিংদা। Ideal characters শিং রাম, দুষ্যন্ত, সীতা, সাবিত্রী, ভীষ্ম, যুধিষ্ঠির, কংস, রাবণ ... ... idea গী মূর্ত্তিনি হায়ব য়াব্রাও? Idea গী মূর্ত্তিনি হায়ব য়াদব করম্ব character কনান কৈদৌউ ইপ্রবগে? অমন ইবদৈ অমন শিন্দোক্লগ, অমদ হায়ব য়াদু অমদ অমুক থোঞ্জিনববু সমালোচনা ইব কৌব্রাও? অহিংবা মানব character নত্তে হায়রবদি অইবদু হৈতবনি। করি করি খুদম পীবগে? Shaw বু charaterization হৈতে হায়সিরা? ঐবুদি হৈতেদা। ঐন হৈত্রিব মতাংদু লীলা মীকোক্তু তাকপিরবদি মুংঙাইজগনি।" য়েৎনরিবা য়াফম অসি অরুবা মতাং অমনি। অনীমক্কি অচুম-অরান লৈনবা ঙাক্কি। তোংব্রানা মরৈ লীলাদা কম্না থাজবা মরম্না সমাজদা লৈরিবা সমস্যাশিং অসি থম্নৈনদুনা, মরৈ য়েৎন-দুনা, ভাব তাহন্দুনা শেংদোকপা য়াগনি হায়বসি চেৎনা থাজে। অদুনা, লীলাগী সমস্যাশিং অসি মাগী চরিত্রশিংনা মুম্না থম্নৈন-হল্লবা মতুংদা ফল অমা পুরক্লবা হোৎনৈ। মসিগী মতাংদা অইবনা হায়বা পাম্লিবা য়াথল, আইডিয়া অসি মাগী চরিত্রশিংনা মহুৎ শীন্দুনা ফোঙদোক্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা মাগী আইডিয়া অদু মাগী চরিত্রশিংনা মহুৎ শীন্দুনা উৎলি হায়না লৌবসি য়াবা লৈ। তৌইগুম্বসুং আইডিয়ানা মূর্ত্তি পান্দুনা থোরকপা চরিত্র খুদিংমক অহিংবা মান্দে হায়বদি য়াদে। তোংব্রাগী লমচৎ

য়েকপগী মরু ওইবা মশক্তি—হান্নগী অফ-ফত্ত, খন্না-নোংবান খায়বা লমচৎ থুংয়েক অদু থুগায়রগা কেরেক্টর খুদিংমক চাং মান্নবা থম্বনি। হান্নগী অমনবা চৎনবী থাজদবা, সমাজগী অরানবা ভেলু সিষ্টেম য়াদবা, মঙলান্দা তাউত্তুনা হিংবা নত্তবা— পুম্নমক অসিদগী নাম্ফোক্তুনা লৈবা ওম্বা, মশাগী নীংতম্বা রাখল চেৎনা লৈজবা, মরম্নাই লেপচনবা হোৎনবা কেরেক্টর কয়া শেম্বা ওমই। অসিগুম্বা কেরেক্টরশিং অসি য়াম্না হৈশিংই, ভাব তাই, থৌনা ফৈ, সমাজগা লাম্ফেংনবা ওমই। 'উপু বাক্সি' গী শেঞ্জেং, 'মেত্রিক পাশগী প্রতাপ, 'তাপ্তা' গী বাবা অমদি অতৈ লীলাদা য়াউবা মুপা অয়াম্বা য়াম্না শিংবা, অচুম-অরানগী বিচার লৈবা, সমাজগী অরানবা নীতিবু ভাব তানা শীংনবা ওম্বা ওাক্তনি। শেঞ্জেং, বাবা, প্রতাপপু অহিংবা কেরেক্টর মান্দে হায়রুরবদি অরানবা ওইগনি। মখোয় তোংব্রাগী য়াম্না ফজবা কেরেক্টর ওাক্তনি।

অদুগা তোংব্রানা মাগী চরিত্রশিংবু অফ-ফত্ত হায়দুনা মচু শংউদ্রবসু আইডিয়া অনী মুকথায়নবদা শরুক য়ানবা হায়দুনা সমাজগী চৎনবীদগী নাম্ফোকপা ওমদবা, অমনবা চৎনবীগী লাংদা থুদুনা লৈরিবা কেরেক্টরশিংসু শেমই। তৌইগুম্বসুং মখোয় অইবগী মথা পোন্দুনা মশাগী রাখল লৈজদবা মীওইদি ওইহন্দে। তোংব্রাগী কেরেক্টর খুদিংমক বুদ্ধি থৌবা, তোথায়বা মোত কয়া লৈবা, মরম্নাইগী ফিরেপ লৌবা ওম্বা ওাক্তনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি তোংব্রানা মাগী কেরেক্টরশিংদা অচুম্বগী মচাক (elements of reality) হাপ্পবা হোৎনৈ। অদুনা লাইরিক-লাইগু হৈত্তবা মীচম, মীনায়নচিংবা অতোনবা কেরেক্টরশিং ফাউবা থোইদোক-হেন্দোক্লা হৈথোই শিংদোইহল্লি।

তোংব্রাগী মুপী চরিত্রশিং অসি মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না ফজরবা অনৌবা থুংশেম ওইরি। ইমামচা (ইম্ফাল থোইবী), সনাজাউবী (খবোং খাউ), থারিকথা (মেত্রিক পাশ), কুমারী

রম্ভা (কুমারী রম্ভাগী মঙ), মেমথোই (মেমথোইবী), নুপীমচা (লৈশাবী চিঠিখেলা), কুমারী বসন্তী (কাউফাবী) অসিনচিংবা কয়া অসি নিপানা লাকচবা য়াম্রবা, মথৌনা-মরৌশিং চঙথোল্লবা নুপী ঙাক্তনি। George Meredith না হায়রবা বাফম অমা লৈ— "Comedy can exist only where women have a high status, since it depends upon a battle between the sexes—'unwomanly' heroines." নুপীনা থাক বাংলবা মতমদা কমেডি হিংবা ঙমই। তোংব্রানা অবাংবা থাকি নুপী কয়া মাগী লীলাদা পুথোকই। মণিপুরী সাহত্যিদা 'অনৌবা নুপী' (new woman) গী ঈহৌ অমসুং মসিগী খুৎশেম অসি তোংব্রাগী মথুত্তগী থোকখিবনি। তোংব্রাগী নুপীদি সমাজদা অধিকার চপ মান্নবা তাল্লিবা, অপাম-নুংশিগী মঙলান্দা ঙাউদবা, নিপাশিংনা মরম চাদনা নমথবা য়াদবা, লৌশিংশিংবী, থৌনা লৈবী, নিপা মরাইমা হেল্লবা নুপী ঙাক্তনি। G.B. Shaw না হায়— "... good women are all menly, good men being equally all womanly men." য়ান্না নোক্লিংনা চুমথ্রবা বানি।

তোংব্রাদি থিয়েটরগী মীনি। চপচাবা কলাকার অমনি। মহাক্না "লীলাবু লীলাগুম" উন্নরম্বা মীৎয়েং অদু থুগায়হুনা লীলানা মীবু নুংঙাইহন্নবা অমদি শিংগৎহন্নবা কলা অমা ওইনা শীজিন্নবা হৌরকখি। লীলাগী পান্দমগী মতাংদা মানা হায়— "সমাজদ লৈরিব মীশিং তিন্নবা লৈমিন্নব নুংঙাইনব ফগৎহন্নব শিংগৎহন্নব থর হোৎনবদনি।" ইবসেননচিংবা পাম্রিঙৈদা ইবা 'মণি-মমৌ' (ইং ১৯৪৫-৪৬) অমদি মথাদা ফোঙলকপা 'মেট্রিক পাশ', 'হিংমিন্নব'নচিংবা লীলাশিংনা চহী কয়া লাম্থোক্তুনা ঙসি-ফাউবা হিংহুনা লৈবা, মীয়াম্না পাম্নবা লীলা ওইরিবসিনা তাকপদি তোংব্রাগী লীলা খরদি মতম মতমগী ওইবা পংখৈ লাম্থোক্তুনা

মতম কুইনা হিংবা য়াবগী মওংদা লৈরে হায়বসিনি। লীলাশিং অসিনা মতম কুইনা হিংবগী মরমদি— অতুক হাক্লা অরুবা চাংয়েং অমসুং নন-রিয়্যালিষ্টিক টেক্নিক পংশি শীজিন্নদনা মণিপুরী সমাজ অমসুং পুন্সিগা য়াম্না নকশিন্নবা সমস্যা খরবু মুংঙাইবা ফাগি অমদি অচম্বা মউত্তা ফোঙদোক্নুনা ইবা অসিননি নীংই। তোংব্রানা কপচবদা ময়াম্না নোকপা, ময়াম্না মাগী লীলা খর য়াংতক উবগী মরম মাগী লীলাগী ফজবশিং অতু য়াম্না লুথনা, মসুং হুনজিন্না উবা ঙমদবগীসু ঙাক নত্তে। করিগুম্বদা আইডিয়ানা কাহেন-জিন্না হাখিতুনা মাগী লীলাগী ফজবা কয়া মাঙহনবা য়াউই। ফাগিদা হেনজিনবা, নাত্তৈ চাদবা কয়া শীজিন্নতুনা মাগী লীলাবু য়াংনা কাখৎকদবদগী চীংথৈ। ভাবোক্কী অমসুং মাগী ফজনা, মওং তানা লৈতবা লীলা পার্টিগী য়েংতুনা মাগী কলমবু মনীংমখা তম্না শীজিন্নবদগী থিংই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা তোংব্রানা নৈনরিবা পুন্সিগী সমস্যা খরদা অৱাৎপা লৈবা থেংনা মহাক্না হৌজিক হৌজিক ফোং ফোং শারিবা সামাজিক সমস্যা অসিনা পূমলোই লোইরবনি খল্লি অমসুং মসিগী পরিকরদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রি। ধর্ম্মগী বিষয় ময়ামগী মরমদা মশীং লাকঙমদনা ইরিবা লাইরিকশিংগী মনুংদা উপনিষদ, গীতানচিংবনা য়াম্না য়াংবা থাক্তা লৈবগুম পুন্সিগী মনুং হুনজিন্না লৈরিবা সমস্যা নত্রগা দর্শনগী মরমদা ইরকপা লীলা থেংনদ্রি। মহাক্না হৌজিক, মাগী অকোনবা লীলা খরদা এক্সপ্রেশনিষ্টিক টেক্নিক খরা শীজিন্নতুনা (মরু ওইনা— ঙবোংখাউ, উপুবাক্নি লীলাশিংদা) পুন্সিগী খরা লুবা সমস্যাদা চঙশিনবগী মওং খরা উরবসু তয়াং তশোইবা, করেম-কথাইনবা খরা থাদোক্নুনা পুন্সিগী অরুবা, অৱাংবা, মরেপ লুবা সমস্যা খরদা খুং থাবা দরকার ওইরি। পূম্নমক অসি লৈতুনসু তোংব্রাদি মণিপুরী সাহিত্যদা য়াম্না তাঙবা অমসুং তোপ তোপ্পা ড্রামাটিষ্ট অমনি। মীনা চৎনদ্রিবা লম্বীদা

চন্তুনা, য়ৌনদ্রিবা লমদমদা চণ্ডহুনা, উনদ্রিবা মফমদা য়েংহুনা অনৌবা খুৎশেম, মীৎয়েং কয়া ঙসিফাউবা অয়েপ্পা লৈন্তনা পুথোক্লক্লি। তোংব্রানা মণিপুরী সাহিত্যদা লৌরিবা ফিরেপকী মরমদা শ্রীনীলকান্তনা হায়বা,—"ড্রামাগী জগত্তা নাইতোম থোরকপা—মতুং ইনবীনবা য়াওদবা, ইনব ফাউবা ঙমদবা— মীশক অমনা গীতচন্দ্র তোংব্রা" অসি মণিপুরী সাহিত্যদদি অচুম্বা ওইরি।

ইনডেক্স

(অইবশিং তাকপা)

অ

অঙাংহল (হিজম), x, ৪-৫, ৮–৯, ১৫, ২৭, ১০৭, ২০২–২০৪, ২০৯, ২১১–২১২, ২১৬
অবীর (তেলেম), ৪৬
অরবিন্দ (শ্রীঅরবিন্দ), ৬৫–৬৬, ৬৭
অম্বরলাল সকারলাল, ৭২
Einstein, Albert, ১২২
অজ্ঞেয়, ১২৮
অভিনবগুপ্ত, ১৩৪
অণ্ণা রঙ্গাচার্য্য, ১৩৭
Avinash, Goyanacharya C. Pandey, ১৪০
Awasthi, D. S., ১৪৭
অতোম্বাপু (ফুরাইলাৎপম), iii, ২০৮
অমুবী (অকোইজম), ২১০
Aesop, ২২৯

আ

আনন্দ শঙ্কর রায়, ৬৯
আর. ভি. আর. নাইডু, ৭৩
আর. এস. রাও, ৭৩
আনন্দমূর্ত্তি, য়ু. আর, ৮৯
আনন্দ, মুল্ক রাজ, ৮৯
আনন্দকান্দ, ৭৩
আর. সি. মজুমদার, ১৬৪

ই

ইরাবত (হিজম), ৩–৫, ১১–১২, ৭৫, ১০৭–১০৮, ১১১, ২০৭
ইবুংঙোহল (লাইরেনময়ুম), iii, ২৭, ৭৭, ১০৭, ১১০, ২০৫
ইবোমচা (য়ুম্নেম্বম), ৬০, ৮২
Emerson (Ralph Waldo), ৬২
ইবোপিশক (থাংজম), ৮২
ইন্দ্রমণি (শগোলশেম), ১০৩
Eliot, George, ১২৪
ইবসেন, হেনরিক, ১২৫, ২২৮, ২৩০, ২৩৪
ইবোহল (থিয়াম), v

ঈ

ঈশ্বরচন্দ্র গুপ্ত, ৬৩

উ

উপেন্দ্রনাথ গঙ্গোপাধ্যায়, ৬৯
উমাশঙ্কর জোশী, ৭২
উতকলমণি গোপালবন্ধু, ৭৩

এ

Anderson, Sherwood, ১২৪
এরিষ্টোটল, ১৫৩, ১৭৭, ২৩০

(অইবণিং তাকপা)

ক

কমল, ড'. (লমাবম), ৪-৬, ৮, ১৩, ১৫, ২৭, ৪৬, ৫১, ৯৪, ১০১, ১০৯

কালিদাস, ৬, ৯১, ৯৩-৯৪, ১০৭, ১১৬, ১১৮

কালিপ্রসন্ন ঘোষ, ৬

কৃষ্ণমোহন (সিনাম), ৪৬, ৯২, ২০৭

কুঞ্জমোহন (নোংথোম্বম), iii, ৫৩-৫৬, ৫৯, ৭৭, ৯৫

Cooper, James Fenimore, ৬২

কে. এম. মুনশি, ৭২

কুবেনপু, ৭৩

কুন্দুকুবী কুবেসলীঙ্গম, ৭৩

করন্ঠ, কে. শিবরাম, ৮৯,

কামনী (রাইরোকপম), ৯০

Crabbe, George, ১১৬

Kipling, Rudyard, ১১৬

Keats, John, ১১৬

Conrad, Joseph, ১১৬

কাজি নজরুল ইস্লাম, ৬৯

Kingsley, Sidney, ১২৫

কুম্ভক, ১২৬

কৃষ্ণসোবতী, ১২৯

Keith, A. B., ১৩৮

কাহাইলাল (ঐচ), ১৫৯, ১৬১

কুমারস্বামী, আনন্দ কে, ১৬৪

কুলশেখর, পেরুমাল, ১৮২-১৮৩

কুঞ্জবিহারী (কৈশাম), i

খ

খাদিলকর, ৭২, ৯১

গ

গুণ (হিজম), ৫৩, ৫৭, ৯১-৯২, ১৩১

গোর্কি (মেক্সিম), ৬২, ১২৪, ১২৭

গঙ্গাধর ভট্টাচার্য্য, ৬৩

গোবিন্দ পাই, ৭৩

গোপাল কৃষ্ণ ভারতী, ৭৩

গৌরদাস (হাওবম), ৮৩

গান্ধী, এম. কে., ৯৫, ৭২-৭৩

Gargi, Balwant, ১৪৫

গিরিশচন্দ্র ঘোষ, ১৯৩

Grousset, M., ১৭০

চ

চাউবা (খুইরাকপম), x-xi, ৪-৭, ১৩, ১৫-১৬, ১৮-১৯, ২০-২৫, ২৭-২৯, ৩১, ৪৫, ১০১, ১০৭, ১০৯-১১০, ১১২

চিত্রেশ্বর শর্ম্মা (অরিবম), ৫৩, ৫৭-৫৮, ৯২

চিত্রেশ্বর শর্ম্মা (বি.), ৫৩

চৈতন্য (হাউবিজাম), ১১০

Chekhov, Anton, ১২৫

চৈতন্য দেব (শ্রী), ১৪১

চন্দ্রসিংহ (মোইরাংথেম), iii

জ

জে. সি. ঘোষ, ৩১

জি. সি. তোংব্রা, viii, ৭৭, ৮৬-৮৭, ৯০, ১৩১, ১৬৫, ২১৯-২৩৫

(অইবশিং তাকপা)

জয়চন্দ্র (লাংজম), ৮৩
Zola, Emila, ১২৩–১২৪
জয়দেব, ১৪০–১৪১
জিয়ামী (Zeami), ১৭৭
Johnson, Samuel, ২১৫
Jonson, Ben, ১১৮

ঝ

ঝুলোন (মুতুম), ৪৫
ঝিনভাই দেশাই, ৭২

ত

তারাশঙ্কর বন্দোপাধ্যায়, ৫৫, ৬৯
তোলষ্টোয়, লিও, ৬২, ১২৪
তিলক, (বাল গাঙ্গাধর), ৬৫, ৭২
তোমচৌ (অথোকপম), ৮৯-৯০
তন্দন, প্রকাশ, ৯৫
Turgenev, Ivan Sergeevich, ১২৪
তুলসিদাস, ১৪২
তোদন, ১৮২

থ

থানিল (নোংমাইথেম), ২০৭

দ

দরেন্দ্রজিৎ (অরাম্বম), ৪–৬, ৯, ৪৫, ৭৭, ১০৭
দ্বিজেন্দ্রলাল ৬, ১৯৩
দীনবন্ধু মিত্র, ১১, ৬৩, ১৯৩
দীনমনি (এলাংবম), ৫৩, ৫৭–৫৯, ৯২–৯৩
দেবেন্দ্রনাথ ঠাকুর, ৬৩
দেশাই, ৭২
দামোদর (লৈমপোকপম), ৯৩
দ্বিজমণি দেব শর্মা (হিহংময়ুম), ১০৯, ১১০
Defoe, Daniel, ১১৮
Darwin, Charles Robert, ১২১
দণ্ডী, ১২৬,

ধ

ধীরেন (অকোইজম), ৯০
ধনঞ্জয়, ১৩৪
ধর্মবীর ভারতী, ১৯৪
ধনচন্দ্র (খোংব্রাম), ২০৭

ন

নবদ্বীপচন্দ্র (হৱাইবম), x, ৪–৬, ২২, ২৭, ৯৭, ৯৯, ১০০–১০৭, ১০৯–১১২
নীলকান্ত (এলাংবম), iii, ৪, ১৮, ৮২, ২৩২, ২৩৬
নীলবীর শর্মা (শিজগুরুময়ুম), ৫৩, ৫৭–৫৮, ৮২, ৯২
নন্দলাল, ৭২
নাইপাল, ভি. এস., ৯৫
নেহরু, জরাহরলাল, ৯৫, ১৬৪, ১৬৫
নিরাদ সি. চৌধুরী, ৯৫
নোংয়াই (থাইদেম), ১১০
নন্দকেশ্বর, ১৮৯
নারায়ণ ভট্ট, ১৪১
Nicoll, Allardice, ২২৮

(আইবশিং তাকপা)

নদীয়া (শক্কেনবম), vi

ট

টোড, ৬

Thomson, Edward, ২০০

প

পাচা, মীতৈ (লোইতোংবম), v, ৩৬, ৪১–৪২, ৯০, ১১৬, ১৩১

প্রকাশ (খুমন্থেম), iii, ৫৩, ৫৬

প্রেমচান্দ, মুনশি, x, ৫৭, ৭০–৭২, ৮৯, ১২৭–১২৯

প্রেমচান্দ (লাইতোঞ্জম), ৫৮, ৯২

প্রিয়োকুমার (কৈশাম), ৬০

Poe, Edgar Allan, ৬২

পারঙ্গপে, ৭২

পিল্লাই, শিবশঙ্কর, ৮৯

পরিজাৎ (পুক্সম্বম), ১০৭

পন্ট, ১২৮

পদ্মকুমার (কাংজম), i, v–vi

ফ

ফুকন, এন, ৪৮

ফকিরমোহন সেনাপতি, ৭৩

Freud, Sigmund, ১২২

Flaubert, Gustave, ১২২–১২৩

Faulkner, William, ১২৪

Frost, Robert, ১১৬

ব

বাইরন, লর্ড, ৬

বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়, ৬, ১০–১১, ১৯, ২৪, ২৮–২৯, ৩১, ৫১, ৬৩–৬৫, ১২৭, ১৯৩, ২১১

বিনোদিনী, এম. কে, iii, ৫১–৫৩, ৯০, ৯২

বনফুল, ৫১, ৬৯

বীরেন (শ্রীবীরেন), ৫৩, ৮২–৮৫, ৯২

বিভূতিভূষণ বন্দোপাধ্যায়, ৫৫–৫৭

বীরমণি (লমাবম), ৫৭–৬০, ৯২

Bancroft, ৬২

বিনায়ক, ৭২

বিন্দরে, ৭৩

Balzac, Honore, ১২৩

বারর্স, ফোবিয়ান, ১৬৫, ১৬৭–১৬৮

ব্রেগুণ, জেমস আর, ১৬৫

বেকেট জেমস, ১৬৫

Breton, Andre ২২০

Beckett, Samuel, ২২৩

ভ

ভর্জিল, ৯

Voltaire, Francios, Marie Arouet, ৬১

ভবানী চরণ বন্দোপাধ্যায়, ৬৩

ভল্লালর, ৭৩

ভেনকতা শর্মা, ৭৩

ভামহ, ১২৬

ভরত মুনি, ১৩৪–১৩৭, ১৭৭, ১৭৯

ভোজরাজ, ১৩৪

ভবভূতি, ১৩৫

ম

ময়ূরধ্বজ (চোংথাম), ৪–৫

মীনকেতন (অশাংবম), ৪–৫, ২৭, ৮২, ৮৬, ৯৫–৯৬, ১০৭–১০৮

(অইবলিং ভাকশা)

মাইকেল, মধুসূদন, ৬, ৯, ১০, ১১২, ১৯৩
মাণিক বন্দোপাধ্যায়, ৫৫
Montesquieu, de, ৬১
মনমথ রায়, ৬৯
মহাবীর প্রসাদ দ্বিবেদি, ৭০
মৈথিলী শরন গুপ্ত, ৭০
মখনলাল চট্টুবেদি, ৭০
মন্তি, ৭৩
ময়ুবাম বিদ্যানয়াগর, ৭৩
মঙ্গীপুদি, ৭৩
মধুবীর, রা. কু., ৮২
মেহতা, বেদ, ৯৫
Moore, Georga Edward, ১২২, ১২৪
Maupassant, Guy De, ১২৩
মোহন রাকেশ, ১২৮, ১৯৪
মাসেল, জোন, ১৭১
মহেন্দ্রবমন, ১৮২
Meredith, George, ২৩১, ২৩৪
বরটোলড ব্রেট, ১৭৮

য

যোগেন্দ্র (খাকচোম), ৮৩
যাদবচন্দ্র চক্রবর্ত্তি, ৯৯

র

রাজ নারায়ণ বাবু, ৩১
রাজা রামমোহন রায়, ১১, ৬১ ৬৩
রজনীকান্ত (এলাংবম), iii, ৪৯–৫০
রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর, ৫১, ৬৬–৬৮, ৮৩, ১২৭, ১৪৯, ১৯৩–১৯৪, ১৯৬–১৯৭, ১৯৯–২০০, ২০৮
রনেন, বা. কু. ৫৩
রাজেন্দ্রলাল মিত্র, ৬৩
রঙ্গলাল বন্দোপাধ্যায়, ৬৯
রাম নরেশ ত্রিপাথি, ৭০
রাজা গোপালচারী, ৭৩
রামলীঙ্গ, ৭৩
রাজেন (য়ুম্নাম), ৯০, ১৫৯ ১৬০
রাঘবন, ভি, ১৩৭, ১৪৬
রতন (খিয়াম), ১৫৯–১৬০
রামনারায়ণ, ১৯৩

ল

ললিত (সোরোকখাইবম), x, ৫, ২৭, ১০৭, ২০৫, ২০৯
লক্ষ্মিনাথ বেজবরুয়া, ৪৮
লৈরেন, ডা., ১১১
Levine, George, ১৩১
Lukacs, George, ১৩১
Levin, H., ১১৮
Lebedeff, Herasim, ১৯১
Longfellow, Henry Wordsworth, ৬২

ৱ

Wells, H. W., ১২২
Yeats, W. B., ১৭৮, ২০০

শ

শীতলজিৎ (রা. কু.), iii, ১৫, ২৭, ৪৫–৫০
শ্যামসুন্দর (অয়েকপম), ৪৬, ২০৭, ২০৯

(অইবশিং তাকপা)

শরতচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়, x, ৫১, ৫৫, ১২৭, ১২৯, ১৯৩
শরতচন্দ্র (নোংথোম্বম), ৫৭-৫৮, ৯২
শম্ভুকবি, ৭৩
শারদাতনয়, ১৩৪
শঙ্করদেব, ১৪১
শ্রীভাস, ১৮২-১৮৩
শক্তিভদ্র, ১৮৩
শো, জি. বি., ১২৫, ২১৯, ২২৪, ২২৭-২৩০, ২৩২, ২৩৪

স

সিয়োন্দস, জোন এডিশন, ১
স্কোট, সার, বালটর, ৬, ৯
সুকুমার সেন, ৩১, ৬৫
সোনামণি (এলাংবম), ৫৭-৫৮, ৯২
Stowe, Harriet Beecher, ৬২
সত্যেন্দ্রনাথ দত্ত, ৬৯
সর্ভাকর, ৭২
সি. সুব্রামান্য ভারতী, ৭৩
সুরেন্দ্রজিৎ, রা. কু., iv, vi, ৮৩
সমরেন্দ্র (অরাম্বম), ৮৭-৮৯
সমরেন্দ্র (লাইশ্রম) ৮২
Spenser, Edmund, ১১৬
সেক্সপীয়ার (বিলিয়ম), ১১৮
Strindberg, August, ১২৫
সুরেন্দ্র বর্ম', ১২৮
সাগরনন্দিন, ১৩৪
সোম বেনেগল, ১৩৮
স্কোট, এ. সি., ১৬৫
স্বামীগল, ৭৩

হ

Howthorne, Nathaniel, ৬২
Holmes, Oliver Wendell, ৬২
হেমচন্দ্র বন্দোপাধ্যায়, ৬৮
হরি নারায়ণ গুপ্ত, ৭২
Howells, William Dean, ১২৪
Hemingway, Earnest, ১২৪, ২২৩

ইনডেক্স

(হীরম তাকপা)

অ

অঙনবা মণিপুরী ৱারী মচাগী শক্তম, ৪৭, ৫০

অহিংসা, ৬৮

অনৌবা উপন্যাস, ৯০-৯১

অভিনয়, এক্টিং (কুডিয়াত্তমগী), ১৮৮-১৮৯

অঙাংহলগী সামাজিক লীলা, ২১০-২১১,

অঙাংহলগী দান (মণিপুরী থিয়েটরদা), ২০১-২১৭

অনৌবা নুপী (new woman) গী ঈহৌ, ২৩৪

আ

আমেরিকাগী সিভিল ৱার, ৬১

আহার্য্যআভিনয়, ফিজেৎ-লৈতেং (কুডিয়াত্তমগী), ১৮৮

আঙ্গিকাভিনয় (কুডিয়াত্তমগী), ১৮৯

ই

ইংরেজী থিয়েটর (ভারত্তা), ১৯৩

এ

এন্টি হীরো, ৩৭

এসিয়ান থিয়েটর, ১৬৩-১৭৮

এসিয়ান থিয়েটরগী ৱাখল (কনসেপ্ট), ১৬৬-১৬৭

এসিয়ান অশেংবা (থিয়েটরগী মীৎয়েংদা), ১৬৭-১৬৮

এসিয়ান থিয়েটর শাগৎপদা ভারতকী যুক্ষম: ১৬৯; ধর্ম্মগী যুক্ষম, ১৬৯; ক্লাসিকেল ওইবা যুক্ষম, ১৭১; রামায়ণ অমসুং মহাভারতকী যুক্ষম, ১৭২

এসিয়ান থিয়েটরগী মান্নবা মচাকশিং, ১৭৪-১৭৫

এসিয়ান থিয়েটরদা কোরস অমসুং ৱারী লীবগী মথৌ, ১৭৫

এসিয়ান থিয়েটরদা (লীলা শান্নফম অমসুং ষ্টেজগী চৎনবী), ১৭৬-১৭৭

এসিয়ান থিয়েটরগী ৱাঙাং-শাঙাং, অভিনয়, শাজৎ, লিচৎ, ১৭৭

এক্টর (ভারতকী নাট্যকলাগী পরম্পরাদা), ১৫৩

এক্টর (কুডিয়াত্তম সংস্কৃত ড্রামাদা), ১৮৩-১৮৪

এক্টিং, ১৯৪

এক্সপ্রেশনিষ্টিক টেক্নিক (জি. সি. তোংব্রাগী), ২৩৫

(হীরম তাক্‌পা)

ঐ

ঐতিহাসিক উপন্যাস, ১৮–১৯

ক

ক্লাসিকেল নত্রগা এলিজাবেদ মতমগী সাহিত্য, ১২০

কাবুকি, ১৭৫

ক্লাসিকেল সংস্কৃত ড্রামা, ১৭৯–১৮০

কুডিয়াত্তম, ১৭৯–১৯১

কেরলাদা কলাবিদ্যা (চাউথৎপগী মরম), ১৮১–১৮২

চ

চাউবা, থ্‌ইরাকপম, উপন্যাসকার অমা ওইনা, ১৩–৩১

চেক্‌োঙ. পত্রিকানচিংবগী (দান), ৪৫–৪৬

চিত্রাঙ্গদা নাট্য মন্দির, ২০৯

জ

জাতীয়তবাদ, ৬৭

ত

তোংব্রাগী তোথায়রবা তাইবঙ, ২১৯–২৩৬

তোংব্রাগী রিয়্যালিষ্টিক সোসিয়েল প্লেশিং, ২২০

তোংব্রানা নৈনরিবা মমত্থাশিং, ২২১–২২২, ২২৫–২২৭

তোংব্রাগী সাম্যাবাদগী বাথল, ২২৪–২২৫

তোংব্রাগী লীলা মউৎ (ড্রামা ওফ আইডিয়াজ, প্রোব্লেম প্লে), ২২৭–২২৮

তোংব্রাগী মকোক মথৈ ওত্থোকপা লীলা, ২২৭-২২৯

তোংব্রাগী ফাগি, ২৩০–২৩১

থ

থিয়েটরদা চঙবা মচাকশিং, ১৫২

থিয়েটরগী ফজবা নৈনরোল (এরিষ্টোটল, ভরত মুনি অমসুং জিয়ামী), ১৭৭–১৭৮

দ

দেশ প্রেম, ৬৮

ন

নোংপোক এসিয়াগী কলচর, ১৬৩

নোংচুপকী কলচর অমসুং সভ্যতা, ১৬৩

নো লীলা, ১৭৫

নোংচুপকী লীলাগা এসিয়ান থিয়েটরগা খেন্নবা, ১৭৬

নন–রিয়্যালিষ্টিক ড্রামাগী ঈহৌ (নোংচুপকী), ১৭৮

নাট্যশাস্ত্র, ১৭৯–১৮০, ১৯৮

নির্বহণম্‌ (কুডিয়াত্তমগী), ১৮৭

ট

ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটর, ১৩৩-১৩৪

ট্রেডিশনেল অমসুং ফোক থিয়েটর (মণিপুরগী), ১৩৩-১৩৪, ১৫৯–১৬০

ট্রেডিশনেল থিয়েটর হিংহল্লকপদা (স্থতগী দান), ১৩৯–১৪৯

(হৌরম তাক্‌পা)

ট্রেডিশনেল থিয়েটর (মথং মথং চাউখৎলকপা), ১৪০-১৪১

ট্রেডিশনেল থিয়েটরগী মায়বা অপুনবা শক্তম, ১৪৪-১৪৫, ১৪৬-১৪৮

ট্রেডিশনেল থিয়েটর, ১৪৯-১৫১ : ট্রেডিশনেল থিয়েটরদা হকচাং শীজিন্নবা, ১৫৩-১৫৪ ; চাংয়েং তৌরিবা, ১৬১-১৬২

টোটেল থিয়েটর, ১৭৪

থ

থিয়েটরদা লোকনাট্যগী মচাকশিং শীজিন্নবা, ১৫৮-১৫৯

প

প্রতিবাদ তৌবা লীলা, ৬৩

প্রোগেসিভ লিটেরেচর, ৭০-৭১

পার্সী থিয়েটর, ১৯৪-১৯৫

ফ

ফোক্লা ক্লাসিকেল (থিয়েটরগা) থেন্নবা, ১৪৫

ফাগি (এসিয়ান থিয়েটরদা), ১৭৫-১৭৬

ব

বৈষ্ণব মোর্য়ালিটি, ১৩-১৭

বাংলা সাহিত্যগী প্রভাব, ২৫-২৯

বৈষ্ণব ধর্ম, ১৩-১৫, ২৫, ২৮

বিপ্লব (ফ্রেন্স রিভোল্যুশন), ৬১

বাংলা সাহিত্যগী অনৌবা যুগ, ৬২

বন্দে মাতরম, ৬৫-৬৭

বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি অমদি বাইওলোজিগী প্রভাব (১৮শুবা শতাব্দীদা), ১২১-১২২

বাচিকাভিনয় (কুডিয়াত্তমগী), ১২০

বিদূষক (কুডিয়াত্তমগী), ১২০

বাবুপাড়াগী বেঙ্গালী থিয়েটর, ২০৪-২০৫

ভ

ভারতকী নীংতম আন্দোলনদা (সাহিত্যগী থৌদাং), ৬২

ভারতকী থিয়েটর (হৌরকপা), ১৩৪-১৩৭

ভারতকী থিয়েটরগী অনৌবা মুক্ষম খোনবা, ১৩৮

ভাবোক, ১৫৬

ভারতকী সাহিত্য অমসুং কলাবিদ্যা শন্দোকপা (নোংপোকলোমদ), ১৬৪-১৬৫

ম

মণিপুরী সাহিত্যদা প্রতিবাদকী ঈহৌ, ১১-১২

মধ্যযুগকী রোম্যান্স, ১৭-২১

মণিপুরী ৱারী মচা, ৪৫-৬০, ৯১-৯৩

মোর্দন সেন্সিবিলিটি, ৬০

মাস কলচর, ৮২

মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা হুংশিং, ৮৩-৮৫

মোর্দন ট্রেজেদি, ৮৬

ময়াম ওইবা থাক্তি মীওইশিংগী ভেল্যু, ৮৭-৮৯

(হীরম তাক্পা)

মণিপুরী সমালোচনা সাহিত্য: ৯৩-৯৪; নোংচুপ সাহিত্যগী নৈনবোল, ৯৩; ভারতকী অালঙ্কার শাস্ত্রগী মীৎয়েং, ৯৩; ভারতকী পরম্পরাগী ঊচেক, ৯৪, ভারতা রোমান্টিসিজম, রিয়্যালিজমগী মশক, ৯৪
মণিপুরীদা নৌনা খোঙদারকপা: ৯৪-৯৬; লমকোয় রারী, ৯৫, পুন্সি রারী, ৯৫-৯৬
মণিপুরী লোন্দা পেসিভ ভোইস, ৯৯
মণিপুরদা নোংচুপকী শিক্ষা, ১০০-১১০
মৈতৈলোনগী ঊহো, ১০৯-১১০, ১১২
মরায় ওইবা থাক্তি মীওই কাঙলুপ (middle-class), ১২১
মুত্তিয়ক্তিত্তম, পোলোই (কুডিয়াত্তমগী), ১৮৭
মেলোড্রামা, ২০৪
মৈতৈগী ওইবা থিয়েটর, ২০৬

র

রেনাসন্স (রিনার্সাঁ), ১-১২: ইটালিগী, ১-২; ভারতকী, ২; মণিপুরী সাহিত্যদ, ৪-১২, ১০৭-১০৮; বেঙ্গলগী, ৬
রোম্যান্স (মধ্যযুগকী), ১৭
রিয়্যালিজম (মণিপুরী সাহিত্যদা), ৮০-৮১
রিয়্যালিজম (সাহিত্যদা), ১১৫-১৩২: নোংচুপ সাহিত্যগী ঊহো, ১১৯-১২০, রিয়্যালিজম, ১১৫-১১৯; থিয়েটরদা, ১২৪-১২৫; মণিপুরী থিয়েটরদা, ২১০-২১১; ভারতকী সাহিত্যদা, ১২৫-১২৭; মণিপুরী সাহিত্যদা, ১৩১; ২০শুবা শতাব্দীগী, ১৩১-১৩২
রোমান্টিক স্কুল, ১২০
রিয়্যালিষ্টিক নোভেল, ১২৩-১২৪
রামায়ণ থিয়েটর, ১৭৩-১৭৪
রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী দান (ভারতকী অনৌবা ড্রামাদা), ১৯৫-২০১
রবীন্দ্রনাথকী অনৌবা রাথল (থিয়েটরগী), ২০০-২০১
রোমান্টিক থিয়েটর, থিয়েটর অফ রোম্যান্স, (অঙনবা মণিপুরী থিয়েটরদা), ২০৩-২০৪
রিয়্যালিজম (অঙনবা মণিপুরী থিয়েটরদা), ২০৬-২০৭

ল

লমজিং লাইরিক (ছাত্রশিংগী), ১০০
লাল্লুপ কাবা, ১০৬
লোন অমমুং সাহিত্যগী ঊহো, ১০৯
লোকনাট্যদা ইমপ্রোভাইজেশন: ১৫৪; বা ভাঙবগী ষ্টাইলদা, ১৫৪; শামগদবা লীলাদা, ১৫৫; লীলা শামফমদা, ১৫৫

(হীরম তাকপা)

লীলা শঙ (ভারতকী), ১৭৯
লীলা শাম্রফম (কুড়িয়াত্তমগী), ১৮৪–১৮৫
লীলা হৌবা, পূর্বরঙ্গ (কুড়িয়াত্তমগী), ১৮৫–১৮৬

ৰ

ৰারী লীবগী ট্রেডিশন (ভারতকী), ৪৬

স

সিম্বোলিক অমসুং এলিগোরী (মণিপুরী ৰারী মচাদ'), ৫৯
স্পিরিচুয়েল নেসনেলিজম, ৬৭
সাহিত্যদা আন্দোলন ; ৭২, হিন্দী সাহিত্যদা, ৭২ ; মারাঠী সাহিত্যদ', ৭২ ; গুজরাতী সাহিত্যদা, ৭২ ; কানাড়া সাহিত্যদা, ৭৩ ; তেলেগু সাহিত্যদা, ৭৩ ; উরিয়া সাহিত্যদ', ৭৩ ; মণিপুরী সাহিত্যদা, ৭৪–৭৭
সনামহি লাইনিং, ৮১
সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী চহৌ (অঙনবা ২০শুবা শতাব্দীগী), ১০৬–১০৭
স্কুল লিংখৎপগী চহৌ (মণিপুরদা), ১০৮–১০৯
সাত্বিকাভিনয় (কুড়িয়াত্তমগী), ১৯০
সংস্কৃত লোন অমসুং সংস্কৃত থিয়েটর শীথরকপা, ১৯২

হ

হৌজিক্কী উপন্যাস (হৌজিক্কী নোভেল), ৩৫–৩৬
হিষ্টোরিকেল রোম্যান্স, ২৯–৩০
হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্য, ৭৮–৯৬
হকশেল, ১০৪
হিন্দু থিয়েটর, ১৯৩
হস্ত (কুড়িয়াত্তমগী), ১৮৫–১৮৬

য়

য়াইস্কুল ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, ২০৭
য়াইস্কুলদা থিয়েটরগী থবক, ২০৭-২০৮

—: (০) :—

ডী আই পব্লিকেসন্স ইম্ফাল

॥ ফোঙলবা লাইরিকশিং ॥

ব্রুমলেম্বম ইবোমচা :

১। শন্দ্রেম্বী খোরক্লো নহুম পোঞ্জেন শাবীগে
(শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ; ১৯৭০)
ইং ১৯৭৪ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীগী সাহিত্যগী মনা ফংগ্রবা।

লমাবম বীরমণি :

২। পিক্লিক পিক্লিক
(ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ; ১৯৮০)

৩। চেক্লা পাইগ্রবদা
(ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ; ১৯৮১)
ইং ১৯৮৪ দা নেসনেল সাহিত্য একাদমী মনা ফংলবা।

থাংজম ইবোপিশক :

৪। নোংরোক পাতান পৃথিবী
(শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ; ১৯৮৫)

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ :

৫। তীর্থ যাত্রা
(শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ; ১৯৮৫)

নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ :

৬। মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীৎয়েং অমা
(মণিপুরী সাহিত্য অমসুং থিয়েটরগী নৈনবা ৱারেংশিং ; ১৯৮৫)

মরী লৈনবা চে-চাংশিং পদ্মা প্রিন্তরস, পাউনা বাজার,
ইম্ফাল— ৭৯৫০০১ ঠিকানা অসিদা থাবিরকপা য়াগনি।

শ্রীমোংম্বাইথেম তোম্বী সিংহ খৃঃ ১৯৪১, মার্চ ২১ দা কৈশামপাৎ লৈমজম লৈকাই, ইম্ফালদা পোকই। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি হৌদোক্লকপা মেম্বর অমনি। খৃঃ ১৯৬৮ দা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী অমসুং খৃঃ ১৯৮৩-৮৪, ৮৪-৮৫ দা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরী ওইখি। চহী তরা-নিপাল (১৯৬৭-১৯৮৫) ইম্ফাল কলেজদা লেকচরর ওইরম্বা মতুংদা মণিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য বিভাগতা ফেলো ওইনা থবক তৌই। হৌজিক হৌজিক, এড-ভাইজরী বোর্ড, মণিপুরী লোন, সাহিত্য একাদমীগী মেম্বর, জেনরেল কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমীগী মেম্বর; দি বোর্ড ওফ সেকেণ্ডরী ইডুকেসন, মণিপুরগী মেম্বর অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোঙবা 'সাহিত্য'গী চেফোংগী সম্পাদক ওইরি। "পরিষদকী থকুংলবা বারী মচা" (১৯৭৫) গীসু সম্পাদক অমনি।